[illegible]

ব্রহ্মাণ্ড পুরাণ

(প্রথম খণ্ড)

আইবা :—

শ্রীতখেনচংবম গৌরীদাস শর্ম্মা

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY
IMPHAL - 3

রাধা হৃদয়

ব্রহ্মাণ্ড পুরাণ

অইবা :—

শ্রীতখেনচংবম গৌরীদাস শর্ম্মা

[স্বত্ব পুম্নমক অইবগীনি]

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY
10863/Man
IMPHAL
8/10/04

কোংজবা :—

শ্রীতখেনচংবম্ সনাতোম্বা শর্মা
কিয়ামগৈ অবাং লৈকাই
ইম্ফাল ।

কোপী—১০০০,

তাং ১১ । ১২ । ৯৩ ইং, পোইন্নু

মমল লুপা [illegible]/—100

লাইরিক ফংফম :—

অইবগী য়ুম,
কানচিপুর মেন গেট

নম্ফম :— ওরিয়েন্টেল প্রিন্টিং হোম, হাইস্কুল পুলিশ লেন ইম্ফাল ।

ভূমিকা

বাহোদোক

মহর্ষি বেদব্যাসনা লেংশ্রবা পুরাণ তরানিপালগী মন্থংদা ব্রহ্মাণ্ড পুরাণদা থোইদোকপা অথুপ্পা তিল্লী। পুরাণ ময়াম নৈরগা থোকপা মচি অসিগুম্বা পুরাণ অসিদা ফোংদোকই। অসিগুম্বা লাইরিক অসে খণ্ড অনি শুই শ্লোক লিশিংতরানি। তাজবদা পাঠ তৌজবদা মোক্ষ ফংভি দেত শেংভি ভগবংকী গুণনা তিল্লী। পুম্নামক্তগী থোইদোকই কলিদা পোকপা জীবগী পুকনিং শেংনবগীদনক্ ব্যাখ্যা তৌজে।

পৃচ্ছক, শ্রোতা, ও বক্তা, অহুম অসি মুংভাইবগী মশকনি অসিগী মন্থংদা শ্রীমতী রাধিকাগী পোকপগী রারি। শ্রীরামচন্দ্রগী লীলা তাজবদা মোক্ষ ফংভি, পুরাণ হাইবা অসিনা থা গুম্না ভাল্ল। উত্তর খণ্ড তাবগা মোক্ষ ফংনবগী রারি বর্নন্ ভগবাণ্গী লিলা বর্ন্ন তৌরি। পরমা প্রকৃতি আদ্যা শক্তি শ্রীরাধিকাগী মহিমা সন্দোকপা রারি। পুরাণ তারগা ইন্দ্রিগী অমকৃপা কোকই প্রেমানন্দি মুমিং থোকলগা অর্মম্বনা। মাংখিবগুম্, শ্লোকলিশিং তরাগী মন্থংদগী শ্লোক লিশিং মরি অধ্যাত্ম রামায়ণ লেংঙ। অদুবু পাজবদা কয়ামুক মুংভাই মী অদো ভক্তি রসনা তিল্লী। ঈজারিবা অসিবু অম্বাম্বা পণ্ডিত সাধু বৈষ্ণব পুম্নামক্কি মফমদা প্রার্থনা তৌজরি। ঈশিংগা শঙ্গোমগা তিননারব অদুবু শঙ্গোমতা লৌই ভাম্মু কাংডনা। বাজহংসনা।

চংডাগৈদা লৈবা ঐগী ইনাওনিপা শ্রীমান বীধু শর্ম্মানা লাইরিক অসি নম্বদা লুপা ১০০০, মতেং পাংবিখি।

নন্দকুমার ভট্টাচার্য্য কবিরত্ন কর্ত্তৃ সন ১৩৬৬ সাল।

মতম অদুদা পণ্ডিতনা ইরমবা

রাধা হৃদয় ব্রহ্মাণ্ড পুরাণ

মণিপুর লোন্দা ইজবা বৈষ্ণব পুম্নামক্কী মফমদা হম্না হম্না থুরুমজে।

হৈরোক্ খুনোদা লৈবা
শ্রীথুন্দোংবম্ নিংথোম্ব সিংহ

শ্রীঅহৈবম ধনঞ্জয় সিংহ।
হৈরাঙ্গোইথোং অহৈবম লৈকাই।

শ্রীতখেনচংবম গৌরীদাস শর্ম্মা
কিয়াম্গৈ অবাং লৈকাই
সন ১০৯৪ সাল।
ইং—১৯৮৮।
ইবা হৌজবা

ওঝা অনি অসিনা লাইরিক অসিগী অচুম অরান হেংবিখিবা।

সুচিপ্রত্র

বিষয়		পৃষ্ঠা
প্রণম্বগী বারি	—	১—২০
সংসার শেম্বগী বারি	—	২১—৫২
গুরু খুরুমবগী বারি	—	৩২—৪৩
শ্রীগুরু কবচা অসিদি মক্ষ ক্ৎভি	—	৪৪—৫০
গোলোক্কী বারি মতাং অসিদা চন্দোন গীনবগী কান্নবা।	—	৫০—৬৯
দেবীদগী বৃষভণুনা বর ফংবা	—	৭০—৮৫
শ্রীরাধাগী অহানবা বারি হরি নামগী অকুপ্পা বারি শ্রীমতী রাধিকাগী জন্মগী বারি শ্রীকৃষ্ণদা কৎলোইদবা লৈগী বারি।	—	৮৬—১০৪
গোলোকক্তা সণৎ কুমার লাকপদা চংহনদাতুনা শাপ্ থৌবগী বারি।	—	১০৫—১১২
গোলোকী রাসগী মতমদা মহাদেবনা ঈশৈ শকপদা রাধা কৃষ্ণ অনি ঈশিং ওইথিবগী বারি।	—	১১৩—১২৪
শ্রীকৃষ্ণ অবতারগী বারি অনন্ত দেবনা দৈবকিগী গর্ভদা লৈরম্লগা রোহিণীগী মচা ওইনা বলদেব কৌহুনা পোক্পগী বারি।	—	১২৪—১৪৭
শ্রীকৃষ্ণনা দৈবকিগী মচা ওইনা পোক্লগা অমৃতা থকতবগী বারি ত্রেতা যুগক্তা শ্রীরামগা কৈকেয়ীগা অনিনা হাইনখিবা অনিগী বারি।	—	১৪৭—১৫০
মতাং অসিদা বলদেব জন্মগী নৈনবা কৃষ্ণ জন্মগী নৈনবা বারি।	—	১৫১—১৫৪
হনুমাননা হৈ লৌরুবা, লক্ষ্মণনা হৈ কৎপা।	—	১৫৪—১৫৬

গুরুবন্দনা

তাং ২। ১১। ৭৬ ইং

শ্রীগুরুগি কৃপাদগী বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইথ ব
ডারেপোক্কু থুমহেম লৈকাইদা লৈবা
ওঝা ইবুংগোগি মিং লুক্রাম্ তোম্বা
ওঝা ইবুংঙোগি চরন্দা হন্না ইম্না খুরুমজৈ।

বন্দে গুরু পরংব্রহ্ম মন্ত্রচৈতন্য দায়কম।
প্রসন্ন পরমানন্দং সদানন্দ রূপিনম্।
জয় জয় গুরুদেব শুদ্ধসত্ত্ব স্বরূপম্।
দ্বিভুজ বরদ হস্তা চারু পদ্ম দ্বিনেত্রম্।।
সকল নিগম তত্ত্বং দর্শিতং মূল মন্ত্রম্।
তব চরণ সরোজে দেহিমে ভক্তি দাস্যম্।।

গুরুব্রহ্ম গুরুর্বিষ্ণু গুরুদেব মহেশ্বর
—। যেনতস্মৈ শ্রীগুরুবে নমঃ ২।—

ঙথেলচংবম গৌরিদাস শর্ম্মা
ক্যামগৈগে অবাং লৈকাইদা লৈজবা
সন্ ১৩৯৪ সান্
ইং ১৯৮৮
ইবা হৌজবা

শ্রীনারদ উবাচ।—কিংনুগুহ্য তবব্রহ্মণ সচ্চিত্ত্য মখিলে খরৈঃ।
তন্মেব্রুহি পিত যত্ত যোগেশ অয়ি বৎসল ॥১

ব্রহ্মাদানারদনা হৈনংখি (পিত) ইবুংঙো নহাক্তি থংবগুমত্রবা থংবিবা ঈশ্বরনি মরোল অহমগী, মবুংঙোনি ইবুংঙো নহাক্না অথুপ্পা পুন্নমকপু চানবিহুন তাকপিয়ু যোগিগী মপু ওইবা ॥১

শ্রীব্রহ্মাবাচ।— শৃনুব গুহ্য তমং তাত্ত নারায়ণ মুখা চ্ছ্রুতং।
সর্ব্বৈশ্চ পুজিতা দেবা রাধা বৃন্দা বনে বনে ॥২

ব্রহ্মান হায়খি।-ইবুংঙো নারদ নারায়ণগি মুখদাগ তাজবা অথুপ্পা পুন্নমক ঐন হায়রগে তায়ো শ্রীমতি রাধিকা ইবেম্ম অহাদ বৃন্দাবনাগ মফম খুদংদ লেংদন লৌবিনী চরন্দা পুন্নমক্না পুজা কৎপনি ॥২

রাধা বিশ্লেষতঃ কৃষ্ণো হ্যোকদ. প্রেম বিহ্বলঃ।
রাধা মন্ত্রং জপান ধ্যান রাধাং সর্ব্বত্র পশ্যতি ॥৩

শ্রীকৃষ্ণন মতম পুন্নমক্না রাধাগি প্রেমন তাওহুনা রাধাতয়ু মন্ত্র ওইন হোৌন রাধাতয়ু নিংতি পুন্নমক্তগ্ন রাধাতয়ু উহ ॥৩

। অস্য শ্রীরাধা স্তোত্রস্য ব্রহ্মা: ঋষি।
। অনুষ্টুপ ছন্দঃ। শ্রীরাধাদেবতা।

ক্লীং বীজং। অসিগুম্বা শ্রীমতি রাধিকাগ স্তোত্র আসবু ব্রহ্মান নারদদ অনুষ্টুপ ছন্দঃ ওইন তাকপি

—ঃ ক্লীং ঃ—

। ক+ল+ঈ+ঁ=ক্লীঁ। ক=কৃষ্ণ। ল=ঈশ্বর। ঈ=সন্তোষ। ং=দুঃখ হরন। ক্লীং=কৃষ্ণই ঈশ্বর।
তিনসন্তুষ্ট। আমার দুঃখ হরন করুন।
ক+ল+ঈ+ঁ+ং। এই পঞ্চযোগে ক্লীং শব্দের উৎপত্তি।
কেহ কেহ ককারে পৃথিবী, লকারে অপ, ঈকারে তেজ,
নাদেতে বায়ু, বিন্দুতে আকাশ নির্দ্দেশ করেন।
কেহ কেহ ক কারে কৃষ্ণ প্রোক্ত, ল কারে রাধিক,
ঈ কারে হ্লাদিনী, নাদেতে শ্রীরূপ, বিন্দুতে বৃন্দাবন,

—ঃ নির্দ্দেশ করেন ঃ—

। শ্রীরাধা প্রীত্যর্থে জপে বিনি যোগঃ।
। খিগদবা ওই।

গৃহেরাধা বনে রাধা রাধা পৃষ্ঠে পুরোস্থিত।
যত্রতত্র স্থিতারাধা রাধৈবা রাধ্যতে ময়া ॥৪

যুমদসু বনদসু মাংদসু তুঙদসু লৈবদসু মফম পুন্নমক্তসু ইবেম্মবু ঐনা নিংঙৈ ॥৪

জিহ্বারাধা শ্রুতৌরাধা নেত্রেরাধা হৃদিস্থিতা
সর্ব্বাঙ্গ ব্যাপিনী রাধা রাধৈবা রাধ্যতে ময়া ॥৫

লয়েংদ শোঙবা রাধা হায়না তাজবা ইবেম্মগি নাম মিৎন য়েংজবা শ্রীমূর্ত্তি হকচাং পুম্নমক ভাকপিবা ইবেম্মগি নামনা হৃদিদা লাংচবসু শ্রীমূর্ত্তি ॥৫

—॥ অথ ধ্যানং ॥—

কিশোরি সুন্দরী রূপা রাধা কমল লোচনা।
শ্রীকৃষ্ণ প্রেম্বিতা রাধ বৃন্দাবন বিহারিনা ॥৬

অসুম্না নিংগদবা ওই কৈশর বয়শদা চাংদম্নিংঙাই লৈভনা ফজবী থম্বান্না তমজনিংঙাই ওইবি মিৎ অনি শ্রীকৃষ্ণগা তোঙান্নদবী রাধা বৃন্দাবন্দা শান্নরিবী ॥৬

পুজারাধা জপেরাধা রাধিকা চাভি বন্দলে।
শ্রুতৌরাধা শিরোরাধা রাধৈবা রাধ্যতে ময়া ॥৭

পুজাদা রাধা হাইনা শোঙবা ইবেম্মগি নাম খুরুমজবা চরোনদা তাজবসু ইবেম্মগি নাম রাধাওবু ঐন নিংজৈ ॥৭

গানেরাধা গুনেরাধা রাথিকা ভোজলে গতৌ।
রাত্রোরাধা দিবারাধা রাধৈব্যা রাধ্যতে ময়া ॥৮

নগুণবু ঈশৈ ওইন শকচগে রাধা হাইনা চাবদা চৎপদা তুম্বদা অহিংদা নুংথিলদা ঐনা নিংজগে রাধা হায়না ॥৮

মাধুর্য্যে মধুর রাধা মহত্বে রাধিকা গুরু।
সৌন্দর্য্যে সুন্দরা রাধা রাধৈব্যা রাধ্যতে ময়া ॥৯

পুক্নিং তপ্পদা অমৃতগুম্না নগুণনা জগৎকি গুরু ওইবি নিংথিজবদসু ফজবদসু চাংদম্নিংঙাই লৈত্রবীনি হায়না ঐন নিংজৈ ॥৯

রাধাপদ্মা নানাপদ্মা পদ্মোদ্ভব মুপাশিতা।
পদ্মাবিম্বা চিন্তারাধা রাধৈকা রাধ্যতে ময়া ॥১০

রাধা হায়বি ইবেম্মা নহাক অসে পদ্মা হায়নসু কৌই পম্বান্দগী ওইবিনী অসুম্না নিংজৈ থম্বাম্না তমজনিংঙাই ওইবি (বিম্ব) থম্মোইদা রাধাবু ঐন নিংজৈ ॥১০

রাধাকৃষ্ণ স্থিকাদিত্যং কৃষ্ণো রাধা অকোক্রবং।
বৃন্দাবনে শ্বরারাধা রাধৈক্যা রাধ্যতে ময়া ॥১১

রাধাকৃষ্ণ অনি অসে অমতনি অম্মো অমনা অনি থোকপনি বৃন্দাবনগি মপুওই রাধাবু ঐন নিংজৈ ॥১১

জিহবাগ্রে রাধিকা নাম নেত্রাগ্রে রাধিকা তনু।
কর্ণাগ্রে রাধিকা কীর্ত্তি মনো হগ্রে রাধিকা মনঃ ॥১২

জমেইদন্থু রাধাগি নাম শোইঞ্জে মিংতন্থু শ্রীমূর্ত্তি তাজবদন্থু ইবেম্মগি মিংচৎ পুক্লিংদন্থু থমজৈ রাধাগি মূর্ত্তি ॥১২

রাধারস সুধাসিন্ধু রাধাসৌভাগ্য সুন্দরী।
রাধা ব্রজাঙ্গনা মুখ্যা রাধৈবা রাধ্যতে ময়া॥১৩

রাধাগি রস হায়বঅসে অমৃতগি সমুদ্রা গুম্মি কজবদা চাংদম্লিংঙাই লৈত্রবী রাধানা বৃন্দাবনগী ইবেম্মাশিংগি মান্‌বিনবনী হায়না ঐন নিংজৈ ॥১৩

কৃষ্ণেন পঠিতং স্তোত্রং শ্রীরাধা প্রীতয়ে পরংধঃ।
পঠেচ্ছৃন্বয়া নিত্যং রাধাকৃষ্ণো প্রিয়ো ভবেৎ। ১৪

শ্রীকৃষ্ণন শ্রীরাধিকাগি পেন্নবগিদমক স্ত্রোত্র অসি থিথি অদুগুম্বা স্ত্রোত্র অহুবু শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিন পেনবিনবগীদমক অতংপ লৈতনা হে নারদা ব্রহ্মা ঐনা থিজৈ ॥১৪

ইতি ব্রহ্মাণ্ডে পুরানে ব্রহ্মা নারদ সংবাদ

—: শ্রীরাধা স্ত্রোত্র সমপূর্ণং :—

।। অথ শ্রীরাধা কবচ মহামন্ত্রঃ।।

ক্লীঁং শ্রীঁ রাধিকায়ৈ স্বাহা ।। অস্য শ্রীরাধিকা মন্ত্রস্য অগস্তঋষিঃ জগতীচ্ছন্দঃ শ্রীরাধিকা পরমেশ্বরী দেবতা ক্লীঁ বীজং স্বহা ক্লীঁ শ্রীঁ কীলকং শ্রীকৃষ্ণবশ্যার্থে জপেবিনি য়োগঃ।। অগস্ত্য ঋষয়ে নমঃ শিরশি জগতীচ্ছন্দসে নমঃ মুখে রাধিকা দেবতায়ৈ নমঃ হৃদয়ে ক্লীঁ বীজায় নমঃ গুহ্যে শ্রীং শক্তয়ে নমঃ পাদয়োঃ ক্লীঁং শ্রীঁং কালিকায়ৈ নমঃ ॥ সর্ব্বাঙ্গেষু ॥ ক্লীঁ অঙ্গুষ্ঠাভ্যাং নমঃ ॥ শ্রীংতর্জনীভ্যাং নমঃ ।। রাধিকায়ৈ স্বহা মধ্যমভ্যাং নমঃ ॥ ক্লীঁ অনামিকা ভ্যাং নমঃ ॥ শ্রীং কনিষ্টকা ভ্যাং নমঃ রাধিকায়ৈ স্বহা ॥ রাধিকায়ৈ স্বহা ।। করতউ কর পৃষ্টাভ্যাং নমঃ ॥ ক্লীঁ হৃদয়ায় নমঃ ॥ শ্রীং শিরসে স্বাহা ।। রাধিকায়ৈ স্বাহা ॥ শিখায়ৈবষট ॥ ক্লীঁ কবচায় হুঁ শ্রীং নেত্র ত্রায় বৌষট্॥ রাধিকায়ৈ স্বাহা ॥ অস্ত্রায়ফট ॥ ধ্যাহাজপেৎ ॥

বন্দেবৃন্দা বনানন্দাং রাধিকাং পরমেশ্বরীং।
গোপিকাং পরমাং শ্রেষ্টা হ্লাদিনী শক্তি রূপিনীং॥
শ্রীরাধাং পরধা রাধ্যাং কৃষ্ণসেবা পরায়নীং।
শ্রীকৃষ্ণায় সদাধ্যায়ীং নবধা ভক্তি ধারিনীং॥
শ্রবনং পূর্ব্বরাগেন প্রবাসে চাপি কীর্ত্তনং।
স্মরনং প্রেম বৈচিত্র্যং রাসো লাস্যেন সেবনং॥

অর্চ্চনং কৃষ্ণ লীলায়াং মানেচাপিচ বন্দনং ।
দাস্যভাব সদাযুক্তং প্রেমসেবা বিধায়নং ।।
নিত্যরাসে ভবেৎ সখ্যং সন্তোধাত্ম নিংবদনং ।
যোষা গুণময়ী রাধা বৃষভানু কুমারিনী ।।
দামোদর প্রিয়া রাধা মনোভীষ প্রদায়িনী ।
তস্যানাম সহস্রানি শৃনু ভাগবতো ত্তম ।
ভাবরুদ্ধা চাপরাধং কৃপয়া কুরু সোধনং ।
বাঞ্ছাসিদ্ধি ভবেত্তস্য ভক্তিস্যাৎ প্রেম লক্ষনং ।
লক্ষ্মীতস্য বসেদ্যোহে মুখে ভাতি সরস্বতী ।
অন্তকালে ভবেত্তস্য রাধা কৃষ্ণেচ সংস্মরতী ।।

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য বিরচিতং শ্রীরাধিকা শতনাম সম্পূর্নঃ

রাধা হৃদয়

ব্রহ্মাণ্ড পুরাণ

উত্তর খণ্ড, প্রথম অধ্যায়ঃ

প্রলয় বর্ণন

ওঁ গনেশায় নমঃ

প্রথমতঃ মহর্ষি প্রবর শ্রীকৃষ্ণ দ্বৈপায়ণ গ্রন্থারম্ভক
বিঘ্নবিনাশজন্য গনপতি স্মরনরূপ মঙ্গলা চরণ করিতেছেন।

যথা।—তৎপ্রত্যুহ সমুহ নাথমতুলং বেদান্ত বেবো বিদুঃ,
ব্রহ্মেতি প্রতিভান ভানু বিলসৎ সংখদ্যু ভাট্টারকম।
সর্ব্বাস্ত হৃদয়েচ পুরুষবরং সর্ব্বেশ্বরং সর্ব্বগং,
বিশ্বোৎপত্য বনাদি নাশ খধকং বিঘ্ন নাশংভজে ॥১

অয়াবা বিঘ্ন মাংহনবিনবগী মশক ওইবা নুমীৎকি মঙানগুম্না, জগৎতা ঙানবা বেদ বেদান্ত পুম্নমক পুথোকপা জগৎ শেম্বা অমুকস্নু মাংহনবা, পুরুষ প্রধান বেদ পুম্নহক্না ইবুংঙো নহাকপু ব্রহ্ম হায়না ব্যাখ্যা তৌরি, তৌজবা থবক্তা অপনবা পিদনবা গনেশগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজৈ ॥১

যস্যাংভি পাথো জপয়ো জজন্মা বিভাবয়ন লোকমিমংসনাকম।
আস্তে তপস্বা পরমং তপশ্চরং স্তমীত্ত্য মীড়ে পুরুষ প্রধানম ॥২

ব্রহ্মা শ্রীকৃষ্ণগী খোঙদোদগী থম্বাল পুথোকই অহুদগী পোকই হায়দুনা, পদ্মযোনি কৌই স্বর্গ, মর্ত্ত, পাতাল, শেম্মি পুক্নিংনা অওৎপা লৈতনা, কৃষ্ণ নিংদুনা লৈ চাংদম্নিংঙাই লৈতবা পুম্নমক্কী চংজফম ওইবা নয়ানবু খুরুমজৈ ॥২

নৈমিষ্যা রন্য ক্ষেত্রদা মতিক চাওববা শৌনকনচিংবা ঋষি লিশিং ছমফু, চহি তরানিথোই চুপ্পা যজ্ঞ তৌবা লোইরবা তুংদা পুক্নিং বানা লৈরবদা লোমহর্ষগী মচা সুত থুংঙরে, সম্মান তৌদুনা কুশাসন কৎলপা ভক্তি কৎদুনা শ্রীকৃষ্ণগী কথা হংজখি ॥

শৌনক উবাচা— সাধু সাধু ত্বয়া সাধো সৌতে যৎকথিতংহিনঃ।
প্রশ্নানা মানু পুর্ব্বেস সর্ব্বং সংশয় কৃন্তনম ॥৩

শৌনকনা হায়খি সম্বোধন তৌনা থাগৎপা বাহৈনা,—হে সাধো! নহাক্না ঐথোয় পুম্নমক্কী খঙদবা পুম্নমক খঙহনবিয়ু পুক্নিং হরাওনা, তাকপিনবগীদমক ঐখোইনা থাগৎচরি ॥২

সন্দেহ নিগড়াবদ্ধং মাং মোচয়িতুমর্হসি না।
ত্বদৃতে নাস্তি লোকে লোকে স্মিন বক্তা কশ্চিৎ পুমান পরঃ ॥৪

হে সুত ! মরোল অহুম অসিদা মুখি নন্তনা ঐরোয় পুম্নমক্তী চিংলবা কোক্কবা, তাকপিগদবা অমা লৈতে, চিংনবনা থৌরি ওইদুন পুল্লি মুণিগী বাক্যনা, থাং ওইদুনা পুল্লিবা অসে ককথংপিদুনা, ঐখোয়গী চিংনবা কোকহনবিয়ু ॥৪

অপারভবনীরাধৌ পতিষ্ঠান সবচঃ প্লবৈঃ।
উদ্ধর্তুং মুচিতং সুত বাসুদেবগুণা শ্রয়ৈঃ ॥৫

হে সুত ! ঐখোয়ময়াম অসে সংসারগী লানওমদ্রবা ঈপাক্তা তারে মতম অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদা চংজবা ওইবা নহাক্কি রাহৈনা হি ওইদুনা লানবা ওমদ্রবা সংসারগী ঈপাক্তগী অমুক্তা লানবিয়ু ॥৫

দিব্যা মৃতরসৈঃ সুত মৃতান সঞ্জা বয়স নঃ ॥৬

হে সুত ! সংসার অসিনদি অনাবগী মশক ওইদুনা জীব পুম্নমক অসিবগুম লৈরে ঐখোয় পুম্নমক্তা শ্রীকৃষ্ণগী নমনা হিদাক ওইদুনা হিংহনবিয়ু ॥৬

দুস্পারে পারমিচ্ছুনাং ভগবন নোদ্বিজন্ম নাম।
উরুক্রম ক্রমোদগীতৈ স্তং প্লবে লোম হর্ষনে ॥৭

হে লোম হর্ষন—সুত ! অকিবগী মশক ওইবা সংসার সমুদ্র অসিবু ব্রাহ্মণ পুম্নমক্তী মুখদগী শ্রীকৃষ্ণগী লীলা শকচ-শোঞবা অর্থাৎ, হরিসঙ্গীতননা হি ওইদুনা হঙৎ-হন্দা লাল্লি ॥৭

সুতপ্রশংসা।—পাবিতাঃ স্মো বয়ং সর্ব্বে বচসাবদতাং বর ॥৮

হে বদতাম্বর ! পুম্নমক্তগী রা ভাংবদা হৈবা সুতা ! অমৃতগা মানবা, হরি কথাবু খিকপিদুনা ঐখোয় পুম্নমকপু শেংহনবিয়ু ॥৮

পারায়ন্যাঃ কথাস্তস্ত কথয়ন্নে গিরাঃ সুভাঃ।
অতৃপ্তি মধি গচ্ছামো বাসুদেব গুণা মৃতৈঃ।
মনোদো তুল্যমানং নঃ পিপাসা বর্দ্ধতে ভৃশম্ ।৯

হে বৎস ! শ্রীকৃষ্ণদা মাই ওনশিন্নবা রারি মঙ্গোলগী মশক তাকপিদুনা ঐখোয় পুম্নমক শেংহনবিদুনা অমদা কোকচরে, অদুমদি ওইদগা অমৃতগা মান্নবা শ্রীকৃষ্ণগী রারি তাজবদা অপেনবা ওইদ্রে মতম পুম্নমক্তা মুংতাইজ ময়ম অদুনা অতৈপা লৈতনা শ্রীকৃষ্ণগী রারি লিবিয়ু ॥৯

পুরোক্তং তে বচ স্তাত নির্গুনেন গুনাত্মনা।
নির্লেপেন সদানন্দ চিদ্রূপেন মহাত্মনা॥
তপস্তপ্তং পুরাকেন বাসুদেবেন চক্রিন ঃ॥১০

হে তাও ! মমাংতৈদা তাকপিখি; (চক্রধর) ওইবা বাসুদেবদি, খিবয় পুম্নমক্তা (নির্লিপ্ত) ওই হায়না অদুগা ইবুংঙো মহাত্মা, তপ তৌবগুম করিগী ওইরিবনো গা॥১০

কস্য বা কেনবা কিংবা লব্ধংবা কত্র কেনবা।
উক্তং তে বহুশস্তাত হরি সাক্ষাৎ পরাৎপর ।।১১

হে তাত। নহাক্না হরিগী গুণবু শন্দোক্না হায়রি হরি হায়বা অদুদি, তশেংবা অথোইবদগী অথোইবনি মহাক্না কনাগী তপ তৌবগে, মহাক্না তপ তৌরগা, করি ফংবগে করম্না মকমদা তপ তৌবগে ? হায়বা অদু ভাকপিয়ু।।১১

নির্গুনো গুণবান কস্মাৎ নির্লেপো লেপবানভুৎ।
নির্দেহো খোহতা বিষ্টঃ কথং ভাতিঃ জগন্ময়ঃ ।।১২

হে সুত। অদুগুম্বা পরমাত্মানা করি মবমগী গুণনা তিনলিবনো অমসুং অমগা মবি লৈনদে অমুক বিষয়গা মরি লৈবগুম দেহা লৈতবনা জগন্ময় হরি এই মরম করিগীনো দেহা পানবা ওইদুনা ফোংদোক্লিববু ? ।।১২

যৎ কোটি কোটি কোট্যাংশ ব্রহ্মাবিষ্ণু মহেশ্বরাঃ।
সর্গাবন লয়ে যুক্তাঃ প্রভবো জগতাং হিতে ।।১৩

অদুগুম্বা হরিগী অংশদগী কোটি কোটি ওইবা ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর, পুথোক্লগা জগৎ শেম্বা ভাকই মাংহনবনচিংবা থবক শিল্পী ফনবম্ তৌরি। ১৩

তনস্তু ব্রহ্মাণ্ড কোটি পতয়ো ব্রহ্মযোনিনঃ।
তৎকোটি কোটি কোট্যাংশ লোকপালা মহৌজশং।।১৪

ব্রহ্মাণ্ড কোটিনী মপু ওইবা ভগবাননা অবতার তৌরি ব্রহ্মনা যোনি ওইদুনা, লাই অদুম মথোয়দগী কোটি কোটি ওইবা মগুন লৈরবা ইন্দ্রনাচিংবা মাইকৈ ভাকপা লাই মমাম ।।১৪

তৎকোটি কোটি কোট্যাংশ লোকাশ্চ মনুজৈঃসহ।
উন্মীলন্তি জগৎ সর্ব্বং চক্ষুষো যস্য মীলনাৎ।।১৫

ইবুংঙো মঙোন্দগী কোটি কোটি ওইবা (অংশ) অঙকপা ওইবা, মীনচিংবা (সমস্তলোক) ভগবানগী মিত্ পাংথোকপদা, মপান নাইপ্রবা সংসার অসে পুথোকই।।১৫

নামা লনাৎ লয়ং যাতি জগৎ সমুরা মনুষম।
সৃজত্যবতি সংহারং করোতি শক্তি শক্তি ধৃক্।।১৬

অমুক মীত উইশনবদা মী লাই লোইনবা মাংডি অদুবু প্রলয় কৌই মহাকি শক্তিনা অতংপা লৈতনা (সৃজন, পালন, নিধনরূপ, মানা শান্নে ।।১৬

এতন্মঃ সংশয় রজ্জুং ছিন্দি বাক্যাসিনা কবে।।১৭

হে কবিবর সূত ! মতিক চাওরবা ইবুংঙো মহাক্না করিগী তপ তৌরিবন, তাবদা চিংনবগী থৌরিনা ঐখোয় পুমমকী থম্মোই অসি পুল্লে মুণিগী বাক্যনা থাং ওইদুনা থৌরি অসি ককথৎপিয়ু ।।১৭

যত্তস্মাকং কৃপাতেঽস্তি রক্তুং মুদ্ধ মন্যসে।
বদতো বদতাং শ্রেষ্ঠ বাসুদেব কথা শ্রয়ম ।।১৮

হে সুত ! পুন্নমক্তগী (বাক্তাগনের শ্রেষ্ঠ) সুংশিবিদুনা, ভগবৎকি বারি লিবদা পনবিগনু ঐখোয় পুন্নমক্তা হংজবদা তাকপিয়ু ।।১৮

শ্রীসুত উবাচা—যৎ বর্ণতঃ কৃষ্ণঃ তমাস্যস্তি কৃষ্ণঃ সুতংলদ্ধবতী ব্রতাঢ্যা।
মুনের্ব্বরাচ্ছক্তি সুতাত্ত বাসবা তমীড্য মাড়ে মুণিবর্য্য বর্য্যম ।।১৯

শৌনকনাচিংবা ঋষি মম্নাম্না হংঙবদা সুতনা হায়খি। অহুগুম্বা ঋষিবু, মুই হায়তুনা কৃষ্ণ কৌই পুন্নমক্তা (মান্য) তৌই অরেপ্পনি, (দাস সুতা বাসবী পূর্ব্ব ব্রতফলে) মুণি পুন্নমক্তগী অথোইবা (শক্তি পুত্র) পরাশর মহাকি মচাগী মশক ওইনা ফংজবা ব্যাসবু ঐনা হন্না খুরুমজৈ ।।১৯

যো ব্যাস বেদাংশ্চতুর সদা থন ব্যাসত্বম প্যাশু কবি প্রধানং।
তং বেদ বেদান্ত জলজস্যভানু মুপাস্মহে সত্যবত্যা সুতং তং ।।২০

ব্যাস মহাক্তা অর্থগা লোইননা বেদ মরি শেম্মী হায়তুনা (বেদব্যাস নাম), ফংখি পুন্নমক্তগী অখোইবুনি বেদ বেদান্তনা থম্বাল ওইরে ব্যাসনা মুমিংকি মশক ওইরে সত্যবতীগী মচাবু খুরুমজৈ ।।২০
জলজ, থম্বালদি মুমিং খোক্রিফাওবা শাংতে বেদ বেদান্তনা, অপোম্বা থম্বাল ওইরি ব্যাসনা মুমিংকি মশক ওইতুনা ফুগাইনা শাংলি, (ছয়প্যাদ) মখোঙ অরুক পানবা খোইমুনা লৈহি চুপ্পগুম বৈষ্ণব থিবিক্তা অমৃতগা মান্নবা শ্রীকৃষ্ণগী নাম শোল্লি।। অহুগুম্বা অমৃত চুপ্পী।

সাধু সাধু ত্বয়া সাধো বচমা স্মারিতো হরিঃ।
কালশ্চিন্তা সমা বিপ্রৌ মনসা গমিতো মম ।।২১

হে সাধো ! নহাকসু সাধুনি হংঙিবা নখোই পুন্নমকসু সাধু ওইবনা হরিবু নিংজবা ওইরি কুইর কুইরবা বারি হংঙিবা নখোয় পুন্নমক অসে সাধুনি হায়না ঐনা নিংজতুনা হরি নিংজতুনা মতম লেপ্পরি ।।২১

ভাবমাস্না পীড়িতানাং রসায়ন মনুত্তমম।
বচলিতে শৃনু সংবাদং পিতু দ্বৈপায়ন স্যচ ।।২২
মহাং কৃপাতি রেক্কেন যথোক্তং লোমহর্ষন ঃ।।২৩

হে ঋষিবর ! বেদ, ব্যাসগা লোইনজনা ঐগী জর্ম্মপিতা লোমহর্ষণা ঙাংনবা, অহুগুম্বা বারি নখোয় পুন্নমক্তা ঐ জিরগে ম্যাক্লো হরি কথা নত্তনা অত্তোপ্প। বারিনদি (ভবরোগ) কোকপা অমদে হরি কথানা হিদাকি মশক্কি ঐগীদমক্তা পিতা লোমহর্ষনা মুংশিবিদুনা মহাক্তা অথুপ্পা বারি তাকপিরক্তি ।।২২-২৩

একদা ভারতী তীরে বাসবা মানাহুনং বিভুং।
কৃষ্ণং কমললিয়ন কৃষ্ণ পরায়ন যুক্ত প্রভুং ।।২৪
হরিবিষ্ণু ভক্তিঃ যৎশিষ্যৈঃ সমাসীনং মহাবুদ্ধিঃ।।২৫

মতম অমদা বাসবীগী মচা শক্তিক চাওরবা বেদব্যাস কুচু মুনা লংণবা থোইদোকপা রাখল শ্রীকৃষ্ণদা পুক্নিং থম্বা দেহগী মঙনদি মৈগুম্না লংভি শিষ্যা ময়াম মগুণ লৈরবশিং লোইনদুনা সরস্বতী নদী মপান্দা কমদুনা লৈখি ।।২৪-২৫

বৈশম্পায়ন পৈলাভ্যাং গর্গ জৈমিনি গৌতমৈঃ।

পিতামহ প্রনতো হপৃচ্ছন ইচ্ছন লোকহিতং তদা ।।২৬

পৈল বৈশম্পায়ন, গর্গ, জৈমিনি, অমদি গৌতমচিংবা ময়াম্না কোইদুনা লৈবা মতম অদুদা পিতা লোমহর্ষনা মফম অদুদা থুংঙরে মাঙোন্দা খুম্মদুনা সংসারগী শুহাদ তারবা জিবগী ফননবগী হংজখি ।।২৬

লোমহর্ষন উবাচ। -পরাশর্য্য মহাভাগ মহাযোগীন মহাকবে।

শুশ্রুষবে গুহ্যতমং শিষ্যায় প্রদদা তিষং।

তস্মাদ গুরুরিতি প্রোক্ত স্বয়ম্ভু প্রভবৈঃ সুরৈঃ ।।২৭

থোইদোক্না নোম্লকপা র হৈ তারবদা লোমহর্ষনা বেদ ব্যাসদা হায়খি, হে পরাশরগী মচা, হে লাইবক ফবা! যোগী পুম্নমক্কী অথোইবা! কবি পুম্নমক্কী অথোইবা, হরিগী নাম তারিবা শিষ্যশিংদা অথুপ্পা রারি লিগদবা গুহ্য মরম অদুনা, স্বয়ম্ভুনা পোক্লবদা দেবগননা গুরুনি হায়না লৈ অর্থাৎ ঐনা লিরিবা অসে তাগদবা ওই শিষ্যদা অথুপ্পা র রি ওইরবসু গুরুনা শিষ্যদা তাকপিগদবা ওই ।।২৭

প্রসাদাত্তে মহাযোগীন ধীতানি ময়াসকৃৎ।

সেতিহাস পুরানানি পুণ্যাং পুণ্যতমানি চ ।।২৮

হে মহাযোগীন! নহাকি থৌজান্দগী ঐখোয় পুম্নমক পুণ্যদগী অথোইবা ওইদুনা অয়াম্বা পুরাণ খুপখৎবা পুম্নমক তাকপিরী। অদেপ্পদি তম্বিবদি নত্তে অদুগী মহৈ অদু চংখোম্না মহৈ য়ানবনি ।।২৮

ইদানীং শ্রোতুমিচ্ছামি কর্ণামৃত রসায়নম।

ভবতানুষ্টিতং পুর্ব্বং রাধাহৃদয় সংজ্ঞকম ।।২৯

হে মহর্ষে! হৌজিক তাজবদা অশেঙবা হিদাক অথোইবা অমৃতগা মান্নবা রাধাহৃদয় কৌবা থোইদোকপা অহুবু মমাংদৈদা মহাক্না মপু ওই লৈরম্মি হায়বা অদুবু তাজবা পামজে ।।২৯

একাদশৈক সাহস্রে সাহস্রে শ্লোক সঙ্গিতম।

রামায়ন মিহপ্রোক্ত ব্রহ্মাণ্ড মুণি সত্তম ।।৩০

হে মুণি সত্তম! শ্লোক লিশিং তরামাথোই ওইবা ব্রহ্মাণ্ড পুরাণগী মনুংদা, আধ্যাত্ম রামায়নগী মুংশিরবা রারি তাজনিংঙি অর্থাৎ মহুদা মতম কুইরবা রামলীলা চংখোম্না য়াওখে ।৩০

শ্রোতব্য মধুনা নাথ রাধাহৃদয় সঞ্জিতম।

রহস্যাং পরমং পুণ্যাং ত্রিকাল কল্মষ পহম ৩১

হে নাথ! থোইদোকপা অথুপ্পা থোইদোকপা অশেংবা অদুবু মতম অহুম পোক্লবদা পাপ কোকই রাধাহৃদয় পুণ্যাগী মশক্তি হৌজিক নহাক্না মরি লৈরুবদগী তাহলবির অর্থাৎ তাক পামজরে (ত্রিকাল)

অসুক, মুখিংমুংবা, মুখিং তারমদাই, অমনা, নহানমুক্তি মপোক্কা তৌখিবা পাপকি মপৈ লাইনা কোকই ।।৩১

গুরোত্বচ্চরনাম্ভে জে প্রণমামি কৃপাময় ।
দানানুকম্পিনঃ স্বামিন সাধবো দীনবৎসলঃ ।।৩২

হে গুরো ! খোজানগী মশক ওইবা ঐনা চরোন অনিদা খুরমজনা হায়জরি হে স্বামিন ! সাধুসিংনা অতোনবশিংবু মুংশিবিগদবা ওই মরম অসিনা নহাক্কা খঙদবশিংগী মফমদা কোঙদোক্কা তাকপিয়ু ।।৩২
শ্রীকৃষ্ণদৈ পায়ননা, সুতগী মফমদা নুংশিবা রাহৈনা হায়খি । যথা

সাধুভে মনসঃ সুত প্রীতিস্তীদৃগ ধোক্ষজে ।
বচলিতেহহং প্রপন্নায় শিষ্যায় শৃনু গুহ্যকম ।।৩৩

হে সুত ! হৌজিক নহাকি পুক্নিংদা শ্রীকৃষ্ণগী গুণ খঙনিংবা পোক্লে মতম অসিদা নহাক অসে সাধুনি মতৌ অসুম্না নহাক তুংইনবা শিষ্যনি মরম অদুদগী চিংনগনু অথুপ্পা ওইবা রাধাগী তত্ব ঐনা নংডোন্দা লিরগে তারো । ৩৩

শেষে শয়ানঃ ক্ষীরাব্ধৌ প্রাদাৎ কমলযোনয়ে ।
মহাবিষ্ণু পুরাকল্পে রাধাহৃদয় সংজ্ঞকম ।।৩৪

ক্ষীর সমুদ্রদা অনন্ত শয্যাদা চেপ্পগা মতিক চাওবা মহাবিষ্ণুনা অসিগুম্বা রাধাগী অথুপ্পা রারি পুর্ব্বকল্পদা ব্রহ্মাদা হায়খি ।।৩৪

স্বয়ম্ভুরপিদত্রি প্রমুখেভ্যো হিতেচ্ছয়া ।
তেভ্যদনদেব সান্নিধ্যং মহ্যমেতৎ সুদুর্লভম ।
তদহং তেভিদাস্যাবি সাবধানা বধারয় ।।৩৫

হে বৎস ! ব্রহ্মা মহাক্কা মচাশিংগী ফনবগীদমক অত্রিনচিংবা, মকোক ওইবা মচাশিংদা ফংঙমদবা অথুপ্পা রারিবু তাকখি । মহাক্কি কৃপাদগী ঐঙোন্দসু তাকপিখি । অদুগুম্বা অথুপ্পা রারিদ, হৌজিক নখোয় খিবিক্কা হায়রগে পুক্নিং তপথনা তারো ।।৩৫

নারায়ণায় দেবায় নমস্কৃত্য সয়ম্ভুবে ।
স্বয়ম্ভুভু ভয়ে নন্দবসুদেব সুতায় চ ।।৩৬

রারিগী অহৌবদা শুকদেববু দেবনারায়ন সয়ম্ভু মনুদ মহাক্কা কোঙদোকখ্রবা (ব্রহ্মবিভুতি) বসুদেবগী মচা অসুমতৌনা গোপী পুমমক্কি থম্মোইগী থম্বাল শাংনবা ভুমিংকি মশক ওইবা কংসগী মফমদা থরোগী মশক, লায় ওইবা (ভানুস্বরূপ) মিংনা থম্বাল মানবা গোবিন্দবু হন্না হন্না খুরুমজৈ ।।৩৬

ধর্ম্মাম্লিং কলিমায়াস্তমনুমায় সুভৈরবম ।
সংত্রস্তধামসো দীনা ম্লানস্যাং স্তামবর্দ্ধকাঃ ৩৭

হে সুত! থোইদোক্লা অকিবা ওইবা ধর্ম্মবু য়েক্লবা ওইবা কলি য়ৌরক্লনি খন্নুবদা অকিবনা তিল্লে ঋষিশা অবাবা ওইরে মতৌ অসুম্না মখোই অদুগী মচিন ফত্তবা মমাই অকিবা ফংগনি, সংবান্নবা ওইদুনা চংখ্রগনি ॥৩৭

মারিচ্যত্রি পুলস্ত্যা ঙ্গিরঃ ক্রতু পুলহা মুনে।
বশিষ্ঠঃ সপ্ত মুনয়োঽপশুস্তঃ শরনং ন কিম ॥৩৮

মরীচি, অত্রি, পুলস্ত্য, অঙ্গিরা, ক্রতু, পুলহা, বশিষ্ঠ, অসিগুম্বা ঋষি তরেত্তা হায়রকই নখোয়না অপান্নদা চঙজহৌর। অর্থাৎ মতম অদুদা ঐখোয়গী করি গতি লৈ? ঐখোয় পুম্নমক কনাদ চঙশিগে অসুম্না খন্দুনা লৈরি॥৩৮

ভ্রমন্তঃ খং ধরাঞ্চৈব দিশো বিদিশো এবচ।
শর্ম্মালভন্ন কুত্রাপি সত্যলোকং ততো হ গমন ॥৩৯

স্বর্গ, মর্ত্য, দিক, বিদিক, মথঙশিংনা চংভুনা য়েংবদা ফংত্রবা মখোয় পুম্নমক অদুগী অফবা উত্রে মতুংদদি পুম্নমক সোইত্রবনি ব্রহ্মলোকতা চংলরগনি। ৩৯

তত্রবাক্ষ প্রজান থং প্রজানাম ভয়ঙ্করুম।
সরস্বত্যালিঙ্গিতোরঃ স্থলমষ্টা জলোচনম ॥৪০

অদগুম্বা বিরজা তুবেলনা কোইবা ব্রহ্মলোকতা ঙ্গিবু পুম্নমক্তি কিদবা পিবা পুম্নমক্তি মপু ব্রহ্মানা ফুগাইনা শাৎপা থম্বালগুম্না মিং নিপান্না লৈত্তেঙবা মাইখোং ব্রহ্মশক্তি ওইবি সরস্বতীগা লোইনদুনা থোইদোকপা আসোন্দা ফমদুনা লৈ॥৪০

চার্ব্বায়তভুজং চারু কুণ্ডলজ্যোতি রাননম।
সরস্বত্যা মারয়ন্তং চতুর্ভিঃ কমলা সনৈঃ ॥৪১

আজানুলম্বিত ওইবা পাম্নম মরি অসুম্না পুক্লিংথবা কুণ্ডল মঙাল্লা মুমিংকুম্না ভানবা নায় মরি পানবা ব্রহ্মান সরস্বতীদা পাওতাক কন্না হায়খি॥৪১

মার্কণ্ডেয়াদি মুনির্ভিঃ সংলালিত পদাম্বুজম। ৪২

মার্কণ্ডনচিংবা মুণি খিবিক্লা জগৎপু সেম্বিবা ব্রহ্মাগী চরণ থম্বাল সেবা তৌখি ॥৪২

সুরর্ষিসিদ্ধ গন্ধর্ব্ব কিন্নর রগনায়কৈঃ।
বিদ্যাধরো স্পরো যক্ষ রাক্ষ সেন্দ্রৈর্মুদান্বিতৈঃ।
স্তুয়মানং ধরেশানৈর্বাজ পেয়াশ্বমেধভিঃ। ৪৩

দেব, ঋষি, গন্ধর্ব্ব, কিন্নর, ও বাসুকি অসিনচিংবা নাগগন, বিদ্যাধর, অপ্সর, যক্ষ, হিংচাবশী মপুশিং বাজপেয়, অশ্বমেধযজ্ঞ, নিংথৌ ময়াম দান তৌবা কয়া মখোয় পুম্নমক ব্রহ্মালোক ফংগনি পুম্নমক অহুনা হরাওনা মতিক চাওবা ব্রহ্মাদ ভক্তি তৌররগনি॥৪৩

জলস্থলবনৌকোভি গহ্বোকোভির হিংসকৈঃ।
প্রশান্ত মানসৈঃ স্বচ্ছৈঃ সেবিতং শান্তমানসম্‌ ॥৪৪

ঈশিংদা লৈবা কংকান্দা লৈবা বন্দা লৈবা লাইনিংবা মতৌ অদুম্না ব্রহ্মলোক ফংঙগনি পুকচেল ক্ষরবা মগুণ লৈবা জিববু মুংশব, ধর্ম্ম কাইদনা য়ুম পানবা অদুগুম্বা মীশিংনা ব্রহ্মাবু সেবা তৌবা ফংগদবা ওই ॥৪৪

শ্রৌত স্মার্ত পুরাণেতিহাস বেদান্ত বেদকৈঃ।
মীমাংসাগণ জ্যোতির্ভি মূর্ত্তি মদ্ভির্নি ষেবিতম ॥৪৫

পরমাত্মা জগৎপিতা ওইবা পিতামহ মূর্ত্তি ওইদুন চতুর্ব্বেদ, বেদান্ত, আগম, শ্রুতি, স্মৃতি, পুরাণ, ইতিহাস, মীমাংসা, জ্যোতিষ, অসিনচিংবা পুম্নমক, মরম ওইদুনা সেবা তৌগদবা ওই ॥৪৫

সুমনোরাজি সৌগন্ধ্যান্বিত গন্ধবহৈঃ শুভৈঃ।
স্থিরচ্ছায়া স্বরতরুপর্ণ শোভা শোভিতম্‌ ॥৪৬

অদুগুম্বা ব্রহ্মলোক কল্পতরু মম্লাম্লা মশা ফনবা হৌবা সংবান্নবা মচু কয়ামুক ফজৈ ফুগাইনা শাংপা লৈগী মনম পুদুনা শিংলি মুংশিংন পুক্রিং হুনা ফজৈ ॥৪৬

দীপ্তেন তেজসা স্বেন ভাসয়ন্তং সভাগৃহম।
প্রাণেষু প্রাঞ্জলীর্ভূতোক্ষ মাদ্বর্বচনং তদা ॥৪৭

মতিক চাওবা ব্রহ্মা মাগী লংঙবা মঙাম্না মরম ওইদুনা মাঙ্গোপ অদুদা আসন মথক্তা ফমদুনা লৈ। ঋষি পুম্নমক্না খুৎ লোম্নদুনা জগৎ পিতাদ খুরম্নগা মাগী মাগী হায়জনিংবা হায়জদুনা লৈখি ॥৪৭

বশিষ্ঠ উবাচ।—নাথ নাথ মহাযোগীন বিশ্বাত্মন বিশ্বভর্ত্তঃ!
পিতৃপিত্রে নমস্তুভ্যং প্রসন্নো ভবতঃ প্রভো ॥৪৮

বশিষ্ট মুণিনা চংখোম্না হায়জখি,—হে নাথ-নাথ! হে মহাযোগীন নংঙোন্দগী পোকই অসিগুম্বা জগৎ অসে, হে বিশ্বাত্মন! নহাক্না পিতানি পিতা মহনি নহাকপু খুরমজৈ। হে প্রভো! ঐখোয় পুম্নমকী মফমদা নহাক্না নুংশিবিয়ু ॥৪৮

হীনবীর্য্যা যশোলোকা হীনমেধস এবচ।
অল্পায়ুষো দরিদ্রাশ্চ ধর্ম্মণস্ত্র বহির্ম্মুখাঃ। ৪৯

হে ব্রহ্মণ! কলি স্নোরক্লবদি পৃথিবী লৈবা পাতান্দা লৈবা জিবা পুম্নমক, বীর্য্য বাংলগনি মিংচৎমু লৈররোই বুদ্ধিসু লৈররোই পনশিসু তেল্লগনি অর্থাৎ পুনাশ তেল্লবাননা পুম্নমক লাইরবা ওইরগনি ধর্ম্মগী বিচার তৌররোহ মান-মান নিংবা তৌরগনি ॥৪৯

পাপানু সক্তমনসঃ পাপাচার পরায়ণা।
ব্রাহ্মণস্তপসোভ্রষ্টঃ পতিতঃ পিতৃনিন্দকাঃ ॥৫০

মী পুম্নমক মুদা পুক্নিং থমনগুনি পাপকী লমচৎ পাম্নরগনি ব্রাহ্মণ পুম্নমকসু ভগবান নিংঙরোই মাংঙরগনি মতৌ অসুম্না লৈরিবা মী-পুম্নমক মপাবু মমাবু থিনা চৈন্নরগনি ॥৫০

পুণ্যকর্ম্ম বহির্ভূতা বানিজ্যকৃষিতৎপরাঃ।
মৃষাবাদরতাঃ সর্ব্বে উপস্থোদর পোষকাঃ॥৫১

পুণ্যগী থবক্তি তৌরক্নোই মী পুম্নমক লৌ উররগনি লল্লোনবগী থবক তৌররগনি পুম্নমক মীনম্না না ভাংথনি; মতৌ অসুম্না অসেংবদি মবুক থন্নবা মচাগী ইমুং মনুংগী হিংনবা হোৎনবদা ॥৫১

ক্ষত্রিয়াঃ প্রায়শোনষ্টা নষ্ট শৌচাদিকক্রিয়া।
বৈশ্যাঃ স্বধর্ম্মহীনাশ্চ সুখিনঃ সুখমা সতে॥৫২

হে ব্রাহ্মণ! ক্ষত্রিয়শিদমক ফংগদবা মাংঙরগনি মতৌ অসুম্না অসেং অমাং লৈররোই বৈশ্য পুম্নমক মখোয়গী ধর্ম্ম তৌক্লগনি অর্থাৎ লৌউবা লল্লোনবা তৌরবোই অয়াম্বা তৌহৈদবা থবক্তা মুংঙাইনা পুক্নিং লুপতুনা তৌহৈদবা থবক্তা তৌররগনি ॥৫২

শূদ্রা ব্রাহ্মণ কর্ম্মানো ব্রাহ্মণা চারতৎপরাঃ।
মহীক্ষতো রাজকার্য্য বিহিনাঃ কপটাকরাঃ॥৫৩

শূদ্রানা ব্রাহ্মণগী কর্ম্ম তৌররগনি ব্রাহ্মণশিংদি লমচৎ চুম্নররোই অতৃগী তুঙদদী মখোয় অহনা নিংথৌ ওইররগনি মখোয় অদো লাইরিক্তা তাম্নবা নিংথৌগী থবক ময়েং তারগনি কনাগুম্বা নিংথৌনা প্রজাদগী পোৎ মুল্লরগনি কনানা লৌনম তৌররগনি পাঙললনা প্রজাদা সেন মুল্লরগনি মী পুম্নমকসু ওইদবা রা ভাংঙরগনি ॥৫৩

নীচাঃ সর্ব্বে মহাত্মনঃ সমৃদ্ধবলবাহনাঃ।
স্ত্রিয়শ্চ স্বস্ব্রশ্রূনাং দ্রোহং প্রকুর্ব্বন্তিচ নিত্যশঃ॥৫৪

অতোনবা জাতিনা সেন লৈবদগী শগোল শামু তোংঙরগনি মহাত্মা পুম্নমকপু কাওথোক্লগনি মুপিশিংনা মকু মনেমদা তোঙানবা অমা ওইনা থল্লরগনি ॥৫৪

পাতিব্রত্যবিহীনাশ্চ পতিদ্রোহা পরায়ণাঃ।
চপলাঃ পাপকর্ম্মানো জারার্থি ন্যোহ্যনেকশঃ॥৫৫

মুপি অয়াম্বা মপুরোইবা নিংবি ওইরলোই মতম পুম্নমক্তা মপুরোইববু য়েক্নবা ওইরগনি নোঙথাং কুপ্পগুম অতৎপা লৈতনা পাপকি থবক্তা মতম পুম্নমক্তা অতোপ্পা নীপাগী বাখল্দা অম্বাবা ওইরগনি ॥৫৫

এবংলোপাতৎ বীক্ষ্য কলের্ভীকরবং প্রভোঃ।
নমস্তে দেবদেবেশ পাহিনঃ শরনাগতান॥৫৬

হে প্রভো! কলিগী তৌরক্লদোবা রারি ঐথোয় পুম্নমক্তা তাকপিয়ে তাজবদা কিজরে খুরমজরি লাইগী লাই ওইবা ঐথোয় পুম্নমক্তা চংজরি কলিগী অকিবদগী ইবুংঙো নহাক্না কনবিয়ু ॥৫৬

যেন ঘোরেণ কলিনা ব্যস্তধর্ম্মার্থকর্ম্মণা।
হেলিয়মানো দেবেশ বয়ঃ যামোহ্যযোগতিং ।৫৭
তথানুজ্ঞাপয় যথা নমস্তে পাহিনঃ প্রভো ।।৫৮

দেবেশ ! ধর্ম্ম তৌগদবা থবক কলিনা মরম ওইদুনা অমাম্বা ধর্ম্ম শাংঙরগনি ধর্ম্ম লৈত্রবদি ঐখোয় পুম্নমক নোরক্ তারগনি মরম অদুনা ঐখোয় পুম্নমক নোরক্তগী কাবা ভর্ম্মরোই অদু ওইররদা কনানা উপাই তৌগদগে তাকপিয়ু হে প্রভো ! ঐখোয় পুম্নমক্কা হন্না খুরমজরি ঐখোয় পুম্নমকপু কনবিয়ু ।।৫৭-৫৮

দ্বৈপায়ন উবাচ । -গিরঃ নিশম্য করুণামৃষীণাঃ ভাবিতাত্মনাঃ ।
করুণস্নিগ্ধধীর্ব্বচমাদদে কমলাসনঃ ।।৫৯

বেদব্যাসনা লোমহর্ষণদা হায়খি,—হে বৎস ! ঋষিসিংগী মতৌ অশুম্বা হায়জবা রা অদু তারবদা থম্বালগী আসন্দা ফম্বা ব্রহ্মানা নুংশিবা বাহৈনা মখোয় পুম্নমকপু থেমজন্দুনা হায়খি ।।৫৯

ব্রহ্মোবাচ ।—মাভৈষ্টদ্বিজশার্দ্দুলা ঘোরতঃ কলিতোভয়ঃ ।
মাস্ত্যবোসমবাপ্যত্র বাসুদেবাত্মণঃ দ্বিজাঃ । ৬০

বশিষ্ট মুণিগী রা তারবদা ব্রহ্মানা ঋষিশিংদা হায়খি—হে ব্রাহ্মণ সবেং মউন সেংপসা ! শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিরবা নখোয় পুম্নমক্কা অদুগীদমক করিগী কিরুগনী ? মরম অদুনা অকিবা থাদোকউ অদুগুম্বা কলি য়োরক্লবসু নখোয় পুম্নমক কিগনু কৃষ্ণ কাওগনু ।।৬০

আরাধয়েত ভক্তেন বাসুদেবঃ জগৎপতিঃ ।
তদগুণ শ্রবনে নিত্যঃ তদ্রূপ স্মরনে রতঃ ।।৬১
তদংঘ্রি কমলধ্যানে তন্নামাক্ষর জপনে ।
তদ্ভক্তসঙ্গমে বিপ্রা বর্ত্তনাস্তি তে ভয়ম ।।৬২
মুক্তাশ্চরতঃ বিপেন্দ্রা মাবোভীঃ কলিতোভয়ং ।।৬২

হে ব্রাহ্মণশা ! জগৎকি মপুওইবা শ্রীকৃষ্ণগী তম্বনা মরম ওইদুনা নিংতুনা লৈরিভৈ মহাক্কি নাম তাদুনা মহাকপু নিংতুনা মহাক্কি চরণ থম্বাল অতংপা লৈতনা নিংজরিবা মনাইশিং অদুগা তিন্নদুনা লৈরিভৈ মখন মথা অমাম্ব কর্ম্মগী থৌরি থোক্লনবা তৌও অদুদা নখোয় পুম্নমক্কা কলিগী অকিবা করিগী পোকউনি ।।৬১-৬২-৬৩

অঙ্গিরা উবাচ ।—কিং কর্ম্মায়ং মহাভাগ কিং গুণ কিং স্বরূপকঃ ।
বাসুদেবো রমানাথো বদতো বদতাং বর ।।৬৪

ব্রহ্মাগী পাওতাক্ তারবদা অঙ্গিরান হঙজখি হে ব্রহ্মণ—নহাক্কা অদুগুম্বা কৃষ্ণ নিংঙু তাকপিরী, হে মহাভাগ ! বাগ্মীশ্রেষ্ট ! অদুগুম্বা বাসুদেব লক্ষ্মীকান্ত ওইবা রূপকি, গুণকি, কর্ম্ম করা কি ? পুম্নমক অদো ঐখোয় পুম্নমক্কা শন্দোক্লা তাকপিয়ু ।।৬৪

দ্বৈপায়ণ উবাচা। এতদাশ্রুত্য বিপ্রাণাং সংপ্রহৃষ্ট তনুরুহঃ।
স্বয়ম্ভু বদতে বাক্যং রুঢ়ভাব উরুক্রমে।।৬৫

সত্যবতীগী মচা ব্যাসন শুকদেব লোমহর্ষনচিংবদা হায়খি, হে সূত! ঋষিশিংগী অহুক্তি মখৈ ওইবা রাহং তারবদা স্বয়ম্ভুগী মতমদা ব্রহ্মাণ ভগবান্দা ভক্তি তৌতুন মসা অদো তুচুওখি হংভিবা রাহং হুংশিবা রাহৈনা তাকপিখি।।৬৫

ব্রহ্মোবাচ।—সাধুপৃষ্টং মহাভাগ ভবাদ্ভির্লোকমঙ্গলম।
পুনাতি প্রচ্ছক শ্রোতৃবক্তৃংস্ত্রন পুরুষাণ বিভো।।৬৬

হে ব্রাহ্মণশা! নখোই খিবিক্লা অহুগুম্বা জিবগী মঙ্গলগীদমক ভগবানগী মহিমাবু খংনিংহুনা হংভি বাসুদেবগী মাহাত্ম্যবু তানিংহুনা ফোংদোকপা অহুনা মরম ওইহুনা মহাক্তি মহিমাবু মখোয় অহুনা তাক্তবা অতোপ্পা অমনা হায়রবা ভগবানগী মাহাত্ম্য অদো মহাক্লা লোক অসিদা শেংহল্লি।।৬৬

হরে কথামৃত বিপ্রা যথা গঙ্গাসরিদ্বরা।
পুতোহহং পাবিতোহহঞ্চং ভবতাং প্রশ্নতোদ্বিজাঃ।।৬৭

হে দ্বিজগণ! প্রমান্দি তুরেন পুন্নমক্তগী গঙ্গানা থোইদোকই অহুগুম্বা অমৃতগা মান্নবা হরিগী কথারা সেংনানবগী মশক্তি মরম অহুনা ঐগু ভসি শেংভে ভসি অক্তবা মুমিৎ ওইবদগী নখোয় পুন্নমক্লা হংভি ঐবু সেংহল্লে ৬৭

মনো কৃতার্থমাত্মানং জন্ম সাফল্য মেবচ।
প্রনিপত্য প্রবক্ষেহহং তদ্বিষ্ণোঃ পরমং পদম।।৬৮

হে ঋষিগণ! ভগবংকী সম্বন্ধ ওইবা নখোয় পুন্নমক্লা ঐভোন্দা হংভি নখোয় পুন্নমক্লা তৌরিবা অদো অমদি ঐগী মপোক অসে মহৈ য়াল্লে মরম অসিনা অহুগুম্বা বিষ্ণুগী থোইদোকপা চরণ খুরমহুনা হায়রগে।।৬৮

যদগুহ্যং পরমং লোকে সর্ব্বরক্ষা করং নৃনাং।
যন্নকণ্ঠচিদা খ্যাতং কালত্রয় মলাপহম।৬৯

এই প্রস্তাব অর্থাৎ ভগবংকী তত্ব অসে মী পুন্নমক্তী মতম পুন্নমক্তা ভাকপি মতৌ অসুম্না ইহলোক অসিদা থোইদোকপা অথুপ্পা তত্বনি কনাগুম্বা অমনা ফোঙদোকখিত্রি মসিবু মন্নাইকাবা চাক্তবা মীনা মতম অহুমদা শাপ্পবদা পাপ পুন্নমক কেকই।।৬৯

সর্ব্বাভিষ্টকরং পুণ্যং সর্ব্বপাপ বিমোচনম।
নযস্মাদাস্তুলোকেহস্মিন লোক নৈশ্রেয়সং পরম।।৭০

ভিব পুন্নমক্তি নিংবগী মহৈ পিনবনি অসেবনি পাপ কোক্তনবা লোক অসিদা মহাক নত্তনা অতোপ্প অমা নৈশ্রে থোইদোকপা মঙ্গলগী মশক্তি অর্থাৎ অথোইবা মোক্ষ ফংগদবা ওই।।৭০

রহস্যং পরমং কৃষ্ণো রধাহৃদয় সম্মিতম।
নাভিহৃদাম্বুজস্থায় প্রপন্নায় সুরেশ্বরঃ।
সিসৃক্ষবে যদবদচ্চপ্যুতোমে রাদ্বিজাঃ ॥৭১

হে দ্বিজগণ। মমাংঙৈগী মতমদা সংসার শেমগে খল্লহুনা ভগবানগী খোইদৌনদি অচৌবা ঈয়েন ওইরে অহুদগী খম্বাল অহুগী মথক্তা লৈরহুনা মতম অহুদা জগৎকি মপু শ্রীকৃষ্ণনা ঐবু য়েংঙগা হৃৎখি রাধাহৃদয় কৌবা অথুপ্পা অসে তাকপিখি। ৭১

যদপাঙ্গ কৃপালেশ লাভাত্তু বাসুজং প্রজাঃ।
তন্নিপীয় শ্রোত্ররন্ধ্রৈঃ পরমানন্দ নির্বৃতাম ॥৭২

অহুগুম্বা শ্রীকৃষ্ণগী কৃপা মরিক অমতং ফংজবা ঐনা অসিগুম্বা সৃষ্টি সেম্মি মরম অহুনা নখোয় পুম্নমক্তা অমৃতগা মান্নবা তত্ত্ববু নাকোঙ পেন্না তারো অথোইবা নুংঙাইবা ফংগনি অদাবা কোকপা ওইরো ॥৭২

চরন্তঃ পৃথিবীং খঞ্চ সশৈল বন সাগরাং।
সপাতালং সনকাদ্যঃ প্রলাস্তইব বায়বঃ ॥৭৩

হে ঋষিগণ! ভগবংকি তত্ত্বকথা তাজবদা কয়ামুক নুংঙাই অসিগুম্বা পৃথিবীদা লুংশিংনা মফম পুম্নমক্তা শিংপগুম অর্থাৎ স্বর্গ মফম পুম্নমক্তা সমুদ্র পাতাল মখুং মপাল সিনবা থুংনো লৈ ॥৭৩

ব্রহ্মো উবাচ।—মহালয়ে সমুৎপন্নে ঐকেবাসীৎ পুরাতনী।
প্রকৃতি মুলভুতা যা সৈব সর্ব্বো তমোময়া ॥৭৪

হে ব্রাহ্মণগণ! অসিগী তুংদা পুক্লিং তপ্পা তারো মহাপ্রলয়গী মতমদা লৈরম্বা পুম্নমক মাংখে অথোইবা মতম কুইরবা পুম্নমকি মরুওইব অমখক্তা লৈ অতৈদি লৈখিদ্রে। ৭৪

তেজো ময়া নিরাকারা কোটি ভস্করভাসুরা।
তস্যা বক্ষঃস্থলাজ্জাতো বাসুদেবো কৃপানিধিঃ ॥৭৫

অহুগুম্বা প্রকৃতি অদো মওং লৈতে মঙালগী মশক্তি নুমিৎ কোটিগুম্বা তাল্লি মহাকি হৃদিদগী থোক্লাম্মা সমুদ্র ভগবান বাসুদেব নারায়ন পোকখি ॥৭৫

যস্মাদুৎ পদ্যতে বিশ্ব যস্মিন্নেব প্রলীয়তে।
যএবচ বীভত্তীদং বিশ্বং সদসদা ত্মকম ॥৭৬

অহুগুম্বা নারাযন্দগী অচৎপা চত্তবা অহুনকি মথৈ ওইব আত্মা সিনথুংনা ওইখি জগৎতা লৈবা পোৎ পুম্নমক পোকখি মতৌ অমুম্মা মহাক আসগুম্বা সংসার অসিগী য়োকপিবা মপুনি প্রলয়দা মাঙোক্লা পুন্নি ॥৭৬

সাত্তস্য চোদ্যমানস্য কমলাৎ প্রকৃতিংদদো ॥৭৭

অহুগুম্বা প্রকৃতিদগী পোকই বাসুদেব মহাকি দেহদগী লক্ষ্মী পুথোকই ॥৭৭

অঙ্গিরা উবাচ।—নিরাকারা কথং স্যাত্তু সাকারা সমজায়ত।
কথং বাস প্রয়োজান্তঃ কেন বা সফতোভবেৎ ॥৭৮

অঙ্গিরানা অহুক্তি মথৈ তারবা তুঙদা হংখি হে ব্রহ্মণ! অহুম ওইবা মওং লৈতবা প্রকৃতি অহুনা করি মরমগী মওং লৈরিবনো অনুক্রমনা অসিগুম্বা সংসার অসে করিগীদমক মাংহল্লিবনো কনাগীদমক শেম্মিবনো ॥৭৮

লোকবন্ধগতা হেতে সর্ব্বে সদসদাত্মকাঃ।
এতৎসর্ব্বং বিস্তরেন বদতো যদি তে কৃপা ॥৭৯

অসিগুম্বা সংসার অসিদা লৈবিবা অরেপ্পা অমস্মুং লেপ্তবা আত্ম দেহ লোক অসিদা অঙকপা ওইব অপনবা ফঙবগুম ওইদুনা মাগী মাগী কর্ম্মনা তৌবগুম অহু ওইরবদি ঐখোয়গীদমক নহাক্কা মুংশিবিদুনা অহুক্কি মথৈ ওইবা মরম পুম্নমক শন্দোক্কা তাকপিয়ু ॥৭৯

ব্রহ্মবাচ।—সধু সৃষ্টং মহাভাগ লোকনুগ্রহ কাঙক্ষয়া।
আত্মনশ্চ পরিত্রাণ হেতবে কলিতঃ খলাৎ ॥৮০

অঙ্গিরাগী বাহং তারবা তুংদা ব্রহ্মানা হায়খি হে ঋষে! নহাক অসে লাইবক কৈদা খোঞ্জানবিগে অসিগুম্বা ফংত্রবা কলিগী ওইরকদোবা জিবগী শেংহনবিগে হায়বগীদমক সাধুগী বাহং হংস্তি মরম অসিনা তাহের ॥৮০

সত্যং ত্রেতা দ্বাপরঞ্চ কলিশ্চেতি চতুর্যুগ।
মন্বন্তরমিত্তি প্রোক্তং কল্পস্তস্য চতুর্গুণঃ ॥৮১

সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর, কলি, অসিগুম্বা যুগ মরিনা দিব্যযুগ কৌই দিব্যযুগ হুমফুত্তরামাখোইনা মন্বন্তর কৌই অনুম্না হায়রি মন্বন্তর তরেংনা ব্রহ্মাগী অমুক নুংথিল অহিং অদো মন্বন্তর তরেং, ব্রহ্মাগী নুমিদাং মহাক্কা পোখাই অহিং অদো মন্বন্তর তরেংকী মনুংনি ॥৮১

সত্য, ধর্ম্মনা মখোঙ মরি পাল্লি সত্য কৌই। ত্রেতা মখোঙ নামা তেকখে, ত্রেতা কৌই। দ্বাপর মখোঙ অনি তেকখে দ্বাপর কৌই। কলি ধর্ম্ম মখোঙ অহুম তেকখে নামত্তা মঙাইরে কলি কৌই। ব্রহ্মাগী চহি মন্বন্তর। ৭১০। না। থা। থা। ১২। না, চহি। চহি। ৫০। না, পরার্দ্ধ। চহি। ১০০। না দ্বিপরার্দ্ধ কৌই ব্রহ্ম চহি ১০০ পুনসি লোইরবদা মহাপ্রলয়।

মন্বন্তরা বসানে স্যাৎ খণ্ডপ্রলয় মেককং।
ত্রিখণ্ডং প্রলয়াদুর্দ্ধং মহাপ্রলয় মেককং।৮২

কল্পনা লোইরবদা, মন্বন্তরনা লোইরবদা, খণ্ডপ্রলয় অমা তৌই। মত্তৌ অসুম্না খণ্ডপ্রলয় অহুমক তৌরবদি অদুগী তুঙদা মহাপ্রলয় তৌগদবা ওই, অর্থাৎ প্রলয় হায়বা অসে মখল মরি লুই অর্থাৎ নিত্য প্রলয়, নৈমিত্তিক, প্রলয়, অপ্রাকৃতিক প্রলয়, ও মহাপ্রলয়। ব্রাহ্মানা নোংঙানবদগী সংসার শেমে নুমিং তুবদা পোখারে মাগী নমিং নিত্যপ্রলয় কৌই করিগুম্বা অমদগী মতম চাদনা প্রলয় তৌই

মাগী মমিং নৈমিত্তিক প্রলয় ব্রহ্মাগী চহি য়াখৈ সুবদা প্রলয় তৌই মাগী মমিং প্রাকৃতিক প্রলয় প্রথম পরার্দ্ধ কৌই। থোইদোকপা প্রকৃতিনা অমতা ওইনা লৈখিবা মমিং অত্যান্তিক অর্থাৎ মহাপ্রলয় মতম অদুদা ব্রহ্মা চহি ১০০ সুরে মহাকল্প লিয়ে দ্বিপরার্দ্ধ কৌই মহাপ্রলয় কৌই ।।৮২

স যথা জায়তে বিপ্রাঃ শ্রুতঃ পুর্ব্বং হরের্ময়া।

তদহং তে ভধাস্যামি সমা হতমনা; শৃনু। ৮৩

অসিগুম্বা প্রলয়গী ওইবা রা অসে মমাংদৌদা নারায়নগী মুখদগী ঐনা তাজ'হাই অদুদগী নখোয়গী দমক্তা হায়রিবা অ সনি নখোয় পুম্নমক্তা পুক্নিং চংনা তারো ।।৮৩

ব্রাহ্মণ ক্ষত্রবিট্ শূদ্রবা বর্ণাশ্চত্বারএব যে।

পরস্পাব ধ্যানবশাৎ পুনঃ ষটত্রিংশতশ্চতে ।।৮৪

অদুগুম্বা নারায়নগী বাংন্দগী ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্র, জাৎ মরি শেম্মি অমুক হন্না তোঙান তোঙান জাতি কুন্থ্রাতরুক শেম্মি। ৮৪

ততোলোক প্রধানেন বিষ্ণুনা প্রভবিষ্ণুনা।

স্থাপিতা জাতি মর্য্যাদা সাঙ্কর্য্যেন সহদ্বিজ ।৮৫

হে দ্বিজগণ। অদুগী তুংদা পুম্নমক্কি মবুংতো ওইবা চাংদম্লিংঙাই লৈতবা রাখন্না মাগী ওইবা বিষ্ণুনা বর্ণসঙ্কর ওইদনবা জাতিগী বেভার থম্মি অর্থাৎ উত্তম, অধম, মধ্যম, মতৌ অসুম্না ব্রাহ্মনা হোৌবা শঙ্করনা লোম্বা ।।৮৫

শত সাঙ্কর্য্য মাসন্না জায়তঃ পুণরেব তাঃ।

[illegible] যবনাকারা; যবনা শ্চোরতং পরাঃ ।।৮৬

অমুক হন্না ব্রহ্মনা য়শিংদা কলিগী ভিবগী োৌরকদোবা বর্ণ শঙ্করগী রারি লিখি কলি য়োৌরক্লবদি ধর্ম্ম অদুদি পুন্দুনা থমখ্নি প্রমাদি (শৈথিল্য) মতৌ অদুগুম্না অদুগী রারি হাযগদবা হৌরক্লে। ব্রাহ্মণ পুম্নমক যবনগী মতৌ ওইররগান চুমদবা লমচৎ চাহৈদবা চিঙ্গাক ভাংহৈদবা রাভাং ভাংঙররগনি ফত্তবদা পুক্নিং চংঙরগনি। ৮৬

বদন্তো যাবনি ভাষা তপোধর্ম্ম বহির্মুখঃ।

ক্ষত্রিয়া প্রায়শোণষ্টা স্তথা বৈশ্যাক্ষরং গতাঃ ।।৮৭

পুম্নমক যবনগী লাইরিক রাভাং তম্নরগনী ব্রাহ্মণ অযাম্বা লাই নিংঙরো ধর্ম্ম লৈররোই ক্ষত্রিয়সু ধর্ম্ম মাংঙরগনি বৈশ্যগী লমচৎ থুনা চংলরগনি ।।৮৭

ধর্মচ্যুতাস্তথা শূদ্র ব্রহ্মনা চারচৎপরাঃ।

ব্রহ্মনিন্দা পরাঃ সর্ব্বে ব্রহ্মবৃত্তি হরাস্তথা।।৮৮

শূদ্রা পুম্নমক্তা ধর্ম্মনা মাংঙবদা লমচৎ ওন্ন-তৈনবা ওইররগনি ব্রাহ্মণবু থিনা চৈররগনি অদুগী তুংদা অতৌ অসুম্না কংঙররগনি নিংথৌনা মী পুম্নমক্তগী ব্রাহ্মণদগী মরন মুন্দুনা লৌররগনি ।।৮৮

ব্রহ্মদারার্থিনো নিত্যং ভ্রমন্তি মত্তহস্তিবৎ।
দেবদ্রোহকরা নিত্যং পাষণ্ডা নাস্তিকাঃ খলাঃ ॥৮৯

শূদ্রাশিংবা ব্রাহ্মণগী নুপী লৌররগনি অক্ষ-ফংত লৈররোই রাখনস্থ তৌররোই ময়াইকাবা শামুগুম্না মকম পুম্নমক্তা চংলরগনি মতম পুম্নমক্তা দেবালোয় মাঙহল্লগনি পুম্নমক ফত্তবা রাঙাং পাষণ্ডিগুম ধর্ম্ম লৈররোই ॥৮৯

কোধর্ম্মঃ কশ্চদেবেতি কিং কর্ম্মেতি তথাপরে।
বদন্তো দুর্জ্জনা মূঢ়া ব্রহ্মহিংসা পরায়নাঃ ॥৯০

অতোপ্পা অমনা ফত্তবা অমস্তুং অপংবা ওইবদগী খংনবা মিংচং থিবা মীশিংনা অতংপা লৈতনা মতৌ অসুম্না ভাংনরগনি ধর্ম্ম হায়বা অহুনা করিনো ? লাই হায়বা অহুনা করিনো ? মতৌ অসুম্না কর্ম্ম হায়রিবা অহুনা করিনো ? অসুম তৌহুনা কয়ামুক ওইবা অতংপা লৈতনা দেবালোয় ব্রাহ্মণ মাংহলররগনি ॥৯০

সর্ব্বযোনিরতাঃ সর্ব্বে বর্ণাস্তে ব্রহ্মণাদয়ঃ।
সর্ব্বযোনিরতাঃ সর্ব্বে সর্ব্বে পাপ পরায়নাঃ ॥৯১

পুম্নমক ফংঙরগনি প পকি থবক্তা পুক্লিং চংঙরগনি অয়ান্বা যোনি পুম্নমক্তা রমন, ওইররগনি ব্রাহ্মণা জাতি খিবিক্কী চাক চাবরগনি লমচং বেভাব অমস্তং চাবদা বিচার লৈররোই ॥৯১

। রমন -মিথুন—সম্ভগ—স্ত্রীসঙ্গা—নারিসঙ্গা।

নষ্ট শৌচক্রিয়ঃ সর্ব্বে ভ্রমন্ত কাকবৎসদা।
নোদর পালনাসক্তা বর্ণাস্তে ব্রহ্মণাদয়ঃ ॥৯২

অংি পুম্নমক অমতা ওইবগনি অসেং অমাং লৈররোই কাকুম্না অরেন্বা চাক চাররগনি মফম পুম্নমক্তা কোইররগনি ব্রাহ্মণ·চিংবা জাতি কয়া অরেপ্পদি মাগী মাগী মবুক থন্নবগীদমক রাখল তৌররগনি অর্থাৎ চাকনিবগী মতৌগুম অমোংপা ফি শেংতুনা কোইনা চংলরগনি ॥৯২

বলাৎকারেন কঃ কস্য নয়স্থেত স্ত্রিয়ং সতীং।
এবং সাঙ্কচার্য্য মাপন্না ঘোরেন তমসাবৃতাঃ ॥৯৩

পতিব্রতা ওইবি সতীবু বলাৎকার ওইনা কনানা সঙ্গা ওইররগনি ? মতৌ অসুম্না ধর্ম্ম য়েংঙররোই মী খুদিংমক আবেবা নরেক্তা খুত্থম চল্লরগনি অর্থাৎ ময়াই কাবা চাবদগী কলিগী দোষনা খুত্থম চন্দুনা বুদ্ধি মাংবদগী নত্তবা থবক অতংপা লৈতনা তৌররগনি ॥৯৩

অজ্ঞানঃ পশুবন্নিত্যং ক্লান্তো বৈ মহীতলে।
কৈশোরং চতুরব্দাহং পৌগণ্ডং সপ্তমাবধিঃ ॥৯৪

অহুগী তুঙদদি পৃথিদা লৈবা মী পুম্নমক জ্ঞান লৈতবা ওইহুনা সাগুম্না লাও খোংঙরগনি অর্থাৎ মীগী লমগীদমক থংনরগনি অতোনবা জাতিগী ঈশৈদা মতম লেল্লরগনি চহি মরি সুবদা কৈশোর অবস্থা ওইররগনি চহি তরেংত মপু ফাবা ওইররগনি ॥৯৪

যৌবনং সপ্তমাদূর্দ্ধং বার্দ্ধক্যং ষোড়শা বৰ্দ্ধিং।
দশষ্টনব বর্ষাতু রমন্তি পুরুষৈ দ্বিজাঃ। ৯৫

চহি তরেংতা য়ুম পানবা ওইরবগনি চহি তরাতরুকতদি অহল ওইতুনা মাঙ্গী মহা চংলরগনি অর্থাৎ চহি কুন্দদি পুনসি লোইরগনি কনানা চহি তরাদা কনানা চহি·নিপান্দা কনানা চহি মাপন্দা ময়ুম পান্দুনা মচা পোক্লরগনি। ৯৫

প্রসূয়েত সুতং সুতে নারী প্রথম যৌবনে।
পুসং যেগৃ বিনা কাপি প্রসূয়েত বরাঙ্গনা।।৯৬

ময়ুম পানখ্রবি মুপীনা মচা ফংবগুম (বিনা পুরুষ সংযোগে) ময়ুম পান্দবি মুপীশিংমু মচা পোক্লরগনি অর্থাৎ ইচ্ছামত অনুঢ়া কালেই পুরু ষান্তর হইতে স্ত্রী গর্ভবতী হইয়া সন্তান প্রসব করিবে।।৯৬

পিত্রেদ্রুহ্যতি পুত্রস্তু গুরুবে বান্ধবে তথা।
পিতাদ্রুহ্যতি পুত্রায় গুরু শিষ্যায় ভূসুরাঃ।।৯৭

হে ভূসুরগণ। তমথিরবা কলিগী মতমদা মচানা মমা মপাদ নত্তবা মিংয়েং মংতৌ অমুম্মা গুরু ওইবশিংদা মরুপশিংদা নত্তবা রাঙাং মমা মপা মচা গুরু শিষ্যনা অমদি মরুপকুম মরুপশিংদনা য়েক্নবগুম খল্লরগনি।।৯৭

খরাং গোষু প্রজয়ন্তে গোং খরেষু নরেষুচ।
অশ্বেষু মহিষা গাবো গোদ্ধশ্বেষু নরাঃ ক্বচিৎ।।৯৮

সনগী গ্রভ'দা, গদ্ধাগী মচ, গদ্ধাগী গ্রভ'দা সনগী মচা, শগোলগী গ্রভ'দা সন ইরোই পোক্লরগনি করিগুম্বদা সন্দা শগোলদা মী ওইনমু পোক্লরগনি।।৯৮

মকালে বায়বো বান্তি হ্যকালে বান্তি বায়বঃ।
বর্ষন্তি কালপর্জ্জন্যো নকালে বমতে সদ।।৯৯

মতম চানা নোং চুরবোই মতম চাদনা মুংশিং সিংজরগনি মতম চাদনা অতৎপা লৈতনা নোং চুরগনি অর্থাৎ মীওইবনা লমচৎ চুমদবদগী মসে থোক্লরগদবনি।।৯৯

মহীরুহা ফলৈর্হীনাঃ নিগন্ধা কুসুমানিচ।
গাবঃ পয়োবিহান ক্ষ হীনস্থ দু রসানিচ।।১০০

মতম চানা নোং চুদবদগী মহৈ মরোং পাল্লরোই লৈ পুম্মক মনম লৈয়রোই সন পুম্মকসু সঙ্গোম থোক্লরোই অদুগী মতৌগুম চিঙ্গাক পুম্মক মহাও লৈররোই অর্থাৎ থৎম্মায়গী অপেনবা পোৎ অমু লৈরোই।।১০১

কন্দানি কলমূলানি দধিক্ষীর খণ্ডানিচ।
শালি মুগদ মসুরানি যব গোধূমে মাষকঃ।।১০১

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY
10863/Man
IMPHAL

মহৈ মপাল পোৎ পুম্নমক সকোন্দা অসিনচিংবা মুমিংশিংবা পোৎ কৌবা য়াই অসিনচিংবা অম্নাম্বা পোৎ ॥১০১

তিল তণ্ডুল মাংস মুখ্য স্বাদহীন ম গন্ধকং।
সর্ব্বাণি পক্কানি নিগদ্যানী সমন্ততঃ ॥১০২

কলি য়ৌরবদা থোইদিং ঙা মাংস অসিনচিংবা মরুওইবা পোৎ পুম্নমক মহাও লৈরোই মনমসু লৈরোই পুম্নমক মশক্তা মঙাইদগনি ॥১০২

মহীশস্যবিহীনা স্যাৎ ক্ষুৎপিপাসার্দ্দিতানরাঃ।
পরস্পরং খাদয়ন্ত নর মাংসান্ত মেধ্যকম ॥১০৩

পৃথিবী অসিদা চানবা লৈতবদগী মী পুম্নমক অমাম্বনা অবাবা ওইগনি মহৈ মহৈ চাবা য়াবা য়াদবা অঙান লৈতহুনা চাহৈদবা মী ফাওবা চারকগনি ॥১০৩

যুগান্তে সমনুপ্রাপ্তে জগত সর্ব্বং বিরস্ত কম।
অনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ডে স্বেচ্ছবীর্য্যা জয়ো নরঃ ॥১০৪

মাতৌ অসিগুম্না লিবা পুম্নমক যুগনা লোইরমলাই কলিগী মতম্না লোইরমদা মপান নাইদবা জগৎ শেষ্মা ব্রহ্মা তুমথগনি। ১০৪

মন্মুখা শিচত্বারাণিষ্টো বাক্য শোকাস্পদং জগৎ।
হা হা ভূত মমর্য্যাদং ব্যাকুলং সংশয়া স্পদম ॥১০৫

অসিগুম্বা জগৎকি অৱাবা অমতা চংজনিংঙাই লৈত্রবা লিববু উরগা অম্নাম্বা ব্রহ্মাণ্ড তরামরি মৈ, হৌহনা পুম্নমক অমগা অমগা অৱাবা ওইহনা অর্থাৎ জগৎ মাংতমদাই য়োৎকপা কনবিনিংঙাই লৈত্রবা মতম্না খুতুমচনথবদা মাংঙে মাংখ চব্বা অসিনা অৱাবা ওইথে ॥১০৫

আদিত্যঃ সবিতা সূর্য্যখগঃ পুষাগভ স্তিমান।
তামস্রহা ভগোহংসো নাসভাশ্চ তমোনুদঃ ॥১০৬

হে ঋষয় ! আদিত্য, সবিতা, সূর্য্য, পুষা খগঃ, গভস্তিমান সংসার অসে মাংহনা অমত্তা ওইথে ॥১০৬

সহস্রাংশুরিতি প্রোক্তা দ্বাদশত্মা দিবাকরঃ।
ব্যাদিষ্টা প্রভুনা সর্ব্বে স্বাদগঙ্গং তদোষগাঃ ॥১০৭

অস্তম তৌনা লিশিং ওইবা মুমিং তরানিথোই মমিং তরানিথোই হায়শিনবা অসে লৈ, অহুগুম্বা খত্তব ওমদব ভগবানগী য়াথং মতুং ইন্না মতম সমত্তদা থোকহল্লি ॥১০৭

স্বত্বাঙ্গারখ্যাস্ম সর্ব্বে প্রদাপ্ত ইব্বরব্বঃ।
উদিত সিত্র নগরা সপুরা টুাল তোরণাং ॥১০৮

অহুগুম্বা মুমিং তরানিথোই অহুক্কি মথৈ ওইবা মঙাল মৈগুম্না মতম অমদা থোকখি মকম পুম্নমক বাখল্দগী নগর, গ্রাম, গোপুর, তরোন, অত্তালিকা ॥১০৮

সসাগর বনোদেশাং সসর্ব্ব প্রাণিসঙ্কুলাং।
সংশোষ্যরশ্মিভীস্তীক্ষ্ণৈর্ব মস্ত ইবপাবকঃ॥১০৯

সমুদ্র বন দেশ অমাম্বা থোরাই পানবনচিংবা পৃথি থোরবা অকুপ্পা মতাম্না ময়ম ওইদুনা কংনানবগী অর্থাৎ ভূমিংকি মুর্ত্তি পুম্মক মতাম্না ময়ম ওইদুনা অশেংবদি মৈগা মায়খে॥১০৯

তত তঃ সংশুষ্কতাপম্নে জর্গত্তি প্রাণি সকরৈঃ।
সাদ্রাব্দিদ্বীপনগরৈঃ সপুরাট্টল তোরণৈঃ॥১১০

অদুগী তুণ্ডদা চিং, সমুদ্রা, দ্বীপ, খুন জীব পুম্মক মীনচিংবা লোইনদুনা কোমুং অর্থাৎ চেকপন খাণ্ডমপা'ং লোইনদুন পৃথি কণ্ডখে॥১১০

সংদেবাসুর গন্ধর্ব্ব যক্ষ কিন্নর পন্নগে।
সনাগোরগ পৈশ চাপ্সরো রাক্ষসসিদ্ধকে॥১১১

দেবগনগা লোইনবা অসুর, গন্ধর্ব্ব, যক্ষ, কিন্নর, পন্নগ, নাগ, উরগা, পিশাচ, অপসর, রাক্ষস, অমদি সিদ্ধগণ অসিনচিংবা মাগী মাগী লৈকমদা॥১১১

আবীরাসীন্মহাদ্রো রুদ্রশোহপি মুখনং।
আবৃত্য রোদশী খঞ্চ ধরাং স্ববিদিশো দিশঃ॥১১২

অকিবা রুদ্রগী মশক ওইবা মৈনা চোংথোক্লকই অর্থাৎ অদুদগী পৃথিবী মপান নাইদবা লোক স্বর্গ লোক অমসুং মাইকৈ তরাগী শিনবথুংনা কুপখি অকিবা মশক ওইবা উখন, মৈহৌরক্লে॥১১২

তেজসাতেনতাব্রেন প্রজজ্বাল প্রকো পিতঃ।
কুর্ব্বণশ্চটচটাশব্দং সসখো বহ্নিরশনঃ॥১১৩

অদুগুম্বা অকিবা প্রলয়গী মৈ মাগী মরুপ মুংশিং লোইনদুনা অকিবা খোঞ্জেল পুথোক্লুনা মহাক্তি সারবা মতাম্না ময়ম ওইদুনা মথক্তা হায়খিবা লোক পুম্মক চাকখে॥১১৩

অকরোদ্ভস্মসাৎ সর্ব্বং জগৎসসুর মানুষ।
ভস্মী ভূতে তুজসাত সবণ প্রাণি সাগরে॥১১৪

মহাক্লা মুংশিংকা লোয়নদুনা মতিক চাওবা মৈনা লাই মী পুম্মক অমাম্বা থবাই পানবা জীব জগংতা লৈরিবা উং ওনখে, বন, জীব পুম্মক অঙ্গুম ওইবা সমুদ্রনচিংবা জগৎ উং ওম্মুনা মাংখে॥১১৪

সংহৃত্যপ্রাণিনঃ সর্ব্বানম্ভলম্বুধ নিবাসিনঃ।
সাদ্রিদ্বীপাব্দি দেবেন্দ্রপুরোগ নগরাং পুরম॥১১৫

ঈশিংদা লৈবা জীব পুম্মক অমসুং সমুদ্র চাংগা লোইনব পৃথি মাংক্লে ইন্দ্রলোকনা লোম্বা মৈ হৌখে অদুগুম্ব লাইগী কোমুং লোইনবা চাকখে॥১১৫

অবশিৎসমহার্ণম্মি বায়ুং পরম কোপয়ন্।
বায়ুরুদ্রাগ্ন শক্ত্যাশু পওংবেসোক শব্দবান।১১৬

অতুগুম্বা মৈগ মতিক চাওবা মুংশিংকা তিন্নতুনা অশাওবগা লোইননা মহেন্দ্রলোকতা চঙখে, অকিবগী মশক ওইবা মৈগী শক্তি অতুদা মুংশিংনা অম্মাংবা খোঙচৎ ওইতুনা অকিবা খোঙেন ওইখে ॥১১৬

তেজসাসর্ব্ব সত্বাণাং বর্দ্ধিতশ্চ বিশেষতঃ।
নীত্বারসাতলং পৃথ্বীং দিক্ষু সর্ব্বচরা চরম্ ॥১১৭

থোইদোকপা অতুকি মখৈ ওই অতুগুম্বা মুংশিংনা জীবা পুম্নমক মণাম্না মরম ওইতুনা নৈহংখে, অয়াম্বা মায়কৈ অচৎ চম্বা পোৎ পুম্নমক্কা লোইনতুনা পৃথীবিম্ব রসাতল য়োনা চংখে ॥১১৭

প্রচণ্ডবেগো দুর্দ্ধর্ষঃ সম্বর্ত্তক ইতি স্মৃতঃ।
একীকৃত্য জগৎ সর্ব্বং ননাকং সতলাতলম ॥১১৮

অতুগুম্বা অম্মাংবা মুংশিংনা মথক্তা চংখিতুনা সম্বর্ত্তক কৌবা মমিং অতু কাওনা স্বর্গ সতলাতল শিনবা থুংনা জগৎ পুম্নমক অমতা ওইখে ॥১১৮

তোয়ান্তঃ প্রাবিশংতৈশ্চ রুদ্রবাযুগ্নি প্রাণিভিঃ।
তৈস্তোয়ং মগ্নিংলানং সম্মুখেষ্বজযোনিম্ব ॥১১৯

অতুগী তুংদা অতুগুম্বা রুদ্রগী মশক ওইবা মুংশিং অমসুং মৈগা অনিনা অয়াম্বা জীব পুম্নমক লোইনবা ঈশিং মনুংদা চংখিতুনা মতৌ অতুম্না অতুগুম্বা ঈশিংগা লোইনবা ঐম্ব লাকুনা লৌখে, মওং অতুম্না অম্মাম্বা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক ব্রহ্মাম্ব অতুগুম্না লৌখে ॥১১৯

তেষু তেষু প্রবিষ্টেষু পাথোজন নযোনিম্ব।
আবিশংস্তত্র নিষ্কার্য্যো ম'দৃশো হৃষ্টৈঃ সহ ॥১২০

অতুগুম্বা ব্রহ্মাগী খুৎশেম পুম্নমক্কা চংখিবদো ঐম্ব উই ব্রহ্মাগী থবক অরেম্বা ওইরে মতুং অতুদা মখোয় পুম্নমক লোইনতুনা ঐম্ব থবক তোকুনা পরম ব্রহ্মদা চংতুনা চংখে ॥১২০

পরব্রহ্মণি নাগেশ শেষউরু পরাক্রমে।
শয়'লে দেব দেবেশদেব শক্ত্য রুচোদিতাঃ ॥১২১

লিল পুম্নমক্কী মপু অনন্ত শয্যাগী মথক্তা চেপপিবা লাইগী লাই ওইবা উরু পরাক্রম নারায়ন দেব শক্তিনা মাগী ওইব অতুগুম্বা ইবুংঙো মাঙেন্দা পুনখে অর্থাৎ মহাক্কী দেহদা পুম্নমক তিনখে ॥১২১

সর্ব্বাভিঃ শাক্তিভিঃ সার্দ্ধং প্রাণিভিদ্দেবসত্তমৈঃ।
সসুর'সুর গন্ধর্বৈ' বযক্ষর ক্ষোপ্সবোগনৈঃ ॥১২২

অ'াম্বা শক্তিশিংগা লোইনতুনা থৌরাই পানবা ইন্দ্রনচিংবা লাই অয়াম্বা সুরাসুর, গন্ধর্ব্ব, যক্ষ, অপসর গনের, লোইনতুনা ॥১২২

স নাগোরগপৈশ'চ বিদ্যাধর মুণী শ্বরৈঃ।
সিদ্ধচারণ দেবর্ষি রাজর্ষি মনুজৈঃ সহ।.১২৩

*নাগগন, গন্ধর্বগন, পিশাচগন, বিদ্যাধর, মুনীন্দ্রগন, সিদ্ধ, চারণ, দেবর্ষি, রাষির অসিনাচিংবা মতৌ অসুর্মা দানবগনগা লোইনহনা ।।১২৩

বেতালখগকুষ্মাণ্ড ডাকিনী পুতনাদিভিঃ।
স নক্ষত্রগ্রহবর-প্রমথৈ র্যাতুধানকৈঃ ।।১২৪

* বেতাল, পক্ষী, কুষমাণ্ড, ডাকিনী, পুতনাদী, মতৌ অসুর্মা গ্রহশিং অতুকি মথৈ ওইবা কৌনচিংবা মক্ক মরাং লেইনহনা ।।১২৪

দেবোরুশক্ত্যা সংবিষ্টাঃ সুরাজিত্রসাণি দ্বিজাঃ।
তস্যোরুরোমকূপেষু স্থিতা ব্রহ্মাণ্ড কোটয়ঃ।১২৫

হে ব্রাহ্মণশা। হায়খিবা পোং পুন্নমক ল্লোইনহনা জীবগী হিংনবা চিঙ্গক অতুগুম্বা থোইদোকপা লাই ওইবা নারায়নগী উক শক্তিনা মরম ওইহনা পরব্রহ্মদা তিনখে অতুগুম্বা ভগবানগী অচৌবা দেহগী তুখোঙদা লোপান তোঙান্না মপান নাইদবা ব্রহ্ম ও থমহনা লৈখে ।১২৫

সবিকাশ মনন্তাস্তে হ্যনন্তগুতনুং করে।
সেপধ্যানং সপর্য্যঙ্কং কোটি ভাস্কর ভাসুরম ।।১২৬

অতুগুম্বা চাংদম্লিংডাই লৈত্রবা নারায়নগী মতম কুইরবা দেহগী মন্নাইদা মপান নাইত্রবা ব্রহ্মাণ্ড মশিং লৈত্রবা সমুদ্র মথাইদা মশিং লৈত্রবা লিঙ্গগী শৈজা মনাইনা পোগন্দুনা চেপখে ইবুংঙো মহাক অতুদি কুমিং কোটিগী মঙান্গুম্মী মহাক্না পুথোকইবা মশিং নাইদবা ভগবং বিষ্ণুগী বিভুতি রূপ ওইনা তুমখে ।।১২৬

বিরাটরূপমেকান্তো শয়িতং পরমং শিশুম।
তং দেবেশবরং শক্ত্যা রাধাত্মা পরিসেবিতম ।। ১২৭

অতুগুম্বা বিরাটরূপ ওইবা ভগবান অদো পিকখ্রবা অঙাংগী মতৌগুম ঈশিং মমুংদা তুম্মি অথোইব লাইগী লাই ওইবা ভগবানগী মতম অতুদা থোইদোকপি রাধানচিংবি পরা শক্তিনা মরম ওইহনা নিংথিনা সেবা তৌরি ।।১২৭ ।

পরাৎপরাবরা শক্তি রাধাত্বাঃ পরমোত্তমাঃ।
। মহাবিদ্যা মহাসূক্ষা চিদ্রূপাদিশ্ব মোহিনী ।।১২৮

মপান নাইদবা অহোবা অরোইবা থোইদোকপি রাধানচিংবি প্রকৃতি পুন্নমক্না উক শক্তি ওইবা মহাক্কী অতুগুম্বি রাধা আদ্যাপ্রকৃতি থোইদে ক্না কুপ্না জগৎপু ঙাকচম্নগী মশক ওইবি চিৎস্বরূপা অর্থাৎ জ্ঞান স্বরূপাহয়েন ।১২৮

জ্যোতিঃ রূপা নিরাকারা ভ্রাম্যমানা মুহুর্মুহুঃ ।১২৯

মঙানগী মশক ওইবা নিরাকার ওইবা বিকর লৈতবা অতুগুম্বী রাধান মতম অতুদা হম্না হুন্না মঙাম্না কোইরি ।।১২৯

অসিগুম্বা ব্রহ্মাণ্ড পুরাণ থোইদোকপা অথুপ্পা রাষিনা তিল্লবা, ব্যাস মুণিনা লেংখ্রবা রাধা হৃদয় ব্রহ্মানা ঋষি তরেংতা লিখ্রবা মহাপ্রলয়গী রারি প্রথমে অধ্যায় লেইরে ।।

দ্বিতীয় অধ্যায়ঃ

সৃষ্টি বর্ণন

ব্রহ্মোবাচ। -ততো বর্ষ সহস্রানি মন্বানিচ সহস্রশঃ।
তেজঃ পুঞ্জং ভ্রমদ্দিব্যং নিরালম্ব মলক্ষনম ॥১

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি হে বৎসঃ! চাম চাম অমস্তুং লিশিং লিশিং চহি চাংদম ওইবা অচুগুম্বি মন্বানগী মশক আদ্যা প্রকৃতি রাধানা মশক মওং লৈতনা মন্বানগী মপৈনা কোইহনা লৈখি।।১

সিস্ক্ষুরযোনিস্নিগ্ধা সর্ব্বা বয়ব সুন্দরি।
উরস্ত মুরু কর্ম্মান মুরুক্রম মতো জনং ॥২

অচুগুম্বি মমা লৈতবি রাধানা সংসার শেমগে থন্দুনা মওং লৈরমদবদগী মওং লৈবা ওইনা পুম্নমক্কী হেরা ফজবি মুপি অমা ওইনা ফোংদোকখে, অচুগী তুঙদা মহাক্কি থম্মোইদগী উৎকৃষ্ট, উরু কর্ম্মা, উরু ক্রম, অর্থাৎ মকম পুম্নমক্কা চৎপা ওম্বা পুম্নমক খঙবা নীপা অমা পুথোকখে ॥২

বানঃ স্পৃষ্ট পর্ব্বাতং কোটাদিত্যোরু তেজসং।
জাতমাত্রং স্বচেত্যান্ন মায়য়ামোহিতা কমাৎ ॥৩

অচুগুম্বা পুথোকইবা অঙাং অদো কুবিমুক্তা চাওই মতাং অমতগুম উই অচুম্নদি ওইরগা মুমিৎ কোটি গুম্না ঙালি মতম অদো মহাক অচুব পুথোক্লগা রাধানা মতোন্দা সৃষ্টি শেমো অম্না হায়রগা মতম অহুদা মাংখে ॥৩

তদা স্বপ্নে পদ দৃষ্টা পরমং বিস্ময়াস্পদং।
অচিন্তয়দ্দে মাত্মা কিং কর্ত্তব্য মিতো ময়া ॥৪

থোক্নদোকপা অঙকপা রাধা অদো মতমগী মতোউম্না মশক উহল্লগা অচুগুম্বা চান্দল্লিঙাই লৈত্রবা অম্মানা মহাক্কি ওইবা অঙাং অচুনা রাখন তৌখ হৌজিক ঐনা কম্নি তৌগনি? অর্থাৎ অচুগুম্বি থোক্নদোক্লা মশক ফজবি মুপি অদো কনানো? কদাইদগী লাকপনো অশেংবদি সৃষ্টি সেম্বো অম্না তাকপিরম্মগা মাংখি বা অচুনা কম্নিগনে? মসিগী অরেম্না খঙবা ঙমদ্রে অম্নমা রাখন তৌহনা মায়কৈ মরিদা কোইনা য়েংখি ॥৪

একার্ণবজলে স্বর্ণদল মেকম বেক্ষসঃ।
তত্রৈবসহস্রোপাথম্বা কুরুশক্ত্যা দৃঢ়ীকৃত ॥৫

মতো অম্নমা থল্লহনা থোরাং তৌই অচুগুম্বা সমুদ্রগী ঈশিং মথক্তা থোঙনাং মনা অমগী মথক্তা অচুগুম্বা মহাক্কি শক্তিনা মরম ওইদুনা অচেৎপা মশা ওইদুনা অচুগুম্বা থোঙনাং মনাগী মথক্তা হৌগৎদুনা লৈখে ॥৫

এবংকিয়ন্তং কালং সো নৈষীৎ শ্বথপর্ণকে।
ভাসমানার্ণবে ব্রহ্মণ প্রসুপ্ত মিব বালবৎ।।৬

হে ব্রহ্মণ! অদুগুম্বা খোঙনা মনাগী মথক্তা নিংঙাইদবা নিপা মচা অমগী মতৌগুম্না লৈহুনা ঈশিং মথক্তা মতম কয়ামুক তাওহুনা কোইনা চংলি।।৬

ঋষিরুবাচা।—শ্রুতোস্মাভিঃ পুরাণাথ মার্কণ্ডে য়ো মহামুণিঃ।
সপ্তকল্পান্তজীবি চ মৃতোবাস্থিত এব বা।।৭

ব্রাহ্মণগী হায়দোকলকপা রা তারবদা ঋষিসিংনা হংজখি হে নাথ! হে ব্রহ্মাণ! ঐখোয় পুম্নমক্না মমাংঙৈদা তাজখি অহুম ওইবা কল্প তরেং পুনশিবা মহামুনি মার্কণ্ডো মহাক্না অদুগুম্ব প্রলয়গী মতমদা কদাইদা লৈবগে অমদি শিথ্রা হিংঙিব্রা?।।৭

নাত্রকিঞ্চিত্তয়োক্তং নঃ সন্দেহো নোমহানভূৎ।
তস্যোদানরতে ব্রহ্মণনু রুকর্ম্মানি শংসনঃ।।৮

হে ব্রহ্মাণ। অদুগী মরমদা কনাগী মফমদা নহাক্না হায়খিত্রি মহাকি মরম অদু ঐখোয় খিবিক্কি পুক্নিংদা চিংনবা পোক্নে মরম অসিনা অদুগুম্বা ভমকক্রবা থবক পুকচেন চাওরবা মার্কণ্ডনা মতম কয়ামুক অচৌবা থবক পুম্নমক ঐখোয় পুম্নমক্তা শন্দোক্না হায়বিয়ু। ৮

ব্রহ্মোবাচ।—একার্ণবজলেতিষ্ঠন্ মজ্জোন্মজ্জ সত্তমঃ।
মৃকণ্ডুতনয়ো ধীমান মুহুর্মানি মবাপ্য চ।।৯

ব্রহ্মানা ঋষিশিংদা হায়রকই তারো প্রলয়গী মতুঙদা ঈশিংতা মঙাইবে ঈশিং অমুদা তাহুনা লৈরবা ঋষি অখোইবা মৃকণ্ডুগী মচা অদু করিগুম্বদা পোংথাই করিগুম্বদা লুপ্পি করিগুম্বদা তাওই শিবগী মতৌগুম হন্না হন্না অরাবা ওইখি।।৯

অস্তৌ যিদাশ্বরং বিষ্ণু সুরুচিক্রম বিক্রমম।।১০

মহামুণি মার্কণ্ডন উপাই লৈত্রবা ওইহুনা মতম অদুদা নিংথিজরবা মঙাম্না মাগী ওইবা উরুকর্ম্মা, জগদীশ্বর, বিষ্ণুবু নিংজখি।।১০

মার্কণ্ডের উবাচ।—নমঃ পাথোজনেত্রায় পাথোজাঙ্ঘ্রি করায়চ।
পাথে জনননাভায় পাথোজাস্যায়তে নমঃ।।১১

মহর্ষি মার্কণ্ডণ মতিক চাওরবা নারায়নবু হিক্না হিক্না কপতুনা স্তুতি তৌখি হে ভগবন! ইবুংঙো নহাক্তি ফুগাইনা শাংপা থম্বাল তমজনিংঙাই ওইবা মিং, জলজ-কর, জলজনাভি, জলজ-বদনবিশিষ্ট, ইবুংঙো নহাকপু ঐনা খুরুমজ'র।।১১

হৃশাকেশায়দেবায় হৃষীকেশপতয়েনমঃ।
নমঃস্বাস্তু জহংসায় গোপীনাথ য় তেনমঃ।।১২

হে হৃষীকেশ দেহনা থাংমৈগুম্না ঙানবা ইন্দ্রিগী মপু ওইবা গোপী পুম্নমক্তি পুক্নিংদা পদ্মহংস ওইবা শ্রীকৃষ্ণ! নহাকপু হন্না হন্না খুরুমজৈ।১২

ব্রহ্মোবাচ।—ইত্থং প্রস্তুব বক্তস্য মুনেরাসীৎ পুরোগতঃ।
অঙ্গুষ্ঠঃ পর্ব্ব মাত্রাভঃ কোটি ভাস্কর সন্নিভঃ।
অশ্বত্থদল মধ্যস্থ ইদমাহ মুণিং হসন ।।১৩

ঋষি পুম্নমক্কি মফমদা জগৎ সেম্বা ব্রহ্মানা হায়খি হে ঋষিশা! মতৌ অসুম্না ভগবানবু থুক্রমখি অহুগী তুংদা নুমিং কোটিগুম মঙাল ওইবা মহাক্কা খোঙনাং মনাগী ময়াইদা লৈবা অহুদি খুবিমুক্তা চাওবা অঙাং অমম মহামুণি মার্কণ্ডগী মাংদা থুংভরে নোক্না নোক্না অসুম্না হায়রকই ।।১৩

বৎস তেভিন কর্ত্তব্যা সপ্তকল্পান্তজীবিনা।
এহিধাস্যে যদা তৌভজ্জায়তে রক্ষণং তদা ।।১৪

হে বৎস! নহাক অসে কল্প তরেৎ পুনশিরবনী নহাক্কা কিগদবা ওইদে চৎঙকউ ঐনা নহাকপু থাঙ্গৎকনি মতৌ অসুম্না নহাক্কা কিবাপোইবা অদো অকিবা অহুদগী নহাকপু ভাকনি ।।১৪

শ্রিন্নমীর য়ইস্তস্য মুণি রেবং নিশম্য চ।
জহাসাশ্বত্থপর্ণস্থ পুরুষস্য তদা গিরম ।।১৫

ভগবান মার্কণ্ডদা অসুম্না হায়বা অহুগীতুংদা অহুগুম্বা উনা মথক্তা লৈরিবা নিপামচা অহুগী বা তারবদা মহামুণি মার্কণ্ডনা নোকখি ।।১৫

মনসাচিন্তয়ন্নেবং মুণিবৈশ্যা নবোপমঃ।
অঙ্গুষ্ট পর্ব্বমাত্রাভঃ পুরুষোশ্বত্থ পর্ণকে।
শেতেত্বমেরক্ষণয়ৈব ক্রমোয়ং বা কথং ভবেৎ ।।১৬

মার্কণ্ড মুণি মণ্ডন মণ্ডন পুক্নিংদা খল্লি অহু ওইরবদি অসিগুম্বা খুবিমুক্তা চাওবা উনাগী ময়াইদা তুমহুনা লৈরিবা অঙাং অসিনা মরম ওইহুনা প্রলয়গী ঈশিংদগী ঐবু ভাকপিগে হায়হুনা কোংদোক্লি? অসি খল্লি মাগী বা তাবদগী মঙোন্দা নোকলুরে অমুক থুংভরে ।।১৬

ভাবমাজ্ঞায়বিশ্বস্য ভাবজ্ঞো মধুহা হরিঃ।
বভাষে বচর্ণং ন্যায্যং মেঘগম্ভীরয়াগিরা ।।১৭

অয়াঙ্কা জগৎকি রাখন পুম্নমক খংঙবা মধুবু নৈহৎপা ভগবান্না মুণিগী মিংবা খঙখিহুনা নোঙ খোংবগী মতৌগুম সুঃশিবা রাহৈনা মঙোন্দা হায়রকই ।।১৭

শ্রীভগবানুবাচ।—স্বাগতন্তু হিবিপ্রেন্দ্র মাতেস্তু মতিরীদৃশী।
ময়ীশ্বরেশ্বরেনৈব দেহা সোযুজ্যতে তব ।।১৮

থৌজ্ঞানবিরা রাহৈনা ঋষিগী মফমদা ভগবান্না হায়খি হে বিপ্রেন্দ্র নহাক ওকনু ঐ অসে লাইগী লাইথনি ঐনা মরম ওইহুনা হায়গদৌরিবা রা অসে নহাক মতিকচাবা ওইয়ু ।।১৮

ব্রহ্মোবাচ।—তৎশ্রুত্বা বচনং তথ্যং হিত মুক্তং মহাত্মনা।
নপথ্যমিত্তিঃ ত্বা তদগাদন্তিকমেব সঃ ।।১৯

ঋষি পুম্নমক্তা মকমদা ব্রহ্মানা হায়রকই হে ঋষিগন! মতিক চাগুবা নারায়ন্না মরম ওইদুনা অদুগুম্বা হায়রকপা বা তারবদা মার্কণ্ডনা তাকপিগদৌরিবা লম্বি অদো থওইদবা তৌজরোই মহাক্না মথংদা মহাক্কি মনাক্তা চংখ্রে ।।১৯

লীলয়ৈব তদশ্বথ পর্নেহস্মিষ্টং দদর্শমুনিঃ।
সোপার মহিমস্তাস্ত, লৈবমানং প্রবুধ্যতে ।।২০

মুণি মহাক্কী মনক্তা অদুগুম্বা খোঙনাং মনাগী মথক্তা শান্নদুনা খুবি পি তৌইগুম্বসুং ভগবানগী চাংদম্লিংভাই লৈতবা মরম অদুদগী অদুগুম্বা উনাগী মথক্তা লৈরম্বা অদো অদুক্কি মখৈ লাপখিবগী চাংদম অঙাং অদুগী মশা অদো করিনো হায়বা অদু খঙবা ঙমদ্রে। ২০

ততোবলেন মহতাদ দষ্টু মাত্মনঃ।
ন বুদ্ধাতস্য তম্মানং বিস্ময়োৎ ফুল্ল লোচনঃ ।।২১

অদুগী তুংদা মহষি মার্কণ্ড হায়না কৌরকই অদুগুম্বা খোঙনাং মনাগী মথক্তা খুবি পিদুনা মাংওইননা মতম অদুদা মহাক্কি চাংদমগদবা অদো ঙমদ্রে ওইরিবা মতম অদুদা অঙকপা অমা ওইরে মিংকুপ্পনা য়েংভি অৱাবনি! মসে করিনো? অসিগুম্বা অঙকপনা তিনবা র, অসিস্থ মওন মওন হায়গদবদা ওইয়ে ।।২১

তারুহ্য স মুণিস্তত্র শ্বসন্ বিল ইবোরগঃ।
শ্বস্তেন তেন বিশ্বস্ত আসান শার্ঙ্গ ধন্বনঃ ।।২২

অদুগুম্বা খোঙনাং মনাগী মথক্তা তোংভিবা অদো লৈখুলদা লৈবা লীসগী মভৌগুম্বি মুণি অদো স্বর মপি হোল্লি মতুং অদুদা ভগবান্না থেমজনবা ৱাহৈনা পুক্লিং তপথহল্লি অদুগুম্বা খোঙনাং মনাগী মথক্তা হৌগংভুনা ফমখ্রে ।।২২

চিন্তয়া মাস দেবস্য মায়াং তাং বিশ্বমোহিনীঃ।
মানবেন ময়াশক্যং বোদ্ধুং কিং শার্ঙ্গ ধন্বনঃ ।।২৩

অদুগুম্বা খোঙনাং মনাগী ময়াইদা ফমদুনা মার্কণ্ডনা মমক ৱাখল তৌখি অদুগুম্বা ভগবান লাইগী লাই ওইবা শারঙ্গ কৌবা লৌরুণ্ড পাইবা নারায়নন অদুগুম্বা সংসারগী মায়ানা ঐ ঙক্কি বুদ্ধি লৈতবা মীনা ঐনা ঙক্কবদা মীনদি করিগী ঙক্লোই অর্থাৎ ভগবানমকস্থ মায়ানা ঙক্কবদা মীনদি করিগী ঙক্লোই ।।২৩

যন্মায়া মোহিতো ধিয়োহ্যপি সর্ব্বদিবৌ কসঃ।
ব্রহ্মাভবশ্চ বিষ্ণুশ্চ যন্মায়া মোহিত ভবন ।।২৪

মহাক্কি মায়ানা অমাম্বা লাই পুম্নমক ঙকহল্লি অম্মুম তৌনা ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব, অসিগুম্বা লাই অহম মায়ানা ঙক্কুনা লৈরি ।।২৪

চিন্তয়ন্দেব মায়াং স দেবশক্তা প্রচোদিতঃ।
প্রাবিশদুদরং তস্য দেবশক্তি বলাৎকৃতঃ ।।২৫

মতৌ অসুম্না ঈশ্বরগী মায়া অত্থু রাখল তৌতুনা ঈশ্বরগী শক্তিনা অয়েপ্পা ইনশনবা ওইতুনা মার্কণ্ড অদো লাইগী শক্তিনা থোং ওইতুনা অত্তাংগী মশক ওইরিবা ভগবানগী গ্রর্ভা মমুংদা চঙখে ॥২৫

প্রবিষ্টোদরমধ্যং সতত্র ব্রহ্মাণ্ড কোটয়ঃ।
সবিকাশং স্থিতাঃ সর্ব্বে রোম কুপেষু সর্ব্বশঃ॥২৬

মতুং অতুদা ভগবানগী গর্ভা ময়াইদা চংওগা মার্কণ্ডনা মকম অহুদা লৈরম্মিবা অহুদি কোটি ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক অহুনা ভগবানগী তুখোঙ খুদিংদা লৈবা অহু উখে ॥২৬

কোটিশঃ পদ্মজন্মানো বিষ্ণবঃ পশুপাস্তথা।
ইন্দ্রাশ্চন্দ্রা গ্রাহাদিত্য বসবোথাশ্বিনাবপি॥২৭

মশিং খণ্ডদবা ব্রহ্মাণ্ড মশিং খণ্ডদবা ব্রহ্মা মশিং খণ্ডদবা বিষ্ণু মশিং খণ্ডদবা শিব মশিং খণ্ডদবা ইন্দ্র, চন্দ্র, গ্রহ অমসুং আদিত্যগণ মশিং খণ্ডদবা বসু অশ্বিনী কুমার লৈরম্মে ॥২৭

যক্ষ রাক্ষস বেতাল কুষ্মাণ্ডোরগ কিন্নরাঃ।
গন্ধর্ব্বাস্পরসঃ সিদ্ধাঃ পিশাচাঃ স্বরগারনাঃ॥২৮

মতৌ অসুম্না মপান নাইদবা যক্ষ, রাক্ষস, বেতাল, কুষ্মাণ্ড, ঔরগ, কিন্নর, গন্ধর্ব্ব, অস্পর, সিদ্ধ, চারন, পিশাচ অমসুং অসুরগণ পুম্নমক লৈরম্মে ॥২৮

রাজানা মুলয়ঃ সর্ব্বে পবতাশ্চ সরাংসিচ।
তরুয়ঃ খেচরা নাগা নাগকন্যাঃ সহস্রশঃ॥২৯

অমদি অয়াম্বা নিংথৌ চিং পুখ্রি অয়াম্বা সমুদ্র, অকাশ উচেকচিংবা লিলগী মপৈ নাগকন্যাগন লিশিং লিশিং লৈবা উখে ॥২৯

অজাবয়শ্চ গাবশ্চ মহিষোষ্ট্র খরাস্তথা।
ধাক্ষ্য ব্যাথ্য বরহাশ্চ তরক্ষু মৃগজাতয়ঃ॥৩০

অতোপ্পা অজ, মেখ, গো, মহিষ, উট, গর্দ্দভ ভল্লুক, কাথ্র, বরহা, তরক্ষু মৃগ পুম্নমক অহুনা মপৈ মপৈ কোটি কোটি চংতুনা লৈ ॥৩০

ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যাঃ শুদ্রাশ্চ সানুগাস্তথা।
বাহনানি চ শস্ত্রানি শাস্ত্রান্যস্ত্রানি সর্ব্বশঃ॥৩১

ব্রহ্ম গুদা লৈরিবা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমসুং বর্ণসঙ্ক, জাতি ময়াম হস্তী, অস, অসিবচিংবা বাহন ময়াম অমদি লাইরিক খুংলাই মপৈ ময়াম পৈতুনা লৈ ॥৩১

নগরানি বিচিত্রানি পুরান্যা পবনানিচ।
হয়াস্ত সমুহশ্চ রথাঃ শত সহস্রশঃ॥৩২

মতৌ অসুম্না অয়েকপা খুন অমসুং কোনুং বোন অয়াম্বা শামু শগোল চামা চাম্না লিশিং লিশিং ওইবা দোলাই মকম খুদি দাইপতুনা লৈ ॥৩২

যথাবস্থা যথা রূপং যথাস্থানং যথাবলম্ ।
যথাপ্রকৃতি সংস্থানং তথা ক্রমমবস্থিতম্ ॥৩৩

অদুগুম্বা মাম্নবা অশেংবা মকম পাক শক্তি থোরাংপুম্নমক অদো বিরাট পুরুষ ভগবানগী গর্ভদা মপৈ মপৈ ওইনা পৈদুনা লৈরম্মী ॥৩৩

চরন্ পার্থিবেধর্মবিবান্ বোধন্নপি পরিতো দিশম্ ।
শ্রান্তোদীনমনা বিপ্রঃ ক্ষুধার্ত্তাকুল চেতনঃ ॥৩৪

বিদ্বান মার্কণ্ড অদো সুংশিবকি মতোংতম্মা যথক্তা অমসুং মথাদা অদুগুম্বা গর্ভগী মসুংদা কোইবা অদো পোংথাকম লৈত্রে কম্নসু লৈত্তবগুম মতোংঅম্মা অরাদুনা অরাবা ওইরবা অমসুং চাননবগীদমক চাথমাইদনা অরাবা ওইরে ॥৩৪

পূর্ব্ববৎ সংস্থিতং সর্ব্বং জগৎ মেনে মুনিস্তদা ।
নভৈক্ষ্যং লব্ধ ভোজ্যং বা লেপেয়ং চাপি কিঞ্চন ॥৩৫

মার্কণ্ড মুনিনা ভগবানগী গর্ভদা চাকা অদুবু প্রলয় ওইংদ্রে মতম অদুদা করিগুম্বা থবক তৌগদবা অমদে মতোং অদুম্না মমাংঙদা লৈরম্বা মতো অদুগুম্না অপংকি লৈফম থংতি চীই অরেম্বদি চাননবা চিঞ্জাক অমদি থক্কনবা ঈশিং খিংতং ফংবা ওইদে ॥৩৫

ভ্রমন্ স্বতরন্তেষু ব্রহ্মাণ্ডেষু সকস্রশঃ ।
ক্ষনাৎ বহির্গতস্মাৎ পাথোজ জন্মনাম্বিকং ॥৩৬

লিশিং লিশিং ওইবা ব্রহ্মাণ্ড মমাইদা অচ্ছাওবগুম কোইদুনা ভগবানবু থিরবা মিংনা কুপ্প অমগী মসুংদা মার্কণ্ডন মতম অদো থিবা ক দহনা অরাপ্পদগী মপান্দা থোক্লক্লে মতম অদুদা মসুংগী ঈশিং ঙাক্তা উই করিগুম্বা অমতা উবা ফংদে অরেপ্পদি ভগবান্ শেম্বিবা ভগবানগী চরণ নিংদুনা লৈ ॥৩৬

মনস্তের মনোমূগুন ভক্তিনম্রাত্মকন্ধরঃ ।
পাদাঙ্গুষ্ঠেন বিষ্টভ্য পূর্ণমাশ্বথ মেরসঃ ।
বহুবর্ষ সহস্রানি তপস্তেপে সুদুশ্চরম ॥৩৭

মতুং অদুদা মৃকণ্ডুগী অচানা পুক্লিংদা অসুরগা বাখল তৌদুনা (তক্তি তেনগ্রশরীর) অমসুং চরোন অনি কোক্ত থমদুনা অরাবা থুদুনা লৈখি মতো অদুম্না থুংনা খোঙ্গবি পাইবা অদুগুম্বা খোংনা চৎনাগী মথক্তা লৈবা চুর্ণি অদুবু থোইদোক্তা অকনবা ব্রত তৌদুনা চহি লিশিং কয়ামুক তপ তৌদুনা লৈখি ॥৩৭

ইত্থং প্রতপত স্তস্য নাত্যা মজ্জমস্রায়ত ।
অনন্তকোটয়স্তস্মান্মুখাৎচাজযো ময়ঃ ॥৩৮

মার্কণ্ড মুনিনা অসুম্না তপ তৌরিঙৈ মসুংদা ভগবান্না থোইদোকদগী থম্বাল অমা পুথোকই অদুগুম্বা থম্বাল অদুদগী ঐপা মাম্নবা মাই মরি পানবা মশিং নাইদবা ব্রহ্মা পুথোকই ॥৩৮

অথ মার্কণ্ডেয় তথা ক্ষুধাসংবিগ্ন মানসঃ।
শয়ানং পর্ণপর্য্যঙ্কে দেব দেবং রমাপতিং।
আদদৌ প্রণতোবাচং প্রণত্যা সঙ্গতং মুণিঃ ॥৩৯

মতুং অদুদা মার্কণ্ডনা লৈরিবা মফম অদুদা অরাম্বনা অরাবা ওইদুনা উনাগী সৈয্যাদা চেপ্পা লাইগী লাই ওইবা লক্ষ্মীগী মবুংঙো অদিপুরুস মুর্ত্তি পুথোকখি মুংশিবা রূপ উবদা খুরমদুনা (স্তবকরিয়া) হায়জখি ॥৩৯

মার্কণ্ডেয় উবাচ।—দীনানুকম্পিন দীনেশ দীনপালক পালক।
দানত্রাম পরোদান রিপু সঙ্কটমর্দ্দন ॥৪০

মহর্ষি মার্কণ্ডনা ঈশিংগী মথক্তা চেপ্পীবা ভগবানবু অস্তুতি তৌখি অদুগা হায়জখি হেদীনানুকম্পিন! দেহীনেশ! হে অতোনববু ঙাকপিবা! ঙাকপিয়ু হেদীনতারনপরায়ণ! অতোনবা ননাইশিংগী য়েরুবগী অকিববু মাংহনবা ॥৪০

দীনোদ্ধার করোদীন ভক্ত্যভীপ্সিত দায়কঃ।
ভক্তিহিনস্য মুর্খস্য দৌরাত্মং ক্ষম মে প্রভো ॥৪১

হে প্রভো! ইবুংঙো নহাক্তি অতোনবা মীবু লোথংপিগদবা ওই অকবা মুমিংতা ননাইশিংগীদমক অপাম্বা মহৈ পিবিগদবা ওই ননাই ঐদি ভক্তি হৈজদে অপংবনি ঐগী অরাববু ঙাকপিয়ু ॥৪১

অজ্ঞানতস্ত্বাং তত্ত্বেন কত্ত্বজ্ঞো ভবেত্তব।
নমং পঙ্কজনাভায় পঙ্কজা স্যায়তে নমঃ ॥৪২

হে পঙ্কজনাভ! হে পঙ্কজানন! ইবুংঙো নহাকপু খুরমজৈ ঐদি ইবুংঙো নহাক্তি অশেংবদো খঙজদে ঐবু চানবিয়ু নহাক্তি অশেংববু খঙগদবা কনা লৈবগে ॥৪২

পাহি মাং পাদপাথোজে শরনাগত মাশুতে।
ক্ষুত্তৃষ্ভ্যাং মদ্দিতং নাথ কৃপয়া মাং সমুদ্ধর ॥৪৩

হে প্রভো! ঐদি ইবুংঙো নহাক্তি পাদপদ্ম অনিদা চংজরি ননায় ঐবু ঙাকপিয়ু হে নাথ! খুদক অসিদা অরাম্বা খৌরাংবনা অরাব ওইরে মরম অসিনা কৃপা তৌবিয়ু ননাইবু থুনা লানবিয়ো ॥৪৩

শ্রভগবানু বাচ।—সব্য পার্শ্বস্থ শুন্যোমে পিবস্তন্যং পয়োমুলে।
যথেষ্টমবিশঙ্কেন মনসা ভৃগুনন্দন ॥৪৪

মার্কণ্ডগী হায়জবা বা তারবা তুংদা ভগবাননা মঙোন্দা হায়খি হে ভৃগুগী মচা! হে মুনে! নচাক্তা চিনবা লৈতনা মফম অসিদা ঐগী মাংদা অশিবা দুই অমোম অমা থৌয়িনা পুন্দুনা লৈরিবা দুই অসিগী (স্তন্যদুগ্ধ পানকর)। ৪৪

ব্রহ্মোবাচ।—গিরং নিশম্য বিপ্রর্ষৈবাক্যং ভগবতস্তদা।
অচিন্তয়ন্মহা যোগী কিং কর্ত্তব্যয় মিতো ময়া ॥৪৫

ব্রহ্মানা অঙ্গিরানচিংবা মচাশিংদা হায়খি হে ঋষিসা অহুগুম্বা ভগবানগী মাথং তারবদা মহাযোগী ওইবা মার্কণ্ড ঋষিনা মতম অহুদা মওন মওন মতৌ অস্মুম্না মাখন তৌই হৌজিক ঐনা তৌগদবা অসি করিনো ? ।।৪৫

ক্ষুধার্দ্দিপেন শ্রান্তেন প্রাপ্তকালং হিতং মম।
এবং চিন্তয়স্তস্য মতিরাসীম্মহাত্মনঃ।
পেয়মেব তদবগুহং দেববাক্যা দণক্বয়া ।।৪৬

অরাম্বা খৌরাংবনা মতৌ অস্মুম্না থাংব ঙমদবা অহুনা অরাবা ওইরি মতৌ অস্মুম্না চানবগী য'থন্দা শিবগী মতম ফংভি অম্মুম ওইরবদা হূইগী মখোমবু ঐনা হিঙম্নবগীদমক থক্কদ্রা অর্থাৎ অহু ওইরবদি থকত্রগা অহুম তৌরবদি মতম অসিদা অফবা ওন্থগনি মতৌ অস্মুম্না খন্ন খন্ন; মহাত্মা ওইবা মার্কণ্ড ঋষিনা অহুগুম্বা হূইগী মখোম অহু য়েংভি পুক্লিংদা থল্লি মসে চিংনবা লৈতনা লাইনা হায়বনিনা হূইগী খোম অসি ঐনা শোয়দনা থক্কদবা ওই ।।৪৬

ততস্তপো মহাতেজা স্তন্যং ক্ষীরমনন্যধীঃ।
পিবতস্তস্য বিপ্রর্ষৈঃ ক্ষণাম্বস্তর পান্ধরিঃ ।।৪৭

অহুগী ছুংদা মার্কণ্ড মুণিনা মওন মওন খল্লগা অর্থাৎ ঈশ্বরগী মাথংনি মহাক পেম্নবগী চিংনদনা হূইগী মখোম থকখে মতুঙ অহুদা ব্রাহ্মণগী মাংদা খুদক অহুদা ভগবান অহু মাংখে ।।৪৭

অন্তর্হিতং হরিং বীক্ষ্য বিস্ময়াবিষ্ট চেতসঃ।
চিন্তয়ামাস মনসা সম্বিগ্নেন দ্বিজোত্তমঃ ।।৪৮

ভগবান্না মাংখ বা উরগা অঙকপা ওইরে থমোইদা ব্রাহ্মণ মার্কণ্ড পুক্লিংদা অবাবা বাখন্না চিন্তা তৌখি ।।৪৮

স্বপ্নোবা মে মনো ভ্রান্তিরথবা জ্ঞান বিপ্লবঃ।
আঃ কিমেত দহোদৃষ্টং কিমেত দেবমায়য়া ।।৪৯

মার্কণ্ডগী পুক্লিংদা মওন মওন অস্মুম্না বাখল তৌখি ঐ অসে করিনো উরিবা অদো মঙলা নত্রগা ঐগী পুক্লিংদা অকাওবা পোক্লিবা অহু নত্রগা ঐগী বাখন অসি করিনঃ? আবাবনি। ঐনা উরগা ঙকইবসিনা করিনো তৌরিবা অসে লাইগী মায়ানা মরম ওইহুনা অসিগুম্বা অঙকপা থবক তৌরিবনি ।।৪৯

মোহিতো নৈব জানামি তথ্যং বাতথ্যমেব বা।
সুপ্তির্ণাস্তিকুতঃ স্বপ্নং ভ্রমং নৈবো পলক্ষয়ে ।৫০

ঐদি অরেপ্পা লাইগী মায়ানা ঙকহল্লে খল্লুবদা খঙবা ঙমক্রে তুম্বংহ নত্তে মংস্নু নত্তে কাউরে উবস্নু কংগ্রে মরম অসিনা লাইগী মায়ানা ঙকহল্লি অসিনা অরেপ্পনি ।।৫০

অহোনার্য্যা মহেকষ্টং হস্তপ্রাপ্তো মণিময়া।
নিরস্ত ক্ষুদ্রমতিনা ময়েতি পরিচিন্তয়ন।।৫১

বিল্লাপশ্চিরং দীনো দীনো দীর্ঘং মুকুং স্বসন্মুনিঃ ॥৫২

ঐনা করিগী চাইদবা চিঙ্গাকি ঐনা করিগী থারিবা ঐনা পুকচেন শিকপদগী খুংনা মণি পাইবা ফংওন্নবা মাংখে মতৌ অসুম্না খল্লুবদা অমাবা ওইখি মতৌ অসুম্না পংডিদা হাম্নরগা ম্বর মপি হোনখি মতম কয়া কপত্তুনা তুমিন্না লৈখি ॥৫১-৫২

ব্রহ্মোবাচ।—সং প্রহৃত্য তদাত্মানং ভগবান মধুসূদন।
চিন্তয়ামাস মনসা সাস্যজেত্য ব্রবীদ্বচঃ॥৫৩

ঋষি ময়ামগী মকমদা ব্রহ্মানা হায়খি মার্কণ্ড মুণি মওং অসুম্না বা ওাংদনা সমুদ্র মন্নাইদা আওত্তুনা মতম লেপখি। অসোমদা মাংখ্রবা ভগবানগী পুক্লিংদা রাথন তৌখি ঐনা মতৌ করম তৌসিগে। মতম অদুদা অন্থগুপ্তি পরমা শক্তিনা শূন্যদা মঙ্গোন্দা সৃষ্টিকর, অসুম্না হায়খি ॥৫৩

কথমজ্ঞেন মুঢ়েন সষ্টব্যাঃ বিবিধাঃ প্রজাঃ।
ইত্থংবিলপতস্তস্য তপস্যেব মনোগমৎ॥৫৪

অত্তুগী তুওদা বা অত্থ তারবদা নারায়ন মতৌ অসুম্না কপখি অসিবু ঐদি গুণহীননি অপংবনি সৃষ্টিগী মরমদা তাকাপার করম্না ফোংদোকপা মখল কয়া ওইবা প্রজাবু ঐনা সৃষ্টি সেমগদগে মতৌ অসুম্না খল্ল খল্লগা মগাক্না তপ তৌগে হায়না পুক্লিং লেপখে অর্থাৎ তপ তৌবদা মহাক্কি মরমচং ওইখি ॥৫৪

নিমীল্যানেত্রে যত বাকশান্তঃ স্বান্তোর্দ্ধদৃষ্টিকঃ।
অচিন্তয়দ মেয়াত্মা তৎপাথোজন নাভিক॥৫৫

আত্মাগী মবুংওা ভগবান চরণ থম্বাল মিং উইশন্দুনা বা ওাংদনা তুমিন্না পুক্লিংদা মুত্তি মিং অনিগী মরক্তা থমত্তুনা হঙ্গংনা য়েংত্তুনা রাথন তৌখি ॥৫৫

মনস্যেব মনোমুগ্ধন ভক্তি নম্রাত্মকন্ধরঃ।
পাদাঙ্গুষ্ঠেন বিষ্টভ্যপনমাশ্বত্থ মেবসঃ॥৫৬

পুক্লিংনা রাথন তৌত্তুনা ভক্তিনা লুকপা কোক্না ভগবানগী চরণ অনিদা থোওবী অত্তুনা মরম ওইত্তুনা অত্তুগুপ্তা প্রলয়গী সমুদ্র মন্নাইদা থোওবা মনাগী মথক্তা তোওত্তুনা লৈখে ॥৫৬

বহুবর্ষসহস্রানি তপস্তেপে সুদুশ্চরং।
ইত্থং প্রতপতস্তস্য নাভাদজ্ঞমজায়ত॥৫৭

অন্নম তৌনা চহি লিশীং কয়া কুইনা তপ তৌত্তুনা লৈখি অন্নম তৌনা তপ তৌত্তুনা লৈরিবৈদা মহাক্কি থোইদোকদগী থম্বাল অমা পুথোকখি ॥৫৭

অনন্ত কোটয়স্তস্মাৎ মন্মুখাজ্জ যোনয়ঃ।
আসংশ্চতুর্মুখাঃ সর্ব্বে স্রষ্টারো জগতাং তত॥৫৮

অদুগী তুগুদা অদুগুম্বা থৱ্‌রেজগী ঐগা মাঙদা মাইহৈ হরি, পদ্মবা (পদ্মযোনি) মশিং খঙদবা ব্রহ্মা পোকখি পুমমক, অদু ঐখা মায়ৈ মমী মমী ব্রহ্মাণ্ড অমমগী সৃষ্টি মপু ওইখি ॥৫৮

উৎপন্নো বিষ্ণুযোগেন্যাসন্ পালকা জগতাং বিভুঃ।
উর্ব্বেরাসন মহাত্মানো রুদ্ররৌদ্র পরাক্রমাঃ ॥৫৯

অদুগুম্বা মহাবিষ্ণুগী থব'কগী জগৎ য়োকবগীদমক মশিং খঙদবা বিষ্ণু পুথোকখি অমনা খু অনিদগী মতিক চাওবা অকিবগী মশক ওইবা মপাঙ্গল কনবা মশিং খঙদবা রুদ্র পুথোকখি ॥৫৯

সংহর্ত্তার স্ত্রিজগতাং তমোগুণ গণান্বিতাঃ ॥৬০

অদুগুম্বা অমাখা রুদ্রগী মপৈ অদো তমোগুণ তিল্লি পুথোক্লিবা অদো মরোল অদুম মাংহনবগী-দমক্লি অর্থাৎ ব্রহ্মানা সংসার শেম্বগী মপুনি বিষ্ণুনা জগৎ য়োক্লনবগী মপুনি শিবনা মাংহনবগী মপুনি ॥৬০

পাথোজযোনয়ঃ সর্ব্বে মাদৃশো হহক বিষ্ণুনা।
আজ্ঞপ্তাস্তপসা বৎসাঃ সৃজধ্বং বিবিধাঃ প্রজাঃ ॥৬১

অদুগুম্বা ব্রহ্মা ময়াম অদো মতৌ অসুম্না ঐগা বিষ্ণুগা ঐংখোয় অনিনা মরম ওইদুনা মখোয় অদো ওইহল্লিবনি অর্থাৎ ঐখোয় অনিনা মখোয় খিবিজ্ঞা অসুম্না হায় হে অঙাংসা ! তপ তৌরগা মখল মখা ময়াম্বা প্রজা শেম্মু ॥৬১

বেদশাস্ত্রনি সর্ব্বানি প্রদায় পুরুষোত্তমঃ।
ক্ষনাদন্তর্হিতো হস্মাকং পশ্যতাং পরমেশ্বরঃ ॥৬২

অদুগুম্বা পুরুষোত্তম পরমেশ্বর মহাক্না ঐখোয়গীদমক বেদশাস্ত্র পিরমগা ঐখোয়গী মাংদা য়েংনা য়েংনা খুদক অদুদা মাংখে ॥৬২

অন্তর্হিতে ভগবতি থোরেন ত'প'নথঃ।
হরিরাধয়তামদ্দ যোনানা মুগ্রকর্ম্মনাম ॥৬৩

ভগবান্না মাঙখ্‌বা অদুগী তুগুদা নিংবা কাইরদুনা ব্রহ্মা ময়াম্না অকনবা তপ তৌদুনা হরি নিংখি পুমমক অদুনা অকিবা থবক পদ্মযোনি ওইবা ব্রহ্মাশিংগী দেহদগী মতম অদুদা মখল মখা প্রজা পোকখি ॥৬৩

মনবো ঋষয়শ্চৈব স প্রজাপতেয় স্তিবে।
আসন্ন স্তপসা তেষাং বর্ণাশ্চত্বার এবতে ॥৬৪

ব্রহ্মা ময়ামগী তপঃ'তগী মনু ময়াম অমসুং ঋষি ময়াম প্রজাপতিশিং লোইননা মতৌ অসুম্না ব্রাহ্মণ, বৈশ্য, শূদ্র, ক্ষত্রিয়, অসিনচিংবা জাৎ মরি পুথোকখি ॥৬৪

ব্রাহ্মণ ক্ষত্রবিট্ শূদ্রা কেভ্যো জাতাঃ সহস্রশঃ।
ত্রয়োদশাদন্দকঃ স্বা চুহিতৃ কশ্যপায়বাঃ ॥৬৫

ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমসুং শূদ্র, অসিগুম্বা জাৎ মরি অদুদগী (অনুলোম বিলোমজ) লিশিং লিশিং ওইবা জাতি পোকখি অর্থাৎ উত্তম, অধম, মধ্যম, কল্প অমদা জাতি কল্প পোকখি। ব্রহ্মাগী

মচা দক্ষ প্রজাপতি মহাক্কি মচানুপি তরাহুমদোই কশ্যপতা পিথি অহুদগী অমাম্বা প্রজা পোকখি ।।৬৫
তাৎপর্য্য দক্ষপ্রজাপতিগী মচানুপি হুমফুনি মচানুপি কুনতরেংনা থাদ, নিপান্না ধর্ম্মদা, তরামাথোইনা রুদ্র তরামাথোইদা তরাহুমদোইনা কশ্যপতা, অমনা মহাদেবদা, অস্তুম তৌনা কৈথা হুমফু অসি মগাদা দান তৌখি। কশ্যপক্কি মুপি তরাহুমদোই অহুদগী মশিং খঙদবা জাতি প্রজা পোকখি ।।৬৫

তাস্বাসনদেব গন্ধর্ব্ব যক্ষবিদ্যাধরো রগঃ।
নাগ কিংপুরুষা রক্ষোপ্সরঃ সিদ্ধপিশাচকাঃ।।৬৬

পুম্নমক অসে দক্ষপ্রজাপতিগী মচানুপিদা কশ্যপনা মরম ওইদুনা দেব, গন্ধর্ব্ব, যক্ষ, বিদ্যাধর, সর্প, নাগ, কিংপুরুষ, রক্ষ, অপ্সর, সিদ্ধ পিশাচা অসিনচিংবা পোকখি। ৬৬

বিপ্রবিরাজর্ষাসুরর্ষিসংখ্যা মহর্ষি দেবর্ষি গুনোঘ যুক্তা।
তেজস্বিন স্তপ্তপঃ সমাধয়ঃ সংতৃপ্ত দেবর্ষিগণাঃ প্রশান্তাঃ।।৬৭

ব্রহ্মর্ষি, রাজর্ষি, অসুর, ঋষি সমুহ, অমুম তৌনা গুণ পুম্নমক্না তিনবা মহর্ষি, দেবর্ষি, অসিনচিংবা মখোয় অহুমী মনুংদা অকনবা তপ তৌবা কনাগী রাখন লৈতবা দেবঋষি ময়াম থোইদোক্না মগুণ লৈবা মখোয় অদো চাবা থকপা লৈতবা তরেং অদো থোইদোকপা (প্রশান্ত মুর্ত্তি হয়েন) ।।৬৭

খরোষ্ট্র মহিষা কাশ গবাশ্ব শ্বশৃগালকাঃ।
গোজাবয়েশ্চ মার্জ্জারা দৈত্যেয়া শ্চৈদানবাঃ। ৬৮

গর্দ্দভ, উষ্ট্র, মহিষ, পক্ষী, তব, কুকুর, শৃগাল, অসুম্না গো মেষ ছাগল, বিড়াল, ওদৈত্য, দানবাদি, অতুক্কি মখৈ ওইবা প্রজা পোকখি ।।৬৮

তাসবক্ষে গণশোবিপ্রাঃ সংক্ষেপা ওন্নিবোধতঃ।
অত্রোষট্ বজ্রিনোদিত্যাৎ আদিত্যা দ্বাদশাত্মকাঃ। ৬৯

হে ব্রাহ্মণশা! তারো পুম্নমক অদো শংক্ষেপ ওইনা হায়রগে অদিতিগী মচা তরানিপাল ইন্দ্র অমনা সূর্য্যে তরানিথোই পুথোকখি ।।৬৯

বসবোষ্টৌ যমা চৌষট্ গ্রহনক্ষত্র ভুষিতঃ।
এতেসর্ব্বে মহাসত্বাঃ মহৌজ বলশালিনঃ।।৭০

অষ্টবসু, চতুর্দ্দশ যম্ নবগ্রহ মতৌ অসুম্না নক্ষত্র কুনতরেং মখোই পুম্নমক অতুগী মনুংদগী মগুণ লৈবী মুপি (মহংজিব) মহাতেজস্বী অমসুং মপাঙ্গন কনবা মশা চাওবা কয়া পোকখি ।।৭০

নানা বর্ণবতঃ সর্ব্বে নানা স্বরবিভূষনাঃ।
তসন্ সর্ব্বে মহাস্মানঃ পৃথিবী পরিপালকাঃ।।৭১

অসিগুম্বা প্রজা মখল মথ, অয়াম্বা মচু অসুম তৌনা মখল মথা অমাম্বা খুৎলাই পাইবা পুকচেন চাওবা মতৌ অতুম্না পৃথিবী ভাকখি ।।৭২

মতাং অসিদা ব্রহ্মাণ্ড পুরাণগী রাধাহৃদয় কৌবা ব্রহ্মাগা ঋষি তরেংকা ভানবা সৃষ্টিবর্ণনঃ কৌবা;

।। অনিসুবা অধ্যায় লোইরে ।।২

এই ব্রহ্মাণ্ডখ্য মহাপুরাণের উত্তরখণ্ডীয় রাধাহৃদয় খ্যানে ব্রহ্ম সপ্তর্ষি সম্বাদে প্রলয়ান্তর পুনঃ সৃষ্টী বর্ণন নামে দ্বিতীয় অধ্যায় সমাপ্ত ।।

তৃতীয় অধ্যায়ঃ

গুরু স্তব

আঙ্গিরা উবাচ।—পয়েজ জন্মনে তুভ্যং নমো ঽস্তু পঙ্কজাসন।
পাথোজাস্যায়তে নাথ এতয়েব সুরোত্তম ।।১

শ্রীপদ্মযোনি ওইবা ব্রহ্মাগী মুখপদ্মদগী শিস্তরকপা অমৃতগা মান্নবা হরিগী কথা তাজবদা লুংঙাই-জরহুনা মহর্ষি অঙ্গির'ন ব্রহ্মাদ অমুক হন্না হায়রখি হেপয়োজ জন্মন ! অর্থাৎ পদ্মাস্তব ব্রহ্মণ ! নহাকপু খুরমজরি হে পদ্মাসন ! হে পদ্মা'নন ! হে নাথ ! নহাকপু হন্না হন্না খুরমজরি নহাক্না পুম্নমক খণ্ডবিহুনা তাকপিরী হে সুরোত্তম ! মাদো ঐখোয়না হঙ্গংপা নত্তে ।।১

প্রশ্নস্য কৃতপূর্ব্বস্য হরিস্তেপে তপঃ কথম্।
অত্রোত্তর পদং নৈব লব্ধংতে সুরপূজিত ।।২

হে দেব পূজিত ব্রহ্মন ! ঐখোইগীদমক মমাংডৈদা হৌখ্রব থবক তাকপিবদগী তাজরে অহুগুম্বা হরিনা করি মরমগীদমক কদাইদা তপ তৌহুনা লৈবগে গুরুদেবনা অহুবু তাকপিখে় তাকপিখ্রবঃ অহুবু ঐখোয়না খণ্ডবা ঙমদ্রে ।।২

দ্বৈপায়ন উবাচ।—প্রসান্নরুম পাথোজ বদনোজ সমুদ্ভবঃ।
হসন্নিব গিরং বিদ্বাদদৌ প্রশ্নপূর্ব্বতঃ ।৩

অহুগী ভুংদা লোম হর্ষবু খাগংলহুনা মহর্ষি ব্যাসনা হাইরখি। হেবিপ্রন অঙ্গিরাগী বা অহু তারবদা (পদ্মানন পদ্মযোনি) ব্রহ্মানা মাইথোং মকাকন্না মমোন নোকুনা মখোয়গীদমক মমাংডৈদা ওইখ্রবা বারি হন্না লিখি ।।৩

ব্রহ্মোবাচ।—নেতা বহুক্তং প্রশ্নস্য ভবিষ্যতি তবানঘ।
প্রসঙ্গাদুক্ত মেদত্তু সংক্ষেপেন ময়াধুনা ।।৪

ব্রহ্মান হায়খি—হে পাপ চেন্দবা ! অঙ্গিরা অহুকি মখৈ ওইবা নখোয়না হংজিবা অদো ঐনা লোয়না হায়বা ঙমরোই হৌজিক সংক্ষেপ ওইনা প্রলয়গী বারী অহানবদা লিরেদো।।৪

তাৎ পর্য্য। সংসার শেম্বগে থম্দুনা ভগবাম্না খোঙনাং মনাগী মথক্সা লৈহুনা পরমাত্মানা প্রকৃতিদা হংগে হায়বগীদমক তপ তৌখিবা অদুগী বারী অদো লিরগে তারো ॥৪

তপঃ প্রতপত স্তস্য কালো বহুতরোগতঃ।
আবির্সীত্তদা মায়া রাধা প্রকৃতিরুত্তমা ॥৫

হে ব্রাহ্মণশা! খোঙনাং মনাদা ফমহুনা ভগবাম্না তপ তৌবা অদো মতম কয়া হৌখে, অদুগী তুঙদা মুপি পুম্নমক্কগী অথোইবি মহামায়া ওইবি শ্রীমতি রাধা কাওরক্লে ॥৫

সর্ব্বোৎ কৃষ্টা ভগবতী যয়া সংমোহিতং জগৎ।
কৃপয়া পরয়াবিষ্টা ভুজৈঃ ষড়্ভিঃ সমাম্বিতা ॥৬

খুৎ তরুক পানবি মুপি পুম্নমক্কগী অথোইবি ভগবতী রাধা মহাক্না মরম ওইহুনা অসিগুম্বা জগৎ মুক্ষংনবগী মশক ওইবি ইবেম্মনা তপ তৌবিবা নারায়নগী মাংদা মহাক্না থোইদোকপা কৃপা ওইখি অর্থাৎ কৃপা তৌবিগে হায়বগীদমক ফোংদোক্কুনা দর্শন পিখে ॥৬

কোটি ভাস্কর সঙ্কাশা স্বভাসা ভাস্বতাদিশঃ।
রক্তমাল্যাম্বধরা রক্তগন্ধানুলেপনা ॥৭

মুমিৎ কোটিগুম্না ঙাল্লি মাগী অঙ্গকান্তি মাইকৈ তরা শিনবা থুংনা অঙাংবা ফি শেংলি অঙাংবা লৈ পরেং অমুম্না অঙাংবা চগুনা মশাদা লৈতেংঙি ॥৭

কুণ্ডলাঙ্গদ কেয়ুরমুকুট দ্যোতিত চ্ছবিঃ।
প্রসন্নারুন পাথোজবদনা পঙ্কজাসনা ॥৮

নাদ অঙাংবা নায়িন খুৎ অনিদা খুজি দেহদা অঙাংবা শারি থোনবা কোক্তা রত্ন মুকুটন ঙাল্লি মকত্রবা মুমিৎকি মঙানগুম্না মাইথোং থম্বাল ফুগাইনা শাৎপা থম্বালগী আসন্দা লৈবা ॥৮

শঙ্খং চক্রং গদাং শক্তিং কৃপানং মুষলংমুনে।
বিভ্রতী পরিতো দেবৈ ব্রহ্মবিষ্ণু পুরোগমৈঃ ॥৯
অপর্য্যাপ্তৈস্তুতৈর্দেবী ভক্তাভীপ্সিত দায়িনী ॥১০

হে মুনে! খুৎ তরুক পাল্লি শঙ্খ, চক্র গদা, মতৌ অমুম্না শক্তি, কৃপান, মুষল, অদুগুম্না খুৎলাই তরুক পাই ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব, অসিনচিংবা লাই পুম্নমক্না অকোইবদা লৈ অমঙুং মথোয় পুম্নমক্না চাংদম্লিংঙাই লৈত্রবা মগুণন, মশক ওইবা স্তবনা মরম ওইহুনা অদুগুম্বি রাধাদো ভক্তগী অনিংবা ফল পিনবিনী ॥৯-১০

তস্যাস্তু রোমকুপেষু বিত্তন ব্রহ্মাণ্ড কোটয়ঃ।
অনন্তাঃ সহ বিষ্ণ্বীশ ব্রহ্মানঃ সহবাহনাঃ ॥১১

অদুগুম্বি শক্তী পুম্নমক্না তিনবী রাধা মহাক্কি তুখোঙ অমমমদা ব্রহ্মাণ্ড অমমম মশিং থঙদবা ব্রহ্মাণ্ড লৈ অদুগুম্বা ব্রহ্মাণ্ড অদুদা অসম্ভগা লোইনবা বিষ্ণু লৈ মহাক্কি বাহনগা লোইনবা মহাদেব অমুম্না ব্রহ্মাসু লৈ ॥১১

সধরাং সহ পাতালাং সনাকাং সসুরাসুরাং।
দৃষ্ট্বা প্রাঞ্জলিনা বিপ্রা দণ্ডবৎ প্রণনামচ ॥১২

হে বিপ্রগণ! পৃথিবী, পাতাল, স্বর্গ অমসুং লাই পুম্নমক দেহদা লৈবা ভগবান নারায়ণ খুৎ লোঠিনা ডক নোল্লগা রাধাবু খুরমখি ॥১২

মেথ গম্ভীরয়া বাচা হসন্তী জলজাননা।
বভ ষে বাক্যমবাগ্রা জগন্মোহন—মোহিনী ॥১৩

অদুগী তুংদা কমলবদনী জগৎ পুম্নমক মোহনবগী মশক ওইবি রাধানা মোমোন নোকুনা *মন্ত্রেক নিপানা তিনবা খুংশিবা বা নারায়ন্দা হায়খি ॥১৩

দেব্যুবাচ।—শৃণু বৎস বচোমহ্যং হিতং তে করবানিকিং।
রাধয়স্ব যথাতত্ত্বং ত্বং মাং পুরুষসত্তম ॥১৪

দেবীনা হায়খি হে বৎস! হে পুরুষোত্তম! হৌজিক ঐনা নখোয়গী ফনব করি তৌসিগে নংডোন্দা ঐনা ফনবা বা হায়রিবা অসে তারো ঐনা হায়রিবা তত্ত অদু খংডগা নহাক্না ঐবু নিংঙো ॥১৪

তত্তত্ত্বেসিদ্ধিকামস্য দৃঢ়াসিদ্ধির্ভবিষ্যতি ॥১৫

হে বৎস! ঐবু নিংজবগী মরম্না নখোয়গী অপাম্বা ফঙগনি নখোয়গী অমিংবা ফংনবা যত্তোন তৌনা তৌগদবা ওই ॥১৫

শ্রীবাসুদেব উবাচ।-কথং রাধা ভবেম্মাত তপসা কেনবা মম।
কেনোপায়েন মেকুহি যদ্যপি স্যাৎ সুদুষ্করম ॥১৬

মহাদেবী রাধাগী বা তারবদা ভগবান বাসুদেবনা হংজখি হে মাতঃ ইমা নহাকপু মতৌ করম্না ফোংদোকপা কনান তপ তৌবা অমসুং করম্বা উপায়না মরম ওইদুনা ঐখোয়না নিংগদগে মহুবু ঐখোয় খিবিক্তা তাকপিয়ু অদু নত্রবদি খঙবা উমদ্রে চানবিদুনা অমুক্তদি তাকপিয়ু ॥ ৬

শ্রীদেব্যুবাচ।—গুরোঃ শকাশাৎ সাম্প্রাপ্য মন্ত্রংব্রহ্ম সযন্ত্রকং।
ধ্যানং মালামাতৃকাখ্যং স সমাধিং সুরারিহন ॥১৭

মতিক চাওবি রাধিকাদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়জবা বা অদু তারবদা মাডোন্দা অরেপ্পা পাওতাক হায়খি। হে সুরারিহন! গুরুগী নাক্তগী মন্ত্র মতৌ অসুম্না মন্ত্র অচ ব্রহ্মাগী মশক ওইনা নিংগদবা ওই অমসুং মন্ত্রেক অদুনা মালা ওইনা ফংডবদা পুক্লিং চংনা উপাসনা তৌরো ॥১৭

তেমারাধয় যত্নেনক্ষিপ্রং মাং সমবাপ্স্যসি।
গুরুনাদত্ত মন্ত্রেন মনঃ শুদ্ধি মবাপ্যচ ॥১৮
ক্ষিপ্রমারাধয়ন সিদ্ধো ভবিষ্যসি ন সংশয়ঃ ॥১

---

* ক্লীঁ হুবী কেশায় নমঃ। শ্রীং হ্রীং ক্লীং কৃষ্ণায় স্বহা।

অতুগুম্বা নিংননবা মন্ত্র অমস্তুং যন্ত্র কংওগা নিংঙো অতু ওইরবদি ঐবু শোইদনা ফংগনি গুরুনা পিবা মন্ত্রনা মরম ওইদুনা দেহস্থ শেংগনি দেহ শেংঙবা তুংদা নিংঙবদি থোইদোক্লা থুনা অফবা ওইগনি হায়রিবা অসিদা কনানা চিংনগদবা ওইদে ॥১৮-১৯

তস্মাদাদৌ গুরুঃ পূজ্যং পরব্রহ্মময়ো হিঃ সঃ।
তৎপ্রসাদাদবাপ্যেব দেহো ব্রহ্মময়ো ভবেৎ ॥২০

মরম অসিনা গুরুবু অহানবদা পূজা তৌগনি মরম অতুদগী গুরু হায়বা অসে অথোইবা ব্রহ্ম ওইয়ে গুরু কৃপাদগী মন্ত্র সিদ্ধি ওইগনি গুরু হায়বা অদো দেহ ওইবদনি অশেংবদি ব্রহ্মগী মশক্নি ॥২০

ন মন্ত্রো গুরুনাদত্তোন সপর্য্যা ন জাপনং।
গুরু পূজাং বিনা দেব নিষফলং সকলং স্মৃতম ॥২১

দে দেব! অতুগুম্বা মন্ত্র গুরুনা পিবদি নত্রবা মন্ত্র অদো মন্ত্র নপ্তে গুরু পূজা তৌদবা মী অতুনা দেব পূজা তৌরবা অমনা গুরুনা পিবা মন্ত্র থিবা নত্তনা অতোপ্পা মন্ত্র থিরবদি তৌরিবা থবক পুম্নমক মহৈ কংঙোই॥২১

নৈর্বাসিদ্ধির্বিনা জাতু শতলক্ষ জপেনতু।
অপ্রসন্নোগুরুর্যস্য দেবর্ষি পিতৃ ভূসুরাঃ।
ন দৃহ্লীয়াং জলং পুষ্পং নৈবেদ্যাদি কদাচন ॥২২

গুরু কৃপাদগী ফংবা মন্ত্র নত্তনা অতোপ্পা মন্ত্র লখা চাম জপ তৌহুনস্তু অফবা ওইরোই মী অতুগী মফমদা গুরুনা পিবা মন্ত্র নত্তনদি দেবগণ, ঋষিগণ, পিতৃগণ মতৌ অমুম্না ব্রাহ্মণশিংনা পিবা ঈশিং লৈ নৈবেদ্যাদিকদাচ, করিগুম্বদা কংপা লৌজে ॥২২

পিতৃ দেবর্ষি বিপ্রাগ্নি যক্ষগন্ধর্ব্ব রাক্ষসাঃ।
গুরৌ প্রসন্নে কর্ত্তুং তে হ্যহিতং জাতু ন ক্ষমাঃ ॥২৩

মহাক্কী মফমদা গুরুনা পেনবিত্রবদি পিতৃদেব, ঋষি অমস্তুং ব্রাহ্মণগণ মতৌ অমুম্না অগ্নি অমস্তুং যক্ষ, রাক্ষস, গন্ধর্ব্বগণ, মথোম্ন অদো অফবা ওইরোই নিংহুনস্থু ভাকপা ঙম্মোই ॥২৩

জপ হোমার্চ্চনং সর্ব্বং সকলং গুরু তোষতঃ।
অনবাপ্য গুরো মন্ত্রং যো মূঢ়ো দেবতাং যজেৎ।
সযাতি নিরয়ং ঘোরং দিব্যবর্ষা যুতাযুতম ॥২৪

গুরুনা পেন্দ্রবদি জপ হোম পূজানচিংবা পুম্নমক মহৈ লৈতে গুরুদগী মন্ত্র ফংবা নত্রবা নিপা অতুনা দেবতা পূজা তৌববা মহাক অদো অপংবনি চহি মশিং খণ্ডনা অকিবা নরক ভাগনি ॥২৪

মনসাপি ন কর্ত্তব্যা গুরুনিন্দাং সুরারিহন।
গুরো রাজ্ঞাং প্রতীক্ষন্তে ব্রহ্ম বিষ্ণু মহেশ্বরাঃ ॥২৫

হে সুর শত্রুহাবিন! পুক্নিংদা গুরু নিন্দা তৌকদে মরম অতুদগী ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর অসিনচিংবা মতম পুম্নমক্কা গুরু আজ্ঞা তাহাঁর অর্থাৎ গুরু বাক্যে বশবর্ত্তী হন। ২৫

গুরুনা দর্শিতে মার্গে মন্ত্রে দেবার্চনে বিভোঃ।
বস্তু ম্রান্তি মনঃ শুদ্ধি সত্বো নিরয়ী ভবেৎ ॥২৬

সেই মহাপ্রকৃতি রাধা হৈবেম্মনা নারায়ণদা হায়খি হে শ্রীপতে! গুরুনা আকশিনবা চত্ত্ব কুলনি অসুম্না দেবপূজা তৌগনি মন্ত্র জপ তৌগনি অহু নত্তবা মায়া মল্লা নিংবা তৌরবদি পুক্কিং শেংডোই অহু অহুগুম্বা মীওইশিং অদো নোরক তাগনি ॥২৬

গুরুদেব গুরু ধর্ম্মো গুরুনিষ্ঠা পরং তপং।
গুরুরেব পরং ব্রহ্ম পুজ্যো ধ্যেয় স্ততোগুরু ॥২৭

গুরনা লাইনি গুরুনা পরাংপর ধর্ম্মনি গুরুবু চেৎনা নিংগদবা ওই মতৌ অসুম্না গুরু হায়বা অসে অথোইবা ব্রহ্মনি মরম অদুদগী গুরুবু পুম্নমক্কা অহানবদা পুজা তৌই মতৌ অসুম্না নিংগদবা ওই ॥২৭

গুরোঃ পরতরং নাস্তি পরাৎ পর পরাবপি।
সর্ব্বং গুরু ময়ং ধ্যেয়ং মন্ত্র মন্ত্রাদিকঞ্চযৎ ॥২৮

গুরু কৃপানা অথোইবনি অহু নত্তবা পোং অমা লৈতে মন্ত্র যন্ত্রনা কংবদি খন্নিজা কংতি অহুগুম্বা মপৈ অহুদি গুরুগী মশক্তি অসুম্না নিংগদবা ওই। ২৮

মনসা কর্ম্মনা বাচা গুরু তোষং সদাচরেৎ।
জ্যোতি রূপং পরব্রহ্ম সচ্চিদানন্দবিগ্রহম ॥২৯

মনদ্বারা, কর্ম্মদ্বারা, মতৌ অসুম্না ভাংগদবা থোং মতম পুম্নমক্কা গুরুবু পেন্নবগীদমক পুজা তৌগদবা ওই রূপেংবা মডাংগী অশক্তি (সচ্চিদানন্দবিগ্রহ) অথোইবা ব্রহ্ম গুরুনি ॥২৯

নির্গুনং নিষ্কলং শান্তনং পরমানন্দদং সদা।
তোষয়েৎ সর্ব্বকার্য্যেষু প্রণতো নতু রোষয়েৎ ॥৩০

গুরু হায়বা অসে নির্গুন শান্ত, নিষ্কল অর্থাৎ মায়া পকুবনি কংভাইবা পিনবনি মরম অসিনা গুরুক পুম্নমক্কা অহানবদা গুরুবু পেনহনগনি পুজা তৌগনি কৰিগুবদা শাওহনক দ ॥৩০

রোষয়েৎ যো গুরুমূঢ়ো নিন্দাংব কুরুতে চযঃ।
সযান্তি নরকং ঘোরং যাবদ্বরং চতুর্গয়ম ॥৩১

অহুগুম্বা অপংবশিংনা গুরুবু শাওহন্নি অহু নত্রগা যংনহনা গুরুবু নিন্দা তৌই অহুগুম্বা অপংবশিং অদো চহি মঙ্গু তরামরি অকিবা নরক তাদুনা লৈগনি ।৩১

সমাবাপ্য গুরোর্ম্মন্ত্রং বাগযতঃ সুসমাহিতঃ।
জপিত্বাতো গুরুং পুজ্য ততো দেবং যজেৎ সুধীঃ ॥৩২

গুরু কৃপাদগী মংবা মন্ত্রবু পুক্কিং চংনা বা ভাংদনা জপ তৌদুনা পণ্ডিৎশিংনা অহানবদা গুরু পুজা তৌরগা মতুংদা ইষ্টদেবতা পুজা তৌগনি ॥৩২

সিদ্ধিকামো লভেৎ সিদ্ধিং গুরু যদধিকং যজন।
তস্মাৎ সর্ব্ব প্রযত্নেন গুরোরাধনং কুরু ॥৩৩

মতম অদুদা গুরুগী মূর্তিবু পুক্কিং অনি খন্দনা গুরুবু পূজা তৌগনি অদু ওইরবদি অপাম্বা মীশিং অদুনা অথোইবা সিদ্ধি ফংগনি মরম অসিনা যতোন্ তৌনা গুরুবু নিংগদবা ওই ॥৩৩

সচ্চিদানন্দ বিগ্রহ অর্থাৎ সৎ, অসে অরেপ্পবু খননৈ। চিৎনা, অখণ্ডববু খণ্ডনৈ। আনন্দ নুংঙাইববু খণ্ডনৈ। অদুম্না ত্রিনববু গুরুনি।

শ্রীবাসুদেব উবাচ।—কীদৃশশোঽসৌ গুরুঃ পূজ্যঃ কথংব্যক্তিং স্বরূপকঃ।
কুত্রতিষ্ঠতি কেনাথতোয়মিতি বদ স্বমে ॥৩৪

শ্রীরাধিকাগী পাওতাক তারবদা নারায়ন্না অমুক হন্না হংজখি হে দেবি! গুরুবু করম তৌনা পূজা তৌগদগে মহাকী মশক অদুনা করিনো? মহাক অদুনা কদাইদা লৈবগে মতৌ করম তৌনা মহাকি অপেনবা পোকদগে মদুবু ঐঙোন্দা অমুক্তা তাকপিবু ॥৩৪

শ্রীদেব্যুবাচ।—শৃনু বিদ্বন যথাতত্ত্বং সাবধানো ময়াধুনা।
শ্রোতামানং গুরোস্তত্ত্বং সমন্ত্রং সার্চ্চনং হরে ॥৩৫

দেবী কহিলেন—হে হরে! হে বিদ্বন! নহাক্না পুক্কিং চংনা তারো ঐনা মন্ত্র পূজা লোইনবা গুরু তত্ব নংঙোন্দা হায়রগে ৩৫

গুরুর্হিদেবো ভগবান পরমাত্মা সনাতনঃ।
তস্যধ্যানং প্রবক্ষ্যামি সমাহিত মনাঃ শৃনু ॥৩৬

হে বাসুদেব! অশেংবা অবেপ্পা পরমাত্মা ভগবান ব্রহ্মগী মশক ওইবা গুরুদেববু ঐনা মহাকপু নিংজৈ নহাক্না পুক্কিং চংনা তাবো ॥৩৬

তুষারকুন্দশঙ্খেন্দু বরস্ফটিক সন্নিভং।
প্রসন্নোদ্ভোরুহ প্রখ্য বদনং চারুহাসিতম ॥৩৭

থাওয়া ঙৌবা কুন্দগুম অমকপা লৈতবা মতৌ অদুম্না অশেংবা মণিগুম অমসুং মোঙ্গবুগুম নিংথিবা অমদি মহাক্কি দেহগী মতান মণিগুম অঙৌবা থম্বালগুম মমৈ'ন নোকপা ফুগাইনা শাৎপা থম্বালগুম্না ॥৩৭

সুবাহুবক্ষি কপোলভ্রূ' সদ্দন্তোষ্ঠাধরং।
প্রসন্নচরন পাথোজ পাদদ্বন্দ্ব মিরাজিতম ॥৩৮

মনাইশিংদ কিদবা পিবা নিংথিজরবা পাম্বোম অনি নিংথিজবা মিংমেং মাইথোং মকাকনবা মুংশিবা শাথেক নিংথিবা মাগী পরেং অমসুং চিনবান থোইদোক্না ফজবা মুংশিবা মাঙাং অঙাংবা থম্বালগুম ফজবা খোঙ অনিনা লৈতেংঙি ॥৩৮

কুণ্ডলোষ্ণীষ বিভ্রাজদ্ধার কেয়ূর মণ্ডিতং।
শ্বেতস্রগ গন্ধবস্ত্রাদি ভূষিতং নির্গুনাত্মকম ॥৩৯
ব্রহ্মজ্যোতিঃ স্বরূপঞ্চ ভক্তানুগ্রহ বিগ্রহম।
দিশাবিতিমিরঃ কুর্ব্বান তেজরাশি মিবোজ্জ্বলম ॥৪০

কুণ্ডল অমসুং মুকুট কোক্তা অমসুং গণ্ডযুগদা ভাল্লি মণিনা কন্থদা হকচাংদা কিনা লৈতেংঙি। অঙৌবা চণ্ড অঙৌবা ফি অমসুং অঙৌবা মালা লৈতেংঙি মায়াগী গুণ য়াওদবা গুরুদেব অদো অশেংবা ব্রহ্মগী মঙানগী মশক্তি অশেংবদি মনাইশিংগী দমক খোজানবিগে হায়রুবা মূর্ত্তি ওইনা লংঙবা মঙাল্লা মশক ওইবা মহাক্কি মঙাল্লা মাইকৈ তরাবু অমম্বা মাংহল্লি ॥৩৯-৪০

জবাকুসুম সঙ্কাশং পট্টাম্বর ভৃতাচ্যুত।
ভাস্বৎ ভাস্বং সহস্রাভ রক্তমালা নুলেপয়া ॥৪১
হ্যদ্বাস্যারুণাস্যাঢ্যা চর্ব্বত্তাম্বুল রক্তয়া।
স্বশক্ত্যা লিঙ্গিতং বাম পার্শ্বাসন কৃতাগুরুম ॥৪১

হে অচ্যুত! গুরুদেবনা মহাক্কি আসন্দা ফম্বা অর্থাৎ কোক লিশিং ওইবা থম্বালগী আসন ময়াইদা জবাপুষ্পাগুম্না ঙাংবা, অঙাংবা শক্তি, অঙাংবা ফি শেংপা মঙাল্লা লুমিং কোটিগুম্না ঙানবা অঙাংবা লৈপবেং খোনবা অমসুং অঙাংবা চণ্ড লৈবা হকচাংদা মোমোন নোকপা; মা চাবগী চিনবান ঙাংবদো লুমিংকি মঙানগুম্বা ওইথংবদা অদুগুম্বি মহাক্কি ওইবি অঙাংবা শক্তিনা মরম ওইদুনা থম্বাল অমসুং খম্ভৌনা তমজনিংঙাই ওইবা পান্থোম আনন দেহদা কোল্লি ॥৪১-৪২

মন্ত্র ঐং গুরুবেতুভ্যং নমঃ ইত্যস্ত মন্ত্রতঃ।
পুজয়েত্ভক্তি পুতেন স্বান্তো নানন্য গামিনা ॥৪৩

হে দেব! মীশিংনা সাধক তৌগদবদি (ঐং গুরুবেতুভ্যং নমঃ) অসিগুম্বা মন্ত্র অসিনা অতোপ্পা যাখন তৌদনা অমত্তা ওইবা ভক্তিনা গুরুদেববু পূজা তৌগনি ॥৪৩

ইমং মন্ত্রং জপেন্মন্ত্রা স্তোত্রমেত দুদারয়েৎ।
কবচঞ্চ মহাবাহো সর্ব্বসিদ্ধিকরং জপেৎ ।৪৪

হে মহাবাহো! হে অচ্যুত! মন্ত্র অসিনা অহানবদা থিগনি সাধক গুরুদেববু স্তোত্র পাঠ তৌগনি। সর্ব্বসিদ্ধি ওইননবগী দমক গুরু কবচ জপ তৌগদবা ওই ॥৪৪

পূজাক্রমং ততোবক্ষ্যে তবস্নেহ দুরুক্রম।
প্রাতরুত্থায় শিরসি ধ্যায়েচ্ছুশী কলাধরম ॥৪৫

হে উরুক্রম নারায়ন! নহাক্কি নফমদা ঐনা লুংশিরুরে মরম অদুদগী পূজাগী মরম নংঙোন্দা হায়রিবা অসে তারো অমুক হৌগংলকপদা তৌগদবা ওই থাগুম্না ঙানবা লাইবক্তা 'শ্রীমৎ' গুরুবু কোক্তা থম্মগা নিংজগনি ॥৪৫

শুক্লাজে দ্বাদশার্ণেতু স শক্তি প্রচ্ছিতাননং।
পুর্ব্বোক্তা ধ্যানেন ধাত্বা প্রাতঃ কৃত্যঃ চরেৎসুধীঃ ।৪৬

কোকথক্তা থমগদবা ওই অঙৌ মূর্ত্তি মনা লিশিং পানবা থম্বালগী মম্নাইদা মফম তরানিথোই শক্তিগা লোইনদুনা লুংশিবা মূর্ত্তি গুরুবু অহানবদা নিংগনি যাখন তৌরগা সাধক তৌদুনা অমুক হৌগংলকপদা অসিগুম্বা লমচৎ তৌগদবা ওই ॥৪৬

স্নাত্বাতু বিমলে তোয়েবিভ্রৎধৌতে চ বাসসী।
বুর্ব্যাদাবুপ বিশ্যাদৌ গুরু পূজাং চরেৎ সুধীঃ ॥৪৭

অমুগী তুংদা অসেংবা ঈশিংদা স্নান তৌরগা অসেংবা ফি শেংতুনা ইন্দুনা হায়খি্‌বা অসে আসন্দা ফম্মগা পুক্লিং তপ্না অহানবদা গুরুবু পূজা তৌগনি ॥৪৭

পাঠিত্বা স্তোত্রকবচং ইষ্টদেবং যজেত্ততঃ ॥৪৮

বিধান কাইদনা গুরুবু পূজা লোইরগা স্তব কবচ পাঠ তৌরগা ইষ্টদেবতা পূজা তৌগনি অমুম্না হায়রিবা অসে নহাকপু নুংশিবদগী নংভোন্দা হায়রিবনি ॥৪৮

শ্রীভগবানুবাচ।— অম্বতেম্বুজসংকাশ পাদদ্বন্দ্বং নমাম্যহম্।
অনুগ্রহাত্তে প্রকুহি সর্ব্বসিদ্ধি যুভো ভবেৎ ॥৪৯

ভগবান্না হায়খি হে দেবি! হে মাতঃ! ফুগাইনা শাংপা থম্বালগুম্বা নহাক্কি চরণ অনিবু ঐনা খুরমজুনা হায়জরি নহাক্না নুংশিবিদ্রবদি পুম্নমক অসি কদাইদগী শুমগদগে কৃপা তৌবিদুনা য়াথং পিনবিয়ু ॥৪৯

শ্রীদেব্যুবাচ।—অতিগুহ্যং মহৎ পুণ্যং ত্রিকালকল্মষা পহম।
সর্ব্বসিদ্ধিকরং স্তোত্রং নদেয়ং যস্য কস্যচিৎ ॥৫০
বিশেষতো দাম্ভিকায় পরহিংসা রতায়চ ॥৫১

দেবীনা হায়খি—হে দেব! খোইদোক্না অথুপ্পা ওইবা গুরু স্তোত্র পুণ্যগী মশক অসিবু মতম অহুমদা শোল্লবদি পাপ কোকই অমসুং সর্ব্বসিদ্ধি পিনৈ অসিবু খুদিংমক্তা পিবা য়াদে অমদি নাপন চৌবা মী হিংশা তৌবা মী অসুম্না কনাদা পিবা য়াদে ঐনা নংভোন্দা অসিগুম্বা গুরু স্তোত্র হায়রিবা আসনি নহাক্না পুক্লিং তপ্না তাবো ॥৫০-৫১

নমোঽস্তুপাথোরুহ পাদযুগ্মে জ্ঞানান্ধকারানি সহস্রভানো।
তত্ত্বাববোধাজ্ঞ সহস্রভানবে নমোঽস্তুতে দাপমহৌজসে গুরো ॥৫২

হে গুরো! ইবুংঙো নহাকপু খভজদবদগী মিৎ তাংবগুম্মে ভাকপিয়ু খুৎ লিশিং ওইবা মূর্ত্তি নহাক্কি পাদপদ্ম অনিদা ঐনা খুরমজবি ইবুংঙো নংগী তত্ত্ব অপাবশিংনা ফত্তবনি হায়বনা ফোংদোক্লি নুমিৎ লিশিংগী মঙালগুম্বা ইবুংঙো নহাক্ক হৌরকপা মৈঙুম্না ফেংদোকপা মঙান চাওবা হে গুরো নহাকপু হন্না হন্না খুরমজবি। ৫২

ব্রহ্মপ্রদালস মানসার্ণব প্রোৎফুল্ল পঙ্কেরুহ দন্ত পঙক্তয়ে।
কিরীট হারাঙ্গদ কুন্দলোল্লসদ্বপুষ্মতে তে সুর পূজ্যপাদ ॥৫৩

হে ব্রহ্মপদ! থোঙাম্না সমুদ্রগুম্বা ফুগাইনা শাংপা থম্বালগী আসন্দা পুক্লিংহুবা মাগী পরেংনা ঙাল্লিবা অমুম্না কিরীট, হাব, হকচাংদা অমসুং কুণ্ডলনা লৈতেংলি ইবুংঙো নহাক্কী মঙালনা অচৌবা নসা ওইবা সাট ময়াম্ন মরম ওইদুনা পাদপদ্ম অনিদা পূজা তৌরি অঙকপগী মশক ওইবা নহাক্কি মরম অহুদগী নহাকপু খুরমজার। ৫৩

শঙ্খেন্দুভাস প্রতিমান ভাসয়া দিশোন্ধকারং তিরস্কৃত্ত মোন্নুদে।
সহস্রভানু প্রতিভানুমানিত তৎপাদ পাথোজ বরায় নাথ।।৫৪

হে নাথ ! মোইবুঙ, মতৌ অস্তুম্না থাগী মঙানগুম্না নহাক্কি অঙ্গকান্তিনা মায়কৈ পুম্নমক্কি অম্বাবু মাংহল্লি মরম অচদগী নহাক্কা মতম অসিদা ইন্দ্রিগী অম্বাবু ভালহনবিয়ু ইবুংঙো নহাক্কি মুমিং লিশিংগী মঙাল গুম্না ভানবা পুম্নমক্কি তুঙনফম ওইবা নহাক্কি চরণ থম্বালদা ঐনা খুরুমজরি।।৫৪

নমামিতুভ্যং নমনীয়পাদ। সর্বেশ্বহৃদ্দুগুরো প্রসীদ।
ভক্তেশ ভক্তেষ্ট বিতারলালস। স্বাস্ত প্রভো দীনদয়া পরায়তে।।৫৫

হে গুরো ! ইবুংঙো নহাক্কি পাদপদ্ম অনিদা চংজরি নহাকপু খরমজরি নুংশিবিয়ু নহাক্কি ভক্তগী ঈশ্বরগী ভক্তগী পুক্কিংগী অপাম্বা পিনবা মপুনি নহাক্কা অতোনবশিংদা থৌজান পিনবিয়ু হৃদিগী অমম্বা মাংহনবিয়ু হে প্রভো ! ইবুংঙো নহাকপু খুরমজরি।।৫৫

দেবর্ষি রাজর্ষি শ্রুতর্ষিসিদ্ধ মহর্ষি বিপ্রর্ষি গনৌঘ পুজ্য।
সরোজসঙ্কাশ পদাম্বুজায়তে। নমোহস্ততে গুহ্যগুনৌঘযুক্তঃ।।৫৬

হে দেবর্ষি, রাজর্ষি, শ্রুতর্ষি অমসুং ব্রহ্মর্ষি শিংনা পূজা তৌরি। হে অথুপ্পা ওইবা গুণগী মপৈনা তিনবা ! ফুগাইনা শাংপা অঙাংবা থম্বালগুম্বা ইবুংঙো নহাক্কি চরণ থম্বালদা ঐনা খুরমজরি।।৫৬

দেবাপ্সরো যক্ষপিশাচ নাগাঃ বিদ্যাধরাদিত্য মরুদগনৌঘৈঃ।
সমীড্যপদাব্জ বর প্রসাদতাং হৃদয়ান্ধকার প্রতিনাশনো ভবান্।।৫৭

দেবগণ, অপ্সর, যক্ষ, পিশাচ, নাগ, বিদ্যাধর, আদিত্য অমসুং মরুতগণ পুম্নমক্না নহাক্কি চরণ অনিদা চংজরি ইবুংঙো নহাক্না হৃদিগী অম্বাবু মাঙহনবিয়ু হে প্রভো ! নহাক্না ঐনী ইফমদা চানবিয়ু।।৫৭

স্ফুটজ্জবারক্ত তয়া দিগন্তরং প্রকাশয়ন্ত্যা তনুভান ভ সয়া।
মথ স্বশক্ত্যা পরিলিঙ্গ্যমান শরীরতে পাদযুগং নমামি।।৫৮

হে প্রভো ! ফুগাইনা শাংপা জবাপুষ্পগী মতোগুম্বা নহাক্কি শক্তি অঙাংবা মচু অহুদা নহাক্না অহুগুম্বা অঙ্গকান্তি অহুনা মরম ওইদুনা মাইকৈ অপুম্না ফোংদোকই হে নাথ ! অহুগুম্বা শক্তি অহুনা মরম ওইরগা ইবুংঙো নহাক্কি অচোবা দেহদা কোল্লি মরম অসিনা নহাক্কি পাদপদ্ম অনিদা ঐনা খুরমজরি।।৫৮

ব্রহ্মপ্রদাম্নম পবর্গবর্গ্য ব্রহ্মেশ বিষ্ণীন্দ্র কুবের মুখৈঃ।
নতাঙ্ঘ্রি যুগ্মায় প্রসন্নপাধো জনাঙ্ঘ্রি যুগ্মায় নমামিতুভ্যম।।৫৯

হে বর্য্য ! পুম্নমক্না পূজা তৌরি ইবুংঙো নহাক্কি অবেপ্পা মুত্তিবু ব্রহ্মা, শিব, বিষ্ণু, কুবেরনা লুচিংবা লাই মম্নাম্না নহাক্কি চরণ থম্বাল অনিদা খুং সোম্নরি ফুগাইনা শাংপা থম্বাল মানবা নহাক্কি চরণ অনিদা হে নাথ ! ঐনা ইবুংঙো নহাকপু খুরমজরি।।৫৯

গুনাতীতায় গুণিনে গুণগ্রাম প্রদায়চ।
সচ্চিদ্রূপায় শান্তায় পরমানন্দ দায়িনে।।৬০

গুণগী রাংমদা লৈবা অমদি গুণগী মশক ওইবা মতো অসুম্না মন্নাইদা ভক্তিগী গুণ পিবা চিৎস্বরূপ শান্তস্বরূপ, থোইদোকপা, মুংঙাইবা পিবা গুরু, ইবুংঙো নহাকপু খুরমজরি ।।৬০

যোগেশ যোগগম্যায় নিষ্কলাত্মক্রিয়ায়তে।
নমঃ পঙ্কজনেত্রায় বেদান্তোরুহ ভানবে ।।৬১

হে যোগেশ! ইবুংঙো নহাকপু থবা গুমদে নম্বা শান্নজবনি আত্মারাম ফুগাইনা শাংপা থম্বালগুম্বা মিংনা নহাকি ওইবা দেবস্বরূপ মুমিৎ থোক্লগা থম্বাল শাংপগুম ইবুংঙো নহাকপু খুরমজরি ।।৬১

নমোজ্ঞানান্ধকারায় জ্ঞানপাথোজ ভানবে।
শ্রুতি স্মৃতি পুরানেতিহাস বেদান্ত বেদকৈঃ।
মীমাংস গমনুথৈশ্চ কথিতা স্বগুণায়তে ।।৬২

খঙদবগী মশক ওইবা অমম্বু মাংহনবিবা জ্ঞানদি থম্বাল ওইরে মুমিংকি মশক ওইদুনা শাংহনবিমু শ্রুতি, স্মৃতি, বেদ, বেদান্ত, আগম, পুরাণ ইতিহাস অমসুং মীমাস, অসিনচিংবদা নহাকি আত্মাগুণ ফোংদোকচগে হে গুরো! নহাকপু খুরমজরি ।।৬২

যৎপ্রসাদ স্তুভন ব্রহ্ম সদগতিং সম্মতিং রতিম।
বিকসৎ পদ্মবক্ত্রায় তস্মৈ শ্রীগুরবে নমঃ ।।৬৩

অদুগুম্বা গুরুনা থোজ্ঞানবিরবদা দেবজ্ঞান সদগতি অমসুং পুকচেন অকবা মতৌ অসুম্না ভগবান্দা অসেংবা অপাম্বা ফংননবগীদমক জীবনা তৌগদবা ওই অদুম ওইবা ফুগাইনা শাংপা থম্বালগুম্বা শ্রীগুরুদেববু খুরমজরি ।।৬৩

অজ্ঞানতিমিরধ্বংস ভানবে মচ্চিদাত্মনে।
জ্ঞানপাথোজ হংসায় জ্ঞানদায় পরাত্মনে ।।৬৪

হে গুরো! ইবুংঙো নহাক্না মুমিংকি মশক ওইদুনা খঙদবদগী অমম্বু মাংহনবিনবগী মশক ওইবা সচ্চিদাত্মা, জ্ঞানরূপ পরমহংস, পরমাত্মা, ওইবা জ্ঞানবু পিনবা নহাকপু খুরমজরি ।।৬৪

জ্ঞানবীজায় শুদ্ধায় সূক্ষ্মরূপায় তেনমঃ।
হিমকুন্দেন্দু শঙ্খাভ নমস্তে হনন্ত শক্তয়ে ।।৬৫

জ্ঞানগী মরু ওইবা থোইদোক্লা অশেংবা ওইবা উনগুম্না অমসুং মোইবুংগুম্না ভৌবা অনন্তশক্তি ওইবা শ্রীগুরুবু খুরমজরি ।।৬৫

নিত্যায় নিত্যবোধয় নিত্যজ্ঞান প্রদায়িনে।
নিত্যা নিত্য প্রবোধায় নিত্যা নিত্যগুণায়তে ।।৬৬

নিত্য অর্থাৎ, সমুদ্রদা লৈতবা অরেপ্পা জ্ঞান পিনবা অওকপা লৈতবা মতৌ অসুম্না অরেপ্পা অমসুং লেপ্তবা অনিমকী মশক ওইব অথোইবা ব্রহ্মগী মশক ওইবা গুরুবু খুরমজরি ।।৬৬

সর্ব্বায় সর্ব্বরূপায় সর্ব্বেশ্বর নমোহস্তুতে ।।৬৭

শ্রীগুরুদেবনা পম্নমক্তি মশক্তি সর্ব্ব.আ্মা, সর্ব্বরূপ, পুম্নমক্তি ঈশ্বর ওইবা ইবুংঙো মহাকপু খুরমজরি । ৬৭

ইদং স্তোত্রং মহাপুন্যং পঠেদ্ধ পাঠয়েদ্দযদি ।

অপরা ভবানীরাদ্ধৌ তরনং সুলভং ভবেৎ ।।৬৮

মহাপুন্য পিনরবা অসিগুম্না গুরু স্তোত্র অসিবু পাঠ তৌজরবা অঙ্ক নত্রগা অতোপ্পনা খিরগা তাজরবা অকিবগী মথক ওইবা সংসার সমুদ্র লাইনা লালবা ওয়য়ে থোইদোক্না ফংঙমদবনি ।।৬৮

বিত্ত ধন বিমোক্ষার্থী পুত্রার্থী সর্ব্বমাপ্নুভেৎ ।।৬৯

বিত্তাধন, পুত্র, মোক্ষ, অতুক্তি মখৈ ওইবা অপাম্বা মীনা অসিগুম্না স্তব খিজবা মহৈনা অহুম অদুম্না নিংবা বিষয় পুম্নমক ফংগনি অর্থাৎ গুরু স্তোত্র খিজবা মহৈ পাম্বনা মহৈ, মরন পাম্বনা মরন, মচা পাম্বনা মচা, মোক্ষ পাম্বনা মোক্ষ ফঙগদবা ওই । ৬৯

শ্রুতি সম্মৃতি পুরানেতিহাসা গম শতানিচ ।

মীমাংসা বেদ বেদান্ত শাস্ত্রান্য পঠীতান্যপি ।।

কণ্ঠস্থানি ক্ষনাদেন পাঠাদস্য ন সংশয়ঃ ।।৭০

শ্রুতি, স্মৃতি, পুরান, ইতিহাস, মীমাংসা, বেদ, বেদান্ত, আগমচিংবা লাইরিক ময়াম পাঠ ভমদবা ওইদুনসু অসিগুম্বা গুরু স্তোত্র পাঠগী কৃপানা খুদক অহুদা চংখোম্না পাঠ ভমগনি অসিদা চিংনিংঙাই লৈতে ।।৭০

করস্থাসিদ্ধয় স্তস্য হ্যনিমাদ্যষ্ট শক্তয়ঃ ।

পঠনাৎ পাঠনাদপি শ্রবনাৎ শ্রবনাদপি ।।৭১

অসিগুম্বা গুরু স্তোত্র পাজবা অমদি খিজবা তাজবা অমনা অপাম্বা তাজনিংবা পুম্নমক সিদ্ধি ওই অনিমা, নচিংবা শক্তি নিপাল খুংনা ফংবগুম্ব ।।৭১

প্রসাদাৎ সদ্গুরোর্ণাত্র সংশয় কথিতং ময়া ।

পুরাকল্পে কৃতমিদং ব্রহ্মনা মুদিতাত্মনা ।।৭২

গুরুদেবনা পেনবিরবদা নিংবা পুম্বনক খুংখি ঐনা নংগী.দমক অবেপ্পা ওইনা হায়রিবা অসিনি চিংনগন্ন হৌখিবা বল্লদা বিষ্ণুগী খোইদোউদগী থম্বাল পুথোকই থম্বালগী মমাহদা ফম্নগা মিং উইশন্দুনা ব্রহ্মানা গুরুবু স্তব তৌদুনা লৈখি ।।৭২

সৃষ্টেঃ প্রাক্চ্যুত শ্রোত্র মলাজ্জতৌ মহাসুরৌ ।

দুরাসদো মহাঘোরো মহাবল পরাক্রমৌ ।।৭৩

সৃষ্টি পুথোক্লগে হায়বগীদমক মমাংদৈদা সমুদ্রগী ময়াইদা অনন্তগী শৈয্যাদা পেম্লগা মতিকচাওবা বিষ্ণুনা নাকোঙ অনিদগী ফত্তবা লংথোকখি অদুদগী মপাঙ্গল বল্লব, অকিবা কংবা লাক্নবা ভমদবা অসুর অনি পোকখি ।।৭৩

মধুকৈটভনামানৌ স্থিতাবেকার্ণবাম্ভসি।
ব্রহ্মাণং মোহয়িত্বাতৌ হৃতবন্তৌ তরস্বিনৌ।
বেদশাস্ত্রমি 'সর্ব্বানি মুষিত্বাতৌ রসাতলম ॥৭৪

মধু অমসুং কৈটভ কৌবা অসুর অনিনা ঈশিং ভাক্ত লৈবা অতুদা ব্রহ্মাবু অপনবা পিখি চেনশিল্লক্তুনা বেদ শাস্ত্র পুম্নমক মুন্দুনা রসাতলদা লৈখে ॥৭৪

গতবন্তৌ হৃতজ্ঞানৌহৃত শাস্ত্রাব্জভূরভুৎ।
সনসা চিন্তয়ামাস কিমেতদিতি বিহ্বলঃ ॥৭৫

বেদনচিংবা জ্ঞানশাস্ত্র লোখ্‌বগী তুঙদা অনি অদো লাক্লে মতুং অতুদা খঙনবা লাইরিক মাংখ্‌বদা ব্রহ্মান থোইদোক্লা অরাবা ওইদুনা চিন্তা তৌখি. *হা! তৌরিবা অসে করিনো? ॥৭৫

স্তোত্রেনানেন তুষ্টাব গুরুং দেবর্ষি পুজিতং।
সন্তুষ্টোদদব্জভুবে জ্ঞানং বেদসমুদ্ভবম ॥৭৬

মতম অতুদা ব্রহ্মানা দেবর্ষি পুম্নমক্না পূজা তৌখ্‌বা গুরুদেববু অসিগুম্বা স্তোত্র অসিনা মরম ওইদুনা পেলহল্খি মানা তৌখিবা স্তোত্র অদুনা পেল্লদুনা মহাক্না বেদদগী ওইবা তত্বজ্ঞান ব্রহ্মাদা পিখে ॥৭৬

লব্ধজ্ঞানো জগৎ সর্ব্বং সসৃজেবিশ্বসৃকবিভুঃ ॥৭৭

ব্রহ্মানা জগৎ শেম্বা গুরু কৃপাদগী তত্বজ্ঞান ফংঙবদা অসিগুম্বা অচৎ চৎতা সংসার শেমখে। অর্থাৎ গুরুনা পেনবিক্রবদি করিগুম্বদা মহৈ য়াল্লোই ॥৭৭

মতাং অসিদা ব্রহ্মাণ্ড পুরাণগী উত্তরখণ্ডগী ওইবা রাধা হৃদয় কৌবা ব্রহ্মাগা ঋষি তরেৎকা ভাংনবা শ্রীগুরু স্তব কৌবা অষ্টমসুবা অধ্যায় লোইরে ॥

---

* হা! অর্থাৎ মধুকৈটভ অনিনা য়েংবদা ব্রহ্মা চংশল্লকপা উবদা ব্রহ্মানা কিদুনা মমিং উইশিনখি যোগ মায়ানা আকাসবানি লাওখি কিন্নু ঐ লৈ গুরু স্তোত্রা কাওগনু যোগ মায়ানা ভগবান্দা ভক্তি তৌখি ব্রহ্মাগী অরাবা হঙ্গংখি ভগবাম্না মধুকৈটভ অনিগী মা'দা অনিগা অকনবা লাল চহি লীশিং তরা শোক্লে রারদুনা অহম্মক পোখানৈ ভগবান্দা মধুকৈটভনা হায়খি লাল শোক্নবগী মহুৎতা বোর নিনশি তাবদা ভগবাম্না ঐ হান্না নিরগে অনিনা পিগনি নিয়ো নখোই অনি শিবরো অনিনা ঈশিং লৈতবা কংফান্দা শিগে ভগবাম্না যোগ আশন্দা ফমখি সমুদ্র থনখি চীংখৎতুনা অনি হাংখি সমুদ্রদা লংথখি অনি অতুগী মহাও অদুন পৃগি শেম্খি মরম অদুনা মেঁদনী কৌখি মেদ হায়বদি মহাও হায়বনি ॥

চতুর্থ অধ্যায়ঃ

অথগুরু কবচ

শ্রীদেব্যুবাচ।—শ্রীগুরোঃ কবচং বিদ্ধি নৈশ্রেয়সকরং পরম।
তচ্ছ্রুত্বা পরমানন্দ নিবৃত স্বান্তভাগভবেৎ ॥১

দেবী রাধানা হায়খি হে নারায়ন ঐনা নহাক্কিদমক গুরু কবচ হায়রগে নহাক্কা অরেপ্পা ওইনা খংঙবা অত্ত ওইরবদি অতুগুম্বা শ্রীগুরু কবচ অসিদি মঙ্গল পিনবনী অসিবু তাজবদা পুক্কিংগী লুংঙাই (মন পরমানন্দ যুক্ত হয়) মতৌ অম্মুম্না (সাধক) তৌজবদা মোক্ষ ফংঙি ॥১

শ্রীগুরোঃ কবচং পুন্যং সিদ্ধি কামস্য সিদ্ধিদম ॥২

অসিগুম্বা শ্রীগুরু কবচ থোইদোক্না অশেংবনি সিদ্ধি পাম্বা মীশিংনা সিদ্ধি ফংঙি মরম অতুদগী অসিগুম্বা পুন্যগী মশক ওইবা কবচ। অসি নংঙোম্দা হায়রিবা অসিনি ॥২

শ্রীগুরোঃ কবচস্যা চ্ছন্দোঽনুষ্টুবুদাহৃতঃ।
ঋষির্ব্যাসো মহাতেজা দেবতা শ্রীগুরুর্মতা।
সর্ব্বাভীষ্টস্য সিদ্ধ্যর্থঃ বিনিয়োগঃ প্রকীর্ত্তিতং ॥৩

শ্রীগুরু কবচ অসিবু অনুষ্টুপছন্দ ওইনা মঙান চাওবা বেদব্যাস ঋষিনা দেবতা ওইবা শ্রীগুরুবু অয়াবা সিদ্ধি পাম্বদগী পাঠ তৌখি ।৩

মস্তকং শ্রীগুরু পায়াদ্‌স্কন্দঃ পাতুলোচনে।
বক্ত্রমজ্ঞান তিমিরধ্বংসী পাতু সদস্তু কম ॥৪

শ্রীগুরুনা কোক্না ঙাকপিসনু মিং অনিদা ব্রহ্মাগী মূর্ত্তি পিনশনু অমনা খঙদবদগী অমম্বা বাখল মাংখ সনু য়াগা লোইনবা মাইস্য ঙাকপিরসনু ॥৪

কেশানপাতু সুরেশান পূজ্যো বক্ষোবতুস্বরম।
ভূজাবব্যাচ্ছ কারাস্তু রেফঃ পৃষ্টং সদা বতুঃ ॥৫

লাইগী মপু ওইবা পূজা তৌরিবা শমদা মতৌ অসুম্না থবাক্তা ঙাকপিয়ু পাম্বো অনিদা (সকার) লাজম্দা (রকার) মতম পুম্নমক্তা ঙাকপিসনু ॥৫

ঈকারঃ পাতু রোমানি গকারো নাভি মণ্ডলম।
উকারং কটিদেশঞ্চ পাতুনিত্য-মতন্দ্রিতঃ ॥৬

ঈকারনা তুখোং থুদিংদা (গ-কার) খোইদৌদা (উকার) খাংদা (অতন্দ্রিত নিত্য) পুম্নমক অতংপা নৈতনা ঙাকপিরসনু । ৬

উরুপাতু রকারাস্তু বেকারঃ পাতুজঙ্ঘয়োঃ।
নকারো হব্যাদ্‌গুলফযোস্তু মকারো হব্যাদ্‌গুদ মম ॥৭

য়কার উরুদ্বয়, ব-কার; জঙ্ঘাদ্বয়, ন-কার, গুল্‌ফদ্বয়, মতৌ অমুম্মা ম-কার, গুহ্যদেশকে, ঙাকপিরসনু ।।৭

অঙ্গুলীষু দ্বিবিন্দু মে নখপংক্ত্যান্বিতাসুচ।
নমো গংগুররে পাতু সর্ব্বান্যাঙ্গানি চৈবহি ।।৮

ঐগী খুজিন লোইনবা খুৎশা খুদিং বিসর্গনা ঙাকপিসনু মতৌ অমুম্মা (গংগুররে নমঃ) মন্ত্র অসিনা চকচাং পুম্নমক ঙাকপিসনু ।।৮

পূর্ব্বাস্যাং ব্রহ্মদঃ পায়াদা গ্নেয়্যাং বিভু।
যাম্যা মজ্ঞান বিধ্বংসা নৈর্ঋত্যাং মেত্রাদোবতু ।।৯

মমাংদা (ব্রহ্মদ) মৈরমদা (জ্ঞানদবিভু) মখাদা (অজ্ঞানধ্বংসী) মোইরাংলাইজিদা (জ্ঞান চক্ষুপ্রদ) গুরুনা ঙাকপিসনু ।।৯

বারুন্যাং পাতুব্রহ্মাদি পূজ্য পুজ্যাঙ্ঘ্রি কঃ সদা।
বায়ব্যাং সর্ব্বশাস্ত্রেশঃ কৌবের্য্যাঞ্চ দ্বিলোচনঃ ।।১০

মনিংদা (ব্রহ্মাদিব পূজ্যপাদ) কৌব্রদা (সর্ব্বশাস্ত্রেশ্বর) অরাংদা (দ্বিলোচন প্রভু) ঙাকপিরসনু ।।১০

ঐশান্যাং পাতু কুন্দাভ উর্দ্ধং পাতু স্বশক্তিধৃক।
অধপদ্মপলাশাক্ষঃ সর্ব্বতঃ সর্ব্বগঃ বিভুঃ ।।১১

চিংখৈদা কুন্দগা মান্নবা ভোবা গুরুনা মথক্তা (স্বশক্তিধর) মখাদা (পদ্মপলাশলোচন) অমনা (সর্ব্বগতাবিভু) মফম পুম্নমক্তা ঙাকপিরসনু ।।১১

সর্ব্বগঃ পাতুতিষ্ঠন্তং শয়ানং সর্ব্বদস্তথা।
করুন বিষ্ট হৃদয়ো ভুঞ্জানং পাতু মাংসদা ।।১২

পুম্নমক য়োকপিবা গুরু খুরমবদা পুম্নমক পিনৈ তুম্বকান্দা খোজানবিয়ু হৃদয়দা চাবকান্দা ঐহাকপু ঙাকপিসনু ।।১২

সর্ব্বত্রং পাতু সর্ব্বেশো গচ্ছন্তং সুরপুজিতঃ।
ইত্যেবং সর্ব্বতোরক্ষাং বিধায় সিদ্ধিকামুকঃ ।।১৩

সর্ব্বেশ্বর দেবগনপুজ্য খংবা মতম পুম্নমক্তা অস্মুম তৌনা চৎপদা লাইনা পুজা তৌরিবা শ্রীগুরুদেবনা ঐবু ঙাকপিসনু অসিগুম্ব কবচা অসি অহানবদা পাঠ তৌজবদা সিদ্ধি পাম্বা মীনা সাধক মতম পুম্নমক্তা মখন খুদিংদা মাগী মশাদা গুরুগী নামনা মশা পুম্নমক ঙাকথোক্লদবা ওই ।।১৩

জপেম্মন্ত্রং ততো মন্ত্রি ব্রহ্মাক্ষর সমুদ্ভবম।
ক্ষিপ্রংেধি ধ্রুবং সিদ্ধিং বিঘ্নাস্তত্র্যা সংশয়ঃ ।।১৪

হে বিদ্বন। অদুগী তুংদ সাধক তৌগদবা অমাং অতা নৈত্রবা মহামন্ত্র জপ তৌরবদা থোইদোক্লা থুন লেংদ্রবা সিদ্ধি ফংগদবা ওই চিংনগদবা ওইদে।১৪

ইতি গুরু কবচ সমাপ্তঃ।।

শ্রীদেব্যুবাচ।—বৎসবৎস নিবোধেদং সাধনান্তরমুত্তমম।
যদ্বিনাসিদ্ধিকামস্যনৈব সিদ্ধিঃ প্রজায়তে।।১৫

দেবীনা হায়খি অতুগী তুঙদা অতোপ্পা অথোইবা সাধন হায়রগে তারো সিদ্ধি পাম্বা মীশিংনা অসিবু তৌত্রবদি করিগুম্বদ' সিদ্ধি ওইরোই ।।১৫

কুলাচারং বিনাদেবো কল্পকোটি শতৈরপি।
সিদ্ধিংন লভতে মন্ত্রী স শক্তির্দেবর্চ্চনম্।।১৬

হে দেব! শাগৈগী পূরিং নত্তনা অথাৎ শক্তিগা লোইননা দেব পূজা তৌবা নত্রবদি মন্ত্রতনা মন্ত্র কোটি চামরক তৌরনস্যু মন্ত্র অতু সিদ্ধি ফংবা ওইরোই ।।১৬

শ্রীবাসুদেব উবাচ।—অশক্তিরূপাসি সর্ব্বশক্ত সমন্বিতে।
ত্বাং বিণা শক্তয়ঃ কাশ্চিন্ন সন্তি শক্তি বদ্ধিনি।।১৭

বাসুদেবনা হায়রখি -হে শক্ত বর্দ্ধিনেদেবি! নহাক অসে শক্তি পুম্নমক্কা তিলবিনি শক্তি লৈত্রবা ত্রিবদা শক্তি পি নহাক্কা নহাক নত্তনা অতোপ্পা শক্তি পুম্নমক্কুগী শক্তি হায়বা কনানা থওই- খিদবগে পুম্নমকি শক্তি ওবি নহাকপু খুরমজরি ।।১৫

প্রানিনাং শক্তিভুতাসি সর্ব্বেবাং মমচেশ্বরি।
কুলাচারং ময়াসার্দ্ধাং কুরু ত্বং বরবর্নিনি।।১৮

হে ঈশ্বরি! নহাক্কা অয়াম্বা খোয়াই পানবা পুম্নমক্কা শক্তিগী মশক্তি মতৌ অসুম্মা ঐভোন্দসু শক্তি অতু হাপ্পিয়ু মরম অতুদগী হে বরবর্নিনি! ইবেম্মা নহাক্কা ঐগী লোইনবা শাগৈগী পুরিং ওইবিয়ু ।।১৮

শ্রীদেব্যুবাচ।—মদঙ্গজ দুরাচার পুংশ্চলী বদ্যতো হথমাং।
জাতুতে মানসং তুষ্টিং প্রজাস্যাতি দুরাত্মবান।।১৯

দেবীনা হায়খি—রে পুকচেন চুমদবা! নহাক অসে ঐভোন্দগী পোকখিবনি ঐভোন্দসু হন্থবা বাহৈনা শাগৈগী মৌগুম্মা হায়বা শারি মরম অসিনা নহাক ফত্তবনি নহাক্কা মী ওইনা পোক্লগা পুক্লিংগী অপাম্বা অমসুং অপেনবা (পুংশ্চলী) বাখলদা ওইগদবা ওই ।।১৯

শ্রীবাসুদেব উবাচ।—পুংশ্চলীতি ন মিথ্যেদং বচনং ত্বয় সুন্দরি।
দ্বোত্রীন পঞ্চষট সপ্তদশবিংশতি মেববা।
পুংশ্চলী ভজতে পুংসত্বঞ্চ সর্ব্বং জগৎত্রয়ম।।২০

বাসুদেবনা হায়খি—হে দেবি! হে সুন্দরি। পুংশ্চলী শব্দ) নহাক্কীনকমদা হায়খিবা রা অতু মীনম্বা নত্তে অতুগী মরমদি চহি অ'ন, অহুম, মঙা, তরুক, তরেং মতৌ অসুম্মা তরা অমসুং কুন সুত্রিভৈদা নিপাবু নিংঙবা যুবতীনা পুংশ্চলী হায়গে। তৌইগুম্বসুং নহাক্কা মরোন অহুমদা লৈরিবা নিপা পুম্নমক্কা শক্তিগী মশক ওইনা নিংভো ।।২০

তথ্য মেঁকবচোমেবং শ্রুত্বা সপ্তবতীচমাং।
অধমেতে ময়ূরানাং যোনৌ জন্ম ভবিষ্যতি।।২১

ঐনা অরেপ্পা ওইনা হায়রিবা অসি তারেদনা মত্তো অচগুম্মা ঐঙোন্দা নহানস্থ হায়নিংবা হায়রে মতৌ অসিগুম্মা নহাকস্থ হন্দবা রাহোংগী মপোক্তা পোকপা ওইরো।।২১

দেব্যুবাচ।—শৃনুমদ্বচনং দেব ইথমেব ভবিষ্যতি।
মন্মার্গলোম্মা তে সিদ্ধিঃ শিরঃ স্থেন সুদুর্মতে।।২২

দেবী হায়রকই—হে সুদুর্মতে! মতুং অসিদা ঐ অমুক হায়গে তারো ঐবু রাহোংগী মপোক্তা পোকউ হায়রিবনিনা পোকপা তারে তৌইগুদুস্থং ঐগী হায়পদোবা অমদি লৈ রাহোংগী মতুনা নহাক্তি নকোক্তা তত্তনা লৈবা ওইসনু অতুনা মরম ওইতুনা নহাক্তা পান্দ্বিবা পুম্নমক ফংবা ওইগনি।।২২

বাসুদেব উবাচ।—নাহ মজ্জভবো বিষ্ণুরীশানো বা সদাশিবঃ।
ভবিষ্যতেত্বা মধমে প্রাপস্যসে প্রাকৃতং নরম।।২৩

বাসুদেবনা হায়রকই—হে অধমে! নহাক্তা ঐঙোন্দা হায়রিবা অদো করিনা ব্রহ্মানা অমদি কুবেরানা মহাদেবনা ঐবু নিংজরোই নংস্থ অচম্বা মী ওইনা ফংগদোবা ওইরে অর্থাৎ পৃথীদা মুপি ওইনা পোক্লবদা ঐস্থ মী ওইনা পোক্লগা নহাকপু লুহোংলগা নপুরোইবা ওইরো।।২৩

দেব্যুবাচ।—মদংশভূত যে'যিস্তিঃ কুলাচারং করিষ্যতি।
ততঃ কতিপয়স্তস্তে কৃষ্ণমাং ত্বমু পৈস্যসি।।২৪

দেবীনা হায়রকই—হে কৃষ্ণ! ঐঙোন্দগী ওইবা মুপি পুম্নমক নহাক্তা (কুলাচার করিবে)। মুমিং কয়ানিমুক্তি মতুংদা নহাক্তা ঐবু কণ্ডগনি।।২৪

ব্রহ্মোবাচা।—ইত্যুক্ত্বা রোষতামাক্ষী কৃষ্ণায় সহসা ত্যজেৎ।
সত্তোময়ূরিনা ভুত্বা বর্ষমেকং সুরেশ্বরী।
বিহায়সো ডডীয়মানা ক্ষনাদন্তরগাতদা।২৫

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি—হে ঋষিবর! ইবেম্মা অতুনা অসুম্মা হায়রগা শাওবদগী মিং অনি ঙাংতুনা থোবাং েৌতুনা শ্রীকৃষ্ণবু থাদোকখে কুদক অতুদা মাংখগা রাহোংগী মশক ওইতুনা চহি অমা আকাসদা পাইতুনা লৈখ্।।২৫

অঙ্গিরা উবাচ।—অন্তর্হিতায়াং দেব্যাস্তু দেবো নারায়নস্তদা।
বসংস্তত্র কিমকরোত্তপসঃ তপতাং বরঃ।।২৬

অঙ্গিরানা হংখি—হে ব্রাহ্মণ! মহাদেবী অতুনা মাংখ্রবা তুগুদা তপস্বি শ্রেষ্ঠ ওইবা দেব নারায়না মতম অদুদা কদাইদা লৈরগা মতৌ করম তৌনা তপ তৌখিবগে অদু তাকপিয়ু।।২৬

ব্রহ্মোবাচ।—তদগাত্র পতিতাং মালাং পঙ্কজস্য বরাংতদা।
অয়ান কমলাং পশ্যান্মুমোদ মধুসুদনঃ।।২৭

ব্রহ্মানা হায়রকই দেবীনা থাংথাপা প্রথম অঙ্গদা মহেন্দ্রি অঙ্কনী অমমক থম্বাল পরেং তংফুনা তাথি অদু উংদা শ্রীকৃষ্ণনা অণ্ডকপা উপন হয়াণথি ॥২৭

স্রজং গৃহীত্বা তাং তেষু পাণ্ডব শতসহস্রশঃ।
মৃগেন্দ্র ক্ষামমধ্যাশ্চ মৃগশাবক-লোচনাঃ। ২৮

হে মুনে! ভগবান্না অদুগুম্বা থম্বাল পরেং অদু পাওচুনা য়েংথি অফুত্তম্বা প্ররেং অমুকনী লিশিং চামা ওইবা মশক ফজবখি মশা চাওবি কয়াম্বুক পোকখি পুময়ক অদো নেঙ্গখাগী খাংগুম্বি মিংয়েংনা অদুগী মিংয়েংগুম্বি তাকি ॥২৮

মৃদুমন্দগতা প্রোচ্যাং ত্রিকজং পঙ্কজাননাঃ।
স্বর্ণস্রগ গন্ধবস্ত্রাদি হারকেয়ুর ভূষিতাঃ ॥২৯

পুময়ক অদুনা মযোন নোকুনা চৎপা ফুগ্যাক্তনা শাৎপা খল্বালনা তমঙ্গনিংঙাই ওইবা মাইথোং অদুদা মনম নুংশিবা অঙাংবা চন্দ তৈবা অঙাংবা লৈ পরেং অমসুং অঙাংবা কি শেৎপা (অমসুং হারকেয়ুরাদি) অসিনচিংবা লৈতেংতি। ২৯

অন্যান্যান্যস্তা সকামাঃ মাৰ্কামন্মথ মন্মথাঃ।
হাস্যলাস্য সুনোন্দৰ্যা কামগতি রাক্যতঃ।
হরন্ত্যাস্তা মনোম্বন্যং বিহরন্ত্যো যথেচ্ছয়া ॥৩০

অদুগুম্বি পুময়ক অদো অমুক থোকপা খুমিংকি মতৌঙম্মা ঙাক্তি অশেংবদি পুক্নিং থোগংনবগী নমক্তি লোকপা অমসুং অগোই শাবা কুজরবি উবেম্মাশিনা মতৌ অসুম্মা মথোং কারকপগী অসুম্মা পাঙ্গলনা শায়বা বা ভাংথোক্লকপদা মথোং কারকপা নীপামিংগী পুক্নিং বাখন মাংতি মনিংত্তম্মা মকম পুময়ক্তা চংলি ॥৩০

তাশ্চসর্ব্বান বস্ত্রাঙ্গাঙ্কিক্যায়ত সুলোচনাঃ।
প'থোজনয়নো বাচমা বভাযে সুরাকুহা ॥৩১

পুময়ক অদু য়েংবদা মুংঙাইবগী মশক্তি য়েংথোক্লকপদা অউবসিং পুময়ক পুতুম চল্লি হিংচাববু চৈংথাংনা মিংচিনা থগ'ল মাবরা বাসুদেবনা হায়শদোরগী চোরক্লে ॥৩১

ক য়ূয়ং দেবগর্ভাভা মোহয়ন্ত্যো মনাংসিনঃ।
কিঞ্চিকার্যঞ্চ রা কন্যা তস্মৈ বদন্ত মা মূর্যা ॥৩২

দেবকন্যা ময়াম য়েংঙগা মফম আমদা শায়রিবি নখোই-অসে কদাইদগীনো? নখোয়গী ফজবা উরগা ঐগী পুক্নিং অমে মঙকপনা তিল্লে নখোয় পুময়ক অসে মহোৎলগী মশক্তি নখোয় পুময়ক্তা করি পাম্বদগীনো অয়েম্বা ওইনা হায়রবু-মিনখ্বদি হায়গনু ॥৩২

ব্রহ্মোবাচ।—অচ্যুত্তা মাধবং বাক্যং বাম জানার্দ্দনাদিতম।
হংসগদগদা বাচা প্রণয়াম্ভোরুহ নমাঃ ॥৩৩

ব্রহ্মান ঋষিশিংদা হায়খি—হে ব্রাহ্মণসা ! ভগবানগী না অদু তারবদা ফুগাইনা শাৎপা থম্বালগুম্বা মাইথোং শুইহি ইথেম্মশিং অদুদা ভগবানগী অপাম্বনা টেল ওইহনা থারবদা পুক্কিং রাখন পুনশনবিয়্বা ভাম্ব কাংওগী মতোগুম না ওাংবদা হিক্সা হায়বা থোম্বাং সুদনা হায়খি ।।৩৩

আরাধয় গুরু দেব পরমাত্মানম ব্যয়ম।
প্রসন্নামনুযাপ্যেব গুরোঃ সিদ্ধিপ্রদং হরে।
অতোহস্মাভিঃ কুলাচারাৎক্ষিপ্রং সিদ্ধিমবাপ্সসি ।।৩৪

হে দেব ! অমাং অতা লৈত্রবা পরমাত্মাগী মশক ওইবা গুরুবু নিংঙু মহাক্সা পেনবিরবদি মতুঙ অদুদা মভোন্দগী অযাম্বা সিদ্ধি যংনবা মহামন্ত্র ফংঙগা মতুং অদুদা ঐখোয় পুম্নমক্সা লোইনদুনা শাগৈগী পুদুং নিংঙগা নহাক্সা থুনা অপাংবা ফংগনি ।।৩৫

ব্রহ্মোবাচ।—তাসামুদগারিতাং বাচং নিশম্য মধুহাহরিঃ।
গুরুমারাধয়ামাস বিবিধান্নিয়মাংশ্চরণ ।।৩৫

ব্রহ্মানা হায়খি—অদুগী তুঙদা (মধুরিপু) নারায়ণনা মখোই পুম্নমক্সী না অদু তারগা মথল মথা অয়াম্বা নিয়োম পোৎলম মন্ত্র অহানবদা গুরুবু অরাধন তৌননবগী থৌরাং তৌখি ।।৩৫

গতে বহুতিথেকালে প্রসন্নো গুরুরভ্যগাৎ।
শিরঃস্থ দ্বাদশ পাথোজাৎ পুরোদেবস্য নির্গতঃ ।।৩৬

মহাক্সা আরাধন তৌবদা চুমিং কয়ানিমূক হৌখ্রে মতুং অদুদা গুরুনা পেনবিরদুনা অতিয়াদা দোল লিশিংনা কোইবা থম্বালগী দোল অদুগী মনুংদা লৈবা থম্বালগী দোল তরানিংথোই অদুদগী মপান থোক্লকুনা ভগবান্না মাধবগী মাংদা থুংঙরে ।।৩৬

প্রসন্ন বদনাম্ভোজঃ সশক্তি কমলাসনঃ।
তংবাক্যাৎ সমুত্থায় প্রনিপত্য প্রহৃষ্টধীঃ ।।৩৭
তুষ্টাব বিবিধৈস্তোত্রৈর্মহস্মাদ্য স্বরাদিভিঃ ।।৩৮

মাগী শক্তিগা লোইনদুনা মোমোন নোক্কুনা থম্বালগী আসন্দা লৈবা গুরুদেববু উজবদা বাসুদেবনা মাগী আসন্দগী হৌগৎতুনা পুক্কিংদা হরাওনা খুরুমজদুন মথল মথা অয়াম্বা স্তুতিবাক্য মতৌ অসুম্না ফজরবা লৈ পরেং ফিনচিংবা পেনবিনবগীদমক কংখি ।।৩৭-৩৮

ব্রহ্মোবাচ।—প্রসন্নাস্য পাথোজ বাহুভ্যাং পরিরভ্য সঃ।
গুরুঃ প্রসন্ন স্তং বাচমুবাচ তপতাং বরাঃ ।।৩৯

ব্রহ্মানা হায়খি—হে সপ্তর্ষিগণ ! অদুগী তুংদা গুরুনা ফুগাইনা শাৎপা অঙাংবা থম্বালগুম্বা পাম্বোম অনিনা বাসুদেববু কোল্লগা মমোন নোক্কুনা মভোন্দা হায়রকই ।।৩৯

গুরুরুবাচ।—বৎসতেহহং বরাহস্য বরদো বরয়স্বভম।
বরংতেহভিমতং যোবে মত্তস্তং দদে বয়ম ।।৪০

গুরুনা হায়রকই—হে বৎস! নহাক্না এক ওইনা অবতার ওইবু নংগা মরি ওইনা ঐনা বর পিগে নহাক্না অপাম্বা বর নিয়ু নহাক অসে মত্তিকচাবা পাত্রনি ঐনা ইকমদগী অপাম্বা বর হায়রো। (হে শৌরে) ঐনা নংতোন্দা অহুগুম্বা বর অদো পিরগে ॥৪০

শ্রীবাসুদেব উবাচ।—নমামি তে পাদ-ম্ভোজদন্দ্বং দেহিমনুং মম।
যেনাহং নিসপৃহঃ শান্তো ভবেয়ং বাপ যতঃ সুচি ॥৪১

ভগবান্না হায়খি—হে নাথ! ঐনা নহাক্কি চরণ থম্বাল অনিদা খুরমজরি ঐবু চানবিহুনা অহুগুম্বা মন্ত্র অদো পিবীরো অহু ওইরবদি ঐ অসে পুক্নিং তপচরগে অরাম্বা খোরাংবা হায়বা অর্থাৎ তুমিন্না অমসুং পুকচেন সেংবা হায়বা অদো ওম্বরোই। ৪১

ব্রহ্মোবাচ।—কৃত্বা তস্য গুরুর্দীক্ষাং বিধি দৃষ্টেন কর্ম্মনা।
পূজিত স্তেন হরিনা স্বধাম পরমং যযৌ ॥৪২

ব্রহ্মানা ঋষিশিংদা হায়খি অহুগী তুংদা কর্ম অহুনা মরম ওইরগা নোংদম্বা উন্নবগীদমক গুরুনা মন্তোন্দা দীক্ষাগী থবক পিবিরে বাসুদেবনা পূজা তৌরবগী তুংদা মহাক্কি ওইবা অহুগুম্বা অথোইবা মকমদা চংখে ॥৪২

কৃত কৃত্য যদাত্মানং মন্যমানাজ্ঞ লোচনম।
চিন্তয়া পরয়াবিষ্টঃ কৃতাপস্তে পরমং তপঃ ॥৪৩

পদ্মলোচন ওইবা হরিনা গুরুদেবগী মকমদগী সিদ্ধি ওইবা মহামন্ত্রা ফংওবদা মহাক্না তৌগদৌরিবা থবক খল্লহুনা লৈখি অহুগী তুংদা খোইদোকপা রাখন্দা অরাবা ওইহুনা অসুম্না খল্লগা হোজিক ঐনা মকম কদাইদা চংলগা ফমহুনা মন্ত্র সাধন তৌসিগে তপ তৌসিগে ॥৪৩

মতাং অসিদা ব্রহ্মাণ্ড পুরাণগী উত্তরখণ্ডগী ওইবা রাধা হৃদয় ধ্যান ব্রহ্মাগা ঋষি তরেংকা ওাংনবা গুরু কৃপা ফংবা মরিশুবা অধ্যায় লাইরে ॥৪

মঙাশুবা অধ্যায়ঃ

অসিগী তুংদা গোলোক্কি রাম্নি

ব্রহ্মোবাচ।—গতে তু প্রলয়ে তস্মিন দেবদেব জনার্দ্দনঃ।
জগাম পরমং ধামং স্বকীয়ং পরমাদ্ভুতম ॥১

ব্রহ্মানা ঋষিশিংদা হায়খি প্রলয়গী তুংদা খোইদোকপা লাইগী লাই ওইবা ভগবান জনার্দ্দনগী খোইদোকপা অঙকপা ওইরবা গোলোক মাগী অথোইবা মকমদা চংখে ॥১

শূন্যস্থিতং নিরাধারং ত্রিকোটি যোজনায়তম্।
বায়ুনা ধার্য্যমানং হি প্রবলে বেশ্বরেচ্ছয়া।।২

অসিগুম্বা গোলোক ধামগী অকোইবা য়ুধক কোটি অহুম ঈশ্বরগী রাখন্দগী অহাংবা লমদা চুংশিংনা মরম ওইদুনা লৈ। তাৎপর্য্য ঈশ্বরগী রাখন্দগী ওইরিবা থোঙদগী থোইদোকপা ইচ্ছা শক্তি রাধামা মরম ওইদুনা শাম্নদুনা লৈ অদুগুম্বা পরমধামদা ভগবান অতৎপা লৈতনা শাম্নদুনা লৈরে।।২

রম্যং কামগমং দিব্য সর্ব্বরত্ন সমাচিতম।
প্রাসাদৈঃ পরিখাভিশ্চ প্রাচীরৈঃ সুসমাবৃতম।।৩

অদুগুম্বা পুক্নিং চুনা ফজবা মফম পুমলং লংবা (প্রযুক্ত) অমনা অপাম্নগী তুংনফম অর্থাৎ মন্তভগী রাখম্না মফম পুম্নমক্তা সিনবথুংবা অয়াম্বা রত্না লৈতেংবা চাংদম্নিংঙাই লৈতবা ম্নাথোং রত্নাগী মন্দির চেকপন কোইসনবা। ইত্যর্থে। অধ্যাত্মতত্ত্ব ব্যাখ্যার অনুকুলতা আছে। অদুং চৎতা চীং তুরেল মফম অদুদা সিদ্ধি ওইবা মী কযামুক।।৩

তোরনৈঃ শত সম্বাধে রত্নমানিক্য চিত্রিতৈঃ।
হস্ত্যশ্বরথপঙ্ক্তৌখ নানা শস্ত্রৈরলঙ্কৃতম।।৪

মণিনচিংবা রত্ন য়েকপা চাম চাম ওইবা য়ুম মনুংদা মতৌ অম্নুম্না থাংওমপাংনা থোঙদা লৈতেংঙি অয়াম্বা খুংসু খুংলাই লৈতেংবা রথ মপৈ মতৌ অম্নুম্না সগোল শামু অসিনচিংবা মফম অদুদা লৈ।।৪

ফলমূলজলছারৈ র্ক্ষপনাশনৈরপি।
নিরাহারৈ র্বায়ুভক্ষৈশ্চান্দ্রায়ন পরৈঃ স্তুতম।।৫

ব্রহ্মানা ঋষিশিংদা হায়খি—হে বৎসগণঃ ভগবৎ দর্শন পামজবা সাধু পুম্নমক উহৈ চাই মরুওইবা ঈশিংনা মরম ওইদুনা কনানা অসেংবা উনা চাই কনা কনানা সুকচা চাদে কনানা চন্দ্রায়নব্রত তৌই মাংওইননা তপ তৌদুনা লৈ। ৫

বিষ্ট ভ্যাঙ্গুষ্ট মাত্রষ্টৈতেরগ্নি সমপ্রভৈঃ।
ঊর্দ্ধপাদৈরধঃশ্চৈশ্চ জটাবল্কলধারিভিঃ।।৬

উকু সেংপা জটা পুবা কয়ামুক মৈগা মায়বা মঙাম্না কোইবা মহাত্মা ওইবা তপধর্ম্মদা পুক্নিংচংবা ওইদনা খোঙবী অনিনা লৈপাক্তা কেপ্নগা পাম্বোম রাংনা থাজংপা কনা কনানা কোক্না লৈপাক্তা খোঙনা মথক্তা থাঙৎতুনা অম্নুম্না লৈ।।৬

ব্রতৈঃ সংশুস্কসর্ব্বাঙ্গৈ প্রাণমাত্রাবশেষিতৈঃ।।৭

মী কয়ামুক ব্রত তৌদুনা লৈ চংথোম্না অকংবা মশ্চা অদু শরীরদা উম্না কুপ্নি অওইবগি প্রাণদং ছিংদুনা লৈ শিদে অরেপ্পনি অচুম্বনি মুক্তগী স্বভাব পরব্রহ্মদা পুক্নিং তিনখ্রবনি মিং উইশিন্দুনা ব্রহ্মানন্দ রসদা পুক্নিং লুপতুনা লৈখ্রবনি।৭

আত্মারামৈর বচ্ছনৈরোরবা জিনবাসলা।
পঠদ্ভিঃ শ্রুতি সুক্তানি পাঠয়দ্ভি স্তথাপরৈঃ ॥৮

শত্তি মাউন্দা ফমহুনা সাধক তৌই অহুগুম্বা দেহদো আত্মারাম সোন্দুনা তাহুনা পাঠ তৌহুনা মতৌ অসুম্না অতোপ্পনা পাঠ তৌহুনা লৈ ॥৮

তুলসী মঞ্জরি স্যাম্মাচ্ছনৈ স্তিলক রাজিভিঃ।
নারায়ণ পরৈঃ শান্তৈস্তপো নির্ধুত কল্মষৈঃ।।৯

নারায়ন্দা পুক্নিং থম্বা তপ মরম ওইহুনা অতংপা লৈতনা পুক্নিং তপ্পনা মতৌ অসুম্না তুলসীগী মঞ্জরী মালা শিহুনা মতৌ অসুম্না চন্দন থিনবা কয়ামুক নিংথিজনা ভগবস্তুক্তগণ পুম্নমক্না কোইবা মফম ॥৯

চন্দন থিনবা হায়বা অসে ফজনবা নত্তে কৃষ্ণ ফংনবনি।

ব্রহ্মাণ্ড পুরাণনা হায়রি

বীক্ষ্যাদর্পে জনেবাপি যোবিদধ্যাৎ প্রযত্নতঃ।
উর্দ্ধপুণ্ড্র মহাভাগ সযাতি পরমার গতিম ॥

মী অহুনা মিংসেন্দা ঈশিংদা মায় য়েংভগা চন্দন থিনগনি উর্দ্ধপুণ্ড্র ওইনা লাইবক ফবা অথোইবা গতি ফংননবনীদমক ॥

পদ্ম পুরাণনা হায়রি

নাসাদি কেশপর্যান্ত মুর্দ্ধপুণ্ডং সুশোভনম।
মধ্যেছিদ্র সমাযুক্তং তদবিদ্যাদ্ধরি মন্দিরম ॥
বামে পার্শ্বে স্থিতো ব্রহ্মা দক্ষিনেতু সদাসিবং।
মধ্যে বিষ্ণুং বিজা নীয়াৎ তস্মাৎ মধ্যং ন লেপয়েৎ ॥

চন্দন থিনবা নাতোন্দগী শম শোক্না থিনগনী ময়াইদা হোৎনগনী উর্দ্ধপুণ্ড্র ওইনা অহুগী মমিং হরি মন্দির কৌই ওইদা ব্রহ্মা য়েংতা মহাদেব ময়াইদা বিষ্ণু লৈ মরম অসিনা লাইবক ময়াইদা সিন্দুর নচিংবা নমহৈদে দোষগী মশক্নি।

স্মৃতিনা হায়রি

অনামিকা কামদোক্তা মধ্যমা আয়ুস্করী ভবেৎ।
অঙ্গুষ্ঠঃ পুষ্টিদঃ প্রোক্তা তর্জনী মোক্ষ সাধনা।।

খুনিংথৌনা থিনবদি নিংবা থুংডি খুংয়াইনা থিল্লগা পুনশি শাংডি খুবিনা থিল্লগা চাবা রাংতে খুদোনবিনা থিল্লগা মোক্ষ ফংডি ॥ শ্রমদ্ ভাগবত, একাদশঃ স্কন্ধঃ, অষ্টাদশঃ অধ্যায়ঃ। দস্তু হায়রি সন্ন্যাসোপনিষৎ—কুটীচক- বহূদক, হংস, পরমহংস, তুরীয়াতীত, অবধূত, এই ছয় প্রকার সন্ন্যাসীর কথা বলিয়াছেন। শ্বেত উর্দ্ধপুণ্ড্রধারী ত্রিদণ্ড।

শ্রমদ্ ভাগবতনসু হায়রি

সন্ন্যাস তরুক চন্দন অঙৌবা থিল্লি কৃষ্ণা নিংবদা চন্দন অঙৌবা থিনগনি।

বেষ্টিতং মুণিভিঃ সিদ্ধৈঃ পুরিতো ব্রহ্মবাদিভিঃ।
বেদেতিহাস মীমাংসা পুরাণা গমবেদিভিঃ॥

মুণিগণ, সিদ্ধগণ, ব্রাহ্মণ পুন্নমক্না কোইহনা মতৌ অমুম্না বেদ, পুরাণ, ইতিহাস, মীমাংসা, আগমনচিংবা শাস্ত্রবিৎ পণ্ডিতসিং ভিল্লি॥১০

পৃচ্ছদ্ভিঃ কথয়দ্ভিশ্চ শৃন্বদ্ভিশ্চবেংগুমান্।
গৃহ্নদ্ভিঃ পুজয়দ্ভিশ্চ নারায়ণ মনা ময়ম॥১১

হরিগুণ ঙাংনবা তাক্তবা অমুম তৌনা হংজবা হায়বা শকচবা ভগবৎকি মমিং নিকল্মষ নারায়ণ পূজাদা পুক্নিংচংবশিংনা পুংকোই কোই অহুগা সেবা তৌই॥১১

প্রত্যাহার পরৈঃ পুজা প্রাণায়ামৈঃ সধারনৈঃ।
নয়ন্তি দিবসান বিপ্রৈক্ষণাৎ ক্ষণমিবান্বিতম॥১২

চাদ থক্তনা পূজাদা খুরন্থদা যোগদা থোইদোক্না থভবা ব্রাহ্মণ ময়াম্না নোংঙানবদগী মুমিংতাবা মিংনকুপ্পি অমা পোথাদনা মখোই পুন্নমক্না থোংদা কোইশিল্লি॥১২

সলাজ চন্দনৈঃ কুসুমৈর্মাল্য দধ্যক্ষতান্বিতৈঃ।
পুরিতৈঃ শীতলৈ স্তোয়ে কদলীফল পুষ্পকৈঃ॥১৩

লাজা চন্দন পুষ্পমালা সঙ্গোম অফন্বা চুহিগা তিন্নবা মতৌ অমুম্না, মুবি অমসুং মা লফোই অসিনচিংবা অমসুং ইংঙব ঈশিং অথনবা চফু চাম্ব চাম্ব থোঙ খুদিংদা লৈতেংভি॥১৩

নারিকেল ফলগ্রীবৈশ্চ্যুত পল্লবরাজিতৈঃ।
শ্বেতরক্তা সিতা পীতো ডডীয়মানং পতাকিনম॥১৪

সশীর্ষ মুবি অমসুং মনা ম্নাওবা হৈনৌ মঙ্গলগীদমক চফু মতৌ অমুম্না অঙৌবা অঙাংবা অশংবা মেমানবা মচুগী ফিয়ান পতাকা কোন্নবা নিংথিজনা মন্দির খুদিংদা কজনা লৈতেংভি॥১৪

শ্বেতচ্ছত্রা যুতৈশ্চন্নং চামর ব্যজনৈ রপি।
রত্নসিংহাসনবরা যুতৈশ্চ পরি পুরিতম॥১৫

মন্দির খুদিংগী মশিং খংদনা অঙৌব ছত্র অঙৌবা চামরনচিংবা অসিনা হুম্বা চাংদম্নিংঙাই লৈতবা রত্নগী সিংহাসন্দা থম্বা ওইবা ইমুং মমুং অদো নিংথিজৈ॥১৫

নানা মণিগনাকান স্বন বোদ অলঙ্কৃতম।
বেদবেদান্ত বেদাঙ্গাগম পৌরাণনাদিতম॥১৬

মখল কয়া পুথোকই মুণি ময়াম্না অমত্তা ওইনা ফজনবগীদমক লৈতেংবা ম্নাগী লৈবুঙ পুন্নমক্না কয়ামুক নিংথিজৈ মতৌ অমুম্না বেদ, বেদান্ত, বেদাঙ্গ, আগম, পুরাণ পাঠগী খোঞ্জেল্না নিল্লি॥১৬

নীলকান্তৈঃ পদ্মরাগৈরয়স্কান্তৈঃ শুভান্বিতৈঃ।
চন্দ্রকান্তৈঃ সূর্য্যকান্তৈঃ মণিভির্দীপিতং দ্বিজাঃ॥১৭

হে দ্বিজসকল! অদুগুম্না গোলোক ধামদা লৈবা য়ুম পুন্নমক নীলকান্ত, পদ্মরাগ, অয়স্কান্ত, চন্দ্রকান্ত, সূর্য্যকান্ত, অসিনা লৈতেংঙি মণ্ডানতনা মুণি পুন্নমক্তী তেজনা মৈগী মণ্ডালগুম্মি ॥১৭

সূতৈঃ পৌরগবৈর্বন্দি স্তুতি পঠক মাগধৈঃ।
সুস্বরৈ মধুরালাপৈঃ স্তুতি শাস্ত্র বিশারদৈঃ ॥১৮

স্তুতি শাস্ত্র থংভবা সূত পৌরগব বন্দি অমসুং পাঠ তৌবা অসিনচিংবা মুংশিবা খোঞ্জেলনা স্তুতি থিজ্জনা লৈ ॥১৮

মহার্হ শর্য্যাসন পান ভোজনৈঃ কিরীট। -হারাঙ্গদকুণ্ডলোজ্জলৈঃ।
সসিংলসাদৈব'র শাস্ত্রধারিবিঃ র্ব্বিরাজমানঃ রথযূথ কোটিভিঃ ॥১৯.

মফম খুদিংদা পুক্নিং হুনা ফজবা শর্য্যা আসন থারিবা থরুনবা চান্নবদা অপেনবা ওই মতৌ অমুম্না কিরীটি, হার, কুণ্ডল, দেহদা আভরণ্না ভাল্লি অমসুং ভগবাম্না সিংহনাদ লাওবদা খুংলাই পাইবা অকনবা নিপাশিংনা রথগী মপৈ কোটি লোইনদুনা ভাল্লি ॥১৯

বিচিত্র মণি মাণিক্য হারহীরক চন্দনৈঃ।
মালাম্বর চিত্রবর্ণ নানারত্নগনো জ্জ্বলৈঃ ॥২০
বেধসা নির্ম্ম তান্যাসন তোরনাণি ত্রয়োদশঃ ॥২১

মণি মাণিক্য পরেংনা লাংভবা মতৌ অমুম্না হীরাগী পরেং ফি চন্দনা অমসুং অসি নত্তবা লংলবা রত্নগী মপৈ থোংদা পবমেশ্বরনা তৌরিবা থাঙ্গপাৎ অশাংবা পুখি তরাহুমদোই শেম্মি ॥২০-২১

গোলোকি অহানবা থোঙগী বারি

আহেতু শস্ত্র কবচাবদ্ধ গোধাঙ্গুলিত্রকাঃ।
সশরাঃ সধনুষ্কাশ্চ খড়গ মুদগর পটিশৈঃ ॥২২

থোং তরাহুমদোই ফাংলি গোলোক অহানবগী থোঙ ভাকপা নিপাশিং অদো খুংলাই কম্না মথুংতা শউন য়োম্মি পুন্নমক লীরুং তেল অথোবা থাং য়োংশুক তাসোন পাইদুনা মথোম্ন পুন্নমক্না মতৌ অমুম্না থোঙদা ভাকতুনা লৈ ॥২২

পরশ্বধৈ স্তোমরৈশ্চ ভিন্দিপাল গদানিতাঃ।
পাশ নারাচ মুষল বৎসদন্ত সুতোমরৈঃ ॥২৩

পরশু, তোমর, ভিন্দিপাল, গদা, পাশ মুষল, মুগর, বৎসদন্তাখ্য, তোমরস্ত্র খুংলাই পুন্নমক্না তিল্লি ॥২৩

সৌংগান্ধর্ব্ব পৈশাচ শূল শক্ত্যষ্টি পার্ব্বতৈঃ।
ঐন্দ্রাগনি পাশুপত কালচক্রৈঃ সুদর্শনৈঃ ॥২৪

অতোপ্পা সূর্য্যাস্ত্র, গন্ধর্ব্ব অমসুং পৈশাচাস্ত্র, অসিনচিংবা মতৌ অমুম্না শূল, পর্ব্বতাস্ত্র নচিংবা অতোপ্পা ইন্দ্রাস্ত্র বজ্র স্ত্র, পাশুপতস্ত্র, কালচক্র অমসুং সুদর্শ পাইবা ॥২৪

পাঞ্চজন্যাগ্নেয়-বায়ব্য সৌম-বারুণ নাগকৈঃ।
অয়শ্চক্রৈঃ কালদণ্ডৈরা সুরৈশ্চৈ তথাবনৈঃ।
রক্ষণস্তত্র দূরং সর্ব্বে যথাস্থানমবস্থিতাঃ ॥২৫

পঞ্জ্যাস্ত্র, আগ্নেয়, বায়ব্য, কৌবের, বারুণ, খুৎলাইগী মখিং মতৌ অমুম্না মশুন লৈরবা লাংঙবা মশান অয়শ্চক্র, কালদণ্ড, আসুরাস্ত্র পাইবা থোংজাকপা পুম্নমক্না মকম-খুদিংদা লৈহনা কোম্মুংগী থোং ঙাকহল্লি ॥২৫

অনিশুবা থোঙগী রাহি

নটাবৈতালিকাঃ সুতাঃ গায়কাঃ স্তুতি পাঠকাঃ।
মাগধা বাদকাঃ সর্ব্বে শিল্পিনো বন্দিনস্তথা।
কক্ষে স্থিতয়ে রক্ষন্তিষ্ঠন্তি মধুরস্বরাঃ ॥২৬

জগোই শাবা পুণ্ডয়েবা ঈশৈ শকপা শুরম্বা স্তুতি পাঠ তৌবা অসিনচিংবা মতৌ অমুম্না অয়াম্বা শাবা য়েকপা অমসুং রা ঙাংবগৈবা মতৌ অমুম্না সুশিবা থোঞ্জেননা ঈশৈ শকুনা থোঙ ঙাকুনবগীদমক নাক লেংতা ঈশৈ শকপশিংনা ঙাকুনা লৈ ॥২৬

অহুমশুবা থোঙগী রাহি

তৃতীয়ে গোপবালাভা বালক্রীড়ন তৎপরাঃ।
সুকুমারা বয়স্যাস্তে কৃষ্ণস্যৈব মহাত্মনঃ ॥২৭

অহুমশুবা থোঙদা মঙামগী মশক ওই হকচাং গোপমচা পুম্নমক্না অঙাংনা শান্নবা অতুগুম্বা শান্নহনা থোং ঙাকুনা লৈ মখোয় পুম্নমক অদো থোইদোক্না ভনৌ ভনৌবা অঙাংগী নশক মতৌ অমুম্না শ্রীকৃষ্ণগা মান্নবা উই মহাত্মা ওইবা অমসুং মখোয় অহুগী মওং অদো অর্থাৎ চান্নবা মরূপ ওইয়ে ॥২৭

তেষাং নামানি বিদ্বাংসঃ কার্ত্যমানানি মেশৃনু।
যথা স্মৃতি যথা জ্ঞানং যথা জ্ঞাতং বদামিবঃ ॥২৮

প্রধান ঋষিশিংদা সাধ্বাধম তৌনা হায়খি। হে ব্রাহ্মণশা! অহুমশুবা থোঙদা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণগী সাথাশিংগী মমিং ঐনা খঙবা নিংশিংবা মতৌ অমুম্না পুম্নমক খঙহনা লৈ মখোয় খিবিক অদো নখোয়গী দমক হায়গে মরম অসিনা ঐনা হায়গদৌরিবা ময়ামগী মমিং অদো নখোয়না তারো ॥২৮

শ্রীদাম সুবলশ্চৈব বসুদাম সুদামকঃ।
বৃকাননো মহাস্যশ্চ বৃহল্লোমা সুনাসিকঃ ॥২৮

শ্রীদাম, সুবল, বসুদাম, সুদাম, বৃকানন, মহাস্য, বৃহল্লোম, এবং সুনাসিক ॥২৯

লালসঃ সুপ্রভস্তোক কৃষ্ণকো লোল লোচনঃ।
কৃষ্ণাক্ষো মাল্যবান্ ঘোরো দীর্ঘচক্ষুর্মৃগাননঃ ॥৩০

অতোপ্পা লালস সুপ্রভ, তোককৃষ্ণ, লোললোচন, কৃষ্ণনেত্র, মাল্যবান, ঘোরাক্ষ, দীর্ঘনেত্র এবং মৃগবদন ॥৩০

বিরোচনো দীর্ঘবাহুঃ সুবাকঃ শুভ্ররোমকঃ।
মৃদুবাণ্ড মধুবাক্ শঙ্কো বাচালো মুখরো জয়ঃ ॥৩১

বিরোচন, দীর্ঘবাহু, সুবাহু, শুভ্ররোমা, মৃদুবাক, মধুরবাক, শঙ্কু, বাচাল, মুখর এবং জয় ॥৩১

দুর্জয়ো বিজয়ো জন্ত প্রিয়বাদী প্রিয়াসনঃ।
সত্যবাক সত্যসন্ধশ্চ দৌবারিক বলেশ্বরো ॥৩২

মতৌ অসুমা দুর্জয়; বিজয়, জম্ভ, পিয়বাক, প্রিয়সন, সত্যবাদী, সত্যসন্দ, দৌবারিক, অমনা বলেশ্বর ॥৩২

গূঢ়বুদ্ধির্বজ্রো ধৌম্যঃ প্রিয়কৃষ্ণঃ প্রিয়ম্বদঃ।
গূঢ়ক্রোধো মহাদেবঃ সুক্রীড় ক্রীড়ন প্রিয়ঃ॥৩৩

গূঢ়বুদ্ধি, বজ্র, ধৌম্য, প্রিয়কৃষ্ণ, প্রিয়ম্বদ গূঢ়ক্রোধ, মহাদেব, সুক্রীড় আমক্রীড়া প্রিয় ॥৩৩

অধরো রামভদ্রশ্চ পারিপাত্রঃ শুভাঙ্গদঃ।
সুশীলঃ সত্যবাক সত্যধর্ম্মো দামোদর প্রিয়ঃ ॥৩৪

অধর, রামভদ্র, পারিপাত্র, শুভাঙ্গদ, সুশীল, সত্যবাক, সত্যধর্ম্ম, ও দামোদর প্রিয় ॥৩৪

ঘর্মাচিত স্নিগ্ধবাক্যো হরিদাসোনবশকঃ।
ভক্তো ভজন কামশ্চ সূক্ষ্মম্বক সুন্দর সদঃ ॥৩৫

ঘর্ম্মাচিত, স্নিগ্ধবচন; হরিদাস, নব, শক, ভক্তা, ভজন, কাম, ও সূক্ষ্মদর্শন, সুন্দর সদ ॥৩৫

অন্যদেবো বিশালাক্ষো বিষতীক্ষ্ণো রগোদরঃ।
সুদেবঃ সত্যবর্ম্মাচ বসুসেনঃ সুসেনকঃ ॥৩৬

অন্যবেদ, বিশালাক্ষ, বিষতীক্ষ্ণ, রোগদর, সুদেব, সত্যবর্ম্মা অরবসুসেন এবং সুসেন ॥৩৬

সুকর্ম্মা সত্যদেবশ্চ সুন্দরাক্ষঃ সুভদ্রজিৎ।
পরিভদ্রাঃ সুধর্ম্মাচ সুরসেনঃ সুরপ্রিয়ঃ ॥৩৭

সুকর্ম্মা, সত্যদেব, সুন্দরাক্ষ, ও সুভদ্রজিৎ, পরিভদ্র, সুধর্ম্মা, সুরসেন, এবং সুরপ্রিয় ॥৩৭

এতে চান্যচ বহবো নারায়ণ পরায়নঃ।
বেণুবেত্র বিবানাজ্য সিদণ্ড পরিঘায়ুধাঃ ॥৩৮

অসিগুম্বা অয়াম্বা গোপমচা মতৌ অতুম্বা অতোপ্পা মশিং ময়মখে নারায়ণদা পুক্লিংচংবা অতাং পুম্নমক কনানা বেনু কনান। বেত্র পায় কনানা শৃঙ্গা পায় কনাগী খুংতা অশাংপা থম্বাল কনানা অসিদণ্ড পায় অসিনচিংবা অয়াম্বা খুংত খুংলাই পাইদুনা অতুমশুবা থোঙদা লৈখি ॥৩৮

দর্শনার্থং মধুরিপো হরনা ক্রীড়নোৎ সুকাঃ।
তৈসার্দ্ধিঃ ক্রীড়তেনিত্যং বালবন্মধুসুদনঃ ॥৩৯

পুম্নমক অদো কৃষ্ণগা মান্নবা গোপমচা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনদুনা শান্নবা অতুদা পুক্লিং চংবা ওইদুনা কৃষ্ণবু উনমিংবদগী লৈরিবনে। ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অতংপা লৈতনা মখোইগা লোইনদুনা অতাং মচাগুম শান্নদুনা লৈয়ে ॥৩৯

গাবাশত সহস্রানি পালয়ন্ গোপবালবৎ।
পুপান্নফল মুলানি দধিক্ষীর ধৃতানিচ।
শক্রান্নবনা তানি মিষ্টানি বিবিধানিচ।
ভূঙ্‌ক্তেচ সহতৈ নিত্যং ভগবান দুর্য্যানুগ্রহঃ ॥৪০

হে ঋষিগণ। ভগবান্না মন্নাম অহু থোজানবিবদগী অঙাংগী মতৌগুম্না মী থুদিংগী চাম্ম চাম্ম জিশিং জিশি' বণ শেন্দুনা লৈ মতৌ অস্থুম্না শান্নরিবা অন্নান্বা গোপা অঙাংশিংহুগা লোইনহুনা তোঙান্না অমস্থুং মথল মথা উহৈ অমনা দধিদুগ্ধধৃত নবনী মতৌ অস্থুম্না চাক অহাও অথুম মথন কন্না চামিন্নৈ ॥৪০

মরিশুবা থোঙগী বারি

চতুর্থে বার ষোপাশ্চনৃত্যগীত পরায়ণাঃ।।৪১

মরিশুবা থোঙদা মুপি তন্নানিথোই অর্থাৎ জগোই শাই ঈশৈ শকই ঈশৈ শকপিশিংহুনা শ্রীকৃষ্ণ পেন্নবন্নীদমক লৈহুনা ॥৪১

মঙাশুবা থোঙগী বারি

পঞ্চমেবেত্রপানিদ্বৌ জয়ৌ বিজয়এবচ।
পার্শ্বদৌ পর্শ্বদং শ্রেষ্ঠৌ গনেশৌ দ্বারপালকৌ ॥৪২

ভাগবৎকি মনাই অথোইবা জয় অমস্থুং বিজয় অনি অসে ভাগবৎকি মনাই থোঙঙাকপা পুম্নমক্কি মকোক্কি অনি অসিনা চৈ পাইহুনা মঙাশুবা থোঙ ঙাকুনা লৈ ॥৪২

তরুকশুবা থোঙগী বারি

ষষ্টৌস্থিতা গোপবেশধারিনঃ পার্শ্বদোত্তমাঃ।
সর্ব্বেরাজষয়শ্চৈব অম্বরীষ পুরোগমাঃ ॥৪৩

গোলোক ফংঙবদা গোপবেশ শেংহুনা ভগবৎকি মনাই অথোইবা অম্বরীষ অসিনচিংবা রাজর্ষি মন্নান্না তরুকশুবা থোঙদা লৈ ॥৪৩

তরেৎশুবা থোঙগী বারি

সপ্তমে মুনয়ঃ সর্ব্বে নিস্পৃহাঃ শান্ত মানসাঃ।
পিবন্ত স্তদ্‌গুনাম্ভোজগলিতং মকরন্দকম্ ॥৪৪

পুক্নিং তম্না মুণি মন্নাম তিম্দুনা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী গুণনদি থম্বাল ওইরে স্তারকপা লৈহি থোইমুনা থকপগুম নাম শোনবদা অপেনবা ওইহুনা বিষয়গী অযাবা কাওহুনা মকম অতুদা অরেৎশুবা থোঙদা লৈ। ৪৪

নিপানশুবা থোঙগী বারি

শৃম্বন্তুশ্চগৃনন্তশ্চ কীর্ত্তয়ন্তোগুণং হরেঃ।
ব্রতো পবাস নিয় মৈর্ণয়ন্তো দিবসানুক্রনাৎ ॥৪৫

অমনা নিপানগুবা থোগুদা কৌরিবা মুনিশিংনা হরিগুণ তাকনবা তানা কনবা শকপদা মতৌ অমুম্মা ব্রত উপবাস নিয়মা মরম ওইদুনা থোগুদা পোক্‌পদনা মাহিং মুনিশিং লেপ্পুনা লৈ ॥৪৫

মাপনগুবা থোংগী ওারি

মধ্যমে রুদ্র পাখোজ যোনয়ঃ সহবাহনং।
কিরীটৌকীব মুকুটহার তাড়ক শোভিতাঃ ॥৪৬

মাপনগুবা থোঙ নাক য়েংতো থম্বালগী ওই ব্রহ্মা অয়াম কিরীট, কৌস্তুভ, মুকুট, মণিলেং ঊলতেঙদুনা মাগী মাগী থাজন লোইনদুনা লৈ ॥৪৬

বিষ্ণবঃ কোটি শস্ত্র শঙ্খ পাখোজপানয়ঃ।
রুদ্রা রৌদ্রবলাঃ শূলপরশ্বধ লং করাঃ ॥৪৭

মতৌ অমুম তৌনা শঙ্খ অমসুং থম্বাল পাইবা কোটি কোটি ওইবা বিষ্ণু অমনা মপাল কল্লবা প্রলয়গী রুংশাগা মান্নবা ত্রিশূল শিংজং পাইবা কোটি কোটি ওইবা রুদ্র মশাম মশাম মাপনগুবা থোগুদা লৈ ॥৪৭

সগনাঃ সানুগাস্তত্র সায়ুধা সপরিচ্ছদাঃ।
গায়ন্তশ্চ গৃণন্তশ্চ হসন্তঃ প্রেমবিহ্বলাঃ।
রুদন্তঃ পতন্তো ধাবন্তঃ কীর্তয়ন্তো হরেগুণান ॥৪৮

বিষ্ণু, রুদ্র, ব্রহ্মাগণ, মাগী-মাগী-মশাম লিংলা লোইনদুনা খুমন খুৎলাই পাইদুনা মশাম অদো শাগদুনা নোক্লদুনা মরৈ অমা ওইনা ভগবৎ গুণ লাদুনা অমসুং জগোই মতৌ অমুম্মা অয়াম্বা মত্র য়ৈদুনা হরিনাম শোন্দুনা লৈ ॥৪৮

বর্ণয়ন্তঃ শিবস্তন্ত গুণামৃত মনুত্তমং।
ব্যাসু তৎপাদাম্ভোজবন্দনেকো প্রমানসাঃ ॥৪৯

মতৌ অমুম্মা ভগবৎকি লিলা শক শোন্দুনা অমসুং চাংদম্নিংঙাই নৈতবা ভগবৎকি অমৃতগা মান্নবা গুণ তাদুনা মতৌ অমুম্মা পুক্নিং চোইদুনা মহাক্কি পাদপদ্ম অনি নিংদুনা মশাম অদো মাপনগুবা থোঙ তাদুনা লৈ ॥৪৯

অরাগুবা থোঙগী ওারি

পশ্চিমে পার্ষদশ্রেষ্ঠাঃ কুণ্ডল জ্যোতিতাননাঃ।
শঙ্খারবিন্দ চক্রাজ পরিবাদুধ পাণয়ঃ ॥৫০

কুণ্ডলগী মঙালনা তাপ্লবা মাইথোং শঙ্খ, চক্র, গদা, পদ্ম, অয়াম্বা খুৎলাই পাইবা ভগবৎকি মনাই পুম্নমক্না অরাগুবা থোঙদা লৈ ॥৫০

স্রগগন্ধ মুকুটোৎকীট হারাঙ্গদ বিরাজিতাঃ।
পীতবাস পরিচ্ছন্নাঃ পুলকাঞ্চিত বিগ্রহাঃ ॥৫১

অম্রাম্বা ভগবংকি মনাই পুম্নমক অদো, ফজবা লৈ পরেং অমম্মুং মনম মুংশিবা চন্দম্মা হকচাংদা ত্তৈ কনানা মুকুট কনানা কোয়েৎ য়েৎপি কনানা মসাদা মণি পরেংনা পুমলং লংঙি কনানা ম্নাফিগেৎ সেংলি ভগবংকি ভাবত্তা পুম্নমক অদো তু চুংহুনা অশাবা মূর্ত্তিগুম লৈ ॥৫১

ত্যক্ত লোভমদা দ্বিভো হিংসা দোহবিবর্জ্জিতাঃ।
সরাজো দ্বিজশার্দ্দুলা নিত্যোদিত মহোৎসবাঃ ॥৫২

হে দ্বিজশার্দ্দুলগণ! ভগবানগী মনাই পুম্নমক অদো অপাম্বা নাপল লৈত্রবনি মতৌ অসুম্না (হিংসাত্ত্রাহা) লৈত্রবনি মথোয় পুম্নমক অদো মাগী মাগী রাখনগী থাংবৈ থান্দুনা অরেপ্পা ওইহনা লৈখ্রবনি ॥৫২

গায়ন্তশ্চ হসন্তশ্চ খেলযন্ত ইতস্ততঃ।
নৃত্যন্তশ্চ গুণানন্যে শৃণ্বন্তো মধুরান্স্বরান্ ॥৫৩

কনা কনান হরিগুণ শকুনা লৈ কনা কনানা অমগা অমগা নোক্লহুনা শান্নে কনানা জগোই শাই অতোপ্পা অমনা নুংশিবা খোঞ্জেল্ল, হরিগী গুণ কীর্ত্তন তৌই কনানা তাই অসুম তৌনা পুক্নিং লুপহুনা লৈ ॥৫৩

অবাদয়ন্ত ভাণ্ডানি বাদিত্রানি সহস্রশঃ।
কুর্ব্বন্তো মধুরান গানান মনঃ শ্রোত্র সুখাবহান ॥৫৪

অতোপ্পা খবনা নুংশবা লিশিং লিশিং ওইবা পুঙ যৈবা মখোন তাবদা পুক্নিং নুংঙাইনা হরিগী লীলাগ তিংহুনা নুংশিবা খোঞ্জেল্লা ঈশৈ শকুনা তরাশুবা থোঙ ভাকুনা লৈ ॥৫৪

তরামাথোইশুবা থোঙগী রারি

একাদশে বজ্রভৃতঃ সহস্রাক্ষঃ সহস্রশঃ।
উরুক্রমং ধর্ষয়ন্তঃ করতাল জয়াদিনা ॥৫৫

তরায়াথোইশুবা থোঙদা বজ্র পাইহুনা লিশিং লিশিং মমিৎ লিশিং পানবা ইন্দ্রময়াম্না উরুক্রম ভগবান গোবিন্দ পেন্নবগীদমক তুমদনা জয়ধ্বনি তৌহুনা খুবাক খুহুনা থোঙদা মহাক্কি গুণ শকতুনা লৈ ॥৫৫

অর্হয়ন্তো বর্ণয়ন্তঃ শৃণ্বন্তশ্চাপি তদ্গুণান।
প্রেতবাদো জনা নৈঋতাশ্চ সহস্রশঃ ॥৫৬

মতৌ অসিগুম্না লিশিং লিশিং ওইবা যমরাজ অমসুং লিশিং লিশিং ওইবা মৈ লিশিং লিশিং ওইবা নৈঋতনা ভগবানবু পূজা তৌরি অমসুং মহাক্কি গুণবর্ণন মতৌ অসুম্না মহাক্কি গুণ তাহুনা লৈ ॥৫৬

পাশিনো গুহ্যকাধীশ গন্ধবহা সহস্রশঃ।
ঈশাঃ সহস্রফনিনঃ শেষাঃ শত সহস্রশঃ ॥৫৭

লিশিং লিশিং ওইবা ঈশিংগী মপু বরুন, কুবের, নুংশিৎ, ঈশান, মকোক লিশিং পানবা চাম্ম পানবা অনন্ত লিশিং তরামাথোইশুব থোঙদ লৈহুন মহাক্ক মগুণ শকুনা লৈ ॥৫৭

কাঙ্চিৎ সারভূতনা মারার্পণ পরায়নাঃ।
হারমণো কলাদুম্রাঃ মহলাঃ অপরিচ্ছেদকঃ।
সবাহনাঃ সংস্কুপার্শ্ব কুণ্ডলো জ্যোতিজাননাঃ।
হর তাঙ্গদ কেয়ুর মণিদাম বিভুষিতাঃ ॥৫৮-৫৯

হায়খিবা মাইকৈ তাকপা সাইংশিংগী ঈশ্বর্মশিং অদো অশাতবা লৈতে হিংসা নাপল লৈতে পুম্নমক অদো মহাত্মা ওইবা নারায়ণদা পরায়ণ ওই থোইদোক্না কল্পবা লোয়নৈ লোয়নবিবা মযাম অদো মাগী মাগী বাহন কুণ্ডলগী মতাল মাইথোং অদো ভাল্লি মণি, খুজি, অঙ্গদ মণিমন্ন ওইবা লৈ পরেং লৈতেংঙি ॥৫৮ ৫৯

তরানিথোইশুবা থোঙগী বারি

দ্বাদশে চিত্তরমনাশ্চিত্র মাল্যানুলেপনাঃ।
পা.থানিধিজ চক্রাজ্ঞ গদায়ুধ লসৎকরঃ ॥৬০

অতোপ্পা ভগবৎকি চান্নবা মনাইশিং তরানিথোইশুবা থোঙদা লৈরিবা পুম্নমক অদো বিষ্ণুগী মশক্কি পুম্নমক অদো য়েংবদা পুক্নিং হুনবগী মশক ওই মচু কয়ানা তিনবা লৈ পরেং মক্রুবা চন্দন দেহদা লৈতেংঙি পুম্নমক শঙ্খ, চক্র, গদা, পদ্ম, পাই নিংথিজবা পাম্নম মরি পাল্লি ॥৬০

বিচিত্রোষ্ণীষকবচা বিচিত্রায়ুধধারিনঃ।
চিত্রবাজন সন্নাহা শ্চিত্রধ্বজ পতাকিনঃ ॥৬১

পুম্নমক অতুগী কোক্তা অরাংবা কোকয়েৎ পুম্নমক অরাংবা ফুরিৎ মশাদা পুম্নমক অরাংবা খুংগু খুংলাই চান-থক্রুবা মখল কয়া মচু কয়াগী কিরান অরাংবা ধ্বজপতাকা দোলাইদা থেংলি ॥৬১

হার কেয়ুর মুকুট তাড়ঙ্কাদি বিভুষিতাঃ।
শ্বেতা তপত্র বিলসৎ করাঃ কেচিৎস্মিতাননঃ ॥৬২

কেহবা হার, কেয়ুর, মুকুট, তারঙ্কাদি, ফিজোন শেৎলি নশাদা কনানা অঙৌবা কিরান পাই কনা কনানা নোকুনা লৈ ॥৬২

তরাহুমদোইশুবা থোঙগী বারি

ত্রয়োদশে প্রিয়তম গোপ বেশ ধরা হবেঃ।
কৌপানা চ্ছাদিত কটি গোপীচন্দন ভুষিতঃ।৬৩

তরাহুমদোইশুবা থোঙদা ভগবৎকি চান্নবা মনাইশিং লৈ মখোই পুম্নমক কৃষ্ণরূপ মাকিপেৎ শেৎলি খাংদা (গোপবেশধারী) কমানা চন্দন অঙৌবা থিল্লি কয়ামুক ফবৈ ॥৬৩

হরিতত্ত্বাববোধ দ্ধি নিমগ্না হতকল্মষাঃ ॥৬৪

মনাই পুম্নমক অদো ভগবৎকি তত্ত্ব তাংনবদা খুংতাইবগী সমুদ্রদা তাওই মখোয় অদো অমকপা লৈতে অর্থাৎ মক্রুবা অশেংবা থম্মোইনি ॥৬৪

কেয়ুরের বিষাণ শিক্য কুসুম শ্রেণী লসদ্দোর্দ্দরাঃ।
সর্ব্বোৎ কর্ণগতাঃ স্বনুষ্টিত কথাঃ প্রোঢ়াবদাতা পরে।
শ্রীনারায়ণ নাম কীর্ত্তন পরা বেনুচ্চরৎ সৎকথা।
উদ্যজ্জ্ঞান সহস্রপাদ কিরনৈঃ সন্দগ্ধপাপোৎকরাঃ ।।৬৫

মনাইশিং পুমমক গোপবেশ শেংলি বেনু, বেত্র, শৃঙ্গা, শিক্য মতৌ অসুম্না লৈ পাই নিংখিজরবা পান্বোম মখোয় অদো পুমমক কংডি মতম পুমমক্তা হরিগী কথা ডাংনহুনা। পৌঢ়পদবীতে অধ্যারূঢ়। ওইখোক্তবা ফিজেৎ লৈতেংহুনা শ্রীনারায়ণগী নাম সংকীর্ত্তন্দা পুক্নিং চংহুনা ভগবানগী সৎ সখা বেনু মতম পুমমক্তা খোংডি মখোয় অদো খোক্কপা মমিংকি মঙানগুম্না মাম্নৈ জ্ঞান অহুনা মঙান ওইহুনা খোঙদা লৈরিবা পাপকি চাকথেকখে ।।৬৫

তেষাংনামান্যতো বক্ষে শৃনুপুত্র সমাহিতঃ।
নন্দ সুনন্দঃ সানন্দঃ উপনন্দঃ প্রনন্দকঃ।।৬৬

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি। হে পুত্র! নহাক্না পুক্নিং তপ্না তারো তরাহুমদোইগুবা খোঙদা ভগবানগী অতোপ্পা মনাইশিংগী মমিং খ্রাম্নরগে নন্দ, সুনন্দ, সানন্দ, উপনন্দঃ মতৌ অসুম্না প্রনন্দ ।।৬৬

নন্দানন্দো বিনন্দশ্চ নিত্যানন্দঃ সনাতনঃ।
নন্দাব্ধি নন্দকো ভদ্রা নন্দঃ সেনন্দকো পরঃ ।।৬৭

অতোপ্পা নন্দানন্দ; বিনন্দ, নিত্যানন্দ, সনাতন, নন্দানব, নন্দক, ভদ্রানন্দ, মতৌ অসুম্না সেণন্দ ।।৬৭

অদ্বৈত হর্ষকো হৃষ্টঃ শুভ্রবাসাঃ শুভাননঃ।
দিব্যো দিব্য প্রভাবশ্চ দৈবজ্ঞো দেবসেবকঃ।।৬৮

অতোপ্পা অদ্বৈত, হর্ষক, হৃষ্ট, শুভ্রাম্বর, শুভানন, দিব্য, দিব্যপ্রভাব, দৈবজ্ঞ মতৌ অসুম্না দেব সেবক।।৬৮

জ্ঞানাবদাতঃ শুভবাক্ শুচিস্মিত শুভাঙ্গদো।
হতৈনাঃ কৃষ্ণদাসশ্চ কৃতজ্ঞঃ সত্যবাক্ শুচিঃ।।

জ্ঞানবদাত, শুভবাদী শুচিস্মিত অর্থাৎ পবিত্রহাস্য, শুভাঙ্গদ, হৃতকিল্বিষ, কৃষ্ণদাস কৃতজ্ঞ, সত্যবাদি মতৌ অসুম্না শেংডবনি ।।৬৯

কপিলশ্চ শুভাচারঃ ক্ষেমবুদ্ধি বিনোদনঃ।
পুষ্টশ্চ পোষকশ্চৈব হিরন্য বপুরেবচ ।।৭০

কপিল, শুভবাদী, শুচিস্মিত, অর্থাৎ বিনোদন, পুষ্ট, পোষক মতৌ অসুম্না হিরন্ম শরীর অর্থাৎ মাভিগেৎ শেংপা।।৭০

সুশর্ম্মা ধর্ম্মসেতুশ্চ বলাকী দৃঢ়বুদ্ধিকঃ।
চিত্রবর্ম্মা সুচিত্রাঙ্গ শ্চিত্রাক্ষ শ্চিত্রভূষনঃ।।৭১

সুশর্ম্মা, ধর্ম্মসেতু, বলাকী, দৃঢ়বুদ্ধি, চিত্রকর্ম্মা, সুচিত্রাতাঙ্গ, চিত্রনেত্র, বিচিত্রভূষন অর্থাৎ কজবা অরাংবা ফি শেৎপা ইনবা ॥৭১

গয়ো হয়ো ময়ো বভ্রুঃ কৃষ্ণবাসা বিকর্ত্তনঃ।
হর্ষঃ প্রহর্ষঃ শ্রীহর্ষঃ উপহর্ষ্য সুহর্ষকঃ॥৭২

অপর গয়, হয়, ময়, বভ্রু, কৃষ্ণাম্বর, বিকর্ত্তন, এবংহর্ষ, প্রহর্ষ, শ্রীহর্ষ, উপহর্ষ অমুম্না সুহর্ষ ॥৭২

বিহর্ষঃ প্রতিহর্ষশ্চ মন্দহর্ষঃ সহুগ্রকঃ।
হর্ষাহর্ষ নিত্যহর্ষ সংহর্ষো ভদ্রহর্ষকঃ ।৭৩

বিহর্ষ, প্রতিহর্ষ, মন্দহর্ষ সহর্ষ এবংহর্ষাহর্ষ নিত্যহর্ষ সংহর্ষ, ও ভদ্রহর্ষ ॥৭৩

অশুক্রোধো বিষহন্তো রৌদ্রকর্ম্মা বৃষাননঃ।
মৃগাক্ষঃ শুভ্রবক্ত্রাচ সুভাষী শুভদর্শন ॥৭৪

অতোপ্পা অমনা অশুক্রোধ, বিষহন্তা, রৌদ্রকর্ম্মা, বৃশমুখ, মৃগলোচন, শুক্লাবদন, শুভভাষী ও শুভদর্শন ॥৭৪

অন্যেচ শৎশশতত্র মমঃ প্রীতিবহাহবেঃ।
অন্তপুরবরে রম্যে নার্য্যো নারায়ণ প্রিয়াঃ॥৭৫

অসি নত্তবা অতোপ্প' কয়ামুক লৈ অদুগুম্বা পুম্নমক অদো ভগবান শ্রীকৃষ্ণ মহাক্কি পুক্কিং চাওখৎ-নবগীদমক অর্থাৎ শ্রীহরিগী চান্নবী ওইয়ে মতৌ অমুম্না থোইদোকপা রমনী কোন্নুং মন্নুংদা ভগবানগী চান্নবি মুপি মরাম মকম অহুদা লৈ ॥৭৫

কোন্নুং মন্নুংগী বারি

যুনাং মনো হরাঃ সর্ব্বাঃ সুস্থষ্ঠ মণিকুণ্ডলাঃ।
সিতা সিতাম্বরাঃ পীতনীল রক্তাম্বরা স্তথা ॥৭৬

কোন্নুং মন্নুংদা লৈরিবী মুপিশিং অদো পাখং মচা পুম্নমক্কি পুক্কিং শুক্নংলি কজবদা থোইংদাকই নাদা মণিগী কুণ্ডল য়াল্লি মতৌ অশুম্না তোঙান তোঙান্না অঙৌবা, অমুবা, অশংবা, মেমানবা, অঙাংবা ফি শেংলি ॥৭৬

কৃশোদর্য্যা মণিময় হারাহত কুচোৎপলাঃ।
তপ্তজাম্বুনদাভাসা জাম্বুনদ বিভূষনাঃ ॥৭৭

অদুগুম্বি মুপিশিংঅদো খাং চেংভি মণিগী মশককুপ্পা কুচু থম্বালগুম নিংথিজৈ কুচু অদো অমুনবা হৈজাং মচুনি মতৌ অমুম্না জাম্বুনদ স্নাগী মচু মানবা ফি শেংলি ইল্লি ॥৭৭

গজেন্দ্রমাদ গমণা হংসবম্মধুর স্বরাঃ।
চিত্রমালাধরাঃ সর্ব্বাশ্চিত্র গন্ধানুলেপনাঃ॥৭৮

শামুনা চৎপগুম ঙান্নু কাওগুম মুংশিবা স্বরনা মচু কয়াগী মালা লৈতেংবা মতৌ অমুম্না পুম্নমক অদো মনম মুংশিবা চন্দন কয়া মশাদা লৈতেংভি ॥৭৮

মানিক্য ভরনাচ্ছন্না ভ্রাজমানা বিলোৎসুকাঃ।
মোহয়ন্ত কটাক্ষৌষৈ রতো মূর্ত্তি ইবাপরাঃ ॥৭৯

মণিগুম্না ভানবা আভরন মসাদ শেংলি থোইদোকপা মভানগী মশক্তি পুম্নমক অদো শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস সুখগীদমক্তি য়েংঙকপদা পুরুষ পুম্নমক্তি অঙকপনা তিল্লি হুপি পুম্নমক অদো অপাম্বগী অতোপ্পা মূর্ত্তিগী মশক্তি ॥৭৯

রূপেন বয়সাচৈব গমনেন শুচিস্মিতাঃ।
হাবহাস্ত সুললিতৈঃ সাক্ষান্মন্মথ মন্মথা ॥৮০

পুম্নমক অদো ,অশেংবনি মমোন নোক্তুনা ইবেম্মশিং অহুনা থোঙদা অমসুং তনৌ তনৌবা বয়স অহুনা থোঙদা মতৌ অসুম্না শান্নহুনা অমগা অমগা অন্নুম তৌনা য়েংনরগা নোকপা অহ্ অশেংবদি অপাম্বনা পুক্লিংবু নৈহংলি ॥৮০

রূপলাবন্য মাধুর্য্যৈঃ শ্রিয়ো মূর্ত্তাইবা পরাঃ।
তাশ্চসর্ব্বান বন্তাস্যো রবেভ্র্ষ্টা প্রভাইব ॥৮১

ইবেম্মশিং অদো তনৌ তনৌবনি নিংথিজবনা তিল্লি মতৌ অসুম্না অশেংবনি লল্মীগী মূর্ত্তিগুম্বি ভাক্তি পুম্নমক অদো য়েংবদা পুক্লিং হুংভাইনবগী মশক্তি থাংদা ফজবি মশা চাওবি মভাম্না হুমিংকুম্না মনিং তৌনা ফোংদোকপা কংভি। ৮১

প্রোচ্য মানানি নামানি শৃনু বিদ্বন সমাহিতঃ।
ললিতা ললিতা লাপা ললিতাঙ্গা রসোৎসুকাঃ ॥৮২

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়রকই হে বিদ্বন! নহাক্না পুক্লিং তপ্পা তারো ঐনা গোলোক ধামগী মনুংদা লৈবা ইবেম্মশিং অহুগী মমিং অমমম ওইনা হায়রগে॥ অমদি ললিতা, ললিতা লাপিনী, ললিতাঙ্গী ললিত রসোৎসুকা ॥৮২

বিশাখা বরবর্ণাচ বরাঙ্গা বরভূষণা।
চন্দ্রাবলা চন্দ্ররেথাচন্দ্রাভা চন্দ্রমেথলা ॥৮৩

বিশাখা, বরবর্নিনী, বরাঙ্গী ও বরভূষনা, চন্দ্রাবলী, চন্দ্ররেখা চন্দ্রপ্রভা, চন্দ্রমেথলা, হায়রিবা পুম্নমক অসে শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবি অন্তরঙ্গা শক্তি ॥৮৩

চন্দ্রমালা চন্দ্রকলা চন্দ্রভূষার্দ্ধ চন্দ্রিকা।
চারুনস্তা চারুভুযা চারুগাত্রা বরাননা ॥৮৪

অতোপ্পা চন্দ্রকলা, চন্দ্রামালা, চন্দ্রভূষা, অর্দ্ধচন্দ্রিকা অর্থাৎ থা মচেৎকি মতৌগুম লৈজেংভি চারুদর্শনা, চারুবদনন, মতৌ অসুম্না নিংথিজনা মশাদা লৈতেংভি ॥৮৪

চিত্ররেখা মাল্যবশ্চা সুগন্ধা চিত্রিনী কলা।
চিত্রমাল্যা চিত্রমুখী চিত্রভূষা বিচিত্রিকা ॥৮৫

চিত্ররেখা, মাল্যবতী, সুগন্ধা, চিত্রিনী, ও কলা, চিত্রমালিনী, চিত্রাবদনী, চিত্রভূষনী, বিচিত্রিকা ॥৮৫।

রমনা মদনপোঢ়া মদনা বিরজাতথা।
বিশালাক্ষা বিশালোরুচন্দ্রভাগা বিনোদনা ॥৮৬

রমনা, পুরিং পেন্নবগী মশক অমমুং বিরজা মতো অমুমা বিশালাক্ষী, বিশোলরু, চন্দ্রভাগা, ও বিনোদিনী ॥৮৬

সুলোচনা সুবদনা শুভ্রহাসা শুভাননা।
শুদ্ধা শুভ্রাঙ্গদা পীতবসনা রক্ত লোচনা ॥৮৭

সুলোচনী, সুবদনী, শুভহাসনী, শুভাননী, শুদ্ধা, শুভ্রাঙ্গদধারিনী, পীতাম্বরী, লোহিত লোচনী ॥৮৭

হরিপ্রিয়া হরিরতঃ হরিমোহকরীশিবা।
রাতিপ্রিয়া রতিপরা রতিদা রতিমোহিনী।
রতিচিত্তহরা ভামা লালসা ললনা মতিঃ ॥৮৮

হরিপ্রিয়া, হরিরতা হরি মোহন কারিনী শিবা অর্থাৎ মঙ্গলগী মশক ওইবি রতিপ্রিয়া, রতি পরায়ণা, রতি প্রদায়িনী, রতিচি ও হারিনী, ভীমা, ভয়ঙ্করা, লালসা, ললনা, ও মতি ॥৮৮

লোলাক্ষিনা তড়িল্লেখা আরক্তনয়না রতি।
শুভ্রহারা শুভাচারা শুভদা শোভনা শুভা ॥৮৯
মনোহরা শুভালাপা প্রীতিদা প্রীতিবর্দ্ধনা।
শত পত্রাননা রামা শুভোরু কনকোজ্জ্বলা ॥৯০

লোলাক্ষী মেরুশি মমোন মোকপা অভাংবা মিংয়েং, রতি, শুভ্রহারধারিনী, শুভাচারিনী, শুভদায়িনী, শোভনা, এবং শুভা, মনোহরা, শুভালাপিনী, প্রীতিপ্রদায়িনী, ও প্রীতিবর্দ্ধন কারিনী, মনা চাম পানবা থম্বালগী মায়থোং মানবী, রামা, শুভোরু, ও কনোকজ্জ্বলা ॥৮৯৯০

হরিনা রবিম্বিচ বিশালনয়না তথা।
চম্পকাচ সুরসিকা রসদা রসমোহনা ॥৯১

হরিনী, রবিম্বি, বিশালায়নী এবং চম্পকা, রসসিকা, রসদায়িকা আর রসমোহিনী ॥৯১

চিত্রাঙ্গদা চিত্রহরা সুচিত্রা চিত্রলোচনা।
নিমেষা মাধবী মেধা মাধবী মধুরস্বরা ॥৯২

চিত্রাঙ্গদা, চিত্রহারিনী, সুচিত্রা, চিত্রনয়নী, এবং নিমেষা, মাধবী, মেধা মাধবী, ও মধুস্বরা ॥৯২

রহোরতা রহঃপ্রীতা রহোমোহা রহঃপ্রিয়া।
হরিনাক্ষা হারবতী লোলাক্ষী চপলাপিচ ॥
ভুঙ্গবিচ্ছেন্দুরেখাচ কান্তি ভুরসিকা তথা।
বৃন্দাবন্দ্যাশ্চ গল্প্যাশ্চ বহুরূপা স্বলঙ্কৃতা ॥৯৩

রহোরক্তা, রহঃ প্রীতা, রহোমোহিনী, রহঃপ্রিয়া, হরিনয়না, হরাবতী, লোললোচনা ও চপলা অপর সুরজবিদ্যা, ইন্দুরেখা, কালী, তুলসী, বৃন্দানাম্নী বরিষ্ঠাগোপী অসিদগী তোঙানবা মথন কন্না ফিজেৎ লৈতেৎতুনা মশিং খংদবা খুরমদুনা অহুক্কি মথৈ গোপী লৈ। ৯৩

তাসাং সখী গনাশ্চান্যা হরিণাক্ষ্যঃ সবাসসঃ।
সহস্রসো বরারোহাঃ কুণ্ডলস্তো স্তিতাননাঃ ।।৯৪

ইমেম্মশিং পুম্নমক অদো মন্নামদগী থোইদোকপি সখিশিংনী অতোপ্পা শক্তিগী মিৎয়েংগুম্ন নিংথিজবা আভোরোন ফজরবা ফি ইনবি মতো অমুম্না কুণ্ডল অনিগী মঙান্না মাইথোঙ থন্নালগী মতৌগুম ফজরবি লিশিং লিশিং ওইব কোমুং মমুংদা মপান্দা মসাচাউবি গোপী পুম্নমক লৈবা ওইরি ।।৯৪

আরামং মনসোরামং স্বচ্ছশ্রোভিত তৎদ্বিজ।
চম্পকাশোক পুন্নাগ নাগকেশর কেশরৈঃ।
মল্লিকা মালতী যুগী করবীর করণ্ডকৈঃ ।।৯৫

ব্রহ্মানা অম্মিবাদা হাযখি—হে দ্বিজ! হায়খিবা গোলোক ধামদা পুক্লিংহুবা মশিং খঙদবা বোন কয়ানা ফজবা ওইরি বোন পুম্নমক অদুদা লৈহাও, অশোক, পুন্নাগ, নাগেশর, কেশর, মাল্লিকা, মালতী, যুথী, করবীর, করণ্ড অসিনচিংবা কুসুম, কয়ানা কয়ামুক নিংথিজৈ ।।৯৫

অপরাজিতাগন্ধ্যগুচ্ছ চম্পকৈরপি।
জয়ন্তিতগরৈঃ কুন্দৈর্জবা কুরুবকৈরপি ।৯৬

মচু কযা অপরাজিতা, বকপুষ্প এবং ভূমিচম্পক, জয়ন্তী, তগর, কুন্দ, জব, ও কুরুবক, বোটনচিংবা কয়ামুক ।।৯৬

লবঙ্গজাতী টঙ্কেশ্চ মুচুকুন্দৈ নবাপ্সদৈঃ।
ঝিণ্টিভি নীলপাতাভিঃ স্থল পদ্মার্ক মাগধৈঃ ।।৯৭

লবঙ্গ, জাতিকুসুম টঙ্ক মুচুকুন্দনচিংবা লৈগী জাৎ কন্না অর্থাৎ অনৌবা মনা অদুদা মুংশিংনা হুন্না কয়ামুক নিংথিজৈ অতোপ্প অমনা অশংবা মেমানবা শাংলিবা লৈ স্থলপদ্ম, আকন্দ, মাগধ অর্থাৎ কেন্দুক অসিনচিংবা কয়া নিংথিজৈ ।।৯৭

মাধবীভিঃ সুগন্ধিভিঃ ইল্লিকাচয়রাজিভিঃ।
বকুলৈর্নকুলৈ রক্তপীতাপীত সিতাসিতৈঃ ।।৯৮

মনম মুংশিববা কুসুম মাধবীলতা অসিনচিংবা উ কয়া ইল্লিকা অর্থাৎ মরি চংপা লৈ মাল্লিকা কুসুমগী মপৈ উগী মথোঙদা মতো অমুম্না বকুল অমমুং অঙৌবা অঙাংবা অশংবা মেনানবা শংবান্নবা উপাদা হৌবা লৈ কয়ানা খোঙদা কয়ামুক ফজৈ ।।

পারিভদ্রৈঃ পারিজাতৈরায়োজন সুগন্ধিভিঃ।
সন্তানকৈঃ পিয়ালৈশ্চ পনসাম্রৈঃ কদম্বকৈঃ ।।৯৯

পারিভদ্র অর্থাৎ শাংলিবা লৈ পুম্নমক অদো মনম্না য়ুথক অমগী লম মনম মুংশিবা পারিজাৎ অমসুং উগী জাৎ কল্পবৃক্ষ, পিয়াল, কুঁটাল, অম্র, মতৌ অসুম্না কুসুম্নচিংবা কদম্ব তরু উগী জাৎনা লৈতেংদি ।।৯৯

বদরীভিঃ কোবিদারৈ গুবাকৈঃ খর্জ্জুরৈরপি।

বিভীতকৈস্তিন্তিড়ীভির্হরী তক্যাদিভিস্তথা।।১০০

বোবোই কোবিদার অর্থাৎ চহুই ঘ খর্জ্জুর উগী জাৎ কয়া অমনা বিভীতকী, অর্থাৎ বহেড়া তিন্তিড়ী মতৌ অসুম্না হরীতকী অসিনচিংবা পরেং পরেং ওইনা থোঙদা কজনা হৌই ।।১০০

অশ্বত্থ ধাতুকা ভিশ্চ শিবাভীরক্ত চন্দনৈঃ।

বিল্বৈস্তালৈস্তমালৈশ্চ হিন্তালৈঃ খদিরৈরপি ।।১০১

অশ্বত্থ ধাতুকী অর্থাৎ ধাই, আমলকী, রক্তচন্দন, আর বিল্ব, তাল, তমাল, হিন্তাল ও খদির পাম্বিনচিংবা উগী জাৎ কয়া ।।১০১

বেনু কিংশুক ন্যগ্রোধতিন্দুকেঙ্গুদ শাল্মলৈঃ।

অর্জ্জুন প্লক্ষ জম্বাল লোধ্র বত্র সুচন্দনৈঃ ।।১০২

বাগী জাৎ উগী জাৎ কিংশুক অর্থাৎ পলাশ, বট, তিন্দুক, ইঙ্গুদীবৃক্ষ অর্থাৎ ভুজপত্রপাম্বি, শাল্মলি আর অর্জ্জুন, প্লক্ষ, জম্বাল, লোধ, মতৌ অসুম্না চাচন্দন পাম্বিনা থোঙদা লৈবুঙ মথক্তা হৌরি ।।১০২

নাগরঙ্গ কামরঙ্গ নারিকেল সুজম্বুকৈঃ।

নিম্বৈর্দধিত্থৈঃ কপিত্থৈঃ স্বর্নৈর্দাড়াম সেফকৈঃ ।।১০৩

নাগরঙ্গ, কামরঙ্গ, নারিকেল, সুজম্বুক অর্থাৎ জাম পাম্বি নিম্ব, দধিত্থ, আম্রাতক, কপিত্থ, স্বনাম্বু, দাড়িম, এবং সেফক, অসুক্কি মথৈ ওইব হৈপাল কয়া ফজনা তৌরি ।১০৩

নিত্যাদিত পুষ্প ফলৈঃ স্থিরচ্ছায়ৈঃ সপল্লবৈঃ।

বসন্তো গ্রীষ্মা বর্ষাশ্চ শরদ্ধেমন্ত শৈশিরাঃ।

স্বস্ব পুষ্পাফলা মূর্ত্তা ধাতৃবস্তুদুপাসতে।।১০৪

অরাংপা লৈতনা লৈগী হৈগী জাৎ ফজরবা মনানা ভিন্দুনা মসা মতৌ অসুম্না শন্দোকপা ভগবানগী শান্নবগী মফম অদো মুংশংনা থোপন তৌরি মতৌ অসুম্না বসন্ত, গ্রীষমা, বর্ষা অমসুং শরৎ, হেমন্ত, শিশির, অসিগুম্ব ছয়ঋতু অসিনা মূর্ত্তি ওইদুনা মতম মতমগী হৈ লৈ থোঙদা পরেং পরেং ভগবান্দা উপাসনা তৌদুনা পুম্নমক লৈ ।।১০৪

সরিৎ সরোবর ধরৈঃ পদ্মৈরুপ শোভিতম।

নদীবাপী সরোভিশ্চ দীর্ঘিকাভি বিৎস্তৃতঃ ।।১০৫

গোলোক্তা লৈরিবা থোইদোকপা বোন পুম্নমক অহানবা থুংশেম পুখ্রি অমসুং মনা মপান থোঙদা কয়ামুক ফজনা মতৌ অসুম্না শিনবথুংনা অশাংবা থাঙ্গপাৎ অমসুং অতৎপা লৈতনা লাইশ্নী লৈকম মতৌ অসুম্না তুরেন মথাম্ন মপান্দা ফজবা ফংদি ।।১০৫

গিরিনির্ঝরৈঃ কুণ্ডৈশ্চ পুষ্টৈশ্চ পুণ্যজলৈরপি।
অঙ্কিতৈঃ মূর্তিমদ্ভিশ্চ পুণ্যৈরায়তনৈরপি ॥১০৬

চীংদগী চেম্বরকপা গুহা মফম মথম অশেংবা ঈশিং থোজদা কোজনা গৌলোক অমদি তুরেল সমুদ্রা পুম্নমক মতৌ অসুম্না পুণ্যগী মফম লেংবাগ অসিনচিংবা থোঙদা কোইনা লৈ ॥১০৬

পুণ্যতীর্থৈঃ পুণ্যজলৈ স্তৎপাদাদিচিহ্ন চিহ্নিতৈঃ ॥১০৭

মতৌ অসুম্না ভগবানকি চরণচিহ্নে তাবা পুণ্যতীর্থ অমসুং ঈশিং লৈরিবা পুম্নমক্না থোঙদা গৌলোকী মফম হায়নিংঙাই লৈতনা ফজবনা লৈতেংঙি ॥১০৭

কুমুদৈঃ শতপত্রৈশ্চ কহ্লারৈশ্চ কুশেশয়ৈঃ।
তামরসৈঃ কোকনদৈঃ কোরকৈ কুমুদৈরপি ॥১০৮

ভগবংকি ধাম গোলোকতা লৈরিবা পুখ্রি খুদিংদা থরো অঙৌবা অঙাংবা অশংবা থম্বাল অঙৌবা অঙাংবা মনা চাম্ম পানবগী দল অমসুং চাম্ম চাম্ম লিশিং ওইবা দল ফজরবা থম্বাল অঙাংবনা কয়ামুক ফজে অতোপ্পা অমনা অচুগী ময়াইদা থরো অশংবগী মপৈনা থোঙদা ফজবা ওইরি ॥১০৮

কোকিলৈঃ সুকলা লাপৈঃ সংকারশুবৈরপি।
ক্রৌঞ্চসারস চক্রৈর্হংসৌভিঃ কলনাদিভিঃ ॥১০৯

ফজরবা ঈশিং লৈবা অচুগী মপান্দা বনগী ময়াইদা শাংলিবা লৈ, উগী মশাদা মুংশিবা ওয় কোকিলনা কুহু হায়না থোঙদা নিংথিজনা অমদি মুংশিবা থোঙ্গেলনা শব্দোক্তি বক, সারস, চক্রবাক, ঙানু কাংঙা জুরা জুরা মতৌ অসুম্না ঈশিং লৈবা কয়ানা থোঙচনা কোইনা শাম্নরি ॥১০৯

দাত্যুহৈর্ধুরালাপৈঃ কুক্কুটৈর্বন কুক্কুটৈঃ।
শুকৈঃ পারাবতৈশ্চৈব ময়ূরৈ পরিশোভিতম ॥১১০

উচেক পুম্নমক্না মুংশিবা থোঙ্গেলনা মতৌ অসুম্না হুই লমহুই পুম্নমক্না মুংঙাইনা শাম্নরি মহাকি থৌজান্দগী বাহোং চোঙা তেনবা পুম্নমক উপক্না লৈতেংঙি অমসুং নিংথিনা থোংঙি ॥১১০

বায়সৈঃ পেচকৈশ্চৈব শ্যেনৈশ্চ কলনাদভিঃ।
ভৃঙ্গালীগুঞ্জন সন্নাদ হুঙ্কার মদনোৎসবৈঃ ॥১১১

কাক, শেম্রাং লংজা উমাইবি ময়াম্না পাইবগী থোঙ্গেলনা নিল্লি নিংঙাইবা লৈতনা লৈহি চুপকে হায়না থোইমুনা ভংব ধ্বনিনা মফম পুম্নমক্না নিলহল্লি ॥১১১

সমীরস্তি সমীরৈশ্চ গন্ধাকৃষ্ট মধুব্রতৈঃ।
বল্লরীভিঃ সপুষ্পাভিঃ গুল্মগুচ্ছৈর্মনোহরৈঃ ॥১১২

মুংশিংনা শাংলিবা লৈগী মনমগা লোইনা অগোই শাবগুম মনম য়াঙবা লৈহিং চেন্দবা ফজবা লৈ তিংথঙ পানব মশি চৎপা ফজরবা পুম্নমক অহুনা য়েংবদা পোথাদবগুম উল্লি ॥১১২

লতাকুঞ্জৈঃ সুনিভৃতৈ র্মাল্যগন্ধাদিচর্চ্চিতৈঃ ॥১১৩

ফজবগী মথক্কা অমূক হন্না ফজৈ চাংদম্নিংঙাই লৈতবা গোলোক মনম লুংশিবা লৈগী পরেং মরি চৎপা থোইদোক্না নিভৃতনিকুঞ্জগী মনুংদা থোঙদা কোইরি ॥১১৩

সিংহ ব্যাঘ্র বরাহৈশ্চ গবয়ৈ র্মহিষৈরপি।
বানরৈ ঋক্ষ গোমায়ুপন্নগৈঃ রূপ শোভিতঃ ॥১১৪

মকম খুদিংদা নোংশা, কৈ, ওক, চমরী ঈরোই অমুম্না য়োঙ, শঙম, লমহুই মহুপুবা ময়াম বন অহুদা লোয়না লৈ ॥১১৪

তরক্ষুনকুলৈশ্চৈব শল্লখী কৃষ্ণসারকৈঃ।
খড়্গৈশ্চ করিভিঃ করে ভিরিতস্ততঃ ॥১১৫

মতৌ অমুম্না তরক্ষু, খৈরোই, শল্লকী অর্থাৎ শজি অমুবা জাং ময়াম অমমুং শগোল গন্ধা শামু লাব অমোম ময়াম্না মরম ওইদুনা মনুং অদুদা বন অদুগী ফজবা ওইরি ॥১১৫

খড়িগর্ন মার্জ্জারৈ মৃগৈর্নানাবিধৈরপি।
ক্রীড়াদ্ভিঃ সর্ব্বতো ব্যাপ্তং শান্তহিংস্রৈঃ পরস্পরম ॥১১৬

শামুগণ্ডা লম হৌদোং অমমুং মথম কয়াগী শক্তি পুম্নমক হরাওনা মাগী মাগী চান্নবী লোইনদুনা মকম খুদিংদা শান্নরি মতৌ অমুম্না নোংশাগা অপিকপা শা খিবিক্না থোংভি অমগা অমগা পুক্নিং পেন্না মথল কয়া শান্নদুনা কোম্নরি ॥১১৬

কল্পমন্বন্তরাঃ সৌম্য যুগবৎসর মাসকঃ।
পক্ষাশ্চ তিথয়শ্চৈব দিনরাত্রে দ্বিজোত্তম ॥১১৭
গ্রহনক্ষত্র যোগাশ্চ রাশয়ঃ করনানিচ।
কলাকাষ্ঠা মুহূর্ত্তাশ্চ ঋতবস্তদ্রুপা সতে ॥১১৮

ব্রহ্মানা হায়খি—হে দ্বিজোত্তম অঙ্গিরা! কল্পাগী মনুং যুগ, শৎসর, মাস, পক্ষ, তিথি, বার, দিবা, রাত্র, কাল, কাষ্ট, মুহূর্ত্ত, ঋতু মতৌ অমুম্না গ্রহ, নক্ষত্রা, যোগ, রাশি, করনদি, পুম্নমক মূর্ত্তি ওইদুনা ভগবৎকি চরণ অনিদা গোলোক ধামদা অতৎপা লৈতনা খুরমদুনা লৈরি ॥১১৭-১১৮

যক্ষরাক্ষস গন্ধর্ব্ব পিশাচোরগ কিন্নরৈঃ।
বিদ্যাধরৈ শ্চারণৈশ্চ খগ স্বাধ্য মরুদগনৈঃ ॥১১৯

অতোপ্পা যক্ষ, রাক্ষস, পিশাচ, নাগ, কিন্নর, গন্ধর্ব্ব মতৌ অমুম্না বিদ্যাধর চরণ; সাধ্য, সূর্পনাদি ও মরুদগন অসিনা মরম ওইদুনা 'সবা তৌরি ॥১১৯

দৈত্যৈর্যাতু ধানৈশ্চ মুণিভিব্রহ্মাবেদিভিঃ।
যতি বেতাল কুষ্মাণ্ড ভৈরব প্রমথৈরপি ॥১২০

অহুকি মখৈ ওইবা মরন লৈবা পুক্ত তৌবা মী দৈত্য দানব অসিনচিংবা অমসুং বেদ বেদান্ত খঙবা মুণি ময়াম মতৌ অসুম্না লাইনিংবা ময়াম বেতাল, কুম্মাণ্ড, ভৈরব অমসুং ভূত প্রেতনচিংবা অহানবদা কোইনা লৈ ॥১২০

আভিস্তি মূর্ত্তিমস্তিশ্চ ধৃতরাষ্ট্রাদি পন্নগৈঃ।

সেবিতং সর্ব্বতোভদ্রে ভদ্রব্রতৈর হিংসকৈঃ ॥১২১

পৃথিবি পুবা বাসুকি মীগী মশক ওইবা ধৃতরাষ্ট্রনচিংবা লিল ময়াম মীগী মশক লৌদুনা মতৌ অসুম্না মঙ্গলগী মশক ওইনা কনাবু য়েক্কবা লৈতনা গোলোক ধামদা অমত্তা ওইনা সেবা তৌমিন্নৈ ॥১২১

ত্যক্তকম্ভমবৈর্নিত্যং নারায়ণ পরায়নৈঃ।

রম্যংপুরবং সর্ব্বং মনঃ শ্রোত্রসু খাবহম ॥১২২

গোলোকতা লৈবা মী পুম্নমক নারায়ণদা পুক্নিং থমমি বনাগুম্বা নাপন তৌবা লৈতে মথোম্ন পুম্নমক্না থোঙদা সেবা তৌদুনা নিংথিবা অয়াম্বা অথোইবা গোলোকি অয়াম্বা মকম অদুদা পুক্নিং চংনা মতৌ অসুম্না ভগবানগী নাম তাদুনা মুংঙাইবা ওই ॥১১২

সোপধানং সপর্য্যঙ্কং সর্ব্বতোভদ্রমৃদ্ধিমৎ।

তত্রতাভিঃ সমেতাভি র্যোবাভিঃ সুরশক্রহা।

রমমানো ন বুবুধে স্বর্গনাম্ প্রগতানপি ॥১২৩

চাংদমনিংঙাই লৈতবা আসন শৈর্য্যানা তিনবা মকম পুম্নমক্না নিংথিজরবা মন্দির পুম্নমক অয়াম্বা কংতবা মাংহনবা মতিক চাওবা শ্রীকৃষ্ণনা অদুগুম্বা মন্দিরদা হায়রিখি্রবা মনাইশিংগা লোইনদুনা শান্নবদা পুক্নিং চংদুনা মতম কয়া হোখে্র হৌখিবা অদো মহাক্না খঙবা ঙমখিদ্রে ॥১২৩

বিসম্ম'র তদাবাচং তয়োক্তা মাহতেন্দ্রিয়ঃ।

তাভির্বিদন সহস্র'নি শতান্যগনি তানিচ।

মিনায় বর্ষপুগানি তদা স পুরুষোত্তম ॥১২৪

ব্রহ্মানা অজিবাদা হায়খি—হে বিদ্বন। পুরুষোত্তম বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণনা চাংদম্নিংঙাই লৈতবা লিশিং চাম্মা ওইবা ইবেম্মশিংগা লোইনদুনা (রমমান থাকিয়া) চহি কয়ামুক হোখে্র মতম অদুদা মুংঙাইবদা পুক্নিং লুপখিদুনা ইন্দ্রি পুম্নমক মরম অদুদগী হাম্না হায়খি্রবা ইবেম্মা অথোইবি অহুগুম্বি অদুগী রা অদু মহাকপু নিংশংবা ঙমখিদ্রে কাওখে্র ॥১২৪

মতাং অসিদা ব্রহ্মাণ্ড পুরাণগী রাধা হৃদয় কৌবা ব্রহ্মানা মচা তরেংতা লিবা গোলোককি রাম্নি মঙাগুবা অধ্যায়ঃ লোইরে ॥৫

তরুকগুবা অধ্যায়ঃ

কাত্যায়নীর নিকট বৃষভানুর বর প্রাপ্তি।

ব্রহ্মোবাচ।—সনৎকুমারস্ত শাপাৎ সর্ব্বং সংশ্রয়িতং পুরম।
তৎশাপহত সংকল্পগনান্তে বৈষ্ণবাস্তদা ।।১

ব্রহ্মানা হায়খি—হে বৎসগণ! তারো ঐ মহাপুর গোলোক ধাম অদো সনৎকুমারগী শাপগী পুম্নমক চিংনবা ওইরে অয়াম্বা বিষ্ণুগী মনাই বৈষ্ণ ময়াম পুম্নমক নিংবা কাইরে অর্থাৎ অতৎপা লৈতনা গোলোকতা ভগবৎকি সেব দা পুক্নিং চংজবা মতৌ অম্মুম্না মক্কম অহুদা লৈজরগা ভগবানগী মনাই ওইবা পামজবা মখোই অহুগী পামজবা অদো মখোয় পুম্ননক অবাবা ওইরে ।।১

জজ্ঞিরে বৃতিকুরুষু মহাত্মনো মহৌজসঃ।
নন্দাতা গোপবেশাঢ্যাঃ শ্রীদামাত্মাশ্চবালকাঃ ।।২

অয়াম্বা গোলোকতা লৈরিবা মহাত্মা অমসুং অয়াম্বা ভগবৎকি পরিবার পুম্নমক পৃথিদা দ্বাপর যুগ লোইরমদাইদা যদুবংশ মতৌ অম্মুম কুরুবংশদা পোকখ্রে অমনা নন্দনচিংবা গোপ পুম্নমক অমসুং গোপমচা শ্রীদামনচিংবা কৃষ্ণগী মমান্নবা অণ্ডাং ময়াম মংখোয়মু ব্রজদা পোকখ্রে ।।২

ললিতাত্মাঃ স্ত্রিয়ঃ সর্ব্বা গোকুলেষু প্রজজ্ঞিরে।
গোবর্দ্ধনাদ্রি প্রবরে নিত্য পুষ্পফলোদয়ে ।।৩
নানাধাতু ভিরাচ্ছন্নে নানা মণিগনা বৃতে।
ব্রহ্মন স্থাপিতা পুর্ব্বং কালিন্দ্যা তট সন্নিধৌ ।।৪

অতৎপা লৈতনা হৈ-লৈ শাংপা পানবা মখোগদা অয়াম্বা ধাতু মণিনা তিনবা অচৌবা চিং গোবর্দ্ধনগী মনাক কালিন্দী নদি মনাক মমাংঙৈদা ব্রহ্মানা শ্রীরাধাগী মুর্ত্তি অমা মক্কম অহুদা পুজা তৌখিবা অহু লৈ মনাক অহুদা গোকুল নগরদা ললিতানচিংবি নুপি ময়াম পোকখ্রে ।।৩-৪

শ্রীরাধার পুর্ব্ব স্বরূপবর্ণন

অষ্ট হস্তাবিশালাক্ষী চন্দ্রার্দ্ধকৃত শেখরা।
কিরীটহার কেয়ুর কুণ্ডলদ্যোতিতা মনা। ৫

ব্রহ্মানা পুজা তৌরম্বা মুর্ত্তি অহুদি খুৎ নিপাল (বিশালনয়না) ওই লাইবক্তা থা তংখাইনা লৈতেংঙি কোক্তা কিরীট কহুদা মণি পরেং পাম্বোমদা কেয়ুর লৈতেংঙি নাকোং অনিদা কুণ্ডল অনিনা ঙাল্লি মঙাম্না মাইথোং ঙাল্লি ।।৫

নানাভরন সংচ্ছন্না নাগযজ্ঞো পবীতিকা।
রক্তাম্বর পরিধানা দাড়িমী কুসুমো পমা ।।৭

মথল মথা অয়াম্বা ফিনা দেহদা থোল্লি শিলনা নগুণগী মতৌগুম লৈতেংঙি কফোই মপানগুম্না অঙাংবা ফি শেংলি ।।৬

রক্তামাল্যধরাদেবী কোটি ভাস্কর ভাসুরা।
শঙ্খংচক্রংগদাং শক্তি হলং মুষলমেবচ।
দধানা ভয়মব্যগ্রা বরমেবাষ্ট ভিভূজা।।৭

অঙাংবা কুসুমগী লৈপরেং থোল্লি মঙাল্লা সুমিং কোটিগুম ইবেম্মগী দেহগী মঙান অর্থাৎ মহি চেনবা সাগী মচু মাল্লি শঙ্খ, চক্র, গদা, শক্তি, মতৌ অসুম্মা হল, মুষল, অভয় অমসুং বর, খুং নিপান্দা খুংলাই নিপাল থোল্লি ।।৭

সাদেবী পরমারাধ্যা রাধাযা পরমোত্তমা।
তিষ্টত্যজস্রং সাদেবী বরদাপুজিতা সদা।।৮

অদুগুম্বি থোইদোকপা মূর্তি অদো নিংঙনবগীদমক রাধা ইবেম্মা মহাক্না অতংপা লৈতন্না বৃন্দাবন্দা লৈরিবনী ইবেম্মা অদো বৃন্দাবনগী মবেম্মনী বৃন্দাবনগী য়োকচবিনী মহাকপু পুজা তৌজবদা মহাক্না মতম পুম্মমক্তা পুজা তৌবা মীদা বর পিনবিরী ।।৮

অঙ্গিরাউবাচ।—শ্রুতংতে বহুশস্তাত রাধিকা বৃষভানুনা।
আবিরাসান্মহামায়া কথং তন্মেবদ প্রভো ।।৯

অঙ্গিরানা হায়রকই—হে তাও। নহাক্কি মুখপদ্মাদগী মখল মখা অয়াম্বা য়াদি তাজয়ে হৌজিক মঙং করম্না অদুগুম্বি মহামায়া রাধাবু বৃষভানুনা করম তৌনা নিংঙপা মচা ওইনা ফাওররিবনো বাশিং অদো শন্দোক্না ঐখোয়গীদমক তাকপিযু। ৯

ব্রহ্মোবাচ। -মহাভানু র্গোকুলেশো গোপানাং পৃথিবীপতিঃ।
তস্যপুত্রা মহাত্মনো বিষ্ণুভক্তা জিতেন্দ্রিয়াঃ।।১০

ব্রহ্মানা হায়খি—বৎস! গোকুল মপু ওইবা গোপ পুম্মক্কি মপু মহাভানু কৌবা নিংথৌ অমা লৈরম্মী মাগী মচা মরি অদো পুকচেন কবা ভাক্কি মখোয় অদুদগী জিতেন্দ্রিয় ওইবা বিষ্ণুদ পরায়ণ ওইবা বৈষ্ণব ।।১০

বৃষভানুঃ রত্নভানুঃ সুভানুঃ প্রতিভানুকঃ।
তেষাং জ্যেষ্টো বৃকোরাজা মন্বাগৎ পৃথিবীপতিঃ।।১১

মহাভানুগী মচা মরি মতৌ অসুম্মা বৃষভানু হায়বা অসে বৃকভানুসু কৌই রত্নভানু, সুভানু, অমনা প্রতিভানু মরি অদুগী অহল বৃষভানুনা নিংথৌগী পদবি কংদুনা নিংথৌ ওই।।১১

অশ্বমেধ বাজপেয় রাজসূয় শতানিচ।
অলমিচ্ছন ভগবৎ প্রীতেচকার পরম ক্রতুন।।১২

বৃষভানুনা নিংথৌ ওইরবদা ভগবানগী পেম্মানবগীদমক অশ্বমেধ বাজপেয় রাজসূয় অসিনচিংবা চাম্ম চাম্ম দক্ষিনাগা লোইননা যজ্ঞ দান তৌই ।।১২

মহষিকল্পো রাজষি চক্রবর্ত্তী সতাং মতঃ।
দান্তো জিতেন্দ্রিয়ো দাতা জিতারি র্ধর্মব সলঃ।।১৩

বৃষভানু মহাক অসে বৈশ্য শাগৈদা পোকপনি অদুম ওইনবক শাখোমিগী পান্নলনা অয়াম্বা রাজ্য শাসন তৌই রাজর্ষিগা মান্নৈ এক চক্রবর্ত্তী ওইনা লৈ মহাক অসে ব্রহ্মর্ষিগা মান্নৈ দান্ত, জিতেন্দ্রিয়, পরম দাতা, মহাক্কি পত্নি লৈত্রি ধর্ম্ম পুন্নমক ভাঙুনা লৈ মতম অদুদা কন্যাগুম্বা নিংথৌনা মহাক্কি মফমদা পিগদবা মৌ ওইবা য়াবা লৈতে ।।১৩

কমলা ধরণীতুল্যো দানে পর্জন্যবর্ষবী ।
তেজসা ভাস্করসমঃ স্থৈর্য্যেগিরিবরোপমঃ ।।১৪

অসিগুম্বা বৃষভানু অসে ভাকপিবদা মফম পুন্নমক্তা পৃথিবীগা মান্নৈ দান্দা নোংগা মান্নৈ নোংদি মফম পুন্নমক্তা চুই অহুগুম্মা জিবা পুন্নমক্কি থম্মোই পেলহল্লি মঙান্দা মুমিংকুম্মি লেংদবদা হিমালয়গা মান্নৈ ।।১৪

শৌর্য্যে রুদ্রসমঃ কোপে সপ্তজিহ্বা সমোবলী ।
গাম্ভীর্য্যে সাগরসমো মহিম্নিঃ গিরিশোপমঃ ।।১৫

মুরতায়, রুদ্রতুল্য, শাউংগা মৈগা মান্নৈ পাকন্দা বলিগা মান্নৈ মুকপদা সমুদ্রগা মান্নৈ মতৌ অসুম্বা মতিক মগুণদা শিবগা মান্নৈ ।।১৫

বিন্দুনাম মহানাসীৎ বৈষ্ণবো মুখরাপতিঃ ।
তৎপুত্রো ভদ্রকির্ত্তী চন্দ্রকির্ত্তী মহাবলঃ ।
শ্রীদামাদি পুর্ব্বভ্রাতা মহাকির্ত্তী স্তথৈবচ ।।১৬

অহুগুম্বা ব্রজধামদ অমি গুদবা বিন্দু কৌবা গোপ অমা লৈ মহাক্কি পত্নী মথুরা কৌই অনিমক বিষ্ণু ভক্তনি অদুগুম্বি মুখারগী গর্ভদা বিন্দুগী মচা মঙা পোকই ভদ্রকির্ত্তী, চন্দ্রকির্ত্তী, মহাবল, শ্রীদাম, এবং মহাকির্ত্তী ।।১৬

ভানুমুদ্রা কির্ত্তীমতা কির্ত্তীদা বরজামতী ।।১৭

ভানুমুদ্রা, কির্ত্তীমতী, ও কনিষ্ট কির্ত্তীদা, বিন্দুগী মচানুপী অহুমনি কির্ত্তীদা হায়বি অসে অহানবদা কালাবতী কৌই ।।১৭

ভদ্রকির্ত্ত্যাদয়ো বিপ্রৈর্ব্বেদবা বিধিনক্রমাৎ ।
তেবূঢ়াশ্চেমনকাং মেনাং ষষ্টিং ধাতীঞ্চ ধাতুকিম ।।১৮

হে ব্রাহ্মণশা ! ভদ্রকির্ত্তীনচিংবা বিন্দুগী মচা মঙা অদো বিধান কাইদনা মেনক, মেনা, ষষ্টি, ধাত্রী অমসুং ধাতুগী অসিগুম্বী কন্যা মঙা লুহোংখে ।।১৮

বৃকস্তেষামবরজা মুপযেমে যথাবিধিঃ ।
তস্যাং বদ্ধমনঃ কামে নিনায় বহুবৎসরম্ ।।১৯

অহুগুম্বা ভদ্রকির্ত্ত্যাদির, মঙা অসিগী মচনমুপি কির্ত্তীদা বৃষভানুদা বিধান কাইদনা অদুগুম্বি কির্ত্তীদা অদো লুহোংখে কির্ত্তীদগী মঙং মশক মগুণ লমচৎ অদুদা বৃষভানুগী পুক্নিং লুপখিদনা অদুগুম্বা বর কন্যা (সম্ভোগসুখে মগ্ন হইয়া) চহি কয়া লৌখে ।।১৯

তস্যাঃ প্রসব মরিষ্ঠঞুরোধে রমণ পণ্ডিতঃ।
নলেভেত তনয়ং রাজা বিষণ্ণ মনসো ভবেৎ ॥২০

অদুক্তগী কির্ত্তীদাগী গর্ভদা মচা অগ্রতং পামজবা অতুদগী (রমণ পণ্ডিত) বৃষভানুনা (খানু তেই তাঁহার সহিত সুরতে রতহন) পোকিখরমং মতম কন্না হৌখে মচা কংক্রে মরম অসিদগী বৃষভানু থোইদোক্না পুক্নিং মুংঙাইতে ॥২০

ততঃ প্রবয়সৌ তৌতু চিন্তা শোক পরিপ্লুতৌ।
অটাট্ট মানৌ পুণ্যানি তীর্থান্যায়তনানিচ।
সরাংসি সরিতশ্চৈব ক্ষেত্রানি বিবিধানিচ ॥২১

অদুগী তুংদা য়ুম পানবগী মতম কন্না হৌখ্‌বা অহল ওইরক্লবা নিপা নুপি অনি অদো খল্লুবদা মতৌ অসুম্না অরাবা ওইচনা পুণ্য, তীর্থ, দেবালয়, অমাম্বা মানস, বিন্দু সরোবরনচিংবা গঙ্গানচিংবা মতৌ অসুম্না পরবোতন্না লৈবা পুণ্য ওইবা মকম কন্না কোইরুনা চৎখি ॥২১

পর্য্যাপ্তভূরিরত্নৌঘ দক্ষিণৈঃ সপ্ততন্তুভিঃ।
ইয়াজ পরমেশানাং মুণিভিব্রহ্ম বিভিঃ ॥২২

অদুগী তুংদা বৃষভানুনা মচা পামজবগীদমক বেদ হৈবা ব্রাহ্মণ মুণিশিংগী থোঙদা হয়মেধ, অজমেধ, মতৌ অসুম্না চেং থোইদিংনচিংবা স্না লুপা দক্ষিনা অমাম্বা যজ্ঞগী থোঙদা পরমেশ্বরবু পূজা তৌখি ॥২২

নচোপলেভে সন্তানং রাজা শোক পরিপ্লুতঃ।
মুমোহ ধরণী পৃষ্ঠে মৃতবৎ পতিত ক্ষনাৎ ॥২৩

দক্ষিনাগা লোইনবা যজ্ঞ লোইরে অদু কাওবা মচা কংক্রে মতম অদুদা রাজা অরাবা ওইদুনা খল্লু খল্লুরগা পৃথিদা শিবগুম্না মতম অদুদ বা,হুখে ॥২৩

তং বীক্ষ্য পতিতং ধাত্র্যাং মুর্চ্ছিতং কির্ত্তীদা সতী।
পতিংরাজান মাহেদং বচনং স্থিতয়া স্তনঃ ॥২৪

থোইদোকপা সতী ওইবি কির্ত্তীদা মহাক্কি পতি মহারাজা বৃষাভনুনা পৃথিদা রাহতুনা লৈবা উরগা নহাক্কি কননবগীদমক বা হংংখি। ২৪

হে নাথ শরনং যাচি জগন্মাতারমম্বিকাম্।
সাচেৎপ্রসন্না তপসা বচসা মনসানঘ।
কর্ম্মনা নিয়মেনাপি বাঞ্ছিতার্থং প্রদাস্যতি ॥২৫

কির্ত্তীদান বৃষভানুদা পেমজিন্দুনা হায়রখি— হে নাথ। কান্নবদা বাবিরে বাবিদু হৌজিক নচা পাম্লিরবদি জগন্মাতা অম্বিকাবু পূজা তৌবিদু নিংবিদু অমদি স্তোত্র পাঠ অমসুং পুক্নিনা থোং ওইদুনা অর্থাৎ পরিচর্য্যা, মতৌ অসুম্না নিয়মা থোঙ ওইদুনা মতম অদুদা মহাক্কা পেনবিরবা অদু ওইরবদি থিজমা ইবুংঙো নহাক্কি অনিংবা ফল ফংগনি ॥২৫

তদন্যানাস্তি লোকেঽস্মিন গতির্ণ স্বাত্মনন্দনা ॥২৬

মহারাজ! ইহলোক অসিদা মহাক্তি উপাই নত্তনা অতোপ্পা গতি লৈতে মহাক অহুদি পুম্নমক্কি হুদিগী সুংঙাইবা পিবিনি মরম অসিনা মাঙোন্দা চংঙরবদি হৌজিক ঐখোয় অনিগী মঙ্গল ওইগনি ॥২৬

গোবর্দ্ধনাদ্রিপ্রবর পার্শ্বে কাত্যায়নীশুভা।
কালিন্দ্যাঃ স্বচ্ছতোয়ায়াঃ কচ্ছান্তিকঃ বরেনৃপঃ। ২৭

কির্ত্তীদানা রাজা বৃষভানুদা হঙ্গংখি—হে নৃপ! গিরিবর গোবর্দ্ধন অহুগী মনাক্তা মক্রুবা ঈশিং যমুনাগী মপাল পুক্লিং ছুবা অথোইবা মফম অহুদা মঙ্গল পিবিগে হায়বগীদমক মহামায়া কাত্যায়নী মূর্ত্তি মফম অহুদা লৈয়ে ॥২৭

নানামৃগ গনাকীর্নে নানা পক্ষীনিনাদিতে।
মত্ত ভ্রমর সংঘুষ্টে লতাকুঞ্জ সমাবৃতে ॥২৮

হে রাজন! মফম অদো পুক্লিং ছুবা চাম্ম চাম্ম ওইবা তরু পাম্বি উরিনা য়েৎপা কয়ামুক কুঞ্জ য়ুম অকোইবদা মথন কয়াগী য়েংবদা নিংথিজবা শক্তি কয়া অয়াম্বা উচেক কয়া খোঙবা তাবদা মুংশিবা খোঞ্জেলনা নিল্লি ময়াই কাহুনা লৈহি চুপকদোবগী খোইমুনা অতংপা লৈতনা লৈ খিবিক্তা ঙংহুনা কোইরি ॥২৮

চিদ্রূপা পরমেশানী পরমাবরদা নৃনাম।
তামারাধায় যত্নেন যদীচ্ছসি হিতং বরম্ ॥২৯

হে নাথ! জিবা পুম্নমক্কী নিংবা পিনবী জ্ঞানগী মশক (পরমা প্রকৃতি) পরমেশ্বরী কাত্যায়নী দেবী। মফম অহুদা লৈয়ে অহু ওইরবদি ইবুংঙোনা ফননবা তৌবিয়ু বর পাম্বিরবদি চংখোম্না যম্ব তৌনা মহাদেবী নিংবিয়ু ॥২৯

ব্রহ্মোবাচ।—এ তস্মিন্নস্য বচনং প্রিয়ায়াঃ প্রিয়মাত্মনঃ।
অনপত্যঃ সুদুখার্ত্তো জগম তপসেবনম্ ॥৩০

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি—হে বৎস! মচা ফংদবদগী কঙবা পামজবদা রারবা রাজা বৃষভানু মহাক্কি চান্নবি কির্ত্তীগী মচিন্দগী মহাক্কি পামজবা অহুগুম্বা বা তারবদা খিন্দনা অহুগুম্বা গোবর্দ্ধনগী মনাক্তা লৈবা বন্দা তপ তৌগে হায়না চংখ্রে ॥৩০

কালিন্দ্যাঃ কচ্ছমভ্যেত্য অপঃ স্পৃষ্ট্বা শুচিং শুচী।
প্রানাপানৌ সমানোদানব্যানা নেক মানসঃ।
নিয়ম্য যতবাক্ স্বস্মিন্নাসনে বিশদচ্যুতঃ ॥৩১

নিংথৌ অদো পুক্লিংছুনা ফজবা যমুনা মপান ফংঙবদা অশেংবা ঈশিং শোকচবদা দেহা অদো শেংঙে অমতা ওইবা রাখন্দা মফম অহুদা চংখোম্না আসন্দা ফম্নগা মতুং অহুদা প্রাণ, অপান, সমান, উদান, অমসুং ব্যান, মুংশিং ফাজন্দুনা যতন তৌনা থোঙ থিংজন্দুনা বা ঙাংদনা লৈখ্রে ॥৩১

অগ্নি কায়ৌ জলে বায়ুং জলমাকাশ চৌজয়েৎ।
কুণ্ডলিন্যা সহাত্মানং সহস্রার সমুপানয়েৎ ।৩২

মহারাজ বৃষভানু মশা অকোইবা মৈনা ময়াইদা দুংশিং চাহনা লৈ ঈশিংদা কুম্নগা আকাশদা খুং থাঙ্গৎতুনা মুংশিং চাহনা লৈ অহুগী তুংদা চংখোম্না যোগম থোঙ ওইহনা কোক্না লৈবাক্তা খোংনা মথক্তা হকচাং লেংদনা (জীব আকে লইয়া) কোক্তা লৈবা থম্বালগী দল লিশিংগী ময়াইদা লৈবা পরমাত্মাগা লোইনহনা থম্মোইদা লেংদনা লৈখে ।।৩২

একাহারো নিরাহারো বর্ষং তোয়াসনঃ স্থিতঃ।
ফলমূল পয়ঃপর্ণ বায়ুভক্ষো জিতেন্দ্রিয়ঃ ।।৩৩

জিতেন্দ্রিয় বৃষভানু চহি অমা ঈশিংদা লৈ থা অনি উহৈ চাই থা অনি ঈশিং থকই, থা অনি উনা চাই, থা অনি মুংশিং চাই অসুম তৌনা চহি অমা চাই, চহি অমা শুকচা চাদে অস্নুম্না দেবী নিংহনা লৈ ।।৩৩

পাদাঙ্গুষ্ঠৈন বিষ্টভ্য ধরণী মূর্দ্ধবাহুকঃ।
উর্দ্ধমুখাক্ষং পাদৌ দ্বাবধস্কং সমুপানয়েৎ ।৩৪

মতৌ অসুম্না নিংথৌনা খোঙবিনা লৈপাক্তা নেংলগা পাম্বোম অনিনা য়াংনা থাঙ্গৎতুনা চহি অমা অহুদগী কোক্না লৈপাক্তা খোঙনা অকাশদা অকিবা তপ তৌখি ।।৩৪

অনয়চ্ছত বর্ষানি রাজা নিয়ত মানসঃ।
ততবর্ষশতে যাতে বাগুবাচা শরীরিনা ।।৩৫

পূক্নিং চংখোম্না রাজা বৃষভানু মতৌ অসুম্না অকনবা ব্রত চহি চাম্না য়ানা থাঙখে মতুঙ অহুদা মশাদি য়াউদবা য়ানা আকাশদগী শরৎপতিনা মাঙোন্দা অসুম্না হায়রকই ।।৩৫

আভাষ্য বৃষভানুং তং নাদয়ন্তী নভস্থলম্।
বৃষভানো নিবোধেদং বচনং হিতমাত্মনঃ ।৩৬

মহারাজ বৃষভানুবু থাগৎপা য়াহৈনা শরৎপতিনা মতৌ অসুম্না অসুকপা খোঞ্জেলনা মরম ওইহনা আকাশ থুঙনা কৌরকই হে বৃষভানো ! নহাক্কি ফাননবদো ঐ হায়গে ঐনা হায়রিবা অসে তারো ।।৩৬

পথ্যং শ্রেয়স্করং বৎস কুরুস্ব তদনন্তরম্ ।।৩৭

হে বৎস! অহুগী তুঙদা অচুম্বা মঙ্গল ওইননবগীদমক হায়রিবা বা অসে তারগা মত্তিকচাবা কর্ম্মা অদে তৌরো ।।৩৭

হরিনাম বিনা বৎস কর্ণশুদ্ধির্ণ জায়তে।
তস্মাৎ শ্রেয়স্করং রাজন্ হরিনামা নুকীর্ত্তনম্।
গৃহান হরিনামানি যথাক্রম মণিন্দিতঃ ।।৩৮

হে বৎস! হরিনাম তাবা নত্তনদি জীবগী নাকোং শেঙদে মরম অসিনা থোইদোক্ন মঙ্গল ওইননবগীদমক হরিনাম সোঃল্লা হে রাজন! হৌজিক তোগদোরিবা অহুগী মতুংইন্না নহাক্না শুক্নী

নাকুগী হরিনাম লৌরুবো অর্থাৎ হরিনাম কংগুবগী তুংবা অজ্ঞোপ্পা মত্র লৌ অদুম তৌরবদি নহাক্কি নিংবা থুংগনি ॥৩৮

ব্রষভানুরুবাচা।—মাতস্তৎ কীদৃশংনাম হরিনামেতি কির্ত্তীতম্।
যত্ত্বয়া জগতামস্য স্বর্গ্যা বলয়কারিনা।
কৃপয়াবদ তং সর্ব্বং যথা তত্ত্বং যথাক্রমম্ ॥৩৯

আকাশবানী তারবদা বৃষভানু খুং লোন্নহুনা দেবীদা হায়জখি। প্রথমে ভারথিনাম, দ্বিতিয়ে শরৎপতি, তৃতীয়ে স্বরদাদেবী, চতুর্থে হংসবাহিনী, পঞ্চমে জগৎদিক্ষ্যাত, ছষ্টে বাগেশ্বরীস্তথা, সপ্তমে কুমারিপ্রোক্তা, অষ্টমেবরদায়িনী, নবমে বুদ্ধিদায়িনী, দশমেব্রহ্মচারিনী, একাদমেচন্দ্রহাছ, দ্বাদশেভূবনেশ্বরি, হে মাত। নহাক্কি সৃষ্টি-স্থিতি-প্রলয়কর্ত্রী পরমাপ্রকৃতি ওইবি নহাক্না অদুগুম্বা হরিনাম লৌরু হায়না ঐভোন্দা তাকপিরী অদুগুম্ব হরিনাম হায়বা অদো করিনো মতৌ অসুম্না মহাক্কি রূপ চাংদম হরিনাম লৌরু হায়না নহাক্না তাকপিরি অদুগী অরেপ্পা অদো ঐভোন্দা তাকপিয়ু ॥৩৯

ব্রহ্মোবাচ। ঈবিতাং গিরমাকন্য রাজা বৃষভা না।
অবদদ্বাক্য মব্যগ্রা মেখ গম্ভারয়া গিরা॥৪০

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি—বৎস! মহারাজ বৃষভানুগী হায়জবা তারবদা নোংখোঙবগুম গম্ভীর শব্দনা তপ্পা তপ্পা শরৎপতিনা অসুম্না হায়রকই॥৪০

শ্রীদেবুবাচ।—পুলিনে বিরজ্বানন্তাঃ পুন্যে দেবর্ষি সেবিতে।
ক্রতুর্ণাম মুণি শ্রীমান স্তপসে তপতাম্বরঃ।
তত্র ত্ব মহাবাহো হরিনামানি সংশৃনু॥৪১

অদুগী তুঙদা ইবেম্মনা হায়রকই—হে মহাবাহো! দেবর্ষি পুম্নমক সেবা তৌখ্রবা সুপুন্যবিরজা নদিগী মপান্দা শেংঙবা মফম অদুদা লাইনিংবা পুম্নমক্কগী অথোইবা লাইনিংবা মহামুণি শ্রীমংক্রতু তপ তৌদুনা লৈবনি নহাক্না মফম অদুদা চৎলগা মহাক্কি মফমদগী হরিনামগী মহিমা তারুরো ॥৪১

ব্রহ্মোবাচ।- নিপীয়বাক্যামৃত আত্মানোহিতং।
ত্যক্তা অপোঘোরম মিত্র কর্ষণঃ।
তুতো: সকাশং গতবাপঙ্কনা দ্বিয়।
খসম্ সুদর্নো মুণি মৈক্ষতাশুচঃ।৪২

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি—বৎস! তেক্কববু থুহম চনবা মহারাজ বৃষভানুদা দেবীনা হায়রবা মহাক্কি দেহ শেংননবগীদমক অমৃতগা মান্নবা পাওত্তাক তারবদা পুক্লিংদা যাম্না তোনব ওইদুনা যাম্না থুনা চংদুনা ক্রতু মুণিগী নাক্তা থুংঙরে অরাবা ওইদুনা শর হোন্লোকখি তপ তৌদুম লৈবা মুণিবু উবখি ॥৪২

অর্চ্চ্যামভ্যর্চ্য্যমাসীনং মুনিং তং সংশিত ব্রতম্।
পপাত চরনোপান্তে দীর্ঘমুষ্ণং শ্বসং শুদা।
আহগদগদয়াবাগা, বৃষভানু মহা যশাঃ ॥৪৩-৪৪

যোগাসন্দা ফমহনা অকনবা ব্রত তৌরিবা পূজা তৌফম ওইবা মুনিদা পূজা তৌরগা চরণ নাক্তা খুরমহনা থোইদোক্লা অরাবা ওইহনা (দীর্ঘ নিঃশ্বাস) থাদোকখি মতুং অহ্নদা (মহাযশস্বী) রাজা বৃষভানুনা গদগস্বরনা মুনিদা অসুম্না হায়জখি ॥৪৩-৪৪

বৃষভানুরুবাচ।—পাহিপাহি মহাযোগিন্ শরণাগতপালক।
দীনানুকম্পিন্ দীনেশ নমস্তে ভগবন্মুনে ॥৪৫

হে দীনেশ! হে মুনে! নহাক অসে মহাযোগীনি ননাইদি তোল্লবনি চংজরি চংজববু ঙাকপিয়ু হে ভগবন! ঐবু ঙাকপিয়ু ঐনা নংঙোন্দা খুরমজরি ॥৪৫

দীনং মামব বিশ্বার্য্য সাধবোদীনবৎসলাঃ ॥৪৬

হে বিশ্বার্য্য! অর্থাৎ জগৎ অসিদা অথোইবা ওইবা মহামুণে! সাধু পুম্নমক অতোনবশিংবু অতোনবনি খঙবিহনা নহাক্লা ঐবু ঙাকপিয়ু ॥৪৬

ব্রহ্মোবাচ।—এবমীড়িত ঈড্যঃ সরাজ্ঞা মুণিবরস্তদা।
সান্ত্বয়ন্ শ্লক্ষয়াবাচ্য ভানুমাহ কৃপানিধিঃ ॥৪৭

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়রকই—হে বৎস! থোইদোক্লা হায়জরবা খাকচবা লৈতনা মুনিদা, ক্রতুনা বৃষভানুবু পেনাবরগনা মুংশিবা রাহৈনা তপথহন্দুনা মঙোন্দা হায়রকই ॥৪৭

ক্রতুরুবাচ।— মাভৈর্বৎস কুতোভাতি ভীরুত্বংমুপলক্ষয়ে।
কিমর্থং তপ্যসেরাজন্ কাস্তে চিন্তা হৃদিস্থিতা।
করোমিচ তবস্নেহাৎ যদ্যপিস্যাৎ সুদুস্করম্ ॥৪৮

ক্রতু মুণিনা বৃষভানুদা হংখি বৎস! নহাক অসে কিনা উই করিগী কিরিবনো? কিগনু শহাক্লা করি মরমগী অহুক্তি মখৈ বারিবনো নহাক্তি থম্মোইদা অপাম্বা অমগী অরাবা অমা উই অহু হায়মু ঐ অসে নহাক্তি মুংশিবা থৌরিনা পুল্লে থোইদোক্লা রারে মরম অসিনা নহাক্তি পুক্লিংনা নিংঙিবা অদো চিংনরগনু অহু ওইরবদি অহু হায়দোক্লো করিগী চিংনরি ॥৪৮

বৃষভানুবাচ।—নাস্ত্যলভ্যং ত্রিভুবনে প্রসন্নেত্বয়িমে বিভো।
দেহিমে হরিনামানি যদি রেহনুগ্রহো ময়ি ॥৪৯

বৃষভানুনা ক্রতু মুনিদা থাগৎপা রাহৈনা পুক্লিংগী অপাম্বা হায়জখি হে বিভো! অসিগুম্বা তোল্লবসিংগীদমক্তা নহাক্লা মুংশিবিরবদি অসিগুম্বা (ত্রিভুবন) ময়াইদা ফংঙোইদবা পোৎ করি লৈগদগে? মতম অসিদা 'ঐঙোন্দা নহাক্লা মুংশিবিবা তারবদি কৃপা তৌবিহনা ফংঙমম্রবা হরিনামবু ঐঙোন্দা পিনবিয়ু ৪৯

শরনায়নমন্তে তু প্রসীদ বিশ্ববিন্মুনে ॥৫০

হে বিশ্ববিৎ মুণে! অসিগুম্বা সংসারগী বিষয় পুম্নমক অসে মহাশক্তি পুম্নমক খণ্ডবিরিবনি। চংজরকপনি ভাকপিয়ু ইবুংঙো নংঙোন্দা থুরমজরি ঐগী ইথক্লা মুণিথিমু ॥৫০

ক্রতুমুণি বৃষভানুগী রা তাবদা কৃষ্ণ শোন্দুনা মিং উইশিনখি হাখল তৌখি কৃষ্ণগী নাম পিবা মাত্রা রাদবা মীরা সম্মোহন তন্ত্রদা মহাদেবনা দেবীদা হায়খি। নন্দাত্মজং, নন্দাত্মজং, নন্দাত্মজং, কদাচন দেয়ং শাস্ত্রায় শিষ্যায় বিষ্ণুভক্তি রতায়চ। মহাদেবগী মুখবানি কিবদগী ধান তৌখি তৌরকদৌরিবা, তৌরিবা, লোইখ্রবা, পুম্নমক তাখি কৃষ্ণ শোন্দি কৃষ্ণগী লীলাগী মমক ইবেম্বনা মহাশক্তি মচা ওইনা জন্ম ওইগদৌরি অদুদা মহাক্তি মশা শেংদ্রি মহামন্ত্র ফংদ্রি অদুনা ওইরে কৃষ্ণ শোন্দুনা মিং পাংথোকই।

ব্রহ্মোবাচ।—প্রসন্নরূপ পাথো জ্ঞানমঃ সমুনি সত্তমঃ।

প্রণম্যায় প্রসন্নোদাদ্ধরিনা মান্যানুক্রমাৎ ॥৫১

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি। হে বৎস! ফুগাইনা শাংপা থল্লাল অঙাংবা মানবা মুণিগী মাইথোং ক্রতুগী চংজরকপা বৃষভানুগী হায়জবা অদুদা পেনবিদুনা বৃষভানুদা হরিনাম পিখে, মতৌ অসুম্না মওং অসুম্না নাম জপ করিতে হয়, অদুম্না হায়দুনা পিখে, ॥৫১

লোমহর্ষণ উবাচ।—যত্ত্বয়া কীর্তিতং নাথ হরিনামেতি সংজ্ঞিতম্।

মন্ত্রব্রহ্মপদং সিদ্ধি করং তদ্বদ নং বিভো ॥৫২

লোমহর্ষগী মচা সূতনা বেদব্যাসদা অমুক হয়না হংজখি—হে বিভো! হে নাথ দ্বৈপায়ন মহাত্মা হরিনামবু সাধক তৌজবদা ব্রহ্মাগী মশক ওই হায়না অদুগুম্বা মহামন্ত্র কীর্তন তৌরি হৌজিক অদুগুম্বা সিদ্ধি ওইবা মন্ত্র অদো করিনো? মদো ঐঙোন্দা কৃপা তৌবিদুনা তাকপিয়ু ॥৫২

দ্বৈপায়ন উবাচ।—গ্রহনাযদস্য মন্ত্রস্য দেহী ব্রহ্মময়োভবেৎ।

সদ্যঃ পূতঃ সুরাপায়া সর্ব্ব সিদ্ধিযুতো ভবেৎ ॥

দ্বৈপায়ন হায়খি—হে বৎস সূত! মহামন্ত্র হরিনাম ফঙজবদা জীবগী মপোক্তা (ব্রহ্ম ময় হয়) সুরাপান ওইবা মী কয়া হরিনাম ফঙজবদা খুদক অদুদা মশা অদো শেংভি মতৌ অসুম্না পুম্নমক্তা মঙ্গল ওই। ৫৩

তদহং বোভিধাস্যামি মহাভাগবতোহসি ।।৫৪

হে বৎস! নহাক অসে লাইবক ফবা ওইদা অর্থাৎ ভক্তা অথোইবনি মরম অদুনা অসিগুম্বা মহামন্ত্র হরিনামবু হংভি তারো হায়রগে ॥৫৪

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।

হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে ॥৫৫

মন্ত্রক কুম্থানিথোইনা তিনবা ভগবানগী নাম তয়াতরুক সম্বোধন অহানবদা শোঙ্গপদবা ওই পুম্নমকগী অথোইবা ওই হরি হায়বা খোম্লোক অসিনা মঙ্গলগী মশক্তি আত্মাগী অথোইবা মঙ্গলনি

সোঙবদা অসিবগী মশক অবগল মাংভি অরেপ্পা ধর্ম্মা কংভি অয়াৰা জগং অসিদা আত্মাগী মরি ওইবা মহাত্মা (কৃষ্ণপদে বাচ্যহন) (রাম শব্দ আত্মাবাচক) তিননাম্—সত্যস্বরূপ, জ্ঞানস্বরূপ, আনন্দস্বরূপ, সত্যস্বরূপ হরিনাম, জ্ঞানস্বরূপ কৃষ্ণনাম, আনন্দস্বরূপ রাম নাম, নাম অহুম শুই ময়েক অনি অনিনা অমমম সেমমি ।।৫৫

মহামন্ত্র অসে, হরে নিপারি, কৃষ্ণ মরিনি, রাম মরিনি, হরে নিপান আর্থ মায়ে কৃষ্ণ মরি আর্থ মায়ে রাম মরি আর্থ মায়ে হরে এই দুইটি বর্ণ আছে। কৃষ্ণ এই দুইটি বর্ণ আছে। রাম এই দুইটি

('হরে')

'হ' কারঃ পিঙ্গলবর্ণঃ সর্ব্ব বর্ণ বয়ো তমঃ
জ্ঞানা জ্ঞান কৃতং পাপং 'হ' কারো দহতি ক্ষনাৎ ।
'রে' কারো রক্তবর্ণঃ স্যাৎ গোপালেন নিরূপিতঃ ।
গুর্ব্বঙ্গনা কৃতং পাপং রেকারো দহতি ক্ষনাৎ ।
'হ' হায়বা অসে মচু য়োঙ মচুনি শোঙবদা খঙনা তৌবা পাপ খঙদনা তৌবা পাপ কোকই ।
'রে' হায়বা অসে মচু অঙাংবনি কৃষ্ণ কংনবগী থোঙনি শোঙবদা গুরু পত্নী গমন ওইরুবগী দোষ কোকই ।
কৃষ্ণমন হরে য়েই আহ্লাদ রূপিনী ।
'হরে' শব্দে হয় সেই রাধা ঠাকুরাণী ।।

কৃষ্ণগী পুক্নিং তুই আহ্লাদগী মশক্তি হরে হায়বা অসে শ্রীমতি রাধানী ।।

('কৃষ্ণ')

'কৃ' কারঃ কজ্জলবর্ণঃ সংহরে দুপাত্তকং ।
গতি-শক্তি রতি প্রেম কৃকারো জায়তে ক্ষনাৎ ।।
'ষ্ণ' কারো লোহিত বর্ণঃ নরকাদুঙ্ক রেন্নরম্ ।
তজ্জন্মার্জ্জিতং পাপং ষ্ণ কারো দহতে ক্ষনাৎ ।

'কৃ' কারঃ হায়বা অসে মচু অমুবনি শোঙবদা পাপ কোকই গতি, শক্তি, রতি, প্রেম, পাম্না শোল্লগা মুংশিনকই ।

'ষ্ণ' কারঃ হায়বা অসে কোরি মচুনি শোঙবদা নরক তাদে অদুতা নঙনা মপোক কয়াদা তৌরকপা পাপ কোকই ।।

'কৃ' আদি গোপি গণের রসপুষ্টি করে ।
অতএব কৃষ্ণ নাম বলি যে তাহারে ।।

'কৃ' হায়বা অসে গোপী পুমমক্কি মা লুপা হায়বা লুবাকী মতৌঙমা বৃন্দাবনদা লৈবা মী বশ উচেক পুমমকী প্রেম থম্বি হায়বদগী কৃষ্ণ ।।

ব্রহ্মাণ্ড পুরাণ

("রাম")

"রা" কারো গৌরবর্ণশ্চ বরশক্তি ভবেৎ ধ্রুবং।
রাত্রি দোষঃ কৃতং পাপং "রা" কারো দহেৎ ক্ষনাৎ।।

'ম' কারো জ্যোতি রূপশ্চ নিরঞ্জণ সদা স্থিতঃ।
মিথ্যা বাক্যং কৃতং পাপং 'ম' কারো দহতি ক্ষণাৎ।।

"রা" কারো হায়বা অসে অঙৌবা মচুনি উত্তম শক্তিনী লুমিংতা থাদ তৌরবা পাপ শোক্লবদা কোকই।

'ম' কারো হায়বা অসে লেঙদবা মত্তাবগী মশক্তি ওইদবা ভংবেগী দোষ শোক্লবদা কোকই।

রাধিকার সঙ্গে সদ, করয়ে রমণ।
অতএব রাম নাম কহি যে কারন।।

রাধিকাগা শান্নবদগী পোৎথাই মরম অচুম্বগী রাম কৌই।

নাম অহুমগী মচু তরক

হরিনাম হায়বা অসে জীব অতে তাহন্দনা ইথস্তা শোল্লগা মহামন্ত্রনি জীব পূমমক তানবা খণ্ডনবা শোল্লগা হরিনাম মহাসংকীর্তন ইথস্তগী কান্নবা শোল্লগা হরিনাম কবচা কৌই।

হরিনাম কবচা

পাতু মে হরে মুর্দ্ধনি সর্ব্বপাপ বিমোচনং।
কন্ঠস্থপাতু মে কৃষ্ণ কপফপাত বিনাসনং।
দক্ষিণ কর্ণে হরে পাতু হরি গুণ শ্রবনং
বামকর্ণে কৃষ্ণ পাতু কৃষ্ণসদা শ্রয়ণম্।
কৃষ্ণ কৃষ্ণ দ্বই চক্ষু কৃষ্ণ মুর্ত্তি সুদর্শনং।
নাশাগ্রেপাতু মে হরে হরি গন্ধ আর্কষনং।
মুখাগ্রে পাতু মে হরে হরি গুণ সুকীর্ত্তনং।
বাহুযোগে হরেরাম হরি সেবন কারনং।
জঙ্ঘোযোগে হরেরাম পাতকাদি রক্ষনং।
রাম পাতু সুষুম্নস্য বায়ুবিষং বিনাসনং।
পিঙ্গনাস্থ রাম পাতু অগ্ন বিষং বিনাসনং।
ইড়নাস্থ হরে পাতু জল বিষং বিনাসনং।
নাভিদেশে হরে পাতু অবমৃত্যু বিনাসনং।
সর্বাঙ্গেষু ন জায়ন্তে অস্ত্র মন্ত্র রক্ষনং।
জীয়ন্তে প্রেমভক্তি সদা ভবেৎ জন।

মরতম শ্রীহরিনাম কৃষ্ণ কৃপা পাদে জন।
ব্রজভূমি চিন্তামণি তৃন অর্থ পাদে জন।
তিন সন্ধ্যা হরিনাম কবচং কুর্য্যাৎ পঠনং।

অসিগুম্বা হরিনাম কবচকী মতম অমম্মা শোঙ্‌বদা মী অদুগী পাপ কোকই নরকদি মতাজে মুৎশিনা শোঙবগা প্রেম পোরকই শিরগা কৃষ্ণগী কৃপা ফংতি বৃন্দাবনদা নাপি ওইনা পোকচরবন্থ॥

ইত্যষ্টকং নাম্নাং ত্রিকাল কল্মষাপহম্।
নাতঃ পরতরো পন্থা সর্ব্বদেবেষু বিদ্যতে॥৫৬

অসিগুম্বা মহামন্ত্রা হরিনাম অসিবু চামনিপাল্লক মতম অমমদা মুৎশিনা শোঙবদা পাপকি মপৈ কোকই অসি নত্তনা সংসার সমুদ্র লানবা উপায় অমা লৈতে বেদ পুমমক্তা লাকরি॥৫৬

শ্রুতি স্মৃতি পুরাণেতি হাসা গমমন্ত্রেষু চ।
মীমাংসা বেদ বেদান্ত বেদাঙ্গেষু সমারিতম্।৫৭

অয়াম্বা শ্রুতি স্মৃতি অমসুং পুরাণ ইতিহাস আগম অমসুং মীমাংসা বেদ বেদান্ত বেদাঙ্গনচিংবা অয়াম্বা লাইরিক্তা হায়রি॥৫৭

অনাম কীর্ত্তনং ভূয় তাপত্রয় বিনাশনম্।
সর্ব্বেষামেব পাপানাং প্রায়শ্চিত্তমুদাহৃতম্॥৫৮

অসিগুম্বা হরিনাম সোঙবনা (অধ্যাত্মিক) (আধিদৈবিক) ও (আধিভৌতিক) অসিগুম্বা পাপ অহুম মাংথি অদুক্কি মথৈ ওইবা পাপ লৈ অর্থাৎ অতিপাতক, মহাপাতক, ও উপপাতক, পাপ কম্মাগী প্রায়শ্চিত হরিনাম সংকীর্ত্তনত্তনা শেংথি হায়না অয়াম্বা লাইরিক্তা হায়রি॥৫৮

নাতঃ পতরং পুণ্যং ত্রিষু লোকেষু বিদ্যতে।
নাম সংকীর্ত্তনাদেব তারকং ব্রহ্ম দৃশ্যতে॥৫৯

তারকব্রহ্ম হরিনাম সংকীর্ত্তনগা মান্নবা মরোন অহুমগী মম্নাইদা অতোপ্পা সেংনানবগী মরম অমা লৈত্রে উবগ্ন ফংদ্রে অর্থাৎ হরিনামগা মান্নবা পুণ্য ওইবা অতৈ অমা লৈত্রে॥৫৯

নাম সংকীর্ত্তনং তস্মাৎ সদা কার্য্য বিপশ্চিতা।
সুরাপা ব্রহ্মহা স্তেয়ী রোগী ভগ্নব্রতোঽশুচিঃ॥৬০
পাধ্যায় বর্জ্জিতঃ পাম্বো লুব্ধো নৈকৃতিকঃ শঠঃ।
অব্রতী বৃষলীভর্ত্তা কুণ্ডা সোমবিক্রয়ী।
তেঽপি মুক্তিমবাপ্নোতি বিষ্ণোর্নামানুকীর্ত্তনাৎ॥৬১

সুরাপানগী, ব্রহ্মহত্যাগী, স্বর্ণাদিচোর, মতৌ অহুম্মা, পূর্ব্বজন্মদা তৌরকপা পাপনা নাম্বা মী ব্রত কাইরবা মী মশা লেংদবা মী বেদ তমদবা ব্রাহ্মণ পাপ তৌবা মী ব্যাধিগ্রস্ত মী অর্থাৎ মশাগী অশুচি চংব্রবা শূদ্রাগী অবেম্বা চাবা ব্রাহ্মণ অতোপ্পা শাগেগী অবেম্বা চাবা মেরুবগী মশুক ওইবা অদুক্কি মথৈ

ওইবা পাপ ওইহুনসু অসিগুম্বা হরিনাম সংকীর্ত্তনগী গুণনা অথোইবা মুক্তি ফংহল্লি মরম অসিনা অসিনা অসিনা পণ্ডিতসিংনা মতম পুম্নমক্তা হরিনাম সংকীর্ত্তন তৌগনি ।।৬০-৬১

বিদ্বেষাদপি গোবিন্দং দমঘোষা আত্মজঃ স্মরন্।
শিশুপালো গতঃ স্বর্গং কিং পুনঃ তৎপরায়ণঃ ।।৬২

দমঘোষগী মচা শিশুপালনা ভগবানবু য়েকবনী খল্লি কাওবা লৈতনা কৃষ্ণ কাওবদগী বৈকুণ্ঠ ফংখি গোবিন্দবু নুংশিনা নিংজরবা হরিবু কাওজন্দ্রবা মী থিবিক অত্তুদি করি হায়গনি ।।৬২

বেদব্যস উবাচ।– ইতি মন্ত্রং প্রদায়ৈব জগাসত্তগবান্ ক্রতুঃ।
ইদমাহবচঃ পথ্যং ভূয়োহরি মনুস্মরন্ ।।৬৩

বেদব্যাসনা লোমহর্ষদা হায়খি—বৎস! মতম অত্তুদা মতিক চাওবা ক্রতু মুনিনা বৃষভানুদা অত্তুগুম্বা মহামন্ত্র ওইবা হরিনাম পিখে, অমুক হল্ল হরিবু নিংজহুনা বৃষভানুদা অত্তুগুম্বা মহামন্ত্র ।।৬৩

শাক্তোবা বৈষ্ণবো বাপি সৌরেবাশৈব এববা।
গাণপত্য লভেৎ কর্ণশুদ্ধিং নামানুকার্ত্তনাৎ।৬৪

বৎস! চন্দান অমদি বৈষ্ণবন করিন সূর্য্যো পূজা তৌবা অমনা শৈব করম্বা গনেশ নিংবা অসিগুম্বা মভা অসিগী দীক্ষাগী বিষয়দা হরিনাম ফংদনদি নাকোং শেংদে কায়দে অর্থাৎ পুম্নমকি অহানবদা হরিনাম দীক্ষা নত্তনা অতোপ্পা মন্ত্র লৌরোইদবনি মরমদি নাকোং শেংদে কায়দে মরম অসিনা মন্ত্র পুম্নমক মহৈ ফংদে ।।৬৪

যস্তকর্ণপুস্তে রাজন্ নবিশেদ্ধরিনামকম্।
শবগু কর্ণৌ তাবেব বিশুদ্ধিমিতো ব্রজেৎ ।।৬৫

হে রাজন্! মহাকি নাকোংদা হরিনাম ফংদ্রিবমথৈ মহাকি অত্তুগুম্বা নাকোং অনিদো তিল মখুনগুম্মি শেংদে অমুক হল্লা হরিনাম চংতগা শেংতি অর্থাৎ অত্তুকি মথৈ হরিনাম দীক্ষা তৌদ্রিবা মথৈ নাকোং অহু শেংদনা লৈ ।।৬৫

ক্রতুরুবাচ।- অতঃ পরং মহাবাহো জপবিদ্যাং সমাহিতঃ ।।৬৬

রাজা বৃষভানুদা ক্রতু মুনিনা হায়খি হে মহাবাহে! নংত্তোন্দা অসিগুম্বা হরিনাম পিরবা অসিনি মতুং অসিদা নহাক্না পুক্নিং তপ্পা বিদ্যামন্ত্র জপকর। অসিনা মরম ওইহুনা নহাকি নিংবা শোইদনা থুংগনি ।।৬৬

ব্রহ্মো বাচ।—আমন্ত্র্যাভ্যর্চ্চ সংস্তুয় প্রণিপত্যাচভূসুরম্।
ভক্তিনম্রাত্ম মতিমান্ বৃকো মন্ত্রুজপন দ্বিজ ।৬৭

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়রকই - হে দ্বিজ! পুকচেন শেংডবা বৃষভানুন' ক্রতু মুনিবু পূজা তৌরগা থাংওইনন' খুরমহুনা হারজরগা মহাক্কি ঐজ্জা লৌরগা অমুকহল্লা খুরমহুনা নুংঙাইবনা মশা অহু হরিনাম মহামন্ত্র লৌল্লহুনা মকম অত্তুদগী চংখে ।।৬৭

কালিন্দ্যা স্তটমাগত্য জজাপ পরমং মনুং।
ততঃ কতি পয়স্থান্তে কালস্ত পরমং কলা।।
পরিতুষ্টা জগদ্ধাত্রী প্রসন্না পঙ্কজা ননা।
আবারাসীম্মহা মায়া ব্রহ্মরূপা সনাতনী।।৬৮

মতুং অদুদা রাজা যমুনা মপান্দা থুংঙরদুনা শ্রীরাধাগীদমক অদুগুম্বা পরম মন্ত্র শোনবা হৌখে মতুং অদুদা অরাবা ওইরবা সুমিৎ তারমদাই থোইদোকপা মঙাল্লা মাগী ওইবি মূলপ্রকৃতি ফুগাইনা শাংপা থল্লালনা তমজনি ওই ওইবা মাইথোং জগন্মাতা কাত্তায়নীনা নিংথৌগী মফমদা পেনবিদুনা ফোংদোকখে অদুগুম্বি ইবেম্মা অদো অরেপ্পা ব্রহ্মনি সনাতনী মহামায়ানি ।।৬৮

সবীক্ষ্য ভাসতীং ভাসা মহত্যা জগদম্বিকাম্।
পরমাং ভক্তি ভাবায় নম্রস্কন্ধ শিরাৱকঃ।
প্রণনাম প্রহর্ষাব্ধি সংমগ্নো হস্তৌ যাদিশ্বরীম্।৬৯

পুকচেন ফজরবা বৃষভানু অদো জগৎকি মমা ওহাব ইবেম্মবু মাংদা উজবদা নুংঙাইবগী সমুদ্রদা তাওদুনা ভক্তি তৌদুনা ঙক নোম্থন। খুরমখি মতৌ:অসুম্ন হরাওবগী সমুদ্রদা ইরুজদুনা দেবিবু স্তব করিতে লাগিলেন ।।৬১

বৃষভানুরুবাচ।—রূপংতে জগদম্বিকে পরমকং বাচাবর্ণ্যং করেঃ।
সূক্ষ্মাং সূক্ষ্মতরং যদস্তু প্রপয়া সংদর্শিতংতদ্ধ্রুবা।
কিংবর্ণ্যং তব সাম্প্রতং মুরহরাভীষ্টপ্রদে মুক্তিদে।৭০

হে জগজ্জননি! হে মুক্তি পিনহৈবি নহাকি আসগুম্বা থোইদোকপা রূপ উজরে অসিদা হায়জবা ঙম্মরোই অর্থাৎ রচনা 'না' মরম ওইদুনা হায়জবা কবিশিংনা ঙমমোই নহাকি খঙবা ঙমদবা অথোইবা রূপ কবিগুম্বদা কনানা নিংবদা খংবা ঙম্মোই নহাকি মহিমা অদুদি লাপখে ব্রহ্মানা খঙদে ব্রহ্মাদগী অহানবনীনা অরেপ্পা খঙবা ঙম্মোই মুবকৌব হিংচাববু হাৎপা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী নিংবা পিনবীনি ঐদি থোইদোক্লা বুদ্ধি লৈতবনি ঐনা করম্না বর্ণ তৌবা ঙমগদগে ঙম্মরোই ।।৭০

জীবো বাকপাততাং গতোনু যদনুধ্যানাত্তবাম্ভোরুহ।
যোনিস্তং পরমং নিধায় চহৃদি প্রাজ্ঞাধিপত্যংগতঃ।
বিষ্ণুঃপতি সুরেশ পূজ্যচরণ ত্রৈলোক্যমেতং সুখম্।
ত্বাংনমামি জগদীশ্বরি ত্রিজগতাং মাতর্ণমে ভক্তিতঃ।।৭১

হে জগদীশ্বরী! নহাকি অসিগুম্বা রূপ নিংজবনা লাইগী গুরু বৃহস্পতিনা বাকপতি ফংখি ব্রহ্মানা মচাকি খঙবা ঙমদবা রূপ হৃদিদা থমজদুনা অসিগুম্বা ত্রিজগৎ সেম্মগা প্রজাগী মপু ফংখি নহাকি পাদযুগল পূজা তৌজবদগী লাইগী মপু ইন্দ্র ত্রিলোকৈশ্বর্য্যা ফংখি জগৎকি মপু বিষ্ণুনা জগৎ পালন তৌখি মতৌ অসুম্না নহাকপু খুবমজবদগী মথন মথা অয়াম্বা নুংঙাইবা চিঙ্গাক চাবা ফংখি 'হে ত্রিজগতাং মাতঃ! মরম অদুদগী ঐনা অতৎপা লৈতনা ভক্তিতন নহাকপু খুরমজরি ।।৭১

ভক্তিহীনস্য মূর্খস্য দীনস্য ভুবনেশ্বরি।
দর্শিতং মে পদাম্ভোজং যয়ানুগ্রহকা ত্বয়া ।।৭২

হে ভুবনেশ্বরি! ঐদি তোল্লধনি ভক্তিন্দু থম্বাদে অশাংবনি অরেম্মদি মুংশিবিদু খোঁজাববিহুনা নহাক্কি পাদপদ্ম উজবা কংজরে ।।৭২

ভবৎ পাদাম্বুজপাদেষু মুগ্ধমুর্দ্ধ ভ্রমরায়িতঃ।
আস্তাং সদপদর্গাজ মকরন্দ পিপাসয়া ।।৭৩

হে মাতঃ! শুদ্ধ মেকরূপ কংভমদ্রবা চয়োল থম্বাল অমিবু খোইমুদী মতৌভুম্ম খোম্মজমবা ঐদী অসিগুম্বা কোকথল্লো পিনবিদু পদরেণু অদো কংজহুনা খোইমুশুম লৈবা ওইজগে ।।৭৩

অগম্যাং তপস্যা বাচা কর্ম্মনা মানসেন্দচ।
দর্শিতং কৃপয়া মহ্যং নমস্তে ভক্তবৎসলে ।।৭৪

হে ভক্ত বৎসলে! তপস্যা মরম ওইহুনা বাহৈ কর্ম্মনা অহু নত্তবা পুক্কিংমা মরম ওইহুনা নহাকি অসিগুম্বা রূপ ফংবা হায়বা অসে ওইথোক্তবনি অশেংবদি মুংশিবিহুনা ঐভোন্দা দর্শং পিবিবনি মরম অসিন্না ইমাবু ঐনা খুরুমজরি ।।৭৪

নমস্তে জগদাধারে জগতাং মোহকারিণী।
ন যথা মোহয়েন্মায়া মাং তে বিশ্বেশ পুজিতে ।।৭৫

হে জগৎকি তুংনফম ওইবি দেবী! নহাক্ক জগৎ ভকহল্লি জগৎকি পূজা তৌফম ওইবি নহাকি খঙবা ভমদবা মায়া ঐভোন্দদি ভক্রে ইমাবু খুরমজরি ।।৭৫

নমামি তে পাদপঙ্কজে দেবা বিষ্ণু পুজিতে।
নমস্তুভ্যং মহেশানি মামনাথঃ মহেশ্বর ।।৭৬

হে দেবি! নহাকপু বিষ্ণুনা পূজা তৌখি নহাক্কি চরণ অ'নদা ঐনা খুরমজরি হে মহেশ্বরি! হে মহেশানি! ঐদি অতোনবনি চংজফম লৈজদে ভাকপিনিংভাই লৈজদে ঐবু ভাকপিদু ইমাদা ঐনা খুরমজরি ।।৭৬

শরণাগতদীনার্ত্ত পরিত্রাণ পরায়ণে।
সর্ব্বধারা নিরাধারা সাধ'রা ধরণীধরে ।।৭৭

সংসারগী অবাবদা তারবা তোম্নবা চংজরকপা জীববু কনবি নহাক্কা হে দেবি নহাক অসে পুমমকী তুংনুফম্মি অমস্তং নহাক্কা য়োকচবিনী (কিন্তু আধেয়রূপে আধারযুক্তও কদাচিৎ) নহাক্কা পুমমকপু য়োকচবি ওইহুনা য়োকপিদু ।।৭৭

বেদবিদ্যাধরাধারো নমস্তে বিশ্ব পুজিতে ।।৭৮

হে দেবি! নহাক অসে লাইরিক মহৈশা তুংনফম্মি মতৌ অসুম্মা বেদবিদ্যা হৈবিনি আধারস্বরূপ। নহাকপু জগৎনা পূজা তৌরি নহাকপু খুরমজবি। ৭৮

ব্রহ্মোবাচ।—ইতি সংস্তুয় সংভুয় প্রণম্যাভ্যর্চ্চ্য ভক্তিতঃ।
কৃতাঞ্জলি পুটশ্চাসীদ্রাজা পুর্ণ মনো রথঃ॥৭৯

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি— বৎস। রাজা বৃষভানু মহাক্তি অনিংবা থুংঙতুনা মখল কন্না দেবীগী মাংদা স্তুতি তৌতুনা হন্না হন্না খুরমতুনা অমসুং ভক্তিনা পূজা তৌরগা খুংলোয়তুনা লৈখি॥৭৯

শ্রীদেব্যুবাচ।—প্রসন্না তে বৎস যমৈস্তপসা চ সপর্য্যয়া।
ভক্ত্যা ক্ষান্ত্যা দমেনাপি স্তোত্রেণানেন বৎসকঃ॥৮০
বরদাতে বরার্হস্য বয়ং বরয় বাঞ্ছিতম্॥৮১

দেবীনা বৃষভানুদা হায়খি—হে বৎস! নহাক ইন্দ্রি খুতম চনবনি তপতা পূজাদা ভক্তিদা ঙাকপিবদা গুণদা যোগদা মতৌ অমুম্না স্তুতিদা ৱাহৈদা ঐবু পেলহল্লি মরম অসিনা নহাক ঐগী বর পিনবা মফমনি ঐনা নঙোন্দা বর পিরগে নহাক্না ঐঙোন্দগী অপাম্বা বর লৌরো॥৮০-৮১

বৃষভানুবাচ।—প্রসন্না যদিমে দেবী কিমস্ত্যাপি জগত্রয়ে।
দুর্লভং ত্বৎ পদম্ভোজ শরণস্য গতেনসঃ॥৮২

বৃষভানু দেবীগী চানবিবা ৱাহৈ তারবদা ঙকপদগী মিং পাংথোক্তুনা হায়জখি—হে দেবি! মতম অসিদা ঐগীদমক ইমা নহাক্না মুংশিবিরবদি অসিগুম্বা মরোন অহুমদা ঐগী হায়জনিংঙাই লৈত্রে মরম অতুনা ইমাগী পাদপদ্মাদা চংজবদগী ফংভিবা অসে থোইদোক্না কংঙমদবনি॥৮২

সর্ব্বস্বান্তাসি মে স্বান্ত গতং জানাসি মাং কথম্।
বিড়ম্বয়সি বাগ্‌জালৈ দেহি দেয়ো বরো যদি॥৮৩

হে দেবি! নহাক্তি পুন্নমক্তি অন্তঃ করণগী মশক্তি অমসুং অয়াম্বা জিবগী নিংবা খঙবিবনি ঐগী ইন্দ্রিগী অনিংবা অপাম্বা খঙবিফম থোকই নিত্রবসু তাকপিবা ম্নাথংনা থোঙ ওইতুনা করিগী অমুকহন্না তপংবিরি বন মতম অসিদা পিবিগে হায়রবদি ঐগী হৃদয়গী অপাম্বা বর ঐঙোন্দা পিবিরো॥৮৩

ব্রহ্মোবাচ।—এবমাভাষিতং বাচমাকর্ণ্য জগদম্বিকা।
দিব্য মহস্র সূর্য্যাভং প্রদয়াস্তরগাৎ ক্ষণাৎ॥৮৪
বৃষভানু র্মহাতেজা সংহৃষ্টো গৃহমাযযৌ॥৮৫

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি—হে বৎস। জগৎকি মমা ওইবি দেবীনা বৃষভানুগী ভক্তিগা লোইনবা হায়দোক্লকপা ৱাঙাং তারবা তুংদা মুমিং লিশিংগুম্ব' লংবা মঙাল্লা তিনবা মতুম্ অমা মহাক্তি মখুৎতা পিরম্নগা খঙহৈদনা মাংখে। মহাতেজা রাজা বৃষভানু অদুগুম্বা মতুম কংজবদা হরাওখ্রনা মকম অতুদগী চংখে॥৮৪ ৮৫

মতাং অসিদা ব্রহ্মাণ্ড পুরাণগী রাধা হৃদয় কৌবা ব্রহ্মাগা সপ্তর্ষিগা ঙাংনবা বৃষভানুনা বর ফংবা দেবীদগী তরুকশুবা অধ্যায়ঃ লোইরে।৬

সপ্তম অধ্যায়ঃ

শ্রীমতি রাধিকাগী পোকপগী ৱারি

ব্রহ্মোবাচ।—কীর্ত্তিদা মহিষী তস্যাস্তুলালক্ষমাশ্রিতা।
নানায়ত্নোত্থ সংচ্ছন্না সখিকোটি বৃতাসদা ॥১

জগৎকি মপু ব্রহ্মান অঙ্গিরাদা হায়খি—বৎস! তারো রাজা বৃষভানু দেবীগী কৃপাদগী ফঙবা দিম্ব অদো পিগে হায়না লাকপা মতম কীর্ত্তিদা অহুদি অম্মাম্বা ফিজেৎ লৈতেংহুনা মসাদা মতম পুম্নমক্পা সখিশিংনা কোইশিন্দুনা শৈজ্যাদা চেপতুনা লৈবা মতম ॥১

দিব্যাম্বর পরাধানা দিব্যগন্ধানু লেপনা।
অনবদ্যোর বয়বৈম্মৃগশাবক লোচনা ॥২

অতুগুম্বি রাজমহিষী কীর্ত্তিদা দিব্যাবস্ত্র চ্ছেৎলি ইল্লিবা দিব্যগন্ধা মশাদা লৈতেংঙিবি মুংঙাইনা মমান্নবিশিংগা লোইনতুনা শজিগী মিংয়েংগুম নিংথিজরি। ২

আয়ান্তং রাজানাশোক্যং পতিং সাব্রীড়িতাননা।
ঘোরেন তপসা ক্লিষ্টং হৃষ্টং মলিনং বাসসং।
ধুলিধুসর সর্ব্বাঙ্গ মুক্তস্থৌ সম্ভ্রমাত্তদা ॥৩

মহাবাণী কীর্ত্তিদা রত্নগী শৈজ্যাদা মনাই পুম্নমক্পা সেবা তৌহুনা লৈবা মতম অতুদা রাজা বৃষভানু দেবীনা পিবা দিম্ব পাইতুনা মম্নমদা লাকুনা থুংঙরে অকিবা তপ তৌরুবগী মথেং তাবনা মশা অদো অমোৎপনা লৈতেংঙি মতৌ অম্মুম্না মঞ্জুনব ফি শেৎপা অমসুং হরাঙজবা মবুংঙো মুমদা থুংঙরে তাবদা য়েংগে হায়না মহারাণী মতম অতুদা আসন্দগী ইকাই থুম্না হোৎপা ইকাইখতুনা মহাক্কি মাংদা লেপখে ॥৩

তামদ্বীক্ষ্য বিশালাক্ষীং বিশাল জঘনো রুকান্।
উত্তুঙ্গোরু স্তন তপ্ত কাঞ্চণাং সমদ্যুতিম্।
তস্যাহস্তে তদাভানুঃ প্রদদৌ দিম্বযুত্তমম্ ॥৪

রাজা বৃষভানু কীর্ত্তিদদা য়েংঙি। রম্ভাতরুসদৃশউরু ও বিস্তীনজঘনা উচ্চতর গুরুস্তনী। মহি চেনবা স্নাগী মচু মানবি মহাক্কি চান্নবি কীর্ত্তিদবু মাংদা লেপ্লা উবদা দেবীগী কৃপাদগী ফংবা ডিম্ব অদো মতম অতুদা মহাক্কি মখুৎতা পিখে ॥৪

বাহুমাগৃহ্য তড্ ডিম্বমবেক্ষচ মুহুর্মুহুঃ।
বিস্ময়ং পরমং লেভে তদা সা বরবর্ণিনী ॥৫

মতম অতুদা কীর্ত্তিদান পাম্বোম থাঙ্গৎতুনা নিংথৌদগী দিম্ব অদো লৌখি মঙাম্না তিল্লি হম্না হম্না য়েংবদা খোইদোক্না ঙকখে ॥৫

নানোরুগন্ধং তড়ভিন্বং সর্ব্বশক্তিসমুজ্জ্বলন্।
কোটি সূর্য্য সমং ভাসা তৎক্ষণাত্তদিশাভবৎ ॥৬

অহুগুম্বা ডিম্ব অদো মচুস্করানা তিল্লি মমমসু অথোইবনি শক্তি পুম্নমক্না তিল্লি পুমলং লংঙি নুমিৎ কোটিগুম্না ঙাল্লি য়েংন য়েংন খুদক অত্তুদা অহুগুম্বা ডিম্ব অদো কাইরে ॥

পুণ্যগন্ধ বহো বায়ুঃ প্রসন্নাশ্চ দিশোদশ।
প্রসন্নঃ সলিলা ধারাঃ প্রসন্নাশ্চ মনাংসিনঃ ॥৭

ডিম্ব অদো কাইবা কান্দা অশেংবা পুক্লিং হুবা মনম পুত্থনা মুংশিংনা শিংলরে মাইকৈ অমকপা লৈরে পুথি, তুরেল সমুদ্র অসিনচিংবা ঈশিং লৈবা পুন্নমক অমকপা লৈতে পুমলং লংঙি মতৌ অসুম্না জিবা পুন্নমক্কী পুক্লিংসু থোইদোক্না মুংঙাইবা মতম ॥৭

আসীন্নির্ম্মল মাকাশং যযুদ্রষ্টাসমংতদা।
দেবদানবগন্ধর্ব্বা যক্ষরাক্ষস পনাগাঃ ॥৮

আকাশ অকোইবসু অমকপা লৈতে অমনা ফত্তবা গ্রহ পুন্নমক মাগী মাগী অক্ষবা মফমদা লৈখে, দেব দানব গন্ধর্ব্ব যক্ষ রাক্ষস অমসুং ভূজঙ্গ পুন্নমক আকাশদা তিন্দুনা লৈখে, । ৮

বিদ্যাধরাপ্সরঃ সিদ্ধসাধ্য ভৈরব কিন্নরা।
খগাঃ পিশাচ দৈত্যয়া নাগাঃ ক্রুরত রাদয়ঃ ॥৯

বিদ্যাধর, অপ্সব সিদ্ধ, সাধা, ভৈরব, কিন্নর, মতৌ অসুম্না লিলনচিংবা উচেক্কি মপৈ পিশাচ দৈত্য অমসুং অহুক্কি মখৈ ক্রুরতর জিব পুন্নমক লাক্লুনা তিল্লরে ॥৯

অহংবিষ্ণুর্ভাহা বিশ্বে দেবাশ্চ অশ্বিনাবপি।
গ্রহনক্ষত্র ভুতানি বায়বঃ পিতরস্তদা ॥১০

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি—হে বৎস! মতম অত্তুদা ঐ অমসুং বিষ্ণু অমনা মহাদেব অমসুং বিশ্বদেব অশ্বিনী কুমার, গ্রহ, নক্ষত্র অ'সনচিংবা পুন্নমক 'উনপঞ্চাশৎ' মতৌ অসুম্না 'পিতৃগণ' পুন্নমকসু লাক্লুনা অহাংবদা লৈরে ॥১০

ঋষয়ো মনবো বেদাঃ শাস্ত্রণি চ চতুর্দ্দশ।
সবাহনাঃ সানুগাশ্চ সায়ুধাঃ সপরিশ্চদাঃ।
স্বস্বযান সমারুহ্য সর্ব্বে গতাস্তদা ভবন্ ॥১১

অত্তুক্কি মখৈ ওইবা ঋষিশিং মনু মন্নাম অমসুং বেদ মরি লাইরিক তরামরি পুন্নমক মূর্ত্তি ওইদুনা মাগী মাগী বাহন অমসুং মনাই লোইনদুনা মাগী মাগী খুৎসু খুৎলাই পায়দুনা মাগী মাগী রথ তোংদুনা মথক্তা আকাশ মগুদা লাক্লুনা লৈররে ॥১১

জননাাং জায়মানায়ং কীর্ত্তিদয়াঃ শুভোদয়ে।
গায়দসন্ধর্ব্ব সঙ্ঘাদে গীয়মানাপ সুরাগণে ॥১২

সাধুনাং সৎচিত্তানাং প্রসন্নেষু মনঃ সুচ।
স্তুবৎসুমুণি সাধেষু পুষ্পবৃষ্টি সমাকুলে। ১৩
চৈত্রেমাসি সিতেপক্ষে নবম্যাং শোভনে হহনি।
শুভযোগেন শুভদে নক্ষত্রেহদিতি দৈবতে॥১৪
আবিরাসীৎ পরা প্রাচ্যাং দিনীন্দুরিব পুষ্কলঃ॥১৫

অফবা মতম হুমিং থোক্লকপা গন্ধর্ব্বসিংনা পুঙ্‌ ঙৈ ঈশৈ শকপি যম্নাম্না ঈশৈ শকই সাধু পুমমক পুক্লিং নুংঙাইবা মতম মুণি পুমমক স্তব তৌহুনা লৈ আকাশদা দেবা দেবি লৈ চাইথরকই অফবা মতম লমতাগী পানখংলকপা মাপননি পানবা অফবা মতম পথ্যানক্ষত্রে, অফবা হুমিং অফবা মতম জগৎকি মমা ওইবি। অযোনিসম্ভব ওইহুনা ইবেম্মনা পোকপগুম্মা কীর্ত্তিদগী তম্পাক্কা চোংথোকখে, প্রমাণদি নোংপোক্লগী থা থোকপগুম মী পুমমক্কী থম্মোইদা নুংঙাইখি মওং অসুম্মা ইবেম্ম জম্ম ওইরে হায়বদা মী পুমমক নুংঙাইনখি॥১২-১৩-১৪-১৫

তাৎপর্য্য। চৈত্রমাসে দেবীর জন্ম যাহা বনিত হইয়াছে ইহা কল্পান্তরীয় নিখিলে কিন্তু বর্তমান বরাহকল্পে ভাদ্রমাসে রাধা জন্ম হইয়াছিল, যথাভাদ্রমাসি কৃষ্ণা পক্ষে অষ্টম্যাঞ্চ শুভদিন আবিরাসীৎ কলাবত্যাং স্বয়ং রাধা হরে প্রিয়া। ভাদ্র মাসি শুক্লপক্ষে অষ্টমী তিথিতে শুভদিনে হরিপ্রিয়া রাধা কলাবতী অর্থাৎ কীর্ত্তিদার ক্রোরে স্বয়ং অবতীর্ণা হয়েন॥

ঈশ্বরদা কৎকাদবা লৈ মখল কুনমঙানি
মালতী বকুলা শোক শেফালী নব মল্লিকা।
আম্রঞ্চ তগরাখ্যাঞ্চ মল্লিকা মধু পিণ্ডকা॥
যুথিকাষ্ঠ পদং কুন্দ কদম্ব শিখি পিঙ্গকম।
পাটল চম্পকং হৃদ্যং লবঙ্গ মতি মুক্তকম॥
কেতকং কুরুবকং বিল্বং কহ্লারং বাসকং দ্বিজ।
পঞ্চ বিংশতি পুষ্পানি লক্ষ্মী তুল্য প্রিয়ানি মে॥

নারদীয় পুরাণ। ভগবান বলিয়া ছেন—(১) মালতী (২) বকুল (৩) অশোক (৪) শেফালিকা (৫) নবমল্লিকা (৬) আম্র (৭) তগর (৮) মল্লিকা (৯) মধু (১০) পিণ্ডকা (১১) যুথিকা (১২) নাগেশ্বর (১৩) কুন্দ (১৪) কদম্ব (১৫) শিখি (১৬) হরিদ্রা (১৭) পাটলা (১৮) চম্পক (১৯) লবঙ্গ (২০) মাধবি (২১) কেতকী (২২) কুরুবক (২৩) বিল্ব (২৪) কহ্লার (২৫) বাসক। এতদ্ভিন্ন। থরো থম্বাল পলাস কৃষ্ণদা কৎপদা অথোইবা মহৈ ফংঙি।

প্রহরং তিষ্ঠতে জাতি করবীর মহর্নীশং।
উলজং সপ্তরাত্রানি যম্মাসন্ত বকংতথা॥

জাতি পুষ্প হায়বা লৈনা প্রহর অমা করবীরনা অহিং লেল্লবস্থ থম্বাল-থরো হুমিং তরেৎনি লৈরবস্থ বক পুষ্পদি থা তরুক কৎপদা দোশ লৈতে পৎলোই পুম্মোই।

কৃষ্ণদা কংলোইরবা লৈ

রক্তকরবকাচ পুষ্পাণি তথা পুষ্প রক্তকমাচ।
কৃষ্ণাঙ্গ কুটজং চার্কং দেয়ং জনার্দ্দনে।

মনম্ অয়াকপা লৈ—অঙাংবা—শগোলহিদাক মপাল্—অমুবা তিংখঙ্ পানবা—মনম্ লৈতবা-লৈ ময়ান য়াওদনা কংপা য়াদে।

মার্কং সোমতকং খিনিং তথৈব গিরিকর্নিকাম্।
নকন্ত কাঞ্চিক পুষ্পং অচ্যুতায় নিবেদয়েৎ।
কুটজং শাম্মলী পুষ্পং শিরীষঞ্চ জনার্দ্দনে।
নিবেদিতং ভয়ং ঘোরং নিয়তঞ্চ প্রযচ্ছতি।

মেমানবা মনম্ অয়াকপা লৈ শগোলহিদাক অমুবা চহই মপাল্ চিংথাও মপাল্ তিংখঙ পানবা লৈ মোঙফমদা হৌবা লৈ শিরীষকুসুম্ হায়রিবা লৈ অসে কৃষ্ণদা কংপদা অকিবা ফংগনি কংপা তৌগদে।

শ্মশাণ চৈত্যদ্রুমজং ভূমৌ বাপি নিপতিতম্।
কালিকাচ নদ্যা তথা দেব দেবস্য চক্রিণঃ।
শুক্লান্যবর্ণ কুসুমং নাদেয়ঞ্চ তথা ভবেৎ।
সুগন্ধি শুক্লং দেয়ং স্যাজ্জাতং কণ্টকি নোদ্রুমাৎ।
দত্বা কণ্টকি সম্ভূত মনুক্তং পরি ভুয়তে।
অনুক্ত রক্ত কুসুমদো সৌভাগ্য মবা প্নুয়াৎ।
উগ্রগন্ধি তথা দত্বা নিত্য মুদ্বেগ মা পুণয়াৎ।
অগান্ধি দত্বা বা প্রোতি হ্যশুভং পরমংনরঃ।

মোংকমদা হৌবা লৈ (চৈত্যবৃক্ষজাত) মাইকৈ মরিদা লৈবুঙ লৈবা ময়াইদা হৌবা লৈ চৈত্যবৃক্ষ কৌই, মথোঙ য়াই তৈবা লৈ অহুবসু চৈত্যবৃক্ষ কৌই হেকপদগী লৈপাকতা তাবলৈ কাঞ্জিকাদ কংকনি কৃষ্ণদা কংপা য়াদে অতৌবা নত্তনা অতোপ্পা লৈ বিষ্ণুদা কংপা য়াদে তিংখঙ পানবা মথোম থোকপা কংলোইদবনি অঢুমনদ্রি ওইরগা মনম সুংশিরবদ্রি কংকনি য়াদে হাইবা লৈশিং অসে কংপদ'দ কায়দে অঙাংবা লৈ কৃষ্ণদা লাইরবা ফংগনি তিংখঙ পান্-বনা অরাবা ফংগনি-তিংখঙ পানবদগী থঙাল্ লৌথংকনি অঙাংবদগী করবির লৌথংকনি। লৈপাক্তা তাবদগী বকুল-লিংগালৈ লৌথংকনি। মনম্ অয়াকপা লৈ কংলবদ্রি রাখল লেপ্পা ভম্মোই—মনম্ লৈতব লৈ কংলবদ্রি মঙ্গোল লৈরোই। অশুভ ফল প্রাপ্ত হইয়াথাকে।

রক্তবিদ্যুল্লতাকারা সর্ব্বসৌভাগ্য বর্দ্ধিনী।
হারকেয়ুর মুকুট নানালঙ্কার রাজিতা।। ১৬।

অঙাংবা নোংথাংগী মতৌগুম্বা দেহ অর্থাৎ মহি চেনবা স্নাগী মচু মানবা, কেয়ুরহার মুকুট, আয়াম্বা অলঙ্কার পুম্নমক্না দেহদা থোক্লবা প্রফুল্লং লংনা ঙানবা চংথোনবা লাইবক ফবি জগৎকি মঙোল্ পীবিগে হায়বগীদমক্ রাধানা কীর্ত্তিদাগী তম্পাক্তা ইকেম্মানা ঙান্নখে ॥ ১৬

কোটি সূর্য্যপ্রভাং তন্বী মনোময়প্রদর্শিনী।
দিব্যমাল্যাম্বরধরা দিব্যগন্ধানুলেপনা ॥ ১৭

নিংথীজবা দেহ অদো সুমিৎ কোটিগুম্বা ঙাল্লি উজাবদা পুক্নিং পেল্লি নৈ পরেং মকত্রাবা আভোরন্ থোল্লি মনম্ সুংশিবা চন্দোন্, দেহদা নৈতেংঙি। ১৭

অষ্টহস্তা বিশালাক্ষী চারু চন্দ্রার্দ্ধশেখরা।
কৃপাণং শঙ্খ চক্রঞ্চ গদা মুষল মেব চ।
অভয়ং বরশক্তিদ্বে দধাণকাষ্টভির্ভুজৈঃ ॥ ১৮

ইবেম্মা অদো মিৎ তক্ত-তক্ত পাংঙি পাম্বোম নিপাল ওইবা মূর্ত্তি মাইদি পাক্তক্ থা তংথাইগুম ফজে থাং মোইবুঙ্ চক্র গদা মতৌ অমুম্মা মুষল অভয় বর অমসুং শক্তি অমুম্মা অতুগুম্বা খুৎ নিপান্দা খুৎলাই নিপাল্ অতুনা নৈতেংঙি অর্থাৎ মথককী খুৎ অনিনা থাঙ্, মোইবুঙ্ মখাগী খৎ অনিনা চক্র, গদা, খুৎ অনিনা অভয় য়োংম্নক্ খুৎ অনিনা বর তাসোন পায় ॥ ১৮

কীর্ত্তিদা কান্তিদাং কীর্ত্ত্যা প্রপুরিত জগত্রয়ম্।
তনয়াং বিষ্ণুতনয়াং জগন্মাতারমম্বী কাম্ ॥ ১৯
জাত মাত্রাং তবোদীক্ষ্য হৃদ্রেণ তপসা মুনে।
ভাসয়ন্তীং পুরীং রম্যাং বিশ্বরূপাং সনাতনীম্।
অযোনীজাং রবারে'হাং রাধিকাং বৃষভানুণা ॥ ২০।

ব্রহ্মাণা হাইখি-হে মুনে! জগৎকি মঙোল পীবিগে হায়বগীদমক্ মঙোননা মপুং ওইবী জগৎ অতুগুম্বী জগন্মাতা অম্বিকানা কীর্ত্তিদাগী মচা ওইনা অরেপ্পদি বিষ্ণুবু পোকপীনি সংসারগী মশক্তি লেংহ্রাবীনি ইবেম্মা অদুনা পোকপদা মহাক্কী মঙাল্লা কোন্নুং পুম্নমক্ পুংঙান ঙাল্লি মঙোল পীবিগে হাইদুনা ইবেম্মনা অযোনি সম্ভবা ওইনা মচাগী মতৌগুম্ কীর্ত্তিদাগী তম্পাক্তা নৈখি। ইবেম্মা অদো প্রাকৃত্যা কন্যা নত্তে, বৃষভানুনা মতম কুইনা নিংজবা অতুগুম্বী অম্বিকান মচাগী মশক ওইনা কে'ংদোকপিবনি ॥ ১৯-২০।

প্রেষৎ প্রৈষ্যমাত্মজাং স্বাংনিবীবি'সু নৃপায়তাম।
অদ্ভুতাং চারু সর্ব্বাঙ্গী সম্ভূতাম্বর ধারিনী। ২১

কীর্ত্তিদাগী তম্পাক্তা অঙকপা ওইবা আঙরোপ থোল্লিবী অঙকপা ওইনা ফজবী য়েংবদা আরাংপা নৈত্তবী মহাক্কী মচাগী মূর্ত্তি য়েংঙবগা মহক্না জন্ম ওইরে হায়বা খঙনবগীদমক্ মনাইশিংদা নিংথৌ মকমদা হুজংনবা থাখে। ২১।

তৎপ্রাপমৃত সংতৃপ্তো বৃষভানু মইষশাঃ।
সমস্তৈশ্চেব হষোষা স্তনৌ তস্য মহাত্মনঃ॥ ২২

মনাইশিংগী পাওদগী মচা কংঙে তাবদা। মহাযশস্বী মহাত্মা রাজা বৃষভানু মনাইসিংগী হাইদোকলকপা অমৃতগা মান্নবা বা তাবদা পেনখ্রে, মতৌ অস্নুম্না চংখোননা হুংঙাইবগী মপৈনা মহাক্কী মশা অদো মপুং ফাবা ওইখ্রে॥ ২২।

হৃষ্টঃ প্রাদাদ্বহুবিধং প্রীতয়ে জগতাং জনোঃ।
ধণ বাসাংসি রত্নৌঘা কম্বলান্য জিনানি চ॥ ২৩

বৃষভানু হরাওখ্রাত্নুনা সেন কয়া মথন মথা আয়াম ফি কয়া মতৌ অস্নুম্না সামতুনা সাবা ফি অসিনা চিংবা মথন্ কয়া মমল আয়াম্বা পোৎ কম্না দান তৌখি॥ ২৩।

মণি মণিক্য বস্ত্রান বহ্বার্যণি সহস্রশঃ।
গো গ্রাম হয়রত্নানি করিণী করিণ স্তথা॥ ২৪।
শতশ্বেহস্র পুগানি পুরিতানি রথাং স্তথা।
খরোষ্ট মহিষান ছাগান দধিক্ষীর ঘৃতাণিচ॥ ২৫।
শালি মুদগ মসুরাংশ্চ বিবিধান্ ভূমিগ্রন্মনঃ।
দ্বিজপঙ্গুজরেভ্যশ্চ অনাথ বদ্ধ বালকে॥ ২৬।

পাও তমমরিবা নিপা নুপী মম্নামদা মণিক চাবা দান্ তৌই, রাজা বৃষভানুনা মতৌ অস্নুম্না নিংথৌসিংগী মফমদা মতিক চাবা লিসিং-লিসিং ওইবা অথোইবা ফি অমস্নুং ষণ খুন্ শঙ্গোল্ অয়াম্বা মতৌ অস্নুম্না ষামুলাবা অমোম্ লিসিং-লিসিং অমনা খুৎস্নু খুলাই হাপ্পা রথ চাম-চাম্না উষ্ট, মহিষ, ছাগ, চাম-চাম্না দধি, দুগ্ধ, ঘৃত, থননা হাপ্পা চফু হরাই মরু মরাং অসিনা চিংবা লৈপাক্তগী পোক্পা মপৈ-মপৈ ব্রাহ্মনদা মতৌ অস্নুম্না মখোঙ তেক্পা অনাবা মীসিং অমস্নুং কনা লৈত্র'ব অহল অঙাংসিংদা দান তৌখি॥ ২৪—২৫—২৬॥

দরিদ্রেভ্যো বহুবিধং বণিকভোহথ সহস্রশঃ॥ ২৭।

লাইরবা আবাবাসিংদা মখোয়গী পেম্নানবা স্না লুপা দান তৌখি, অমনা খুনদা লৈবা লললোবাসিংদা অর্থাৎ পণ্যজীব, হিদা পুরগা মথল মথা অয়াম্বা ফি চান থকনবা পোৎ কম্না পুন্থনা দান তৌনবা থাখি॥ ২৭।

পর্ত্তিক্যা বারযোষাশ্চ শিল্পিনশ্চ স'লঙ্কৃতাঃ।
গায়কাঃ সুস্বরাবিষ্ঠা বাদকাশ্চ সহস্রশঃ।
আজগ্মুস্তস্য নগরং সুতমাগধ বন্দিনঃ॥ ২৮।

রাজা বৃষভানু মচানুপী অমা কংলে তাবদা ফিজেং লৈত্তেংত্নুনা জগোই শাবী তরানিথোই অমস্নুং মপুংহৈবা মী ময়াম্ মতৌ অস্নুম্না মখোন ফবা ঈশৈ শকপি অমস্নুং লিসিং-লিসিং

ওইবা পুণ্ড্ রৈবা স্তুতিপাঠক তৌননবগীদমক্ পণ্ডিত পুম্নমক্তাং মতৌ অসুম্না বন্দিগণ অমাম্বা মাং-ওইননা বৃষভানুগী মনাক্তা লাকনারে।। ২৮।

জগুর্ব নৃতু র জম্ন্ স্তুষ্টুবুস্তে মুদাম্বিতাঃ।
হৃষ্টঃপ্রাদদ্বাং রাজা তেভ্যোবহুবিধং দ্বিজ ॥ ২৯।

হেদ্বিজ ! অঙ্গির মতৌ অসুম্না লাক্লিবা ঈশৈ শক্পা মম্নাম্ নুংশিবা ইশৈ শকখি জগোই শাবীসিংনা জগোই শাখ্রে, অম্নসুং পুণ্ড্ রৈবাসিং পুণ্ড্ রৈখে। অণ্ডকপা ওইনা স্তুতি পাঠসিংনা মঙ্গল্ ওইনানবগীদমক্ স্তুতি পাঠ তৌখ্রে অদু তাবদা উবদা হরাওখ্রুনা মখোয় পুম্নমক্তা মক্তিক্চাবা স্না লুপা পিখে ॥ ২৯।

ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়াঃ বৈশ্যাঃ শুদ্রাঃ শতসহস্রশঃ।
নগরাঃ শিল্পিমুখ্যশ্চ পৌরজানপদা অপি।
তৎশ্রুত্বা প্রায়য়ুঃ সর্ব্বে বিচিত্রা ভরনোজ্জ্বলাঃ ॥ ৩০।

বৃষভানু নিংথৌ নিংথিজবী মচানুপী অম্না পোকলে হায়বা পাও তাবদা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, ও শূদ্র বর্ন মরিগী মক্লেক্ ওইবা ওইবাদা লমনা মখুৎ হৈবা মীসিং অমসুং কোনুংদা লৈবা মীসিং পুম্নমক্তা মচু মথন্ কয়াগী কি, শেংখ ইনহুনা পুক্তিখ্রা কয়া রেংননবগীদমক্ রাজ-ভবনদা লাক্লখে। ৩০।

কৃতকৃত্য তদাত্মনং মন্য মানো মনাঃ সদা।
সাফল্যং তপসোবাপি জন্মনাশ্চাপি ভুমিপঃ ॥ ৩১

অবনিপতি ওইবা বৃষভানু মহাত্মা তৌজবা কর্ম্মনা ফণ্ড্জবনি খনলুরগা মতম অদুদা পুক্তিং মকা কননা হরাওখ্রুনা মতৌ অসুম্না মহাক্কী নিংজবগী অমসুং পোকপিবা অসে মহৈ য়ানলে অসুম্না নিংখ্রে ॥ ৩১।

দ্রষ্টুপ্রতিষ্যযৌ কন্যাং বন্ধুভিঃ পরিবারিতঃ।
ব্রাহ্মণান পুরতঃকৃত্বা স্বস্তিবাচ্য দ্বিজোত্তম ॥ ৩২।

হেদ্বিজোত্তম ! ব্রাহ্মণ পুম্নমক্ মাংদা বন্ধু বান্ধা, মম্নায়া কোইহুনা রাজ বৃষভানু মচা নুপী য়েংবা পামবাদগী কন্যাগী নাক্তা চৎলগা মতৌ অনুম্না জাতকর্ম্ম তৌনানবগীদমক্ ব্রাহ্মণনা মরম ওইহুনা স্বস্তিবাচন করিলেন ॥ ৩২।

বিধিবৎ মন্ত্রপুতেন হবিষেত্বা হুতাশনম্ ॥ ৩৩।

পুরোহিতনা চৎনাগীগী মতুং ইন্না মন্ত্রানা মরম ওইহুনা মৈ পুজা অম্নানবদা মুম্না আহুতি হানা তৈবা পুজা তৌই ॥ ৩৩।

পৌরৈঃ প্রকৃতিভিশ্চৈব গণিকা স্তুত মাগধৈঃ।
বন্দিগায়কঃ যথৈশ্চৈব বাদিত্র কুশলৈঃ নরৈঃ ॥ ৩৪ ।

স্তুতি থিরিবা ঈশৈসক্‌পা পুও্‌মৈনা মতো অমগ্না স্তুতিক্লীত মপুক্লানা মীপুন্নমক্‌কা লোইনাহনা কোম্বুংদাকৈবা মী অওম্‌ অন্‌ৌ ময়াপ মপাং মতৌ অদুম্না অগ্োইশাবি রেংবদা পুক্লিংচংবা ওইদুনা লিংথোন্না কুম্‌ ॥ ৩৪ ।

ব্রাহ্মণ ক্ষত্রবৈশ্যশ্চ শূদ্রৈশ্চাপি সহস্রশঃ।
চিত্রাম্বরধরৈশ্চৈব গন্ধমাল্যানুলে পনৈঃ।
মঙ্গলধৈঃ সমাসীনো বভাবিন্দ্র ইবাপর ॥ ৩৫ ।

মশাদ অরাংবা খি শেংপা মঙ্গল কয়াগী লৈ পরেং মনমশুংশিবা মসাদা লিশিং ওইবা ব্রাহ্মণ, বৈশ্য শূদ্র, লোইনচুনা নিংথৌনা মচুংদা চংতক্‌লে প্রধানদি লাইয়াখনা কোইরগা সরারেম্না ভুরকতাদ লৈতেংবা গুম্বী ॥ ৩৫ ।

তস্যাতত্নুপাজ্ঞায় বক্ষঃ কীর্তিদো তদা।
প্রোৎফুল্ল নয়না ভোজা রাজেন্দ্র মাচকেবচঃ ॥ ৩৬ ।

মক্লপ মপাং মথাম্না কোইচুনা নিংথৌনা লাকপা অহনবু উক্লরগা কীর্তিদা মতম অমুদা ফুগাইনা শাংপা মঙ্গলঙ্খনা নিংথৌদা কুংজাবা রাকৈন হাইখি। ৩৬ ।

কীর্তিদোবাচ। -রাজ্ঞী বরাজিনয়নাং তনয়াং তনয় প্রদাম্‌।
রাজেন্দ্রতেহপবর্গায় জাতাং ত্রৈলোক্যমোহিনীম্‌ ॥ ৩৭ ।

কীর্তিদান হরাওবদগী থুংশিবা মাহৈন বৃষভানুদা হাইরকই—হে রাজেন্দ্র! মহারাজনা ইবেমা নিংজবগী কুপাদগী পুংশিবা নিংথেং ওইবি মরোল্‌ অহুম তুমহৈংনবগী মশক ওইবি নচানুপি অমা অংজরে য়েংবিয়ু ॥ ৩৭ ।

আবয়ো স্তপসা জাতা সর্ব্বভূতহিতায়চ।
দুষ্টক্ষত্রিয় ভূভার হরনায় জগন্ময়া। ৩৮।

হে মহারাজ। ঐনা নিংথৌনা তপঃ তৌজবা অহুনা মরম্‌ ওইদুনা অর্থাৎ নিংজবগী মহৈ য়াললে অমসুং জিবা পুম্নমক্কি ফনানবগী মতৌ অদুম্না ফংত্রাবা ক্ষত্রিয়গী নাপল পৃথিবী অক্লবা লোথোকপীগে হায়বগীদকম জগৎক্কি মমা ওইবী ইবেম্মনা। জন্মগ্রহণ করিয়াছেন ॥ ৩৮।

ব্রহ্মোবাচ।—এতদাকর্ণ্য তদ্বাক্যং প্রোত্যুৎফুল্ল মুখাম্বুজঃ।
প্রণম্য দণ্ডবৎ ভূমৌ প্রাঞ্জলির্ভক্তি নম্রধাঃ ॥ ৩৯ ।

ব্রহ্মানা অজিরাদ হায়খি—হে ব্রহ্মন্‌! কীর্তিদাগী বা তাবরগা বৃষভানু মাইথোং অদো ফুগাইনা শাংপা থম্বালজম্বা মাইথোং মকা কলৈ মতম অদুদা প্রেমজবা ইবেম্মী মূর্তী উজবদা

থুংলোয়ে গুক্তা ফি নৈবাক্তা নিংথৌনা থোইদোকপা ভক্তিগা লোইনাহুনা দণ্ডবৎ নৈপাক্লা তাহুনা দেবীদা থুরম্খি ॥ ৩৯।

হর্ষগদ্গদয়া বাচা হর্ষাশ্রুপূর্ণ লোচনঃ।
উবাচ বাক্যং বাক্যজ্ঞো জগন্মাতরমম্বিকাম্ ॥ ৪০।

হরাওজবনা বা ভাংখিদে মিংতা পীনা থনহুনা মপুং ফাদবা বাহৈনা জগৎকী মমা ওইবী অম্বিকা ইবেম্মদা হঙ্গংখ্রে ॥ ৪০।

বৃষভানুরুবাচা—মাতংকাত্বংবিশালোক্ষ নয়নাচিত্রভূষণা।
তাৎহংনৈবহত্বে ন জান তৎকথয়স্ব যাম্ ॥ ৪১।

বৃষভানুনা দেবীদা হঙ্গংখি—হে বিশালোক্ষ! বিশাল নয়নে! মচু মৎল্ কয়াগী ফি ছেংলিবী ইবেম্মা নহাক অসে কনানো? ঐনা অরেপ্পা নহাকপু খঙজদ্রে মরম অসিনা চান্-বিহুনা ঐভোক্সা নহাক্লা নহাক্কী অরেপ্পা মশক অহু তাকপিয়ু ॥ ৪১।

শ্রীদেব্যুবাচ—বিদ্ধতাত পরাং শক্তি নারায়ণ কৃত-শ্রেয়াম্।
বিষ্ণুনারাধিতা মুগ্রতপস্যা ব্রতচারিনা ॥ ৪২।

বৃষভানুগী মফম্দা দেবীনা হায়খি—হেপিতঃ! নহাক্লা ঐবু নচা ওইনা কংজগে হাইবগীদমক্ নারায়ণদা চংজখি থোইদোকপা ইশ্বরী শক্তি হায়রিবা অসিনী খঙবিগদবা ওই অমসুং অকনবা তপঃ তৌবন বিষ্ণুন মরম ওইহুনা ঐবু অরেপ্পা ওইনা নিংখি ॥ ৪২।

বিশ্বসর্গাহনলয় বিধাত্রী নিষ্টদাং নূনাম্।
ধর্ম্মার্থকামমোক্ষানাং মূলপ্রকৃতি সংজ্ঞিতাম্ ॥ ৪৩।

হে তাত! অাসগুম্বা সংসার শেম্বা য়োকপা ভাকপা মাংহনবা ঐ অসে ম্নোক্চাবিনী অায়াম্বা জগৎ অসিদা লৈরিবা জীবগী অপাম্বা পীনবিনী ধর্ম্ম, অর্থ, কাম্ ও মোক্ষের মূল স্বরূপা ঐ অসে প্রকৃতিনী অসুম্বা খঙাবগদবা ওই ॥ ৪৩।

সর্ব্বাস্তঃ পঞ্জরগতাং সংসারার্ণব তারিণীম্।
যুবয়োস্তপসা জাতা পুত্রী ভাবেন লীলয়া।
তবাবেশ্মনি রাজেন্দ্র দুষ্ট লিগ্রহনায় চ ॥ ৪৪।

হে রাজেন্দ্র! জীব পুম্নমকি হৃদপঞ্জর ঐনি সংসারগী মশক্লি অকিবা সমুদ্র লানবিবনি অসুম্বা হায় ঐবু খঙবিগদবা ওয় অসেংবদি কীর্ত্তিদা বৃষভানু, অনিগী তপঃ তৌবগী মরমনা অমসুং লীলাগীদমক্ মতৌ অসুম্বা চৎরাম্বা ওইবা মীবু লাকনগে হাইবগীদমক্ নখোই অনিগী য়ুমদা ঐনা পোকপা ওহনা তৌরারিবা অসিনী ॥ ৪৪।

বৃষভানুরুবাচ।—অস্মত্বং কৃপয়া যদীশ্বরাগৃহেক্তাতা স্বয়ংলীলয়া।
তন্মেভাগ্য চয়াম্নি তাত্র সুকৃতঃ জ্ঞেয়ং মহন্মোক্ষদন্ ॥

দৃষ্টং রূপমিদং পূর্ব্বং পরতরং ধ্যেয়ংভবাপ্তৈঃ সদা।
সূক্ষ্মাশৈবতনুংযদা্ঈশ্বরী কৃপাসে দর্শ্য তাং তে মমঃ।। ৪৫।

বৃষভানুনা হাইখি—হে মাতঃ! ইমাগী কৃপানা ঐগী বুমদা কন্ন ওইবীরিবা অসে ঐগী ইরাইবক্ ফবদগী ঐনা নিজেবগী মহে মাল্লে হে ঈশ্বরি! ইমাবু মহাদেবনা চিংবা লাই পুন্নমক্না অন্তংপা লৈত্তনা নিংতি মতৌ অমুমা অথোইবা অরানবপীবিরী অহোবা অরোইবা ইমাগী অসিগুম্বা মূর্ত্তি নত্তবা মহাদেবগী মূর্ত্তি ঐঙোন্দা দর্শন পীবিয়ু ঐনা ইমাদা খুরমজরি।। ৪৫।

দেব্যুবাচ।—দিব্যং দদামি তে চক্ষুঃ পশ্য রূপমনুত্তমম্।
ছিন্ধ্যসং সংশয়ং তাত সর্ব্বদেবময়ং মম।। ৪৬।

বৃষভানুগী হায়জবা মুংশিবা রা তারবা তুগুদা মক্তিক চত্তবী ইবেম্মনা মাঙোন্দা হাইখি—হে তাত! ঐনা নংঙোন্দা দিব্যচক্ষু পীরগে নহাক্কী চিংনেবা কোক্লাবা ঐ অসে লাই পুন্নমক্কী মশক্কি ঐগী, চাংদম্নিংঙাই লৈত্রবা ঐ স্ব'স্বরূপ য়েংজরো।। ৪৬।

ব্রহ্মোবাচ।—ত্বমিত্যুক্তা তদাতাতং দত্ত্বাজ্ঞাণ মনুত্তমম্।
স্বরূপং দর্শয়ামাস দিব্যং মাহেশ্বরন্তদা। ৪৭।

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদ হায়খি,—হে পুত্র! পরমেশ্বরী ওইবি রাধান পিতাবৃষভানুদা অমুমা হায়রগা মাঙোন্দা অথোইবা দিব্যচক্ষু পিরগা অহানবদা মাগী ওইবা মাহেশ্বরী মূর্ত্তি অমুক হন্না পিখে। ৪৭।

কোটিন্দীবর সঙ্কাশং চারু চন্দ্রার্দ্ধ শুকম্।
ত্রিশূল বরহস্তঞ্চ জটা মণ্ডলমণ্ডিতম্।। ৪৮।

মকত্রবা থা কোটিগী মঙানগুম্বা ঙোরক্ ঙোবা মঙান্ লাইবক্কা পুক্নিং হুনা কজবা থা তংখাই লৈত্রেংবা ত্রিশূল পাইবা অচৌবা পান্মোম অনি কোক্তা জটা লৈতেংবা।। ৪৮।

ভয়ানকং ঘোররূপং কালাগ্নিসদৃশংরুচা।
পঞ্চবক্তং ত্রিনয়নং নাগযজ্ঞো পবীতকম্।। ৪৯।

থোক্টদোক্না কিবনা অমম্বা মূর্ত্তি মঙান্না প্রালোয়রগী মৈগুম্বা মায় মঙা মাই খুদিংগী মিং অহুম্ অহুম্ লিলন নগুন ওইদুনা লেংবান্দা লৈতেংবা। ৪৯।

দ্বীপিচর্ম্ম পারিধানং দ্বীপিচর্ম্মোত্তরীয়কম্।
নাগেন্দ্র ভূষণ রূপং দৃষ্ট্বাবিস্ময়মাগতম্।
বভাষে বচনং মাগ্ন রূপমন্যং প্রদর্শতম্।। ৫০।

সাবেং ঃউন শেংপা সাবেং মউন্ ঈনবা অচৌবা লীলনা লৈতেংবা মতৌ অমুমা অঙকপা রূপ উবদা বৃষভানু থোক্টদোক্না অঙকপা ওইপে অহু উহল্লগা দেবীনা মাঙোন্দা হায়খি পিতঃ! নহাক্না থোক্টদোক্না ক্লিবে মরম্ অসিনা নহাক্না অতোপ্পা রূপ উনিংঙিবদো য়েংজো।।৫০।

সংহৃত্য তৎপরং রূপং দর্শয়ামাস তৎক্ষণাৎ।
অন্যদ্রূপং বিশালাক্ষীং জগদ্রূপা সনাতনী॥ ৫১।

অসিগুম্বা রা চায়রগা জগৎকি মশক ওইবি অরেপপি দেবীনা খুদক অদুদা অদুগুম্বী অথোইবা রূপ হঙ্গলগা বিশালনথয়ন ওইবা অপ্তোপা ভগবদ্রূপ মঙোন্দা উৎলখে্। ৫১।

শতচন্দ্রনিভং ভাসা প্রভাসিত দিগন্তরম্।
হার কেয়ূর মুকুট বণমালা বিরাজিতম্॥ ৫২।

থা চাম চামনা ভানবা মঙানগা মান্নবা দেহগী মঙান অদুগুম্বা মঙাল্লা মাইকৈ থুংনা জানবা হার, কেয়ূর, মুকুট, স্নাফিগেং অমসুং অভৌবা লৈগী পরেং লৈতেংবা॥ ৫২।

শঙ্খ চক্রাব্জ পরিঘা প্রোল্লসৎ করপঙ্কজম্।
প্রসন্নবদনং নেত্রৈঃ শ্রিজোজ্জ্বলং সুনাসিকম্॥ ৫৩।

শঙ্খ, চক্র, গদা, পদ্ম, খুং মরিদা পাইবা ফজরবা মাইথোং ফুগাইনা শাংপা থম্বালগুম্বা নিংজবা মিৎয়েং নাসিকানা লংবা ভান্বা লক্ষ্মীনা থৌগন তৌবা॥ ৫৩।

শ্বেতমাল্যাম্বরধর শ্বেতগন্ধানু লেপনম্।
অজযোনীন্দ্র সুবন্দ্য পাদ পাথোরুহান্বিতম্॥ ৫৪।

অভৌবা লৈ পরেং অমসুং অভৌবা ফি থোনবা অভৌবা চন্দন মনম্ মুংশিবা হকচাংদা লাইপুম্নমক্লা চরোণ অনিদা খুরুম্বা অদুগি তুঙদা অতোপ্পা রূপ দর্শন পিখে্॥ ৫৪।

সহস্রচারুবক্ষ শিরোবরানণং সহস্র তাড়ঙ্ক ভূজপ্রভাসিতম্।
সহস্র কর্ণাম্বর কুণ্ডলম্বিতং সহস্র শক্ত্যষ্টি গদাসি তোমরম্॥ ৫৫।

মতুঙ অদুদা ভগবৎকি রূপ লৌহনা ইবেম্মনা নিংথৌদা দর্শন পিখে্ পাম্বোম লিশিং পানবা মূর্তিদা আভরন থোনবা মিৎসু লিশিং কোকসু লিশিং মখুৎসু লিশিং নাকোঙ লিশিংদা কুণ্ডল লৈতেংবা লিশিংনা মূর্তি অমা ওইবা অদুদা কি লিশিং পাম্বোম লিশিংদা গদা থাং, শক্তি, যষ্টি, তোমরাস্ত্র, খুংলাইনা লৈতেংবা থোইদোকপা রূপ॥ ৫৫।

সহস্রদেবেন্দ্র শিরোমণিপ্রভা সভাজ্জিতং দৈত্যগণ প্রাণনাশনম্।
সহস্র যোগীন্দ্র সুসোবিতাঙ্ঘ্রিকং সহস্রধারা প্রবিরাজিতাঙ্ঘ্রিকম্।
সহস্রযোগীন্দ্র সুসেবিতাঙ্ঘ্রিকং সহস্রধারা প্রবিরাজিতাঙ্ঘ্রিকম্॥ ৫৬।

লিশিং ওইবা দেবরাজগী মুকুট মনিঙনা ভানবা চরন লিশিং অদুদা যোগীন্দ্রসিংনা সেবা তৌবা পাদ পদ্মা লিশিং অনন্তনা কোকথক্তা মনিগী মঙানগুম্বা ভানবা লিশিং ওইবা মূর্তি দৈত্য সুর মাংহনবা ভগবানগী নিংথিজবা রূপ মতম অদুদা ওইখে্॥ ৫৬।

নিরক্ষ্য তদ্রূপমিদং পরাৎপরং নমাম মুদ্ধাভুবি রাজসত্তমঃ
কৃতাঞ্জলিঃ প্রাহ হরিপ্রিয়াং শ্রিয়া দিদৃক্ষুরন্যমম সাভলাম্বিতম্॥ ৫৭।

বৃষভানু মহারাজা অছুগুম্বা রূপ মাংতুংদা দর্শন ওইরগা থোইদোক্লা কিরহুনা কোক্লা লৈবাক শোক্তুনা দেবীদা খুরমখে, অহুগী তুওদা অপাম্বা অতোপ্পা পুক্লিং হুবা দর্শন পামজবা ওইহুনা খুং লোমরগা হরিপ্রিয়া রাধাদা হায়জখি ॥ ৫৭।

বৃষভানুরুবাচ।—অদেবং পরমং রূপমৈশ্বরং পরমাদ্ভুতম্।
ভীতোঽহং তন্নিরীক্ষ্যান্যরূপং দর্শয় তে নমঃ॥ ৫৮।

থোইদোক্লা কিজহুনা বৃষভানুনা দেবীদা হায়জখি—হে মাতঃ! থোইদোক্লা অওকপা নহাকী অসিগুম্বা ঈশ্বররূপ উজবদা থোইদোক্লা কিজরে হৌজিক অতোপ্পা পুক্লিংগী অপাম্বা রূপ ঐঙোন্দা পিনবিরো হে দেবী! নংঙোন্দা খুরমজরি ॥ ৫৮।

যৎপ্রসন্নাঃ স্তুমাতস্তৎতস্য বিংদুল ভংভবেৎ।
অনুগ্রাহ্যস্তত্বয়া মাতহরং রূপং ধাভূশম্॥ ৫৯।
নমঃ প্রসীদ মাতর্মে কৃপয়া বনমালিনম্।
রূপং দর্শয় দেবেশি স্বরূপং চিত্তরঞ্জনম্॥ ৬০।

হে মাতঃ! নহাক্লা পুম্নমক্কা পেনবিবদা মরোল অহুমদা মখোয় পুম্নমক্কা ফংঙোইদবা করি লে! ঐদি থোইদোক্লা ভোল্লবনি মরম অসিনা ঐবু থৌজানবিয়ু। হে দেবেশি! নংঙোন্দা খুরুমজরি মুংশিবিহুনা ঐগী হৃফমদা কৃপা তৌবিহুনা নহাকী ওইবা পুক্লিংহুবা লৈ অঙৌবা থোনবা রূপ উৎলবিরো ॥ ৫৯-৬০।

ব্রহ্মোবাচ।—ইত্যুদীরিত মাকর্ণ্য পিত্রা সা বৃষভানুনা।
অপহৃত্য পুনর্দেবী অন্যদ্রূপং সমাদধে॥ ৬১।

ব্রহ্মানা হায়খি—পিতা বৃষভানুগী অসগুম্বা হাইজবা বা তারবদা জগন্মাতা রাধানা বিশ্বরূপ হংহললগা অমুক্ হন্না কানিনী মোংমা ওইবা অমসুং নিংথিজবা অতোপ্পা রূপ ওইখে ॥ ৬১।

নবপাথোধর শ্যামমিন্দী বরনিভচ্ছবি।
বনমালারাজিত শ্রীবৎসবক্ষঃস্থলাম্বিতম্ ৬২॥

ফুইনা হৌবা নোং সংবাননবা মচু থাগী মঙানগুম্না ঙানবা ওকতা অঙৌবা লৈ পরেং থোনবা শ্রীবৎসচিহ্ন থবাক্লা অঙৌবা তুনা হঙ্গংনা লৈ[illegible] ॥ ৬২।

দ্বিভূজং কৌস্তভোরস্কং বেণুবাদমতৎপরম্।
গোপালবৃন্দ সংগীতৈ নৃ্ত্যন্তং প্রমুদা ন্বিতম্॥ ৬৩।

পাম্বোম অনি মুরলী পাইবা কণ্ঠদা কৌস্তভ মনিনা ঙানবা উরঃস্থল, নিংথিজবা অতৎপা লৈতনা বেণু থোঙবা ঈশৈদা পুক্লিংচংবা গোপ মচা ময়ামগা লোইনাহুনা জগোই শাবা ॥ ৬৩।

প্রসন্নপাথোরুহসন্নিভাণনং ভবাদিভি র্মৃগ্যতমাঙ্ঘ্রি যুগ্মকম্।
সুনন্দনন্দ প্রমুখা সভাজিতং শুভাঙ্গ বহ্নিক্ষি পাদযুজাম্বিতম্॥ ৬৪।

ফুগাইনা শাংপা থম্বালনা তম্জানিংঙাই ওইবা মাইথোং মহাদেবনচিংবা লাই পুম্নমক্না অতংপা লৈবনা নিংজবা চরোণ অনি নিংথিজবা নন্দগী মচা মনাইসিংমা কোইবা ফজরবা হকচাং পাখোম অনি নিংথিজবা মিংয়েং মতৌ অসুম্না ধ্বজবজ্রচিহ্ন তিনবা চরণ অনিনা নিংথিজরি । ৬৪ ।

ত্রিভঙ্গমুর্ত্তিঃ প্রভয়া দিগন্তরং প্রকাশিতা জাপ তমোরিসন্নিভম ।
গোপালবেশং সুবসিদ্ধ সংস্তুতং বিনোদয়ন্তং গোপাং যুনান্বিতম্ ॥ ৬৫ ।

ত্রিভঙ্গ পুক্কি হুবা মূর্ত্তিনা ঙানবা মাইকৈ অপুম্বা মুমিংকুম্না ঙান্বা মঙান অদো উজবদা লেইদা লৈবা শাপন্কী মপৈ মাংহন্বী লাই ময়াম অমংং সিদ্ধগণ পুম্নমক্না পুক্কিং চংনা লৈলি-লৈথোনবা গোপালবেশ অমাম্বা গোপী পুম্নমককী থোইদোক্না নুংঙাইবনা তিমবা ॥ ৬৫ ।

সেদ্বাক্ষ্য পরমং পরাত্মনো রূপং বৃকোর্দ্ধভরাকুলেন্দ্রিয়ঃ ।
প্রোৎফুল্লাবিজ্ঞাণ সবোজরাজিঃ সুযোগঃ বৃষভানুসুতাঃ ॥ ৬৬ ।

বৃষভানু অদো পরমাত্মাগী মশক ওইবী মহাক্কি মচা ওইবী অথোইবা ঐশ্বররূপ উজারবদা থোইদোক্না হরাওজবা নুংঙাইজবা ওইখে, মতৌ অসুম্না মহাক্না থত্তজারহুনা ফুগাইনা শাংপা থম্বালগুম্না মাইথোং ফজখি, নিজাবদগী ওইবিরিবনী অর্থাৎ নিংবদা থংখি মহাক্কি মচা অসে অসেবা ব্রহ্মাগী মশক্কি হায়হুনা খত্তবা উখি । ৬৬ ।

ভূভ রগণাৎ ভবভাবনচ্ছিদাং ভবাব্ধভারার্থবিমুক্তিদাংনৃনাম্ ।
অন্তোষাদম্বাং তপয়াংজণুপ্রদাং ঘৃণাভবা নম্রাববুদ্ধকন্ধরঃ ॥ ৬৭ ।

বৃষভানু নিংথৌ ভক্তিগা লোইনাহুনা থুং লোম্মারগা রাখল্ তৌহুনা অমসুং কোক নোন্দুনা পৃথিবী অরম্বা কোক্নবিগে হাযবগীদমক পাপ কোক্পগে মতৌ অসুম্না অয়ান্বা জীবনা পোক-পাগী মতৌগুম্ সংসারগী ফংত্রাবা জীবশিংগী মরূ ককথংপীগে জগংকি মমা ওইবী ইবেম্মবু লৈশি লৈথোক্নি ॥ ৬৭।

বৃষভানুরুবাচা বিশ্বেশি বিশ্বেশসমহর্ণাচ্চিত পদাম্বুজেবিশ্বজনিত্রিতে নমঃ ।
বস্তুঃত্বদন্যন্নহি হিত্যতে ভুবিজয়দ্বিভবিরণু গৃহুমাং নিজম্ ।
সুত্রাম পাথোজ জণু হরাম্বরো স্তবে দোবজগদেবনমস্করম্ ॥ ৬৮ ।

হেবিশ্বেশ্বরি ! সংসার অসিগী মপুন, পুজা তৌফম্নি নহাক্কি চরণ অনিদা হেবিশ্বজননি ! ঐনা অত্নুগুম্বা চবণ থম্বাল অনিদা খুরুমজরি । হে জগদ্বিভামিনি ! ব্রহ্মা, হরি, শঙ্কর, ইন্দ্র, পুম্নামক্কী নশক্কি নংঙোন্দগী ওইবা ভাক্কি অতেপ্নদগী নত্তে জগত অপুম্বা নহাক্নি, হেমাতঃ ! কৃপা তৌবিহুনা উহনবিরি ঐ অসে নহাক্কী ননাইনি খনবিহুনা খোজানবিয়ো ॥ ৬৮ ।

ধাতা বিধাতা বরদা বরেশ্বরি শক্তিঃ পরাকিং মমর্থ্যমেরস্তে ।
অচিন্ত্যরূপ চরিতে বিচিত্রতং সুরেশবন্দ্যাং তবরূপমদ্ভুতম্ ॥ ৬৯ ।

হে বরেশ্বরী ! নহক অসে বর পিনাহৈবিমী য়োক্চাবিমী নোংদমবিনী নহাক্ অসে

পরমাত্মাগী মশক্তি পরাশক্তিনী হে অচিন্তনীয় নহাক্কী মওং খঙবা ঙমদে দেবী! লাইগী মপূ ওইবী খুরমজরি বিচিত্রীত ওইবা নহাক্কী অঙকৃপা মওং ঐনা অঙগুম্বা মশক্ হাইগাদবদা করম্না ঙমগাদগে · ঙম্মরোই ॥ ৬৯ ।

স্বাহাত্মিকা সর্ব্বসুরেশতৃপ্তিহেতূঃ স্বধেতিপিতৃতৃপ্তিহেতুঃ ।
নাকস্থিতা নাকপ্রদাণরূপা সমস্তযজ্ঞাদি ফলপ্রদাণা ॥ ৭০ ।

হে দেবী। নহাক্না লাই পুম্নমক্কী পেন্নানবা স্বহা, অমনা পিতৃলোককি পেনম্নাবা স্বধাগী মশক্তি নহাক্না অযাম্বা লাই পুম্নমক্কী অহানবনী জগৎ পুম্নমক্কী স্বর্গ ফংননবগী মশক্তি মতৌ অম্নুম্না অয়াম্বা যজ্ঞগী কর্ম্মগী মহৈ পীনবি নহাক্তি ॥ ৭০ ।

রূপং সুসূক্ষ্মং তবদেবী বিদ্যয়া যদযোগিণো ব্রহ্মময়ং বদন্তি।
মাতস্তবেদং মণসোদুরাসদং বাচামগম্যং বাচাসোপ্যবর্ণ্যম্ ॥ ৭১ ।

হে মাতঃ। নহাক্কী অসিগুম্বা সূক্ষ্মরূপ অদুবু জ্ঞাণচক্ষুনা মরম ওইদুনা যোগীসিংনা নহাকপু ব্রহ্মনি হায় হেজননি। নহাক্কী অসিগুম্বা অঙকপা ওইবা চাংদমনিংঙাই লৈতবা রূপ্ পুক্কিংনা খঙবা ঙমদে চিননা হাইবা ঙমদে ॥ ৭১ ।

ত্রিলোকবীজং পরমোরু বিশ্ববিসর্গসংহারবিধীয়তে নমঃ ।
কৃপাণ শঙ্খগদাদ্যুদায়ুধং সহস্রভানু প্রতিমাণুভাসিতম্ ॥ ৭২ ।

হে মাতঃ। কৃপাণ, শঙ্খ, গদ, পদ্ম, মখল মথা অম্মাম্বা খুৎস্ত খুৎলাই পাইবা অসিগুম্বা নহাক্কী অথোইবা রূপ্ মরোল অহুমগী মক্নগী মশক্তি অসিনা মরম ওইদুনা অদুককি মথৈ ওইবা সংসার পুথোকই মাংহনলিবনি মুমিং লিশিংগী মঙালগুম্বা চাংদমনিংঙাই ওইবা রূপ শনদোকই নহাক্না ॥ ৭২ ।

মাহেশি মাহেশধৃতং মনোহরং রূপং তবেদং পরমোরুবর্চ্চসা ।
সহস্রশীতাংশু সুশীত ভাস্বরং বালাংত্রিনেত্রাঃ শশিবদ্বিভূষিকাম্ ॥ ৭৩ ।

হে মাহেশ্বরি। সাতিশয় থোইদোক্না ঙানবা ফজারবা থা লিশিংগী মঙানগুম্না ঙানবা ঈংলবা অদুগুম্বা মাহেশ্বর রূপ লৌরি, নহাক্না অঙাং ওইবা ত্রিপুর মাংহল্লি মিং অহুম পানবা মকত্রাবা থানা কোক্না লৈতেংবা নংঙোম্বা খুরমজরি ॥ ৭৩ ।

যোগীন্দ্র যোগেশ সুযোগযোগিতাং ভবপ্রভাব প্রভব প্রণুস্পদম ।
নাগেন্দ্রভূষণং রজতাদ্রিসন্নিভং প্রপঞ্চ পঞ্চাজবরাননংত্রিভিঃ ॥ ৭৪ ।

হে মাহেশি। যোগীন্দ্র যোগেশ্বর নিংথীজবা যোগযুক্তা ওইবা নহাক্কী মহেশ্বর রূপ অদো নিংজৈ সংসার অসিদা অমুকু পোক্পদি নত্তে অদুগুম্বা রূপ ঙৌনা ফজবা লিলথোন্বা নিংথীজবা মাই মঙানা ফজবা ওই । ৭৪ ।

ত্রিভিঃ সুভীমায়তলোচনৈর্লসৎ ধৃতার্দ্ধচন্দ্রং জটয়া বিভূষিতম্ ।
ভবাত্মগম্যং ভবভাবনাচ্ছদং নমামি তে রূপমনুত্তমশ্রিয়া ॥ ৭৫ ।

হে দীনজননি ! অঙোইবা সেঙ্গাত্তিনবা মহাকী মাহেশ্বরী লেহা থোইদোক্লগা অম্বিকা ওইবা মিৎ অকম মাইমঙানা লৈরেঙবা নিংথীজবা লাইবকতা থা জংগুই কটা হেক্তা লৈতেঙবা মহাদেবা লাই পুম্নমক। খঙবা ঙমদ্রাবা অমস্তুং পৃথিবী অরুন্থা মাহৈনবশী অশক্ নহাকী অরুকপা রূপ ঐনা নংঙোলদা পুম্নমজরি ॥ ৭৫ ।

দোর্ভিশ্চতুর্ভিঃ পরিঘাব্জ শঙ্খগদাদ্যায়ুধং কোটি শশাঙ্কপ্রোল্লসৎ ।
স্বদেহদীপ্ত্যা জগতাং বিমোহয়ন্ শ্রিয়াভিলিঃ গলশোভিকৌস্তুভম্ ।
আশ্রামি তে রূপমিদং স্মিতাননং স্বভক্ত সংলালিত পাদ পদ্মম্ ॥ ৭৬ ।

হে দেবী ! মতুং অসিদ নহাক্কি মঙ্গালগী মশক ওইবা বৈষ্ণব রূপতা ঐনা থুরুমজরি, গদা, পদ্ম, শঙ্খ, চক্র, পাইবা মিংথিজবা পাম্লোম মরি নহাকী দেহন ভানবা জগৎ অপুন্বা শুকহল্লি শুক্তা কৌস্তুভমণিনা ভাসল শ্রীবৎসচিহ্ন মিংথিজরি লংঙবা পাদপদ্মদা উরঃস্থল নহাক্কি লৈইবা ভক্তা পুম্নমক্তা পূজা কংল্লি মোমোন নে কৃপা শ্রীমুখ মণ্ডল ॥ ৭৬ ।

নবীন নীলাম্বুদসন্নিভং রুচা প্রোৎফুল্ল পঙ্কেরুহ নেত্রপঙ্কজম্ ।
স্বকান্ত কান্ত্যা ত্রিজগদ্বিমোহনং স্মিতাননং রত্ন বিচিত্রভূষণম্ ॥ ৭৭ ।

হে মাতঃ ! নহাক্কি শংবাননবা অঙ্গকন্তি অভোবা লৈ পরেং লোনবা রূপ কমনীয়কান্তি ওইবা মরোল অহুম শুকহনবা ফুগাইনা শাংপ্পা থম্লনা তমজানিংভাই ওইবা মিৎ অনি স্না ফিগেৎ থোনবা মম্মোন নোকৃপা ॥ ৭৭ !

কেয়ূরতডঙ্কবরোল্লসৎনমঃ স্রোত্রাভিরামং বনমালয়া স্থিতম্ ।
নমামিনম্যং নমনায়পাদং পাথোরুহে রূপগণস্থ মীড্যম্ ॥ ৭৮ ।

হে মাতঃ ! খুজি টল আভোরস লৈতঙবা জগৎ অপুন্বানা থুবমবা অমস্তুং লাইহিংচাবা নহাক্কি অঙোবা মুক্তিদা অভোবা লৈ পরেংনা নিথিজবা অতুল্য রূপ পামজবা নিংজবনা মরম ওইদুনা ফংজরে অমদি রূপকি বারি নাকোঙনা তাজবদা পুক্লিং পেনজরে মরম অসিনা মপান নাইদবা পেনবিনবগীদমক্ নহাক্কি চরোণ অনিদা ঐনা থুরমজে ॥ ৭৮ ।

অনন্তরূপং তবনাম মাতঃ কেবা গুণং তে পরিনিতুং ক্ষমঃ ।
বেদৈরগম্যাং মণসো দুরসদ বাচা নগম্যাং সুরলোকবিক্ষিতম্ ॥ ৭৯ ।

হে মাতঃ ! নহাক্কি নাম অমস্তুং রূপ মতো অসুম্বা গুণ অরোইবা লৈত্তে অসিনি হায়গাদোবা রূনা লৈ হায়বা ঙমমোই ? মনেরদুরাসদ, অর্থাৎ রাবল্না খঙবা ঙমদে মরমদি চতুর্বেদের অগম্য অর্থাৎ বেদ পুম্নমক্তা হাইবা ঙমদ্রে মরম অদুনা হাইগদাবদা থোইদোকখে, মীনবু করি ঙমগনি ? লাই মরুসু হিংবদা খঙবা ঙমদ্রে ॥ ৭৯ ।

নিত্যাক্ষরং বিশ্ববিমোহনঞ্চ বিড়ম্বন লোকহিতায়তে ধৃতম্ ।
অদ্বৈত্যা দৈৎবা দেবলোকগণত্রয়ে শুভোস্থিতে রূপময়দো বিবর্ণিতুম্ ॥ ৮০ ।

হে জগজ্জননি! শংসার ওকহনবা শংসারগী আত্মওইবা নহাক্কি অসিগুম্বা রূপ লোককী অননবীদক অসিগুম্ব লোক অসিনা কাওবদগী নহাক্কা মরম ওইদুনা লৌমি অসিগুম্বা মরোল অহুমদা লৈবা মীনা অমনা লাইনা পুম্নমক্কি ময়াইদা কনানা নহাক্কি অসেংবা রূপ হাইপদবা মতিক লৈত্রে ॥ ৮০ ।

যুগৈঃ সহস্রৈরহ মেকমনুষো ব্রবীমি মে দেবী কথং স্বরূপকম্ ।
গুণৈঃ স্বকায়বর্দে ন বন্ধয় স্বকীয়মায়া গুণবন্ধনেন মাম্ ॥ ৮১ ।

যুগ লিশিং লিশিং তপ তৌদুনা লৈবা যোগসিদ্ধ ওইবা যোগিসিংনা দর্শন ফংবা ঙমদে অহুদা ঐদি তোল্লবা মীনি হে দেবী! মতৌ করম্না নহাক্কি স্বরূপ হাইবা ঙমগদগে? হে মাতঃ হে বরদে! নহাক্কি নহাক্কনা ওইবা গুননা ঐবু নহাক্কা নহাক্কি ওইবা ময়াগী গুননা থোঙ ওইদুনা পুনর্বিরন্থু হৌজিক অস্নুম্না হায়জরি ॥ ৮১ ।

বিশ্বেশি বিশ্বেশ্বর পূজ্যপুজ্যে নমামি তে পাদসরোজযুগ্মকম্ ।
ধন্যঃ কৃতার্থশ্চ জগত্ত্রয়েন তুল্যোঽহস্তি কঃ পাদসরোরুহাসরম্ ॥ ৮২ ।

হে বিশেশ্বরি! হে পূজনীয়ে! জগৎ অপুম্বনা পূজা তৌফম ওইবা নহাক্কি চরণ থম্বাল অনিদা ঐনা খুরুমজরি মতম অসিদা ঐগা মান্নবা লাইবক ফবা নিপাবু মরোল অহুমদা কনা লৈগদগে? অসিনা নহাক্কি চরোণনদি ফম্বাল ওইরে ঐনা খোয়মুগুম্না মিং অনিনা চিন ওইদুনা লৈহি থকচরি ॥ ৮২ ।

যতোপিবং দেবী দৃশা ভবচ্ছিদং ততঃ কৃপ পাঙ্গবিলোকণং ময়ি ।
পরাবরে ব্রহ্মণা নিস্ফলে মলে তুষাস্তুচিত্তমর্ণস্তুতং বিভো ॥ ৮৩ ।

হে দেবি! সংশারগী অরাবা কোক্কনবা ওইবা নহাক্কি রূপ মতম্ অসিদা ঐনা অসিগুম্বা মিংনা চিম্না থকচরি মতম্ অসিদা ঐগীদমক নহাক্কা ন্নংশিবিদুনা থোঙ তেকপগুম লৈরম্বা মকম পুম্নমক্কা চংপা ঙমবগুম ঐনা খঙজরে মরম্ অসিনা ঐনা হায়জরি মসে অদুম্না মতুংদা মহৈ য়াম্রে ব্রহ্মগী মশক ওইবা নহাক্কা নঙোন্দগী ঐগী থম্মোইদা চংবিদুনা ব্রহ্মগী মঙান ওইহনবিয়ু ॥ ৮৩ ।

ভবস্য সাফল্য মতেঽনুমেয়ং যতস্তদঙথ্রজবরা সবামৃতম্ ।
দৃশাপিবংমোক্ষবরো নতুলভং কৃপারসার্দ্রা মম সন্নিধিংগতঃ ॥ ৮৪ ।

হে! মাতঃ ঙসি অসে ঐগী পোকপগি মহৈ য়াম্লে অস্নুম্না নিংজৈ মরম অসিনা মিংনা চিন্ ওইদুনা নহাক্কি চাংদম্নিংঙাই লৈতবা চরণ থম্বালগী লৈহি ঐনা থকচরে মতম্ অসিদা নহাক্কি কৃপাগী রসনা ঈচেন ওইদুনা ঐগীনাক্তা থুঙবিরে মতম অসিদা ঐগী অথোইবা মোক্ষপদ অমদি ফঙঙোইদবা নত্রে ॥ ৮৪

ক্ষত্তব্যমেঽস্মাৎ কৃতকিল্বিষোৎ করঃ স্বয়াগুণৈঃ শর্দ্যবিমুক্তিসম্পদা ।
গৃহে গৃহোৎসাহকরা স্বমায়য়া বিড়ম্বনায়ৈ ময়দের রাক্ষসাম্ ॥ ৮৫ ।

হে দেবী! অয়ানবা পদবি পিবিয়ে ঐশ্বর্য্যগুন মশ্মি। নহাক্কা মরম ওইদুনা ঐখোয় খিবিক্কী তৌরকপা পাপকী মপৈ মাংহনবিগে হাইবগীদমক নহাক্কী মায়ানা ঐগী য়ুমদা পোকপাগুম্না পিনবিয়ে অর্থাৎ মচা ফংবদগী দোষা ঐগী য়ুমপানবগী লৈত্রে নহাক অসে লাই হিংচাবা অমম্ভুং মীশিংগী থিন্দনা কন্যাগী মশক ওইনা পোকপিদুনা মচাপোক্তবগী দোষ কোকপিয়ে ঐগী য়ুম পান্নবগী ধর্ম্মা ভাকপিয়ে ॥ ৮৫।

ভাতাসিভূভার হৃদে সুত্রুহ্‌'দ্রাং' বধায়দেবেন্দ্রকৃত দ্বিষাং মম।
তাতস্তমম্বেতি কুতোহস্তসম্ভবঃ প্রথোক্ত ভস্মিন্দ্রভবাঃ সবিত্রী ॥ ৮৬।

হে দেবী! দুহ্‌'দ ওইবা লাই পুম্নমক্কি য়েক্নবা মাংহনবিনবা মরম্‌গীদমক মতৌ অম্‌মা নত্তবা ধশ্মনা পৃথিবী অরূপ্বা কোকপিগে হায়বগীদমক নহাক্কা ঐগী য়ুমদা অবতার ওইবিরী নহাক অসে কনান মমানো কনান মপানো পোকইবা অদুনা কদাইদগীনো মরমদি নহাক্কা জগৎকী মমানি ব্রহ্মা, ইন্দ্র, মহাদেব, পোকইবা অসে নংভোন্দগি ওইরিবনি ॥ ৮৬।

তাতেতি মাতেতি বিড়ম্বণং তাজ ত্বং মাতৃ তাতো জগতামমূভৃতাম্‌।
প্রসীদ্‌ বিশ্বেশ সমর্হণাচ্চিত বরাম্বি, পাথোরুহ যুগ্মকেনমঃ ॥ ৮৭।

হে মাতঃ! পিতা মাতা হায়না ঐথোই অনিদা তাকপিরিব অদো থুনা মতম অসিদা থাদোকপিয়ু মরমদি অসিগুম্বা মরোল অহুমদা লৈরিবা পুম্নমক অসিগী মমা অমম্ভুং মপা নহাক্কি সংসার অসিগী মপু চংখোননা পুজা তৌকম নহাক্কি চরণ খম্বানদা খুরমজরি হায়জরি হৌজিক ঐগী ইফমদা চানবিয়ু ॥ ৮৭।

পুরোনমস্তেহস্ত পুরঃ স্থিতায়াং পশ্চান্নমস্তেবরদে তবচ্ছিবে।
ব্রবীমি ভাগ্যং মমকিং শিরেশ্বরি প্রসীদ জাতাসি যতে'ণুকম্পয়া ॥ ৮৮।

হে বরদে! কোম্নুং মম্নুংদ লৈরিবী নহাক্কি নহাক্কী মাংদ' খুরুমজরি সংসারগী অবাবনা পুম্লিবা ককথংনবগী মশক ওইবি নহাকপু নহাক্কী তুংদা খুরুমজে চানবিয়ু পুম্নমক্কী মবেম্মা ওইবি! ঐগী লাইবক ফবগী রাবু করি হাইগনি? নহাকপু নিংজবদগী ঐগী য়ুমদা পোকপিররীবনি ॥ ৮৮।

বিভাসি শুদ্ধস্ফটিকাম্বরং যতাযথা দেবী সমীপসংস্থিতা।
তথাবিভাসি জগদীশ্বরি ত্বং জড়েষু রূপেষু পরমাত্মরূপে ॥ ৮৯।

হে দেবী নাক্তা লৈরিবী জবাপুষ্পগী মতৌগুম তভাং তভাংবা অমদি স্নাগী মকত্রবা য়ুম্বি অভাংবগুম উই হে জগদীশ্বরী? অদুম্‌ ওইবা নহাক্কা চৈতন্য স্বরূপ পরমাত্মাগী রূপ জগৎতা ফোং-দোকপিয়ে ॥ ৮৯।

ব্রহ্মোবাচ। -ইতি সংস্তূয় সংস্তুয় প্রণিপাতকা চেশ্বরীম্‌।
ভক্তিনম্রাত্মধী রাজা প্রাহগদ্‌গদ্‌গয়াগিরা। ৯০।

ব্রহ্মানা হায়খি— বস! অসুম্বা যেংদোকুন্নিরি হয়া হয়া ইবেমরুই চরণুদা শবৃ তৌদুনা খুরমলগা বৃষভানু হিক্লা হাইবা বাইদুনা, মতৌ-তুম্বা হাইদুখে। ৯০।

বৃষভানুরুবাচ।—অদঃ সংহর রূপত্বমলোকি কৃমিতোবধ্রম্।

বিশ্বাত্মংস্তে সুদুর্দ্দর্শং যোগিনামপি তেনমঃ॥ ৯১।

বৃষভানুনা দেবীগী মাংদা হঙংখি—হে বিশ্বাত্মন! পরমাত্মাগী মশক ওইবি দেবী! যোগীশিংনা ফংভমজবা চাংদমনিংঙাই লৈত্রবা অম্বিগুম্বা ওইথোকত্রবা রূপ নহাকী হনজনবিরো ঐনা নংগোন্দা খুরমজরি ॥ ৯১।

কিংক্রমঃ কীর্ত্তিদায়াশ্চ ভাগ্যং জন্মশতার্জ্জিতম্।

তবত্রিজগতাং মাতুরপিমাতা ভবদয়তঃ॥ ৯২।

হে জগন্মাতঃ! কীর্ত্তিদাগী লাইবক ফবগী রারি করি হায়সিগে? মরমদি মরোল অহুমগী মমানি নহাক অসে মপোক কন্নাদা তৌরকপা পুম্বগী কলনা মরম ওইদুনা মঙোন্দা নহাক্লা ইমা হায়ররে॥ ৯২।

ব্রহ্মোবাচ—নরবরকস্তস্য মুদাগিরেড়িত্বাপ্রসন্ন প্রাপ্তোকুহ সম্ভাষণা।

জগাদতাত্বং কৃপাত্রধীশ্বরী স্বকন্যাপাথোপয়নে শনৈরিব॥ ৯৩।

ব্রহ্মানা হায়খি—হে বৎস! রাজা বৃষভানুগী মু শিবা রাঙাং তারবদা ফুগাইদুনা শাংপা থল্লাগুম্বা মাইথোং ওইবি ইবেম্মনা পেনবিদুনা মিং অনিদা পীতাদুনা ম্যাংওইননা অর্থাৎ হরাওবদগী পী তৈথোক তৈথোকুনা অসুম্বা হাইরকই॥ ৯৩।

শ্রীদেব্যুবাচ।—মহত্তা নৃপসোগ্রেণ ত্বয়াতাত্ব গৃহস্থয়া।

অম্বয়ারাধিতা রাজন্ ত্বৎ পুত্রীত্বমিতোগ্রম্॥ ৯৪।

দেবীনা হাইখি—হে ভাত! মৃপানরুগী ধর্ম্মা চৎপা থোইদোক্না তপ্ত তৌবা ইমা কীর্ত্তিদাগ লোইনদুনা নহাক্লা ঐবু থোইদোক্না নিংঙি হে রাজন! নখোয় অনিনা নিংবা অদুনা মরম ওইদুনা নখোয় অনিগী মচানুপী ওইদুনা জম্মা ওইরিবা অসিনি॥ ৯৪।

দর্শিতানি স্বরূপানি ময়া প্রত্যয়কারনাৎ।

মায়বিশ্বমিদং ব্যাপ্তমাকাশেনৈব সর্ব্বতঃ॥ ৯৫।

পয়োবা সপিষা যদ্বদ্বৃক্ষেণ মৃন্ময়ং জগৎ॥ ৯৬।

হে পিতঃ! নখোয় অনিগী পেন্নবনীদমক ঐনা অদুকী মখে ওইবা রূপ নংগীদমক দর্শন পিরীবনি ঐঙোন্দগী জগৎ অপুন্দা ওইরিবনি প্রমানদি আকাশুন পৃথিবী কুপপি মনুংদা পুম্নমক লৈ অমনা আকাশনা পুম্নমক সিনবা থুংভি অদুগুম্বা ঐনা মরম ওইদুনা জগৎ অপুম্বা সিনবা থুংনা লৈ প্রমানদি ঘি হাইবা অসে শঙ্গোমগী মনুংদা লৈ মতৌ অদুগুম্বা জগৎ অসিদা ঐনা চংদুনা লৈ জগন্ময়নি শিনবা থুংনা লৈ (আমাতে বিশ্বর বিশ্ব ও আমি আছি)॥ ৯৫—৯৬

ব্রহ্মোবাচ।—ইত্যাদীর্য্য তদা তাতং সঞ্চহার স্বরূপকম্।
আধায় সাঙ্গুলী বক্ত্রে বালবন্ প্রকরোদচ ॥ ৯৭ ।

ব্রহ্মানা অঙ্গিরদা হাইখি – হে বৎস! অহুগুম্বা পিতা বৃষভানুদা দেবীনা অসিগুম্বা রা হায়রগা মহাক্তি মায়ানা মরম ওইহুনা অমুক হন্না ইচম চন্না মুপী মচা অমগুম্মা চরণগী খোঙবি মুখদা চুপতুনা অমৃতা লাম্বগুম্মা কপখে ॥ ৯৭ ।

দাড়িমী কুসুমাকার সইস্রাদ্রিতবর্চ্চসা।
রূপেণাসদৃশী রম্যা বভৌ সর্ব্বাঙ্গ সুন্দরী ॥ ৯৮ ।

ফুগাইনা শাংপা কফোইগী মপানগুম্মা তঙাং তঙাংবা মুমিৎ লিশিংগী মঙানগুম্মা দেহগী মঙান থোইদোক্না ভানবী পুক্নিং হুন ফজবা অংত্তে অনিস্নুনা লৈতবা অঙকপা ওইবা দেবীগী রূপ ফোংদোকখে ॥ ৯৮ ।

ভুতং ভব্যং ভবিষ্যঞ্চ যদ্রূপঃ ত্রিষু বিদ্যতে।
লোকেষু দ্বিজশার্দ্দূলাঃ কিঞ্চিন্নসদৃশং ভবেৎ। ৯৯ ।

ব্রহ্মানা মচা তরেৎতা হায়খি—হে দ্বিজশ্রেষ্ঠগন! মরোল অহুমগী মনুংদা লৈবা রূপ শেমমি রূপ কয়াসু মাংদ লৈ কয়াসু ওইখে অহুমনদি ওইরগা অসিগুম্বা রূপ অসিগী মনাক্তা অমগা মান্নবদি ওইদ্রে ।। ৯৯ ।

ততো বৃকো নরবৃকো জাতকর্ম্মাদিকাঃ ক্রিয়াঃ
চকার মতিমাস্তস্যা ব্রহ্মনৈ ব্রহ্মবাদিভিঃ। ১০০ ।

অহুগী তুংদা মী মরক্তগী নোংশাগুম্বা পুকচেল ফজরবা বৃষভানুনা ব্রহ্ম খঙবা ব্রাহ্মনা মরম ওইহুনা কন্যাগী জতকর্ম্মগীদমক অয়াম্বা থবক অপুম্বা সিন্নখে ॥ ১০০ ।

রাধিত্বা তপসোগ্রেণ বাধ্যারাধ্যাতয়াসুখে।
যেন রাধেতি তস্যাঃ স নামচক্রে পিতাতদা ॥ ১০১ ।

হে মুনে! মতম কুইনা দেবী নিংজবদগী (বাধা হইয়াছিলেন) মরম অহুদগী পিতা বৃষভানুনা মরম অহুদগী রাধা হায়না মিং থোনখে ॥ ১০১ ।

মতাং অসিদা শ্রীব্রহ্মাণ্ড পুরাণগী রাধা হৃদয়
ব্রহ্মাগা মচা তরেৎকা ওাংনবা রাধা হায়না
মিং থোনবা পোকপগী ঝাদ্রি তরেৎ শুবা
অধ্যায়ঃ লোইরে। ৭।

অষ্টম অধ্যায়ঃ

গোলোক প্রতি সনৎকুমারের অভি শাপাখ্যান

অঙ্গিরোবাচ।—যোগিযোগেশ্বর্য্যা ব্রূহি যোগেশ্বরেশ্বর।
কস্মাৎ শপ্তং পুরংতেন গোলোকাখ্যং মহাপ্রভম্॥ ১।

অঙ্গিরা ঋষিনা ব্রহ্মিকা পোকপগী বারী তারবদা ব্রহ্মাদা হংজখি—হে যোগেশ্বরে শ্বর! যোগী পুম্বরক্কি ঈশ্বরী ওইবী বাধা মগান চাওবা গোলোক মহাক্কি মহৎপুর করি মরমগী অভিশাপ ওইরিবা অদো অমুক্তা তাকপিয়ু॥ ১।

সণৎকুমার মুনিনা সুতেনা তে পয়োজ্জ।
কৃতায়ুক্ত কিংকর্ম্ম কুত্রস্থঃ কৃতনান্ হরিঃ। ২।

হে পদ্মজ। মহাক্কি নচা ওইবা জ্ঞান লৈবা সনৎকুমারনা মরম ওইদুনা ভগবদ্ধাম গোলোক করি মরমদগী ঝারোৌরিবনো মতো করম্মা শ্রীকৃষ্ণ কদাইদা লৈখিবগে মহাক্কা করি মরমগি নিংবা-কাইবা থুইরিবনো মরমুদি মাডোন্দা মহাক্কা শাওদুনা শাপ তৌরি॥ ২।

ভক্তায় গুরবো ব্রূয়ুঃ প্রণতায় কুগুহ্যকম্।
নতৃপ্যামঃ পিবন্তস্তৎ কথামৃতা মশুভমম্। ৩।
পিপাসা বর্দ্ধতে নিত্যং পিবতাং তদ্গুণামৃতম্। ৪।

হে প্রভো। হাইনিংঙাই লৈত্তনা অথুপ্পা বারি মতম্ অসিদা ওই অতুম্ ওইনমক্ হংজবা মনাইদা গুরুসিংনা মাদো তাকপিগদব ওই মরম্ অতুনা নহাক্কা থৌজানবিদুনা ঐখোয়খিমিকতা তাক্কপিয়ু ঐখোয়খিবিকুনা হরি কথা মৃত থক্চরি ঐখোয়খিবিকনা পেনবা লৈজরে, হরি লীলা মৃতবু তাজবা অতংপা লৈত্তনা তাজবা পামজরে॥ ৩—৪।

ব্রহ্মোবাচ।—বৎস যেন নধ্যান্তা ব্রহ্মরূপা সনাতনী।
চিদ্রূপাঃ পরমে শানী তৎ খান্তং মলপর্ব্বরং। ৫।

ব্রহ্মান হাইখি—হে বৎস! চিৎ স্বরূপা পরমেশ্বরী অরেপ্পা ব্রহ্মাগী রূপ্ মাধানা মরম ওইদুনা পুক্লিংনা থোঙ ওইদন হৃদীদা নিংবা ওইদে মরম্ অতুনা অহুগুম্বী হৃদীগি কোকুংদা উই হাইনা খঙভো॥ ৫।

পত্ত্যাং যাভ্যাং নিরতস্থায়তনানি গতা নতাঃ।
তে পদে ধরণী ভূম্যস্তাবোলং মমানঘ। ৬।

হে অনঘ! ঐনা মচি ওইবা পাওতাক্ হায়রগে তারো, পৃথিবীদা পোককাদৌরিবা অচু-গুম্বা মীনা মথোঙ অনিনা মরম্ ওইদুনা তীর্থদা চংত্তে মরম্ অতুদগী অচুগুম্বা মথোঙ অনি অদো অরেম্বা ওইরে লেংত্রাব চিংগা মাম্বরে॥ ৬।

অব্জনাভান্তকধ্ব সিমহ্যৌর্ণ চ্চরণাম্বুজৌ।
অচ্চিতৌ লাঞ্ছিতৌ বেণ স বাহ্যঃ শবমাত্রবৎ ॥ ৭।

(অব্জনাভ) নারায়ণ (অন্তকারী) মহাদেব মতৌ অমুম্না ব্রহ্মাণনা জগৎকি মমা ওইবি রাধিকাগী পাদপদ্ম অনিদা পুজা কৌলি অতুগুম্বা চরণ অনিদা মখোয়গী মখুং অমিনা পুজা তৌত্রবা তৌত্রাবী অতুগুম্বা মখোয়গী মখুং অদো সিবগা মমৈ থঙতো ॥ ৭।

শ্রোত্রে বিলেতেদ্বিজবর্য্য যাভ্যাং নপীতং গুণকর্ম্মচামৃতম্।
নাজিঘ্রতো যে তুলসী সুগন্ধং যে নাসযুগ্মে শুষিরেমলস্ত ॥ ৮।

হেদ্বিজবর্য্য! অথোইবঃ ব্রাহ্মণসিংগী মনুংদগী নহাক্না থোইদোক্না অথোইবনি মরম্ অমিনা ঐনা নহাকপু থাগৎতুনা হায়রি মাথোইগী নাকোং অনিনা ভগবৎকি গুণ কীর্ত্তন অমসুং অতু গুম্বা লীলা কথা অমৃত তাত্রব অতুগুম্বা নাকোং অদো তলেংবদি ফৎত্তবা থমকমগা মান্নে অর্থাৎ হরি কথা তানিংত্রবা নাকোং পাললুবগী মহৈ করিনো ॥ ৮।

তে চক্ষুষি তচ্চরাণারবিন্দ মন্দাসবং সর্ব্ববিমোহ মোচকম্।
যাভ্যাং ন পীতং মদুরজ্যমানে দ্বাস্তেণ পঙ্গেতি মৃষৈবধত্তে ॥ ৯।

মেংজবা মতম্দা অঙকপা কোকপা ভগবৎকি চরণ অনি (শোভামৃত, অতুগুম্বা মিং অনিনা মেংজরগা থামোইদা ঐকান্তিক ওইনা নিংত্রবা অতুগুম্বা মিং অনি অদো মাহোংগী মমৈদা থাগুম্না লৈরিবা অতুগুম্মি অর্থাৎ অসেংবদি কজ্ঞানবগীনি কান্নাবদি নত্তে ॥ ৯।

বিবিৎসা বর্ত্ততে সারো জন্মকর্ম্মাদিনাশনে।
হরেরুদার বৃত্তস্যাভিৎস্তে শৃনু সত্তম ॥ ১০।

হে ঋষিসত্তম্ মহাক্কি বারি হরিগী জন্ম কর্ম্ম লীলাগী বারি সাধু পুমমক্না তাংনবা তাবদা সাধুসিংনা মুংঙাইবা ওই ॥ ১০।

উগ্রেণ তপসা প্রাপ্তা হরিনোদার কর্ম্মণা।
সা রাধা পরমারাধ্যা চিদ্রূপা বিশ্বমোহিনী ॥ ১১।

বৎস! চৈতন্যরূপা বিশ্বমোহিনী। শ্রীরাধাবু নিংজবা ভগবান নারায়ণনা থোইদোক্না বানা নিংজবনা মরম্ ওইদুনা মহাকপু ফজাবনি ॥ ১১।

হিমালয়োদারগিরেঃ সুতাং গঙ্গাং সরিদ্বরাম।
গাত্রেণিলীয়াভ্যরক্ষৎ ভারুর্বাণ্যাঃ প্রিয়শ্চসঃ ॥ ১২।

ভগবান নরায়ণগী লক্ষ্মী অমদি সরস্বতী অথোইবিনী হিমালয়গী মচানুপী তুরেল পুমমক্তগী গঙ্গা অথোইবিনী মাঙোন্দগী ওইখি ॥ ১২।

দারৈশ্চতুর্ভিঃ পরমৈ রমমাণো বসৎসুখম্।
তাসু সর্ব্বাস্বভ্যধিকা প্রিয়া প্রিয়তরাদপি।

আসীদ্রাধা বিশ্বরূপা পরমাত্মাস্বরূপিণী ॥ ১৩ ।

গঙ্গা লক্ষ্মী সরস্বতী যমুনা বিরজা ভগবানগী পত্নী মরি লৈ ভিংথিবী চায়বীসিংগা লোই-মতুনা গোবিন্দ পরম সুখ ওইহনা লৈ অদুমনদি ওইরগা পুম্নমক্ অদুগী মনুংদগী বিশ্বপিব পর-মাত্মা ওইবি রাধা মহাক্না মখোয় পুম্নমক্তগী চায়বী ওইনা লৈ ॥ ১৩ ।

একদা বিরজোৎসঙ্গে রমমাণো বসন্ধরিঃ ।

আজ্ঞায়ারক্তপয়ন প্রেষ্যাভি যোগমাস্থিতা ॥ ১৪ ।

মতম্ অমদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণ বিরজা (রমমাণ) ওইদুনা লৈবা অদুবু মনাক্কি মখোসিংগী মাদগী রাধান তারবদা শাওবন মহাক্কি মমিৎ অনি অঙংপা লৈতনা ওইংজি অদুগুম্বি মিৎ ওইনে রাধা মহাক্কি সখীসিংগা মকম্ অদুদা লাক্খি ॥ ১৪ ।

রাধাগমস্তয়া তত্র যত্র যোগেশ্বরো হরিঃ ।

চালয়স্ত্যাঃ পদে তস্যা ভূশ্চচাল সসাগরা ॥ ১৫ ।

মাম্না থুনা সর্ব্বযোগেশ্বর হরিন লৈরিবা মফম্ দা হৌগৎতুন চংখে, মহাক্না চংপা কান্দা খোঙথাং খুদংগী সমুদ্রাগ লোইনবা পৃথি নিকুংখে ॥ ১৫ ।

সপর্ব্বত বনোদ্দেশা সপুরাট্টাল তোরনা ।

সদ্বিড়মাগা সুরা সুরা সযক্ষোরগ রাক্ষসা ॥ ১৬ ।

অসিগুম্বা পৃথিবী লেপনামক্ সমুদ্রাগ লোইনাব তুরেল, চীং, বন, অতোপ্পা লৈবাক্ কোক্লুং থাঙম্পাং চেক্পল মাইকৈ সামু লাই হিংচাব লোইননা নিকুংখে ॥ ১৬ ।

তদ্বাক্য ত্রস্ত মনসো গমন্ সর্ব্বেদিবৌকসঃ

কৈলাস মদ্রি প্রবরং সোমোযত্রাবসুন্ধবঃ ॥ ১৭ ।

অদুককি মথে উরিবা অয়াম্বা লাই পুম্নমক্ মিপাইরে কৈলাসদ লাকনরে মফম্ অদুদা থানা লৈতেংবা দেব শঙ্কর ওানদুনা লৈয়ে ॥ ১৭ ।

হরোহাপতদানাজ্ঞায় তৈসোর্দ্ধং তৎপুরঃ সরঃ ।

আসেদুর্গোলোকং সর্ব্বে স্তবন্তোরু পরাক্রম্ ॥ ১৮ ।

মহাদেব পুম্নমক্ খংওহন দেবগণগা লোইনদুনা গোলোকক্তা চংখে, মতৌ অমুম্না মফম অদুদা থুংজারগা উরুপ্রাক্রমন গোবিন্দাবু পুম্নমকনা স্তুতি তৌদুনা থোঙ্গা লৈখে ॥ ১৮ ।

তান্যাহুয় সুরান সর্ব্বাংস্তৈঃ সার্দ্ধং প্রাবিশৎপুরম্ ।

বিরজোৎ সঙ্গ আসানং বাক্যোবাচ রুষান্বিতা ॥ ১৯ ।

অদুগী তুংদা শ্রীরাধিকা ৯ মহাদেব লাই ময়াম কৌরগ মখোয় পুম্নমকা লোইনদুনা কোক্লুং থ্রাইদা চংখে, মতৌ অমুম মতম্ অদুদা (বিরজাক্রোড়ে সমাসীন শ্রীকৃষ্ণকে) উবদা প্রাও-থাদুনা হাইখি ॥ ১৯ ।

ময়ি জীবতি গোলোকে ভূত্যস্তর্বাস্তরী বৃশী।
তুর্ক্ব,ত্তং শঠতুর্ব্ব,ত্তং ধরায়ত্তো মরাকরোহ ॥ ২০ ॥

হেতুর্ব্ব,ত্ত! হে শঠরাজ! ঐনা গোলোকতা লৈরিঙৈদা মহাক্না নমচং তুমদনা অলিত্রা হেতুর্ব্ব,ত্ত! অহুকরি মথে লৌনর্ম তৌত্রা ঐ ভোন্দা? অর্থাৎ ঐভোন্দা তাং ভোরবরা পুন্নক্ কোংদোকনে মাসিদা নহাক্পু চিংবরে! চিংবাদবা উমত্রে? ॥ ২০ ।

সংগৃহ্যে মাংপ্রিয়ামিষ্টাং গোলোকাকসজ্জলম্পট।
ভাবীং জাথাপুরা সর্ব্বং সথাভিব্বারিকং মুহুঃ ॥ ২১ ॥
পুর্ণব্রহ্মে বিরজায়া সার্দ্ধং চন্দনকাননে ॥ ২২ ।

মতৌ অমুম্না বিরজাগ লোইনতুনা মমাংভৈদা বিহার ওইবা অহু ঐনা থম্না থংভি সখী-সিংনা নহাক্পু হন্না হন্না খাম্থি অমুক হন্না বিরজাগা অহুগুম্বা চন্দনবনদা উথি। হেলম্পট! রতি চৌর অসিগুম্বা নমচং নহাক্কি মরম্ অসিন কিংবা থুংনা চান্নবি অসিগা লোইনাহ্নুনা থুনা গোলোকতগী চংলো ॥ ২১—২২ ।

এবমাকর্ণ্য তদ্বাক্যং রাধাঃ বীক্ষ্য ক্রোধান্বিতা।
বিরজা যোগমাস্থায় সরিদ্রূপাভবৎ ক্ষণাৎ ॥ ২৩ ।

বিরজা শ্রীরাধাগী অশাগুবা উবদা হাইরিবদো তাবদা কিথকগী মতম্ অহুদা যোগনা তুরেল ওইতুনা সিং ওইন চেনখে ॥ ২৩ ।

ষট্ ত্রিংশদ্যোজনায়াম্ বৈর্দৌ যোজনকং শতম্।
নোদ্দিষ্ট ধরণী জাতান্ ভঙক্ত্যা গমণ খোমুখী ॥ ২৪ ।

তুরেল অদো য়ুথক্ কুম্থ্ তারক্ পাক্ই শাংবনা য়ুথক্ চাম্না সাংহুনা পৃথিতম্না চেনথা-রক্ পর্দা উ কয়া তেক্খে, মথা পাংনা লু লুকথাহুমা চেনখে ॥ ২৪ ।

বিরজোভি তদালোক বিদ্বন্‌সা প্রথিতা ভূবি ॥ ২৫ ।

হে বিদ্বান্! অঙ্গিরা! অহুদাগি পৃথিবীদা বিরজা হাইরি মহাক্পু অর্থাৎ তুরেলগী মশক্ ওইতুন পৃথিদ কালিন্দ্রি যমুনা হাইথি ॥ ২৫ ।

তত্ত. সংভূয়ো দেবর্ষি গন্ধর্ব্বোরগ কিন্নরাঃ।
অহং ভবাজ্জণাত্ত শক্রাদি প্রমুখাঃ সুরাঃ ॥ ২৬ ।
সর্বগর্দঃ সাশ্রুনেত্রাঃ পুলকাঞ্চিত বিগ্রহাঃ।
স্তুবন্তো মুহুরব্যগ্রা ভগবন্তং পরাৎ পরম্ ॥ ২৭ ।

অহুগিতুঙদা ভগবানগী মাংদা তপ্ত-তপ্পা দেবর্ষি, গন্ধর্ব্ব, নাগ, কিন্নর, মতৌ অনুম্না ঐ বিষ্ণু মহাদেব অমনা ইন্দ্রদেবগনা পুন্নমক্ মিংত্তপিতান হিক্, হাইবা রাহৈনা তুজুংবা ওইহুনা মাংদা তুংদা পরমপুরুষ ভগবানবু স্তব তৌথি ॥ ২৬—২৭ ।

জ্যোতির্ম্ময়ং পরংব্রহ্ম সর্ব্বকারণ কারণম্।
অমূল্যরত্ন নির্ম্মাণ রত্নসিংহাসনস্থিতম্॥ ২৮।

অসংবা মঙানগী মশক্ ওইবা পুম্নমক (কারনেরকারণ) ওইবা পরমব্রহ্ম ভগবাণ শ্রীকৃষ্ণ মনি মুক্তান সেম্বা কোমুদো রত্না সিংহাসণ মথক্তা ডাগলি ॥ ২৮।

সেব্যমাণঞ্চ গোপালৈঃ শ্বেতচামর বায়ুনা।
গোপালিকা নৃত্যগীতৈঃ পশ্যন্তং সাস্মিতা ননং॥ ২৯।

গোপময়াম্মা চামর অভোবা পাইদুন নুংশীংন মরম্ ওইদুনা থৌগন তৌবা মমোন নোকুন মাইথোং থম্বাল গোপীসিংনা জগোই শাই ঈশৈ শক্ই সেবা তৌদুন দর্শন ওইদুন লৈখি॥ ২৯।

পরিতো ব্যাবৃতং শশ্বং গোপৈশ্চ শতকোটিভিঃ।
চন্দনোক্ষিত সর্ব্বাঙ্গং রত্নভূষণ ভূষিতম্॥ ৩০।

দেহ পুম্নমক্তা চন্দ রত্ননা লৈতেংবা কৃষ্ণামুক নিংথৈজ মতৌ অমুম্বা গোপ শতকোটিনা মাইকৈ মরিদা কোইদুনা লৈ॥ ৩০।

নবীণনীরদ শ্যাম কিশোরং পীতবাসসম্।
যথ দ্বাদশবর্ষীয় বালং গোপালরূপিনম্॥ ৩১।

ফুইন হৌব নোং শংবাননা ফজবা দেহেদা স্নাফিগে থোনবা চহি তরানিথোইগি বয়স ওইবা অঙাংগী মতোগুম্বা গোপালরূপী পরমাত্মা গোবিন্দগী পুক্নিংহুবা রূপ॥ ৩১।

কোটি কোটি শীতাংশু সংশীত দ্যুতিং শ্রীবৎসবক্ষসম্।
কোটি কন্দর্প লাবণ্য লীলালাবণ্য ধামকম্॥ ৩২।

ঈংবদা থা কোটিদগী হেন্না ঈংনভাল্লি থবাক্তা শ্রীবৎসচিহ্ন কোটি কন্দর্পগা মান্নৈ মতৌ অমুম্বা লীলাগী মশক্ অমত্তা ওইবা লৈফম্ মশক অর্থাৎ সংসারদ লৈরিবা ফজবা পুম্নমক্তী তুংনফম্ সংবাননবা রূপতা হাইজাদুনা লৈ॥ ৩২।

সাস্মিতানন পাথেজ গোপীভিঃ সংস্পৃহংদ্বিজ।
রত্নেন্দ্রসার মাণিক্য বিচিত্রাভিমুদেক্ষিতম্॥ ৩৩।

হেদ্বিজ! গোপী পুম্নমক্তী চংথোম্না খোরাংজবা রূপ মমোন নোক্পা মাইথোং থম্বাল চাঙদম্নিংঙাই লৈজবা রত্ন অমসুং মণিনা সেম্বা অম্রাংব ফিনা লৈতেংবা দেহদা থোইদোক্না হুরাওবা রূপ উজাখি॥ ৩৩।

প্রাণাধিকা প্রিয়তমা রাধাবক্ষঃ স্থলস্থিতা।
তয়াদত্তঞ্চ তাম্বূলং ভুক্তবন্তং সুবাসিতম্॥ ৩৪।

চান্নবী রাধাগী বক্ষজদ য়েংদুন লৈ অদুগুম্বী শ্রীমতি রাধান মনম্ নুংশিবা ঈসিং তাম্বুল চাবদ পুক্নিং চবা অদুগুম্বা থোইদোকপা রূপ শ্রীকৃষ্ণবিগ্রহ॥ ৩৪।

সরিপুর্ণতমং রাসে বভূবরী মরবণুরাহ।
মুনয়ো মণবঃ সিদ্ধা তপসা দগ্ধকিল্বষাঃ ॥ ৩৫ ॥
প্রহৃষ্ট মানসাঃ সর্ব্বে জগ্মুঃ পরম বিস্ময়ম্।
পরস্পরং সমালোচ্য তে সমুচুশ্চতুর্মুখম্ ॥ ৩৬ ॥

অয়াম্বা লাইগী মুপী ময়াম্না থললাবা পরমেশ্বর শ্রীকৃষ্ণগী রাসস্থলদা উখে মুনি, মনু, সিদ্ধগণ, অমসুং তর্পন মরম্ ওইদুনা পাপকি মপে মাংখে, মতৌ অদুম্না অপ তৌবী মুপী মখোইখিবিক পুক্নিং হরাওনা ভগবংকি রূপ উবখি উবদা ভকখি মতুং অহুদা অমসা-অমগা ওানচবা পুম্নমক্না ভগবান ব্রহ্মাদ হংজখি ॥ ৩৫-৩৬ ।

নিবেদিতং জগন্নাথং স্বাত্তিপ্রায়মতীস্মতম্।
অহংতদ্বচনং শ্রুত্বা বিষ্ণুং স্মৃত্ব প্রকাশিতে ॥ ৩৭ ॥
অধমাং সংস্মৃত্বা কৃষ্ণো বচনং মধুরোপম্। ৩৮ ।

জগন্নাথগী নিংব থুংননবগী ব্রহ্মাণ হংলখি, ব্রহ্মাণ অঙিরাদ হাইখি—বংল। মখোয়গী অপান্ন রা তারবদা মক্তক চাওবা বিষ্ণুবু নিংসিংলগা। লেপশুন লৈখি, অদুগী তুঙদা এনা নিং-জাবনা মরম্ ওইরদুন শ্রীকৃষ্ণনা য়েংথংবদা এবু য়েংবিদুন মুংশিবা রাহে তাকপি ॥ ৩৭-৩৮ ।

গোলোকে রাসরচনা

শ্রীকৃষ্ণোবাচ—ব্রহ্মন বাদয় বাদ্যানি নৃত্যন্ত অপ্সরসাং গণাঃ।
ভরো গায়ন্তু গীতানি প্রীতয়েমেহতি সুস্বরম্ ॥ ৩৯ ॥

শ্রীকৃষ্ণনা ব্রহ্মাবু খাগৎতুনা তুংদা লাইদবা হায়খি—হে ব্রহ্মন্ নহাক্না পুন্ডৈয়ু জগোই শাবীসিংনা জগোই শাইনু মহাদেবন মতম্ পুম্নমক্না এবু পেন্নবা মুংশবা সুমন ঈশৈ শকউ। ৩৯।

তস্মিন্ মহোৎসবে রাসে সর্ব্বেষাং প্রীতিদেহশব।
ততোমুক্তন্ স্ত্রিয়ারোহং বিভজ্যাত্ম পমাত্মনা। ৪০।

হে অনঘ! পাপ চেন্দবা অঙিরা! জীবা পুম্নামকপু পেলহনগে হাইবগীদমক্ অদুগুম্না মহারাস শ্রীকৃষ্ণন রাধিকাগি আশাওবা থামজিদুনা মহাক্না মহাক্ত মশাদগী মথন মথা অমাম্বা তৌগনি তোঙানবা রূপ ওইখি ॥ ৪০ ।

শতধা রূপ লাব গৌদার্য্য মাধুর্য্যরিষ্ঠিতম্।
দ্বিভুজং মুরলীহস্তং বনমাল্য বিরাজিতম্ ॥ ৪১ ।

শ্রীকৃষ্ণ মহাক্তি চপ মান্নবা চা কয়া ওইবা তোঙান তোংতৌনবা রূপ পুম্নমক্ অদো চপ মান্নে অর্থাৎ পাম্বোম অনি পানবা মুরলী পাইবা সংবান্না কজবা অত্তৌবা লৈ পরেং খোন্নবা তনৌ তনৌনা পুকনিং হুর্না কজবা পুম্নমক্ অদো মতং মতৌ চপ মান্নে ॥ ৪১ ।

মধুর পুচ্ছচূড়া কৌস্তুভেণ সুসদ্ধৃদ্বি।
দিগ্‌ভূষণ গুণৌষেন বয়ো রূপৌজসাশ্রিয়া ॥ ৪২ ।

কোকৃথক্তা বাহোং মতুগী চুরা কৌস্তুভ মণিগী মমালা মাইকৈ তুরা গুণবা লৈতেংবা মওং মগুন্ ফিবম রূপ অমসুংদ অস্কম ভৌন পুমমকু চপ বাঙৈ ॥ ৪২ ।

মূর্ত্তিকীর্ত্তি যশোবাসো ভঙ্গিমা সমশোভনং।
কৃষ্ণঃ বর্ক্তিতআত্মানঃ সমং শতবিধং মুনে ॥ ৪৩ ।

হে মুনে। সমমূর্ত্তি সমকীর্ত্তি সমযশ সমবাস সমান শোভা সমান ভঙ্গী মতৌ অমুন্না শ্রীকৃষ্ণ মহাক্না চাম থোক্না ত্রেওন তোঙাম্না পুথোকৃখি ॥ ৪৩ ।

বরুণ্যাত্মানং শতবিধ মকরোৎবিশ্বমোহিনী।
রাসোৎসবং রসোপেতং রসিকান্তি রসাচ্যুতঃ।
রচয়মাস সর্ব্বাভি গুভিঃ খাঃ সস্তবৈরপি ॥ ৪৪ ।

হেদ্বিজবর। শ্রীকৃষ্ণ মহাক্না মাম্নবা রূপ চাম থোক্না পুথোকপা অদু উবদা জগৎপু ভকহল্লবি রাধান চাম থোক তোঙাম্না ওইখি পুমমক অদো মাঙোন্দগী ওইবনি মূর্ত্তিসিং অমগা লোইননা অয়াম্বা গোপীসিংগা তিন্নদুনা শ্রীকৃষ্ণগী রস পুমমক্না তিনবা রাসলীলমক্ সেমখি ॥ ৪৪ ।

ভুজাংবদ্ধ্য বাহুভ্যং স্বাভ্যাং মধুরিপুহরিঃ।
নদানৃত্যন্ত্রিং কৃষ্ণেস্তু নৃত্যন্তী র্ভরিতস্তঃ ॥ ৪৫ ।

ভগবান মধুসূদন খুং অনিনা গোপী পুম্নামক্কি খুং অমমম্গা পাইদুনা জগোই শাবদা পুক্কিং চংবিসিংগা লোইনদুনা জগোই শাখি মতৌ অমুন্না জগোই শাবদা পুক্কিং চংবা গোপা পুমমক্না শ্রীকৃষ্ণগা লোইনদুনা মাইকৈ মায় কোইদুনা জগোই শাখি ॥ ৪৫ ।

অচুচুংদলো নিরুচ্চনবৌ নৃত্যদচ্যুতঃ।
মধ্যে মধ্যে স্থিত স্তাসো মুড়ুৱাড়ুড়ুভি যথা ॥ ৪৬ ।

জগোই অদো গোপী অনিগী ময়াইদ কৃষ্ণ অমা, জগোই হৌখে, মতৌ অমুন্না (মধ্যে মধ্যে আলিঙ্গনকৃতঃ) গোপী পুমমক (বদনকমল চুম্বন করিতে) প্রমাণদি অতিয়াদ থরান-মচাক্না থা কোইশিল্ল মতো অমুন্না গোপী ময়াইদা গোবিন্দন লৈতেংঙি ॥ ৪৬ ।

রমমানো হভোকৃষ্ণো নিরাহো দ্বজসত্তমঃ।
মুখবাসন তাম্বুল চর্ব্বণোৎকুবলং দদৌ।
আস্যেষু তাসাং রাধাণাং মধ্যের ক্ষোদয়োর্দ য়োঃ ॥ ৪৭ ।

হেদ্বিজসত্তম। শ্রীকৃষ্ণ মৃতম্ অদুদা নিগুণ থুম্বমচনদুনা লৈ অমুম্ ওইনমক রাধাগী অনু-রাগদা মরম্ ওইদুনা (রমনর্ম্মূর্ত্তিতে ন্যায়) ভানুবগুম ওইখি রাধাগী মুত্তি পুমমক্না মাইথোং

থম্বালদা মনম মুংশিবা ঈশি, যা পিখি মতৌ অসুম্না গোপী অনিগী মম্নাইদা কৃষ্ণ অমমম্ ওইহুনা নিংথিজবা ওইখি ।। ৪৭ ।

অথাস্মিন দথানন্দ সন্দোহাদ্ধিবরং গতাঃ ।
ভূজাবাচ্ছিত্ত তরসা ভূজাভ্যাং কৃষ্ণমাহরৎ ।। ৪৮ ।

মুংঙাইবা সমুদ্রাগী ইপোমদা তাওহন গোপী অমগা কৃষ্ণ অমগা (আলিঙ্গন করিতে ছেন) কনাগুম্বী গোপীনা খুংভিংথোক্লুনা শ্রীকৃষ্ণ মহাকি খুং অনিন ভাপ্‌ন চিংশনহুন লৈখি ।। ৪৮ ।

রাসোৎসবে সংপ্রবৃত্তে বাণী মধুরবাদিনী ।
বীণামাদায় বাহুভ্যামবাদয়ত সুস্বরাম্ ।। ৪৯ ।

মতৌ অসুম্না গোলোক্কি রাস সান্নবা উজবদা স্বরসতী ইবেম্মনা বীনা পাইহুনা মুংশিবা সুরনা খোঙখি !! ৪৯ !

ব্রহ্মোবাচ ।- অহং মৃদঙ্গং পনবং বিষ্ণুর্বর্গণারিহ ।
ভবস্তুষ্কুণা সার্দ্ধং সগণেভ্যো ব্যক্তীর্গণং ।। ৫০ ।

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদ হাইখি – বৎস ! মতম্ অদুদা ঐনা পুঙ্‌ যৈ অয়াম্বা সুর পুম্নমক নৈহৎপা বিষ্ণু মুংশিং অর্থাৎ ওসুর কৌবা পুঙ্‌ য়ৈখে্‌ অয়াম্বা জ্ঞান পিনবা মহাদেবন ঈশৈ শক্‌পা তম্বুর পাইহুনা গন্ধর্ব্ব ময়াম্ মতৌ অসুম্না কাল মহাকাল ভৈরব অসিনচিংব লোইনহনা শ্রীকৃষ্ণগী রাস লীলা মাধুর্য্যরস মপুং ফানবা ঈশৈ সকপা হৌখে্‌ ।। ৫০ ।

সুস্বরো মধুরালাপৈ মূর্চ্ছনা মুচ্ছিতৈক্রমাৎ ।
মুচ্ছিতং সাম গন্ধর্ব্ব সুরাসুর মনোরমম্ ।। ৫১ ।

মহাদেবগী ঈশৈ মুংশিবা তাবদা মমহৎত্তুনা বাদ্যৈ অসেংব সঙ্গীত মথং-মথং তাবদা অনন্তা নচিংব লিল ময়াম্ দেবা সুর, গন্ধর্ব্ব, সিদ্ধ, মতৌ অসুম্না-সভাদ লৈরিবা পুম্নমক অমত্তা ওইনা ম্নানম্মখি ।। ৫১ ।

সযক্ষো রক্ষ কিং মর্ত্ত্যাবিদ্যাধর মুনীশ্বম্ ।
বিসংজ্ঞং হরগীতেন মধুরালাপ মূচ্ছনৈং ।। ৫২ ।

যক্ষ, রাক্ষস, কিংপুরুষ, বিদ্যাধর, মুনীন্দ্রগণ পুম্নমক বাদ্যৈ রাপ রাগিনী মুংশিবা ঈশৈ মহাদেবন শকপা তাবদা মতম অমত্তুদা ঙাণ লৈখিদ্রে সিবপা মান্নখে্‌ ।। ৫২ ।

বীণাবাদ রবৈবিদ্বন্ সমস্তাদ্রাস সমস্তালম্ ।
চিত্রাপিতমিবা ভাতে সতদারা মণ্ডলম্ ।। ৫৩ ।

হেবিদ্বান অঙ্গিরা ! মক্তিক্ চাওবী স্বরপতিগী বিনা খোঙবা ভাবদ অয়াম্ব রাগ মণ্ডলদা লৈরিব পুম্নমক্ চেদা য়েক্‌পা লাইগী মতৌগুমখে্‌ উনশাব মুত্তিগুমখে্‌ অর্থাৎ অদুগুম্বা বীনাগী মখোন তাবদ ঙাণ মাংভোইদবা লৈত ।। ৫৩ ।

শিব সঙ্গীত শ্রবণে রাধা কৃষ্ণদ্রব

অত্যন্তং মধুরঞ্চৈব সুকোমল মধুস্বরম্ ।
ভূয়োলিশম্য তদ্‌গাতং দ্রবীভূতো ক্ষণাদিব ॥ ৫৪ ।

ফুগাইন শাংম্না থম্বানুগী মনম্ নুংশিবা মুরগা লোইনবা তাবদ রাম্বরোইদবা কনালৈ হন্না হন্না মহাদেবগী ঈশৈ শক্‌পা তাবদ তার তারগা খুদক্ অদুদা শ্রীরাধাগা লোইদুন শ্রীকৃষ্ণসু মতম্ অমত্তুদা ঈশিং ওইদুন চেনখ্রে ॥ ৫৪ ।

নির্ম্মলং স্ফটিকা ভাসং জলং গোলোক ধামকম্ ।
ব্যাপ্তবত্তেন সংভ্রান্তাঃ সর্ব্বদেবাঃ সবা সবাঃ ।
হাহাকারং তত চক্রুঃ কিমেতে দিতি চিন্তয়ন ॥ ৫৫ ।

মণিগী মঙাণগুম্ মকত্রাব অহুগুন্বা ঈশিংগী মপৈন খুদক্ অদুদা গোলোকধাম সিনবা থুগখ্রে অদু উবদা শচীগী মবুংঙো ইন্দ্রগা লোইনদুনা অয়াম্বা লাই ময়াম্ মাংঙে মাংঙে হাইদুন হৌগংনরকলে । আঃ ! একিহইল ? অসুম্বা চিন্তা তৌনাখ্রে ॥ ৫৫ ।

অহোদৌর্ব্বল্য মহাত্মাং কর্ম্মোজ্জযশসো গুণান্ ।
কর্ম্মনশ্চ পরিজ্ঞাতুং ন শক্যামঃ কথঞ্চণ । ৫৬ ।

অমগা অমগা লাই ময়াম্ পরমেশ্বরগী কর্ম্ম অমসুং যশঃগুণ থবক্তা ঐখোয় পুম্নামক্কি পাঙ্গল লৈত্রে খঙবা ঙমদ্রে অসুম্বা হাইনাখি—আহা ! করিনো অঙকপা বিষয় ভগবানগী কর্ম্ম করিনো মক্তিক, মগুণ ঐখোয় পুম্নমক্না খঙবা ঙমগদবা ওইদ্রে অর্থাৎ থবক করমবদগী (কি-ঘটনাহয়) মাদু খক্তিকতং কাওবা হায়বা ঙমদ্রে ॥ ৫৬ ।

ক্বযাতা মূর্ত্তয়ো হ্যেতাঃ কৃষ্ণস্য পরমাত্মা ।
রাধায়া বা মহোশান্যঃ ক্বগতং রা সমগুলম্ ।
কুতোবা তোয়মায়াতং সর্ব্বংব্যাপ্নোতি গোলোকম্ ॥ ৫৭ ।

করিনো ঙকখ্রেদা ! পরমাত্মা শ্রীকৃষ্ণগী অয়াম্বা মূর্ত্তি কদাইদা চংখ্রে ? অমনা শ্রীমতি রাধাগী মূর্ত্তি ময়াম্ কদাইদা চংখ্রে ? মতৌ অসুম্বা অহুগুম্বা পুক্রিং হুবা রাসমণ্ড অদো কদাইদ চংখ্রে ? মিংত্রাংগী মতৌগুম্ব ঈশিং অসিন কদাইদগী লাকলিবনো ? মহাক্না গোলোক হিম্বা থুংখ্রে ॥ ৫৭ ।

অহোঅদ্ভুতমেতন্নো দৃষ্টংকর্ম্ম মহাত্মণঃ ।
তুষ্টুবু স্তেতদা কৃষ্ণং সরাধাং দেবসত্তমাঃ ॥ ৫৮ ।

অঙকপা ওইনো দেবর্গনা হায়রখি—আহ ! পরমাত্মা শ্রীকৃষ্ণগী অঙকপা থবক ঐখোয় পুম্নক্না উত্নরে তৌরিবা মতৌ অসে অমুক্তা ওইখিদ্রি অসুম্বা হাইদুনা লাই পুম্নমক্না রাধাগা লোইনবা শ্রীকৃষ্ণ অনিদ স্তব তৌখি ॥ ৫৮ ।

দেবাউবাচুঃ।—কৃষ্ণায় বাসুদেবায় সর্ব্বভূতাশ্রয়ায়চ।
নিগুর্ণায় চ শান্তায় রাধা কান্তায় তে নমঃ॥ ৫৯।

জীবা পুম্নমক্কী আত্মা ওইবা শ্রীকৃষ্ণ পুম্নমক্কী অহানবা ওইবা পুম্নমক্কি চংজাফম্ ওইবা শান্ত, নিগুর্ণ শ্রীরাধিকাগী চান্নবা হে গোবিন্দ! ইবুংঙো নহাক্পু খুরুমজরি॥ ৫৯।

বিরিঞ্চি ভব সুত্রাম্নো ধ্যায়ন্তেহহর্ণিশং বিভো।
তৎপাদ পাথোজণনং তুভ্যং নিত্যং নমোনমঃ॥ ৬০।

হেবিভো! জগৎ সেম্বা ব্রহ্মা মাংহনবা শঙ্কর অমন ইন্দ্রনচিংবা লাই পুম্নমক্কা অত্তৎপা লৈত্তনা অহিং নুংথিল ইবুংঙো নহাক্কি পাদপদ্মবু নিংথৈ মরম অসিনা নহাক্পু ঐখোয় পুম্নমক্কা হন্না হন্না খুরুমজে॥ ৬০।

সৃষ্টিস্থিতি প্রলয়ানাং কারণং করুনা নিধে।
হরি বিরিঞ্চি হরানাং ত্বং জনকত্বাং নতাস্মতে॥ ৬১।

খোজাননা সমুদ্রগী মশক্ ওইবা নহাক্কা অসিগুম্বা সংসার পুথোকই লৈহল্লি হরি হর হিরন্য গর্ভগী জনকনি মরম্ অসিনা ইবুংঙো নহাক্কি পাদপদ্মদা ঐখোয় পুম্নমক্কা হাইজরি॥ ৬১।

সদেব সোমোদমগ্র আসীদ্মধ্যন্দিনাজগুঃ।
ত্বংছিতং পরমং ব্রহ্মতুভ্যং নিত্যং নমোনমঃ॥ ৬২।

যজুর্ব্বেদদা ঋষিশিংনা হায় লেংত্রাবনি মথেং তাত্রবনি অদুগুম্ব ব্রহ্মনি পুম্নমক্কি অহানবদা লৈরমম্বনি হেগোবিন্দ! ইবুংঙো নহাক্কা অরেপ্পনি নংভোন্দা হন্না হন্না খুরুমজরি॥ ৬২।

যস্মাদ্বিশ্বমিদং জাতং যস্মিন্নেব প্রলীয়তে।
তদ্ব্রহ্ম শাশ্বতং তস্মৈ প্রনমামি জগৎপতে। ৬৩।

হে জগৎপতে! ইবুংঙো নংভোন্দগী অসিগুম্বা জগৎ পুথোক্লগা অমুক্ মাংহল্লি হিংচাবগী য়েক্লাবনি অথোইবা ব্রহ্মনি ইবুংঙো নভোন্দা খুরুমজরি॥ ৬৩।

দ্বেবিদ্যেবেদিতব্যশ্চ শব্দব্রহ্ম পরঞ্চ যৎ।
তৎ ত্বংহি শব্দ পরমং ব্রহ্মতস্মৈ নতাবয়ম্। ৬৪।

মুণ্ডকশ্রুতিদা হায় অপরাবিদ্যা ও পরাবিদ্যা অনিনা মরম্ ওইদুনা হাই খোঞেন হাইবা অসে ব্রহ্মদগী ওইবনি খুত্নগনি মাদো সগুণ, নিগুর্ণ, অনিগী মশক্কী নহাক্ অসে ইবুংঙো নংভোন্দা ঐখোয় পুম্নমক্কা খুরুমজরি॥ ৬৪।

একমেবাদ্বিতীয়ং যদ্বৃহদারন্য কোহব্রবীৎ।
তদেকং ব্রহ্ম ত্বং দেবতস্মৈ নিত্যং নমোনমঃ॥ ৬৫।

হে দেব! শ্রুতিদা হায় মত্তুদি অমাদগী অসিসুদে অদুগুম্বা অনিস্থদবা পরমব্রহ্ম ওই নহাক্কি ইবুংঙো নংভোন্দা খুরুমজরি। ৬৫।

একোঽহং পুরুষো যো নিত্যং সদসদাত্মকম্ ।
শ্রুতিদ্বয়স্য বিষয়ং ত্বাং নৌমি পুরুষোঽব্যয় ॥ ৬৬ ।

হে অব্যয় পুরুষগোবিন্দ! অমত্তা ওইব পুরুষ নহাক্না পুন্নমক্কি অহানবদা লৈরম্মি নারায়ণনা অহানবনি অসুম্না শ্রুতিগ হাই অসিগুম্বা অকোইব অসিদা ব্রহ্মনা অহানবনি সৎ অমসুং অসৎ অনিমক্ ব্রহ্মনি হায় মসে শ্রুতিগ, তাব অমসুং খোঙ্গেন অনি অসে পরব্রহ্ম নহাক্কি ইবুংঙো নংঙোন্দা ঐখোয় পুন্নমক্না খুরমজরি ॥ ৬৬।

ইতিশ্রুত্যাদিভিঃ স্তোত্রৈর্মধুরৈঃ সুপদৈরপি ।
ততোদেবান্ প্রহস্যাহ শিবোদায্যানুসাস্ত্বয়া ।
বিক্রুবান্ সজলস্নিগ্ধ মেঘগম্ভীরয়া হরিঃ ॥ ৬৭ ।

নিংথিজবা চরোনদ ভিনবা সুংশিব খোঙ্গেন ওইবা অসুম্না শ্রুতিন হাইখ্রবা স্তব অদুনা মরম্ ইওদুনা ভগবাণনা মমোন্ নোকপ মাইথোং অয়াম্বা লাই পুন্নমক্কী মাংদ হৌরকপ নোংগুম্বা গম্ভীরস্বর থোইদোকপা মহাক্কি ওইবা মঙ্গোল ওইরো হায়বা রাগাংনা লাই পুন্নামকপু পুক্কিং তপথাহনখ্রে ॥ ৬৭।

শ্রীকৃষ্ণোবাচ।—সুস্বাস্ততো নভেতব্যং কর্ম্মণা বোঽমরামম।
কৃত্য পরাক্য হোতেন ব্যেতু বো মনসোজ্বরঃ ॥ ৬৮।

লাই ময়ামবু থাগৎতুন শ্রীকৃষ্ণনা হাইখি—হেওমরগণঃ নখোই পুন্নমক্ পুক্কিং তপ্থো আর্থাৎ অঙকপদো কর্ম্মন মরম্ ওইদুন নখোয় পুন্নমক্না কিগনু অসিগুম্বা কর্ম্ম অসে ঐনা নখোই পুন্নমক্পু য়েংগদৌরিবনি নখোয়গী চিংনবা অদু থাদোক্লো ॥ ৬৮।

ব্রহ্মোবাচ।-ইত্যাভাষিতমাকর্ণ্য দেবা ভব পুরোগমাঃ।
সুপ্রসন্নমুখাঃ সর্ব্বে সান্ত্বাঃ শ্বাস্তেন সান্ত্বিতাং ॥ ৬৯।

মহাদেবনচিংব লাই পুন্নমক ভগবাণগী মশা উদবা য়াথং তারবদা মাইথোং নকালামখ্রে মতৌ অসুম্না থেমজনবা রানা মরম ওইদুন পুন্নমক অদো পুক্কিং নুংঙাইরে অর্থাৎ নুংঙাইরবা রাখন থাদোকলে ॥ ৬৯।

বিস্ময়োৎফুল্ল পাথোজ মনোবদন চক্ষুষঃ।
তমাবভাষিরে দেবাঃ কৃষ্ণমক্ত দলেক্ষণম্ ॥ ৭০।

ভগবাণ মরম্ ওইদুন থেমজনবা ফংঙবদা লাই পুন্নমক ফুগাইন শাংপা থম্বালগী মতৌগুম (মুখপদ্ম ও চক্ষু) মতৌ অসুম্না পুক্কিং নুংঙাইরে হরাওব মিংয়েংন শ্রীকৃষ্ণদা পুন্নমক্না মতম্ অদুদা নোলুকত্রুন অসুম্না হঙংখি ॥ ৭০।

দেবাউচুঃ। নৈতচ্চিত্রং ভগবতি ত্বয়ি যোগেশ্বরে শ্বরে।
বিচিত্র কর্ম্ম মাহাত্ম্য রূপৈ শ্বর্য্যংশিমুক্তিদে ॥ ৭১।

ভগবৎভক্তি চয়োন্দা লাইঁ ময়াম্মা পেনবিনবগী দমক্ অসুম্মা হাইজখি হে ভগবণ্ ! নহাক্তি অয়াম্বা যোগী পুম্নমক্কি মপু অতুগীসু মপুনি নহাক্কি ওইবা অসিগুম্বা মতৌ ঐশ্বর্য্য অসুম্মা মোক্ষ, পিনবিবা খঙবা ঙমমোই থবক্কি মওং নহাকপু খঙবা ঙমগদোবা ওইদে মরমদি পুম্নমক্কি মশক্তি ঈশ্বরগী থবকপু কনান খঙবা ঙমগদগে ॥ ৭১ ।

বো বিজ্ঞাতুং ক্ষমোদেব তব বিশ্বাত্মকর্ম্মণঃ ।
চরিতং মনসাগম্যং বচসা কর্ম্মনা হরে । ৭২ ।

হে হরে ! ইবুংঙো নহাক্ অসে পুম্নমক্কি আত্মনি অয়াম্বা থবক পুম্নমক্ নংঙোন্দগি ওইবনি নহাক্কি মহিমা লোক্ অসিদা র ঙাংন পুক্কিংনা থবক্না খঙবা ঙমদে হেদেব ! নহাক্কি থবকপু কনান খঙগদগে ॥ ৭২ ।

যদিতেহনুগ্রহোহস্মাসু ভক্তাভীপ্সিতদো যদি ।
কৃপনেষুচ বাৎসল্যং দেহিনোদর্শণং বিভো ॥ ৭৩ ।

হে বিভো ! মতম্ অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না থৌজানবিহুনা অমনা ময়বসিংগী মফমদা থৌজানবিগদবা ওই হে গোবিন্দ ! অদু ওইরবদি নুংশিবিহুনা ফোংদোকুপি তোল্লবা লাইশিংদা দর্শণ পিনবিরে নহাকপু উদাবদগী ঐখোয় পুম্নমক অরবা ওইরে ॥ ৭৩ ।

ব্রহ্মোবাচ । এবং সম্প্রার্থিতো দেবৈরলক্ষ্য গতিরীশ্বরঃ ।
সহসাবিভুং প্রেম্ন পাবিযুক্ত কলেবরঃ ॥ ৭৪ ।

ব্রহ্মাণ অঙ্গিরাদ হায়খি—হে ব্রহ্মণ ! গতি লৈত্রাদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদ (প্রেমপূর্ণ) ওইরদুনা দেবগন হাইজবা তারবদা উহললমদবাদগী হায়জবা অদুদা ফোংদোকখে ॥ ৭৪ ।

নবীন সজলশ্যাম পাথোধর বরচ্ছবিঃ ।
বনমালারাজিতো রঃ স্থলো রাধোরসিস্থিতঃ ॥ ৭৫ ।

ঙুঈনা হৌবা শংবানবা নোংগী মচু মানবা দেহদা অচৌব লৈ পরেং থোনবা থবক্না মতৌ অসুম্মা শ্রীরাধিকাগী মবুংঙো অঙকপা নুংশিবা মিংযেং পুক্কিং হুবা রূপনা ঙানখে ॥ ৭৫ ।

বর্হচূড়ঃ সস্মিতাস্যো দ্বিভুজশ্চ কমলোচনঃ ।
মনোহরম্ বেণু গীতৈ মূর্চ্ছণা মধুরস্বরৈঃ ॥ ৭৬ ।

কোক্তা ময়োং মতুগী চুরান নিংথিজবা মোমোন লোকপা মাইথোং দ্বিভূজ মুরলী খোঙবা খোই খোইবা ছাথেক্ নুংশিবা মিংযেং বেণুগী নুংশিবা খোঞ্জেনা জগৎ সুমহৎনবা ওইবা পুম্নমক্কি পুক্কিং হুখ্রে ॥ ৭৬ ।

কোটিগোপাল গোপীভি বীক্ষ্য মানো মুদান্বিতৈঃ ।
স্তূয়মানো মুনিগনৈঃ সুনন্দ নন্দকাদিভিঃ ॥ ৭৭ ।

খোইদোক্পা পুক্নিং হরাওনা কোটি ওইবা গোপ অমসুং গোপী কোটি লোইনবুনা মাংদা উহনখ্রে রূপ উজাবদা নারদনচিংব মুনি পুম্নমক পেলহনবিগে হায়রুনা মতৌ অসুম্না সুনন্দ নন্দমাচিংবা ময়াম্না কোইশল্লি ॥ ৭৭ ।

তৎপ্রোক্ত সকলাদেবা মুদমাপুর সুত্তমাম্ ॥ ৭৮ ।

পুম্নমকী পুক্নিং পেনবা রূপ ফোংদোকপা শ্রীকৃষ্ণব দর্শণ ওইবদা লাইপুম্নমক চাংদমনিংঙাই লৈতনা হরাওখি ॥ ৭৮ ।

(গোলোকে সনৎকুমার আগমন)

এতস্মিন্নন্তরে বিদ্বৎ শ্চরন্ননুগতৈঃ সহ ।

শিষ্যৈঃ প্রশিষ্যৈ স্তচ্ছিষ্যৈমুনিভিঃ সংশিতব্রতৈঃ ॥ ৭৯ ।

য়েৎবদা চহি মংভাস্নবা অঙাংগী মতমগুম্বা অথোইবা যোগী ব্রহ্মাগী মচা সনৎকুমার গোলোক্তা মতম অহুদা থুংঙরে মথং মথং ওঈনা পবিবা পুম্নমক হাইনখি ॥ ৭৯। তাৎপর্য্য—হে বিদ্বান অঙ্গিরা ! লাইময়াম্ন অশেংবা দর্শন লোইরবা শ্রীকৃষ্ণ অদো নুংঙাইনা লৈবকাল মতম্ অহুদা ইবুংঙো চরণদা সনৎকুমার ব্রতগা লোইনবুনা মুনিশিংগা মতৌ অসুম্না তুংইনবা শিষ্য অতোপ্প শিষ্য ময়ামগা লোইনবুনা গোলোক্তা থুংঙরে ॥ ৭৯ ।

বেদ বেদাঙ্গ বেদান্ত পুরানা গমবেদিভিঃ ।

পঞ্চষট্ শতসংখ্যৈস্ত বায়ুবদগতিভি র্মুনে ॥ ৮০ ।

হে মুনে ! অয়াম্বা মুনিসিংগী শিষ্য চামঙা চাত্রুক মখোয় অদো চৎপদা নুংশিংকী মাং থাই পুম্নমক অদো বেদ, বেদাঙ্গ, বেদান্ত অমসুং পুরান আগমনচিংবা শাস্ত্র পুম্নমক খঙব হৈবা ঙাক্লি ॥ ৮০ ।

অশুরোষা মহাতেজা গ্রীষ্মতীক্ষ্ণকরপ্রভাঃ ।

ধমণ্যান্তরবচ্ছন কলেবর বরঃ সুধী ॥ ৮১ ।

লৈরিবা পুম্নমক অহুনা শাওরবদি মঙাম্না কালেনগী নুংশাগা মান্নৈ সুমিৎকুম্না শরীরদা উননা লৈতেংঙ কোক্তা মৈনা কুপ্পগুম্মি পুম্নমক অদো নিংথিবা বুদ্ধিনা তিল্লি ॥ ৮১ ।

মেরুলগ্নোদরা মাংসঃ কোটরাবিষ্ট লোচনঃ ।

অনাভিদোলিত শ্মশ্রু রাজিচ্ছন্ন কলেবরঃ ॥ ৮২ ।

পুম্নমক্ অহুগী মশা অদো মতোং য়াওদে য়োংকী চৈশুগুম্মি তুমিন্না লেপ্লুনা লৈ মখোয় অহুগী মমিৎ অৎদি কুংখিবনা তিন্ মথুনগুম্মি মতৌ অসুম্না খোইদৌসু কুংলি তারকপা পিনা হমাংনা মসাঅপুম্বা চোৎলি অমসুং ময়াং কংঙি । ৮২ ।

রৌরবাজিন বাসোভিঃ পরীধানো ব্রহ্মচারকঃ।
অবৃদ্ধবৃদ্ধতাপন্নঃ প্রগল্‌ভবদনোরুবাক্‌ ॥ ৮৩ ।

পুন্নমক্‌ অদো রুরু হায়বা আতিনি শক্তি চউন লেংলি টনবগী কিসুমা মতৌ অসুমা অহনগী মতৌ শুম্‌. (প্রগল্‌ভ) মাং ওইনা, ওা নবা তিন্নবা মাইথোং মকালামজবা অর্থাৎ কনা অমত্তা পঙ্গুং নত্তবা য়াওদে ॥ ৮৩ ।

আপিঙ্গায়ত কেশোঘ জটামণ্ডল মণ্ডিতঃ।
কমণ্ডলু ব্রহ্মদণ্ড করদ্বিতয় শোভিতঃ ॥ ৮৪ ।

য়োঙগী মচু ভাক্তি শমগী মপে ওইরিবা জটা (সেইজটাজাল) কোক্তা জটা পুন্নমক অতুগী খুং অনিদা দণ্ড অমসুং কমণ্ডলু পাইবা ভাক্তি ॥ ৮৪ ।

শ্রীনারায়ণ নামোঘানুচ্চৈ রুচ্চারয়ন্মুহুঃ।
শ্রীনারায়ণ নামোঘ কৃতংতিলক মাবহন্‌ ॥ ৮৫ ।

শ্রীনারায়নগী নাম পুক্লিং চংনা শোল্লি মতৌ অসুমা নারায়নগী নাম মহা পুন্নমক্তা চন্দনতনা চৈতোভংভি ॥ ৮৫ ।

মুণিভিঃ স্তুয়মানস্ব প্রভয়েব হুতাশনঃ।
শ্রুতি স্মৃতি পুরাণোত হাসাগম বিদাম্বর ॥ ৮৬ ।

হাইরিবা মুনিসিং অহৌদ মছা অদো মঙামা থিঙ্গি, অশেংবদ্রিঙ্গী মৈগুম্মি মতৌ, অসুমা শ্রুতি, স্মৃতি, পুরাণ, ইতিহাস, আগমনসিংবা পুন্নমক খংডি ॥ ৮৬ ।

সনৎকুমারো দেবর্ষিঃ কৃষ্ণদর্শন লালসঃ।
প্রতীহারাং পতাম প্রেত্য প্রোবাচ মধুরং বচঃ ॥ ৮৭ ।

শ্রীকৃষ্ণদর্শণ পামজবগী মমক লাকচবা সনৎকুমার দেবর্ষি পুন্নমক্না অথোইবা গোলোক ধামদা থুংগুরবদা থোংঙ কপাসিংদা মকমদা হায়জখ লুংশিবা বাহৈনা কৃষ্ণনাক্‌ য়োক্তপে অসুমা হাইখি ॥ ৮৭ ।

মার্গং দদত ভদ্রং বো দিদৃক্ষা স্বজনাভকম্‌।
কৃষ্ণং কৃষ্ণঘনশ্যামং ভক্তানুগ্রহ বিগ্রহম্‌ ॥ ৮৮ ।

হে দ্বারপালক পতে! মখোই পুন্নমক মঙ্গল ওইরো মনাইবু থোক্তানবিবা (বিগ্রহবান) ভগবান পদ্মনাভ ফুইনা হৌব শংবাননবা নোংগী কুচু মানবা অহুগুবা শ্রীকৃষ্ণ ইবুংঙো মহাকপু দর্শন ওইজগে অসুমা ঐখোয় পুন্নক্তা পামবৈ মরম্‌ অসিনা নখাক্তা থোঙ হাংদোকতুনা লম্বি থাদোকপিয়ু ॥ ৮৮ ।

প্রতীহারিণউচু।—রহঃস্থো নাধুনাদ্রষ্টুং শক্যঃ কেণা প্যুরুক্রম।
ক্ষণং বিশ্রাম বিপ্রর্ষে সক্ষণংদ্রক্ষ্যসি প্রভুম্ ।। ৮৯।

সনৎকুমারগী বা তারবদা থোঙ শংবসিংনা মখোয় পুম্নমক্না হাইখি—হে বিপ্রর্ষে! মতম্ অসে ভগবান উরুক্রম শ্রীকৃষ্ণদি অচিকপা মকমদা রাধাগা লোয়নতুনা লৈখি মরম অতুনা কনা অমত্তা মঙোন্দা অতুপুন্না মতম অহুদা দর্শন ওইব মতম নত্তে মরম অসিন মতম্ খরা মকম অসিদা ফমতুনা নহাক্না পোৎথাখো তুংদা মপান্দা লেংথোক্লকলগা প্রভুবু দর্শণ ওইবিয়ু ।। ৮৯।

সণৎকুমারউবাচ।—অধুনৈব ময়াকৃষ্ণোদ্রষ্ট ব্যোরর্হ সিস্থিতঃ।
দেহিদ্বারেমরে মূঢ় ইত্যক্ত্বা প্রবিশৎ বলাৎ ।। ৯০।

মতিকচাওবা সনৎকুমাব পুম্নমক ধ্যানযোগদা থংভি অহানবদা লাক্পা অহুপুন্না লাইময়াম পুক্লিং হরাওনা শ্রীকৃষ্ণগা রাসমণ্ডলদা লৈবা থোংঙাকপা অতুনা মঙোন্দা ঙাইখো হায়বা মিনন্না রাঙাংনা খান্না মরম অতুদগী অশাওবা ওইবা ঋষি অরাবা ওইতুনা মাঙোন্দা অমুক হন্না হায়খি হায অপংবা ওইদবা বা ঙাংত্র ! মকম অসিদা খামতুনা শ্রীকৃষ্ণবু মতম অসিদা ফংহন্দবনি হাক্না ঐবু থাদোকউ অমুম্না হায়রগা পাঙ্গননা কোন্নুং চংগে অথুম্না থোরাং তৌরে ।। ৯০।

অবরোধিতোবেত্রেণ দেবর্ষিঃ প্রাহতং রুষা।
নসেহ্যে প্রতিঘাতঃ রে ক্ষণং শ্রীকৃষ্ণদর্শণে ।। ৯১।

থোংঙাকপাসং অতুনা চৈ পাইতুনা থংনল অহু উবদা শাওখতুনা ঋষিনা মঙোন্দা হায়খি! রে মূঢ়! মিংকুপ্ অমতং শ্রীকৃষ্ণ দর্শণগী লাকপা ঐখোয়বু অবাবা পিবা নত্তিক ওইদে ।। ৯১।

দ্বারংদেহি নচেৎ শপ্সে সপুরং ত্বাং নরাধম।
ন জানাসিচ রে জাল্ম পঞ্চমে তপসো বলম্ ।। ৯২।

থোংঙাক্পসিংনা মীনম্না রা হায়বগী শাওবনে অমনা চৈনা থংপগী সনৎকুমার অশাওবা অনি সুতুনা মৈগী মূর্ত্তিগুম্খে থোংঙাকপা অতুদা অমুক হন্না থাগৎতুনা হায়খি (অরেজাল্ম মূর্খ! ওরেনরাধম) য়োঙমানবা অপংবশা নংনা ঐবু খঙদত্রা? থোঙ হাংদোকলবসু মতম অসিদা ঐ অমুক্ হন্না চংঙরোই চংহনত্রবনিনা মিংকুপ অমগী মতমদা ক্রোন্নুগা লোইনবা নখোই পুম্নমক মাংবতারেদ কৌজিক নংনা ঐগী পোকপদগী শ্রীকৃষ্ণ নিংবগী পাঙ্গল য়েংঙো ।। ৯২।

প্রতিহারিণউচুঃ। -অনুগৃহ্ন মুনে নাথ সুদীনাম দীণবৎসল।
গতশ্রমেণ হৃপুরঃ প্রবেষ্টবাত্বয়াগুরো ।। ৯৩।

থোঙসংবসিংদা শাওরিবা অদো উরগা তোল্লবা থেঙসংবসিংনা নোল্লুকপা রাহৈনা দেবর্ষি সনৎকুমারদা হায়জখি—হেনাথ! হেদীনবৎসল! হে ঋষে! ঐখোয় অসে অতোলবনি ঐখোয়বু থৌজানবিয়ু! হে গুরু! মকম অসিদা ঙহাক্কং পোত্থাবিতুনা অবাবা কোক্লপা মতুংদা নহাক্না কোম্নুংদা চংবিগদবা ওই ননাইসিংদা শাওবিগদবা ওইদে শাওবিয়ু ।। ৯৩।

সনৎকুমারউবাচ।—অনুগ্রহস্ত পাত্রাণি যোগ্যতাবিচেতসঃ।
মূঢ়াঃ পণ্ডিতমাত্মানং মন্যমানাঃ স্বপৌরুষম্॥ ১৪।

মী ওইনা পোক্লে অমুম্না সনৎকুমারনা থোক্তাকপসিংদা হাইখ্রে—হে প্রতিহারিগন! নখোয়না হৌজিক থোক্লামখিবা হাইনা হাইজখিব অদো মহৈ-য়াম্লমোই করিব্লনো হায়রবদা নাপল তৌই অমাং লৈতেংনখোয় অমে পণ্ডিতা মাইথিবা পি অপাংবসা থংতক্লা নখোয় পূম্নমক্না নিপানি হাইদুনা নাপন তৌদুনা মাইথিবা পিরি মরম অদুনা করিগুম্বদা সাধুসিংগী মফমদা থোক্লানবী হাপকম্ ওইরোই॥ ১৪।

ব্রহ্মোবাচ।—উদার্য্য বচনং রোষাৎ স্ফুরদ্রক্তান্তলোচনঃ।
মুনির্জগ্রাহ তোয়ংস স্ফুরদোষ্ঠঃ কমণ্ডলোঃ॥ ১৫।

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদা হায়খি—বৎস! থেংঙাকপসিংগী মফম্দা সনৎকুমারনা অদুগুম্বা রা অদু হাইরবদা মখোয় অদুমা শাওবদগী থুখিগুম্বা লেপ্লগা চিনবান মথক্ মথা চিক্লুনা অমম্বুং মিৎ অনি ঙাংঙি উবদা মহাক্কী খুৎতা পাইরিবা কমণ্ডলুদগী ঈশিং লৌদুনা মাতক চাওবা মুনিনা হায়রকই॥ ১৫।

মুণিরুবাচ। ঐশ্বর্য্যমদমত্তা স্মরাদৃশাদুর্ম্মদাজনাঃ।
পুরস্থাভ্রষ্ট দৌরাত্ম্যাদভ্রষ্টে শ্বর্য্যামরপ্রভাঃ।
সেশ্বরাঃ সাণুগাঃ সর্ব্বে যায়াস্তুধরনী মিতিঃ॥ ১৬।

মুনি অদো প্রজাপতিগী মচানি সনৎকুমার মখোয় অদু সাওবদগী হায়রকই—রেপাম রেম্বা! নাপন্ কাবা পুকচেল চুমদবসা নাপন্না মরম ওইদুনা নমিং তাংঙে পুম্নমক ওমরনি শন্নে নাপন্দগী মাংনবা লম্বি শেম্মে মরম অদুনা নখোয়গী নাপন্না ময়াই কাবদগী নখোয় পুম্নমক কত্তবমা থুদুম চল্লে নখোয় নখোয়গী মরমদগী ঈশ্বরগী অমম্বুং কোম্নুংগা লোইনবা লৈরিবা মী লাই থীনদমা গোলোকগী থুনা পৃথিবীদা চৎতুনা মীওইনা পোকলো॥ ১৬।

ইত্যুদীর্য্যবচোঘোরং মুণি বৈশ্বানরো পমঃ।
স শিষ্যো গতবাংস্তস্মাদ্ যথা গতমমিত্রহন্॥ ১৭।

হে অমিত্রহন্! অদুগুম্বা অকিবা শাপ তৌরবা অদুগী তুঙদা মৈগা মান্নবা মঙানগুম্বা মহামুণি সনৎকুমার মফম অদদগী লাক্লে গোলোকতগী হল্লক্লগা শিষ্যাসিংগা লোইনদুনা মফম্ অদুদগী অমুকহন্না চৎখ্রে॥ ১৭। তাৎপর্য্য—মহাজ্ঞানী ওইবা সনৎকুমার অশাওবা লৈতবা ইন্দ্রী থুদুম চন্বা মহাযোগী জগৎপু অমত্তা ওইনা উবা স্বগুণ ওইবা চাবা চাদবা কংবা কংদবা মাইপাকপা পাঙ্লবা লৈতবা মান্নবা উবা মহাকনা মহাক্কি ওইবা স্বভাব থাদোক্লগা অশাওবনা থত্তুনা চন্দুম্বা মতৌ অদুম্না সাপ্ করিগী তৌরি? অদুগী রা অদু জ্ঞান লৈখ্রবা অদুনা জ্ঞান মাংবা হৌনদে অসেংবদি ইন্দ্রিগী মপু ওইবা ভগবাননা ইনশনবা পুক্লিংদা থল্লম্বা শাপ্ তৌননবগীদমক

গোলোকতা লাক্লিবনি। অর্থাৎ হান্না হাইখ্রবা ওইরনা দেবী রা অহুনা ভগবাননা পৃথিদা লীলা শান্নগে হায়বগী পৃথিদা চৎননবগী তৌইগুম্বমুং মরম লৈতনা গোলোক থাদোকপা য়াদবনা অসিগী রাখল লৈবদগী সনৎকুমার শাপ ফোংদোক্লি ॥ ৯৭।

ব্রহ্মোবাচ।-গতে তস্মিন মুণৌ বিদ্বংশ্চচাল তৎপুরংমহৎ ॥ ৯৮।

দেবদেবোববষাদৌ শোনিতং সম্বিচোষকম্ ॥ ৯৮

ব্রহ্মানা অঙ্গিরাদ হায়খি—হেবিদ্বান্! মতিক চাওবা মুনিমা মফম অদুদগী চৎখিবা মতুংদা গোলোক অমসুং কোনুং অপুম্বা নিকলে মতম্ পুম্নমক থল্লুবদা অদুগুম্বা লাইগী লাই ওইবা ভগবানগী দেহদগী সিন্দুরকপা হুমাংগী মরিক্লা ঈগী নোং চুবগুম্বে ॥ ৯৮।

সানির্ঘাতং ববুর্বাতাশ্চণ্ডবেগাঃ সুদারুণাঃ।

রাহুরগ্রসদা দিত্যম পর্ব্বাণ নিশাকরম্ ॥ ৯৯।

থোইদোক্লা অকিবা অয়াংবা অকল্লব, মখোল তম্থিবা নুংশিৎ শিংলরে মমাংঙৈদগী লৈরকপা হুমিৎপু অমসুং অহিংগা মায়না মপ্পে রাহুনা উমখে। অর্থাৎ অমঙ্গল ওইরে পুম্নমক ওন্না তৈনবা থুংঙরে ॥ ৯৯।

গতশ্রীক গতবালা গত প্রাণা গতোজসঃ।

গতোৎসবা গতোৎ সহা গতোত্তম পরাক্রমাঃ ॥ ১০০।

মঙ্গোল ওইনোইদোরিবা উবদা গোলোকতা লৈরীবা পুম্নমক্ লক্ষ্মীসু পাঙ্গল লৈত্রে থোবাই লৈত্রবা দেহগা মায়রে মঙান লৈত্রাব মৈগুম্মে (বিগত উৎসাহ বিগতোৎসব) পুম্নমক্ অদো মাংগদোরে মতো অঙ্গমা পুম্নমক অদো মপাঙ্গল লৈত্রে ॥ ১০০।

তদ্‌ভ্রান্ত মনসঃ সর্ব্বে ভগবন্তং জগার্দ্দনম্।

প্রেত্যাতং সর্ব্ব বৃত্তান্তং বৈশসং নিবিবিৎসবঃ ॥ ১০১।

মাঙ্গাল ওইরোইদোরিবা হেরুবা উবদা পুম্নমক্ অক্যাওবা ওইরে গোলোক মাংবা তারবা অদুগী রারি থভগে হায়বগীদমক্ ভগবাণ্ শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা লাক্লুনা থুংঙরে ॥ ১০১।

প্রণম্যাভ্যর্চ্চ সংস্তুয় কৃতাঞ্জলি পুটস্থিতাঃ।

তান্‌সংপ্রেক্ষ্য তথা ভূতান্ দ্বেমান্ সর্ব্বমশেষতঃ। ১০২।

ভগবাণগী চরন্দা ভক্তি তৌদুনা পূজা তৌজরগা মুংশিবা বাহৈনা স্তব তৌদুনা থুং লোম্নদুনা পুম্নমক্ দণ্ডবৎ তৌখি মখোয় পুম্নমক্কী অদুগুম্বা অবস্থা য়েংঙগা ভগবাণ্ থোইদোক্লা অমসুং আওহবা পুম্নমক্ রাখল পুক্লি দা তৌংখ্রে। অর্থাৎ সনৎকুমার লাক্লিবা আহানবদা ওইবা অমসুং চিংনবগী মরম্ দর্শণ ফংদবদগী তম্থিবা রাহৈ পুম্নমক্ রাখলদা ফাওরে ॥ ১০২।

নিঃ শ্বস্য পরমঃ কৃষ্ণোকিঞ্চিৎকালং দিনাঃচ।

প্রহস্য স্বনুগানাহ ভগবাণ্ মধুসুদ ঃ ॥ ১০৩।

অহুগী তুগুদা পরমাত্মা শ্রীকৃষ্ণনা মর মপী হল্লপা মতম্ খরা তুমিন্না লৈখি অহুগী তুংদ ভগবান মধুহন্তা হরিনা নোকুনা মহাক্কী মনাইশিংদা অসুম্না হায়খি ॥ ১০৩ ।

সর্ব্বং জানে সুরশ্রেষ্ঠা বৈশসং মুণিনাকৃতম্ ।
ভূবং গচ্ছত ভদ্রংবঃ কুরু বৃষ্ণ্যন্ধকেষুচ ॥ ১০৪ ।
কুকুরেষু দশার্হেষু ভোজ পাঞ্চালে মন্মথ ।
কুরুপাঞ্চাল বাহ্লীক যদুদেবেষু তেষ্বথ ।
জায়ন্তং সর্ব্ব সত্বাণাং প্রধানেষ্ব মরোত্তমাঃ ॥ ১০৫ ।

হে অমরোত্তমগণ ! মহা মুণি সনৎকুমারণ মরম্ ওইরদুনা (বৈশসপ্রাপ্ত) অর্থাৎ অমাং অতা লৈত্রাবা দশা কংওরে মবম্ পুম্নমক্ ঐনা খংঙে মাদো ঐনা হাইবা ভমমরোই হৌজিক্ নখোয় পুম্নমক্ পৃথিবীদা চৎপনা মঙ্গস ওইবনি কুরু, বৃষিং, অন্ধক, কুকুর, দর্শাহ, অমসুং ভোজ, পঞ্চাল দেশদা চৎলগা কুরুবংশদা অমসুং পঞ্চাল রাজবংশদা (বহ্লীকালয়ে) মতৌ অসুম্না পুম্নমক্কী অথোইবা যদুবুল অমনা অথোই অথোইবা মীগী মহুম্দা নখোয় পুম্নমক্না পোক্উরো করিগুম্বদা মুণিগী শাপ্ অরেম্বদা মাংবা হৌনদে ॥ ১০৪—১০৫ ।

মৎপরা মৎকথাল্যপমদনু ধ্যাণতৎপরাঃ ।
মন্নাম কীর্ত্তণপরা মদ্গুণ শ্রবণেরতাঃ । ১০৬ ।

পৃথিবীদা মীওইনা পোকলুরো ঐঙোন্দা ভক্তি পরায়োন ওইয়ু ঐগী কথা অমসুং ঐবু নিংবদা পুক্নিং চংবা ওইয়ু মতৌ অসুম্না ঐগী নাম সকীর্ত্তণদা পুক্নিং চংঙু ঐগী গুণ লীলা তাবদা মতম্ পুম্নমক্তা অপাম্বা ওইয়ু ॥ ১০৬ ।

মদ্ভক্তসঙ্গণিরতা মৎপাদ সেবনেরতাঃ ।
বিদ্বাংসঃ সর্ব্বশাস্ত্রেষু শ্রেষ্ঠাঃ সর্ব্বধনুর্ব্বৃতাম্ ॥ ১০৭ ।

ঐগী ভক্তগা অতৎপা লৈত্তনা লোইনৌ অতৎপা লৈত্তনা ঐগী চরণ সেবাদা পুক্নিং থমসু ঐগী য়াথং অমনা সর্ব্ব শাস্ত্র হৈবা লিরাং পাংবদা অথোইবা ওইয়ু অসি নত্তনা অতোপ্পা ওইরাবোই । ১০৭ ।

অজেয়াদেব দৈত্যেয় যক্ষ রাক্ষস পন্নগৈ ।
কিঞ্চিৎকালং তত্রনীত্বা পুনরপ্যা গমিষ্যাস ॥ ১০৮ ।

দেব, দাণব, যক্ষ, রাক্ষস, মতৌ অসুম্না নগগন পুম্নমক ভম্জা মতৌ অসুম্না মখম অহুদা মতম খরা লৈরুরো অমুক হন্না অসিগুম্বা ঐগী ওইবা গোলোকতা পুম্নমক লাকদবা ওই । ১০৮ ।

কিং বিষাদেন শোকেন বৈক্লব্যেনাবচঃ ।
অমোঘমুক্তং মদ্বিাগ্নজ্রং পরমোত্মণম ॥ ১০৯ ।

হেপিয়শিষ্যগণ! হৌর্জিক্ নখোয় পুম্নমক্না করিগী রারি? রারগনু? আরবৈক্রব্যাচরণে কি সুসার হইবে? খোইদোক্না লংঙবা মঙাল্ ওইবা মুণি মহাক্কি অমাং অতা লৈত্রবা বজ্রগমানবা রা হিক্তোকপা ভমন্ত্রে অনি নঙ্গনা মতৌ করমনা লালনিংঙাই লৈত্রে ॥ ১০৯।

অহমপ্যগমিষ্যামি প্রার্থিতো হৃজ্জঘানিনা।

দুষ্টক্ষত্রিয় ভূভার বলোঘক্ষয় জিষ্ণুণা ॥ ১১০।

নখোয় পুম্নমক্না ঐগীদমক্ চিংনাগনু মরমদি ব্রহ্মানা ঐভোন্দা হায়জাপ্রবনি শংযার ভাকুনা-নবগীদমক্ ঐসু তুঙদা পৃথিদা অবতার ওইরগনি পৃথিবী অরুম্বা মাংহনবা হাইবদো ঐনদি ওইরোই ওইনানবদি ঈন্দ্রি থুহম্ চনবা অর্জ্জুণগা লোইনাদুনা ফংত্রব ক্ষত্রি কললবা মপৈ মাংহলগনি ॥ ১১০।

মৎপরায়শ্চ গোপাশ্চ গোপালশ্চ সহস্রশঃ।

গোকুলেষু সমৃদ্ধেষু মদ্ভক্তি পরমেষুচ ॥ ১১১।

ঐভোন্দা ভক্তি লেবা অদুগুম্বা অয়াম্বা গোপিসিং অমমা ভক্তি লৈবা লিশিং লিশিং ওইবা গোপ মযাম্ পুম্নমক্ (মদ্ভক্তিপরায়ণ) ওইবা অথোইবা মফম্ চাওখংলবা গোকুলদা চংলগা গোপগী যুমদা পোকলুরো ॥ ১১১।

যাত্তু রাধাতুবং দেবি প্রাণেভ্যোঽপি গরীয়সী।

কীর্ত্তিদায়াং বৃষগৃহে সম্ভব স্তেভবিষ্যতি ॥ ১১২।

মমপ্রাণাধিকা প্রিয়তমা দেবি! হে রাধে! নহাকশু পৃথিদা চংলগা (নন্দব্রজে) বৃষ-ভানুগী য়ুমদা কীর্ত্তিদাগী তম্পাক্তা নহাক (সম্ভবহইবো) ১১২।

ব্রহ্মোবাচ।—এব মাদিশ্যতান্ সর্ব্বাণ শোকাপহতচেতনঃ।

স্বাংকলাং প্রেষয়ত্যেকাং গোকুলেষুচতৈংসহঃ ॥ ১১৩।

ভগবাণনা অদুগুম্বা মম্নামদা অদুগুম্বা য়াথং পীরবদা অরাব নুংঙাইত্তবা ওইদুনা মখোয়গী-দমক্ লোইনানবা মহাক্কি কালা অমা গোকুলদা শিন্নখে ॥ ১১৩।

মৌন্যাস লক্ষণং দেবো নিশ্বসন্বিলপন্ হসন্ ॥ ১১৪।

ভগবান্ গোবিন্দদেব মখোই পুম্নমক্ গোকুলদা চংননবগী তাকপিরগা ভহাক্ তুমিন্না লৈরগা (দীর্ঘনিঃস্বাস) ওইদুনা অমুক্সু নোকই অমুক্সু কপপি ॥ ১১৪।

ততঃ সর্ব্বে মহাত্মানং পঞ্চাল কুরু বৃষ্ণিষু।

যদ্বন্ধক দশার্হেষু ভোজবাহ্লীক য়োরপি ॥ ১১৫।

ভজায়ন্ত মহাভাগা বৈষ্ণবী বিজিতেন্দ্রিয়াঃ ॥ ১১৬।

অদুগী তুঙদা অয়াম্ব লাইবক ফবা বিষ্ণুগী মনাই জিতেন্দ্রিয় ওইবা নিপা পুম্নমক্ শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং ইনদুনা পৃথিবীদা কুরু, বৃষ্ণি, যদু, অন্ধক, দশার্হ, মতৌ অমুম্না বাহ্লীক, লৈরিব ক্ষত্রিয় শাগৈদা চংদুনা পোকখ্রে ॥ ১১২—১১৬।

গোকুলেষু বাজায়ন্তঃ গোপ গোপ্যঃ সহস্রশঃ।
রাধাংশিকলয়া বৃন্দা কলয়াবর্ব্বরী তথা ॥
স্বয়ং যজ্ঞে কীর্ত্তিদায়াং কাত্যায়ন্যা প্রসাদতঃ ॥ ১১৭ ।

অপ্তোপা লিশিং লিশিং গোপা অমসুং গোপী পুন্নমক, গোকুলদা পোকখে, রাধাগী অংশ অনিনা গোকুলদা বৃন্দা অমসুং তুলসীগী মশক, ওইদুন পোকখে, অতোপ্পা অমনা কাত্যায়নীনা বৃষভানুবু পেনবিদুনা (অযোনিসম্ভবা) দেবীন রাধাগী মশক লৌদুন কীর্ত্তিদাগী মচা ওইনা পোকখে ॥ ১১৭ ।

কৃষ্ণস্তু কলয়া যজ্ঞে জটিলায়াং প্রভাসতঃ।
তিলকো দুর্ম্মদশ্চাপি অায়াণাবরজৌ সুতৌ। ১১৮।

মতুং অদুদা শ্রীকৃষ্ণগী অংশকালা অমনা জটিলাগী গর্ভদা জর্ম্ম ওইখে, মাগী মমিং আয়ণ কৌখে, আয়াণগী ময়াম্বন তিলক দুর্ম্মদ মমিংন জটিলা অতোপ্পা অমনা মচা অনি পোকখে ॥ ১১৮।

তেষামবরজা কন্যে কুটিলাচ প্রভাকরা।
জবন্যজা বারোহা যশোদানন্দ গেহিণী ॥ ১১৯ ।

কুটিলা অমসুং প্রভাকরি কৌই জটিলাগী মচা নুপী অনি মতম খরা লৈরগা যশোদা কৌবী পুন্নমকগী অতোনবী অমা পোকই অদুগুম্বি যশোদা গোপনিংথৌ নন্দরাজগী মহারানি ওইখি ॥ ১১৯ ।

মতাং অসিদা ব্রহ্মাণ্ড পুরাণগী ব্রহ্মাগা মচা তরেংকা ভাংনবা সনৎকুমারগী শাপ্পা শ্রীরাধান গোপা গোপী জন্ম ওইবা নিপাল শুবা অধ্যায় লোইরে।

নবম অধ্যায়ঃ

শ্রীকৃষ্ণের অবতার প্রসঙ্গ

অঙ্গিরাউবাচ।—প্রসীদ নাথ নে ব্রহ্মন্ বিবিৎসামোবয়ং গুণান্।
তস্যোদার চরিত্রস্য জন্ম কর্ম্মাদি শংসনঃ ॥ ১।
অজন্মনোঽব্যয়স্যাস্য কৃষ্ণস্য পরমাত্মনঃ ॥ ২।

মহর্ষি অঙ্গিরাণ ব্রহ্মাদ হঙ্গংখি—হে ব্রহ্মণ্! ঐখোয় পুন্নমক্কিদমক, তাকপিয়ু মরম্রদি গুরুদেবনা পুন্নামকপু অমম্বা ওইন তাকপিরি। হেনাথ! ঐখোই পুন্নমক্তা ইবুংগো মহাক্কি বারি শ্রীকৃষ্ণগী গুণ তাজবা পামজৈ মরম অসিনা ইবুংগো নহাক্কা গুসি অমাং অতা লৈত্রকা

পরমাত্মা ওইবা শ্রীকৃষ্ণন মর্ত্ত্যলোক্তা মতৌ করম্না জর্ম্মা ওইরিবা পুন্নমক, অদো খাকত্তনা ঐখোয় পুন্নমক্তা তাকপিয়্ ॥ ১—২ ।

ব্রহ্মোবাচ।—সাধোতে মনসঃ প্রীতিঃ কৃষ্ণস্যাদ্ভুত কর্ম্মণঃ।
গুণানুবাদ শ্রবনে সাধুতে বিহিতং মনঃ ॥ ৩।

ব্রহ্মাণ অঙ্গিরাদ থাগৎপা রাহৈন হায়খি— হে সাধো! মতম্ অদুদা অঙক্পা থবক্ শ্রীকৃষ্ণগী গুণ তাবদা নখোয়গী পুক্নিংদা পেন্দবা পোকলে অর্থাৎ তানিংবনা খোৱাংঙে খোৱাংঙিবা নহাক্ অসে সাধূনি মতৌ অসুম্না নখোয় পুন্নামক্কি পুক্নিং অদো সাধু ওইবাননি ॥ ৩।

দুষ্টদৈত্যাংশ সম্ভুতা দুষ্টক্ষত্রী ভরামহী।
রুদন্তী শণকৈঃ প্রোয়াৎ সুত্রাম ধাম ভুনুর ॥ ৪।

হেভুদেব! ফংত্রবা দৈত্যগণগি অংশদগী ওইখিবা লাকনবা রারবা ক্ষত্রিগী অক্নম্বনা খাঙবদা রারবা পৃথিবীন অকন্বা কোক্নবগী রাখন তৌরদুনা মহাক্না কপ্পা কপ্পপাদুনা মহাক্কি আবাব অদু হাইজগে হাইদুন স্বর্গগিমপু দেবরাজগি সভাদ চংখে ॥ ৪।

তাংরোদমানাং সংপ্রাপ্তাং প্রেক্ষ্য সর্ব্বেস বাসবাঃ।
দিবৌকসো ভয়োদ্বিগ্ন হতোৎসাহাঃ সভাসদঃ ॥ ৫।

অয়াম্বা দেবসন্ তিল্লিবা ইন্দ্রগী শোভাদ কপপিবা পৃথিবীবু য়েংঙগা সভাদ লৈরিবা পুন্নমক্ লোইনদুন ময়াম অদুনা মখন্ মখা গুননা তৈনাব অনসুং কিবদগী চংনখে ॥ ৫।

তাংদৃষ্টাতু তদাদেবী উপেন্দ্র বাক্যমাদদে ॥ ৬।

অৱাবা ফংঙবা জগৎপু য়োকচবি পৃথিবীদা থেমজনদুনা মুংশিব রাহৈনা দেবরাজন মাঙোন্দা অসুম্না হংখে ॥ ৬।

উপেন্দ্রউবাচ।- ভয়স্য কারণং ভদ্রে রূহিমাংবরবর্ণিনি।
কর্ম্মাদ্রোদিষি সর্ব্বং ত্বং যথাবৃত্তমণিন্দি তে ॥ ৭।

উপেন্দ্রন হায়খি— হে লাইবক্ ফবী! দোশ লৈত্তবি বরবর্ণিনি ধরনি! নহাক্না করি মরমগী অদুক্ কিরিবনো? অমনা করি মরম লৈদুনা কপপিবনো লাকপনা করিগীবো? অদুককী মথৈ ওইবা থুদক্ অসিদা হাইনিবা পুন্নমক্ ঐঙোন্দা হাইরো ॥ ৭।

ধরণ্যুবাচ।—নৃশংসাঃ পাপ কর্ম্মাণো যে চ ধর্ম্মবিদুষকাঃ।
পৃথিব্যাং পৃথিবীপালা স্তানুসোঢুং নক্কমেংথ ॥ ৮।

উপেন্দ্রগী ৱা তারবদা পৃথিন হায়জপি—হে অনঘ! অয়াম্বা পাপক্কি থবক ফংত্রবা রাহৈ অত্তৎপা লৈত্তনা ধর্ম্মবু মাংননবা ফংত্রবা ক্ষত্রি পুন্নমক্না পৃথিবীদ নিংথৌ ওইরে নত্তবা ধর্ম্মান প্রজাবু চাক্লে অয়াম্বা: ফংত্রাব পুন্নমক্ অদুগী অৱাব তরাম্বা ঐনা পুজবা ইতিক ওইজক্রে ॥ ৮।

ইত্যাকর্ণ্যবচোদেব্যা ধরণ্যা ধরণীসুর।
সত্যলোকং যযুঃ সর্ব্বেষদত্রাহংস্থিতঃ সুখী। ৯।

পৃথিবীগী অচুগুম্বা অরাব রা তারবদা ইন্দ্রনাচিংবা দেবগণ সত্যলোক্তা চংখে, ব্রহ্মলোকতা থুংগ্লে—হে অঙ্গিরা! ঐদি নুংঙাইনা মফম অদুদা লৈরি ॥ ৯ ।

মহিসর্ব্বং যথাবৃত্তং প্রণম্যাভির্চ্চ্য তে ব্রুবন্।
ত শ্রুত্যাহং বিষন্নাত্মা তৈঃ সার্দ্ধ মগমাদ্বিজ। ১০।

ব্রহ্মাণা অঙ্গিরাদ হাইখি—হেদ্বিজ! দেবগণনা ঐঙোন্দা খুরুমজুন অহানবদা পূজা তৌরগা অচুক্কি মথৈ ওইবা পৃথিবীগী ওইরিব অদো ঐঙোন্দা হায়বে অদুগী তুঙদা ঐগা লাই ময়ামগা লোইনদুনা থামোইদা অৱাবা ওইদুনা থুনা চংলি ॥ ১০ ।

ক্ষীরোদস্যোত্তরং তীরং যত্র সর্ব্বেশ্বরোচ্যুঃ।
শেতেশেষে মহাবাহুর্বিরাট পুরুষা কৃতিঃ।
লক্ষ্মী সরস্বতী ভ্যাঞ্চ রমমানো বসংসুখম্ ॥ ১১।

ক্ষীরোদ সাগরগী আৱাংগী তোরবান্দ সর্ব্বেশ্বর ভগবাণ শ্রীকৃষ্ণ অনন্ত শয্যাদা চেপ্তুনা লৈব মগম্ অচুগুম্বা ইবুংঙো অদো পুরুষগী মশক্তি (মহাবাহুবিরাট্রূপ) ভগবাণ, লক্ষ্মী, অমসুং সরস্বতী, লোইনদুনা। রমমাণহইয়া পরমসুখে অবস্থিত আছেন ॥ ১১ ।

তত্রতং গন্ধমাল্যাদ্যৈ রভ্যর্চ্যি ত্বর্য্য ধূপকৈঃ।
অস্তুবং পরমেশাণং বাগ্ভিরিষ্টাভি রচ্যতম্ ॥ ১২ ।

মফম্ অদুদ কংলবা পোংকম্ গন্ধমাল্য ধূপ দিপ্ কংলগা ইবুংঙো মহাকপু পূজা তৌদুনা সঙ্গোম চুহি য়াম্ লাফোই পুল্লগা অদুগুম্বা সমূত্রাদ লৈবা পরমেশ্বর ভগবাণ শ্রীকৃষ্ণবু ঐনা স্তুতি তৌজে ॥ ১২ ।

ততঃ প্রসন্নো ভগবান্মেঘ গম্ভীরয়াগিরা।
অদৃশ্যমানুবাচেদং বচনো হিতমাত্মনঃ ॥ ১৩ ।

অদুগী তুংদা ঐখোয় পুম্নমকপু নুংশিবীদুন ভগবাণ মধুসুদণনা উহনদনা নোং ঙংবাগুম্ ঐখোই পুম্নমক্কি ফনানবগীদমক্ অশুম্না তাক্পিবকই ॥ ১৩ ।

অপন্যো যো ধরাভারং ধরায়াম্ভবণ সুরাম্।
বহবো বৃষ্ণি ভোজাদি বংশেমৎপরমাশ্চমে। ১৪ ।

হেদেবগণ! ঐনা পৃথিবীগী অৱাব অরুম্বা মাংহনলগনি করিগী কিরি কিগনু? নখোয় পুম্নমক্ পৃথিদা মী ওইনা মযম্ মফম্ খুদিংদা পোকউরো ঐবু নিংজবা বৃষ্ণিবংশ, অমসুং ভোজ-বংশ, কয়া অদুদা ঐ অবতার তৌরারগে। ১৪ ।

জায়ায়াং বসুদেবস্য দেবক্যাং গর্ভপঞ্জরে।

অহং জায়াং সুরবরাং ব্যেতুব্যো মাণসস্তবঃ ॥ ১৫ ।

হেস্নুরবরেরা ! নখোই পুম্নমক্কা নপুক্লিংদা মুংঙাইত্রিবা অদো থাদোকউ ঐস্নু অরেম্না ওইনা বস্নুদেবগী মচা ওইন দেবকীগী গর্ভাদ পোককে করিগী কিরি ? ॥ ১৫ ।

দেবক্যা অষ্টমোগর্ভে ভাবয়িত্বাত্মাণমাত্মনা ।

অপান্যেষো ধরাভারংতৈঃ সার্দ্ধং শূক্কনীরিব ॥ ১৬ ।

দেবকিগী নিপান্ শুবা গর্ভদ। মহাক্কি মচা ওইন ঐনা অবতার ওইরগা কংত্রব মপাঙ্গ কনবাসিং লোইনচনা প্রলয়োগী মৈগী মতোওম্না পৃথিবীগী অক্কম্বা অবাবা কোকহনগে ॥ ১৬ ।

শেষোহয়ং যাতু দেবকন্যা গর্ভে পরবলমর্দ্দণঃ ।

ততোহহং বলদেবেণ সহ বংসামি গোকুলে ॥ ১৭ ।

অকনবাসিং নৈহংনবগীদমক্ অহুগুম্বা অনন্তদেবনা দেবকিগী গর্ভদা চংঙগা বলদেব কোহুন ফাওরসনু অহুগী তুংদা ঐগা অহুগুম্বা বলদেবগা লোইনচুনা মতমথ্া গোকুলদা লৈগে ॥ ১৭।

ইত্যাদিষ্টা ভগবতা দেবাস্তে পার্শ্বধস্বনা ।

যযুঃ স্বংস্বং প্রমুদিতা ধামতে ত্রিদিবৌ কসঃ ॥ ১৮ ।

শারঙ্গ ধনু পাইরগা ভগবাণনা লাই ময়াম্ য়েংওগা অস্নুম্না হাইরকই লাই পুম্নমক্কি মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণগী য়'থং ফংঙবদা থে'ইদোক্কা হরাওরচুনা পুম্নমক্ অদো মাগী মাগী মফমদা চংনখে ॥ ১৮ ।

অঙ্গিরাউবাচ ।- নমামিতে পাদপঙ্কজগুনাথ পুনীহিনঃ ।

বাসুদেব গুণোৎকর্ষ স্বধু'নী পাৎসা বিভো ॥ ১৯ ।

অঙ্গিরানা ব্রহ্মাদ হায়খি— হেনাথ ! গুরুদেবগী চরোন থম্নাল্ অনিদা ঐখোয় পুম্নমক্কা খুরুম্জরি । হেবিভো ! গঙ্গাগী জলগা মাননারবা বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণগী য়াথিনা মরম্ ওইরচুনা ঐখোই পুম্নমক্কিদমক্ নহাক্কা তাক্পিচুনা সেংহনবিরো ॥ ১৯ ।

তস্য কর্ম্মান্যদারানি ভবাদীনি ভরস্যচ ।

ব্রাহিনঃ শ্রদ্দধানানাং শুশ্রূষুনাং পিতামহ ॥ ২০ ।

হেপিতামহ ! ব্রহ্মন্ ! ভগবাণগী চাংদমনিংঙাই লৈত্রবা থবক্ অয়াম্বা অমদি পোকপগী বারি অয়াম্বা ঐখোয় পুম্নমক্কা পুক্লিংদা থাজবগা লোইনান তাজরি ঐখোয়খিবিক্কা অয়ম্বা বারি শন্দোক্কা তাক্পিয়ু ॥ ২০ ।

ব্রহ্মোবাচ ।- অসীম্মহীক্ষিদোজস্বী মথুমারাং পরার্দ্দণঃ ।

সুরসেনো বৃহৎকীর্ত্তিগুর্ণৈ ভোজান্ধকেষুচচ ॥ ২১ ।

ব্রহ্মাণ অঙ্গিরাদ হায়খি - বৎস ! অকনবা নৈহংনবা মগুণ চাওবা মমিং চৎপা মতো অস্নুম্না (অতি মহৎগুণবান্ ভোজবংশ, অমস্নুং অন্ধকবংশ অনিদা শূরসেণ কৌবা মথুরাদ নিংথৌ অমা লৈরমমি ॥ ২১ ।

মথুরান্ শৌরসেনাংশ্চ যামুনান্ ব্রজকোশলান্ ।
চীন হুন বিদর্ভাংশ্চ বর্ব্বরান্ পার্ব্বতান্ খশান্ । ২২ ।
পটচ্চর কিরাতাংশ্চ যবনান্ কাশি গোপুরান্ ।
রাজধান্য ভবত্তস্য মথুরায়াং নরেশিতু । ২৩ ।

মথুরাদ শৌরসেন যমুনা মপান্দ লৈবা ব্রজভূমি, অযোধ্যা, চীন, হুণ, বিদর্ভ, বর্ব্বর, পার্ব্বতীয়, মতৌ অমুম্না খশ, অসিনচিংবা (পারসীক দেশপটচ্চ'র) অর্থাৎ, মৈগা মায়বা শৈজাল ডাক্পা দেশ কিরাত, কম্বোজ, অসিনচিংব যবণগীদেশ মতৌ অম্মুম্না কাশী অমসুং গোপুর অসি-নচিংবা দেশ পুম্নমক্ মহাক্কি মখা পোম্না লৈ অতুগুম্বা শূরসেন রাজন ময়াইদা পুম্নমক্না পুজা তৌদুন মথুরাদ মহাক্কি কোন্নুং শাদুনা লৈ ।। ২২—২৩ ।

দেবকশ্চোগ্রসেণশ্চ বৈশ্বাণর সমদ্যুতি ।
অধরায়া মজায়েতাং মহাদেব্যাং তপস্বিনঃ ।। ২৪ ।

হেতপস্বিপ্রবর ! ঋষিগণেরা ! মহাদেবী অধরা মহাক্কি ভার্য্যা অনি মঙাল লৈবী মৈগী মঙালগুম্ব দেবক অমসুং উগ্রসেন কৌবা মচা অনি পোকই ।। ২৪ ।

বলবন্তৌ মহাত্মানৌ সর্ব্বাস্ত্রবিদুষাম্বরৌ ।
পাংগৌ সর্ব্বশাস্ত্রদ্বৈর্বহৈদ্গুণ যশস্বিনৌ ।। ২৫ ।

অদুগুম্বা মচিন মনাও অনি মপাঙ্গল কল্লি অনি অদো মহাত্মা ওই (সর্ব্বাস্ত্র) হৈ শাস্ত্র সাগর হৈজবা লৈত্তে থোইদোক্না মমীং চংল্লি গুণলৈ ।। ২৫ ।

উভৌ সুহৃদ্ বর্ম্মাণৌ শক্র সংখ রিমর্দ্দণৌ ।
অন্বগাস দুগ্রসেনোগ্রেয্যা রাজ্যমাপ্ত ধর্ম্মতঃ ।। ২৬ ।

অনি অদুন চান্নবাসিংগা মু শিন থবক্ তৌমিন্নৈ য়েক্নাববু লাক্শিল্লি অহল ওইবা উগ্রসেণ মহাক্কি ক্ষত্রি ধর্ম্মগী মতুং ইন্না যৌবরাজ্য ফংখি ।। ২৬ ।

অবুাবাহ কোশলজাং জয়ন্তীং জরতাম্বরঃ ।
দেবকো দেবসংকাশ মনবদস্তাং শুচিস্ত্রুগাম্ । ২৭ ।

পুম্নমক ওমজব; ময়াম্বা উগ্রসেণ কৌশল রাজগী মচানুপী জয়ন্তী লুহোংখি অমনা লাইগা মায়বা মঙাণ ওইবা দেবক (অনিন্দিতা দেবরূপা) সেংজবা গুণনা চংথোন্নবা শুচি কৌবি (পত্নীর পাণিগ্রহণ করেণ) ।। ২৭ ।

অস্যাং যজ্ঞে বরারোহা দেবকীদেবসুদ্ধিজ্ঞ ।
জয়ন্ত্যামুগ্রসেণস্য জজ্ঞিরে বহবঃ সুতাঃ ।। ২৮ ।

হেদ্বিজ ! অদুগুম্বী দেবককী মুপী শুচিগী গর্ভদা দেবমাতা ওইবী লাইবক্ ফবী অর্থাৎ সধর্ম্মিণী ওইবি অথোইবী দেবকী পোক্খি । অমনা কোশল রাজগী মচানুপী জয়ন্তী দেবীগী গর্ভদা উগ্রসেনগী মচা মুপা অমসুং মুপী অয়াম্বা পোকখি ।। ২৮ ।

কংসস্তাঃ সুদুরাত্মানো মহাবলপরাক্রমাঃ।
দেবব্রাহ্মণ হন্তারো যজ্ঞাদীন বিহিংসকাঃ॥ ২৯।

মপলঙ্গ কল্লবা কংশানচিংবা উগ্রসেনগী মচা ওইনা মখোই পুম্নমক্ লমচৎ ফজদে অর্থাৎ মী ওইনা পোকলগা আসুর ধর্ম্ম ওই মখোই অদো দেব তানচিংবা অমসুং শন ব্রাহ্মণ যাং-হল্লি মতৌ অমুম্না যাগ, যজ্ঞ, পূজানচিংবা পুম্নমক্ শ্রীকৃষ্ণগী থবক্তা কৈগী মতৌগুম যাংহল্লি॥ ২৯।

দেবকো মার্গ মানোঽপি নোপলেভে বরং বরম্।
কন্যার্থে পরিতো বিদ্বন্ রাজ ক্ষত্রান্বয়েষু সঃ॥ ৩০।

হেবিদ্বন্! নিংথৌনা দেবকুকি মচা নুপী দেবকীগি মক্তিক্ চাবা বরা হেংগা লুহোংনবগী-দমক্ দেশ খুদিং মফম্ খুদংথি তৌইগুম্বাসুং দেবকীগা মান্নবা অথোইবা গুণলৈবা বর ক্ষত্রি মচা নিংথৌ মচা ফংদ্রে অদুগী তুংদা রাশকলে ক্ষাত্র নত্রাবসু মগুণ লৈরবদি নিংথৌ ওইরবদি মাডোন্দা দান্ তৌরগনি॥ ৩০।

অধিগত্যাযুহে সর্ব্বান্ গুণৌজাষশসঃ পরান্।
বসুদেবস্য মৈত্রেয় দদত্তাং যোগ্যতাং বরাম্॥ ৩১।

হেমুনে! মতুং অদুদা বসুদেবগী অথোইবা নিংচৎ গুণনাতনবা উরগা হরাওদ্রে মতৌ অমুম্না হান্নাদগী হৌন বসুদেববু মরূপ ওইহন লৈ মাবু নুংশি অমনা বিধিনসু তম্থাবান খল্লগা মগুণ লৈবি অথোইবা দেবকীবু বসুদেবদা লুহোংথে॥ ৩১।

বিধিনা দ্বয় সম্বোধ্য বিধিদৃষ্টেন কর্ম্মণা।
কৃতোদ্বাহায় প্রদদৌ পারিবর্হ নেকশঃ॥ ৩২।

থবক্ খগুনা থাগৎলহনা নিপা ওইবা বসুদেববু কৌরাহন শাস্ত্রগী বিধান উন কন্যাদানগী কর্ম্ম লোইরবা তুডদা বর, কন্যা, আনন্দা দেবকনা মথল্ মথা অন্নাম্না আউনপোৎ পীরে॥ ৩২।

দাসীনাং নিষ্কণ্ঠীনাং সহস্রদ্বিতয়াংদ্বিজাঃ।
দাসাশ্ব কার পাদাত রথাস্ত্র মাহবান খরান্॥ ৩৩।

হেদ্বিজগণ! স্না পরেং শিবী খিনাই শিশিং অনি নুপী নিপা সগোল্ শামু খোঙমী লালমী খুংলাই খননা হাপ্পা রথ মতৌ অমুম্না ইরোই অমসুং গর্দ্দভ মসিংথৌবা ওমদবা॥ ৩৩।

উষ্ট্র মেষাজ বস্ত্রাণি মহার্হাভরনানিচ।
রত্ন মাণিক্য হারানি মণিমদ্রথ সঞ্চয়াম্॥ ৩৪।

উষ্ট্র, মেষ, ছাগ, মতৌ অমুম্না (তল্লোমজাত) ফি মথল কয়া অমসুং নিংথৌগী মক্তিক্ চাব সেংনা ইম্নবা মণি, রত্ন, হীরানাচিংবা মণিময় ওইবা রথ ময়াম্॥ ৩৪।

শ্বেতচ্ছত্রাণি শতশো বাসাংস্যজিণ কম্বলান্।
প্রায়চ্ছৎ পৃথিবী পালো দুহিতুঃ পতয়েস্বকান্॥ ৩৫॥

চাম চাম অঙৌব, ফিরান ওইথোকতবা ফি মথল কয়া (মৃগাদিচর্ম্ম) অমসুং কয়ন্না মথল মথা অয়াম্বা মহাক্কি ব্যবহার পোং পুম্নমক, বর কন্যা অনিদ দেবকন চংখোননা আউন পোং পীরে ॥ ৩৫ ।

কৃতোদ্বহঃ শুস্ত্যয়লো সূত'গ্নির্গন্তুমুদ্যতঃ ।
পত্ন্যানবোঢ়য়াসার্দ্ধং রথ মারুহ্য হেনথ ॥ ৩৬ ।

হেনিঙ্পাপ অঙ্গিরা! বিবাহ লোইরবদা বসুদেবনু থবক, অহুগী মন্ত্রানা অহানবদা মৈদা ঘিন আহুতি কংলি নৌনা লুহোংবা বর কন্যা লোইননা রথদা তোংহনহনা ময়ুমদা থিননবা থৌরাং তৌরে । ৩৬ ।

তং প্রয়ান্তং রনাকঢ় মৌগ্রসেনি ঃ রেক্ষ্যাচ ।
কংসঃ পামর সংহৃষ্টমনা রথমবারুহৎ ॥ ৩৭ ।

দৈবকিগা লোইনহনা বসুদেব য়ুমলোমদা মাই শনহন লাকপা অহুবু য়েংওগা উগ্রসেনগী মচা কংস মচনগীদমক, অভক,পনা অপনবা ওইহনা অপ্তোপ য়ুমদা থমবা ভমথিন্রে হরাওরহনা লাকলিবা রথ অহুদ, তোংখংখে ॥ ৩৭ ।

প্রণয়াত্তুপ যন্তুত্বমুপংম্যা ত্তুদশ্বয়ান্ ।
সান্ত্বয়ন্ ভগিনীং সামবাচা মধুরয়া দ্বিজ ॥ ৩৮ ।

হেদ্বিজ! কংস উৎদা মচমা থুবমথি বসুদেব অমসুং দৈবকী লোইনহনা চংখে, মতৌ ক্ষমা মহাক্না চংখোম্না সারথি ওইহনা শগোল খুরুজি পাইহনা মনেম মকুগী য়ুমদা চংপা মচনবু অমতা ওইনা মুংশিবা রাহৈন শান্দোক্লা থেম্সনথি ॥ ৩৮ ।

বচ্ছতো হয়রশ্মোর্ধ'পুবাচ বেমনিশ্বনা ।
বাচামধুরয়া কংসমকায় বাক্ ধরামর ॥ ৩৯ ।

হেধরা ময় অঙ্গিরা! কংসনা শগোল খুরুজি পাইহনা লাকপা মতম্ অহুদা আকাশদগী লাই পুয়মক্লা নোঙ খোংবগুম্ মুংশিবা শুরনা মশাগী ওইবা রাহৈ কংসবু থাগংলগা অসুমা হাইরকই ॥ ৩৯ ।

দুর্ম্মতে ত্বংনিবোধেদং মায়াতো সুখদংবচঃ ।
অস্যভূভারহরায় ভগবান্ প্রত্যগাত্মজ ।
জনিত্বাহষ্টমে গর্ভে সম্ভুরত্বাং হনিষ্যতি ॥ ৪০ ।

হেদুষ্টমতি কংস! ঐনা নহাক্কি মুংঙাইহবা বা অহু হায়গে লারো নহক্লা অষ্টগুম্বি দৈবকিবু রথদা হাপ্তনা মাংদা পুহনা চংল্লি অবেপ্পা ওইব অনাবা লৈত্রবা অমাং অত্তা লৈত্রবা ভগবান নারায়ণনা পৃথিবী অক্সা লৌথোকনবগীদমক, মহাক্কি নিপান শুবা মচা ওইনা পোকলাগনি মতৌ অসুমা পোকলগা নহাকপু মাংহলগনি ॥ ৪০ ।

এবমাকর্ণ্য তদ্বাক্য সর্পসমস্ত্রাস্তিগ্রহদসিম্ ।
হন্তকামো বরারোহাং দৈবকীং সোহভ্যধাবত ॥ ৪১ ।

অদুগুম্বা লাইগী বা তাবদা দুরাত্মা কংস খন্থবা তৌদনা মাগী থাং পাইদুনা লুহোংবদা ভাইরিবী দৈবকী হাংকে হাইনা খল্লদুনা শম্ পাইখে ।। ৪১ ।

মূর্দ্ধজং প্রতিসংগৃহ্য মনুষ্যাচ পরিপ্লুতঃ ।
তং তথাভূতমালক্ষ্য বসুদেবঃ সুদুর্ম্মণাঃ ।
সান্ত্বয়ন্ শ্লক্ষ্ণয়া বাচ মৃদুপূর্ব্ব বিব্রহেণ ॥ ৪২ ।

শাওখ্রাদুন কংসনা মতম্ অদুদা কোক্কাগী বেনীগা লোইনবা দৈবকীগী শম্ পুম্নমক্ ওইগী খুৎনা পাইবা অংকপ ও উবগা বসুদেব অরাবন তিল্লাষনা কংসগী মফমদা মুংশিবা রাহৈনা থেমদুনা তপনা তপনা হায়জারকই ।। ৪২ । তাৎপর্য্য ।—কসং দৈববাক্য তাবদা থোইদোক্না কাথ মতম্ অদুদা অদুম্না খনখে, অসিগুদ্বী দৈবকীগা নিপান শুবা মচানা ঐবু মাংহনগদৌরি ? অদু ওইরবদি ভাসমক্ নানি মাংহল্‌গে অদু ওইরবদি নিপান শুবা মচাগী করিগী চিংনগনি ? কবিগীনো হায়বদা উ য়ানথংলবদি মহৈ য়ালরাই ।

বসুদেবউবাচ ।--হত্বেমাং কৃপণাংবালামবলাং রাজসত্তম ।
অযশোক্ষ্য মৈনস্ত্বমবপ্সাস সুদারুণম্ ।। ৪৩ ।

বসুদেবনা কংসদা অ গুম্না পাওতাক্ পিখি–হেরাজসত্তম ! শক্রমদ্দন ! নহাক্তি নিংথৌ পুম্নমক্কী অথোইবা গুণ লেবান থোইদোক্না ভাকৃপি হৈবান অসিগুদ্বী নচন নুপী নহাক্না মচাপোকত্রিবী রারবীনি লুহোংবগী মংদা মাসিবু হাৎলবদি নহাক অসে থোজান্ হৈত্রবনি পাঙ্গল শোলবী অভাং থোইদোক্না অমাং অদা হৈত্রবা মিংচংথবা ফংগগনি মরম্ অসিনা (অযশস্কর) ওইরাগনি অসিগুদ্বা কর্ম্ম নহাক্না তৌগদবা ওইদে ।। ৪৩ ।

যদ্যহি বৎক্ষনে প্র সাং বিরাগো যোগএবযা ।
নির্দ্দিষ্ট বেধসা রাজন্ সত্যাং তদন্যথা নহি ।। ৪৪ ।

